সচিত্ৰ

মহাভাৰত

সপ্তম খণ্ড

[illegible]

ॐ

মণিপুরী

মহাভারত

তরামরিশুবা খণ্ড

কর্ণপর্ব্বগী অরোইবা শরুক, শল্যপর্ব্ব।

বেদব্যাসগী শ্লোকাবলী মহাতারতকী
পর্ব্ব-অধ্যায়-শ্লোক মথং মনাও
কায়দন, মরকুমরক্ত টীকা
পীদুনা মৈতৈরোন্দা

ছন্দোকুচবা—

কালাচাঁদ শাস্ত্রী

সাহিত্য ভূষণ (মঃ সাঃ পঃ)

কোঙ্‌ঙবা :-

মণিপুরী মহাভারত কমিটী

॥ ইং কুমজা ১৯৬৭ ॥

মহাভারত প্রেস, ইম্ফাল

মমল্ লুপা। ১০

কর্ণ পর্ব্ব

মতাং, অধ্যায়, পাতায় রপা তাকপা

শল্য পর্ব্ব

ওঁ

শ্রীমহাভারতম্

ষট্‌চত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ

নিফুতরুক শুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণপর্ব্বদা অকনবা লালগী মতাং মথং)

সঞ্জয় উবাচ।

এতস্মিন্নন্তরে কৃষ্ণঃ পার্থং বচনমব্রবীৎ। দর্শয়ন্নিব কৌন্তেয়ং ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্ ।১।
এষ পাণ্ডব। তে ভ্রাতা ধার্ত্তরাষ্ট্রৈর্মহাবলৈঃ। জিঘাংসুভির্মহেষ্বাসৈর্দ্রুতং পার্থোঽসার্যতে ।২।
তথানুযান্তি সংরব্ধাঃ পাঞ্চালা যুদ্ধদুর্ম্মদাঃ যুধিষ্ঠিরং মহাত্মানং পরীপ্সন্তো মহাবলাঃ ।৩।
এষ দুর্য্যোধনঃ পার্থ। রথানীকেন দংশিতঃ। রাজা সর্বস্য লোকস্য রাজানমনুধাবতি ।৪।
জিঘাংসুঃ পুরুষব্যাঘ্র। ভ্রাতৃভিঃ সহিতো বলী। আশীবিষসমস্পর্শৈঃ সর্বযুদ্ধবিশারদৈঃ ।৫। (যুগ্মকম্)
এতে জিঘৃক্ষবো যান্তি দ্বিপাশ্বরথপত্তয়ঃ। যুধিষ্ঠিরং ধার্ত্তরাষ্ট্রা রত্নোত্তমমিবার্থিনঃ ।৬।
পশ্য সাত্বতভীমাভ্যাং নিরুদ্ধা বিষ্ঠিতাঃ পুনঃ জিহীর্ষবোঽমৃতং দৈত্যাঃ শক্রাগ্নিভ্যামিবাবৃতাঃ ।৭।

সঞ্জয়না হায় :—মহারাজ। মতম্ অসিদা কৃষ্ণনা কুন্তিনন্দন ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরবু অর্জ্জুনদা উৎলগা অসুম্না হায়রকই :—পাণ্ডুনন্দন, অর্জ্জুন! য়েংঙু। আদা, ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা নয়াগী যুধিষ্ঠিরবু হাৎকদবগী কোকইনা ইল্লদুনা তাঙ্গা ভাইদুনা লৈরিবসে ॥১-২॥ অদুগা পুক্‌চেল চাউরবা থোইদোক্লা শাউরবা পাঞ্চালশিংনা নয়ামুং ধর্ম্মরাজবু কনগদবগী মওদা চেক্‌শিল্লা ইল্লরি ॥৩॥ নিপা অথোইবা অর্জ্জুন। লালগী পোচৈদুনা হগুনা, খুৎত খুৎলায় লোইনা শেম্‌শাদুনা, ঋল্লবা নিংথৌ দুর্য্যোধন হায়রবা অসিনা নয়াগু যুধিষ্ঠিরবু হাৎকদবগী লালদা হৈশিংলবা, অমমম্না তিলগী হুপা মাম্না তম্‌থিরবা মনাওশিংগা লোয়ননা যুধিষ্ঠিরগী মতুংদা ফুক্তিল্লকলিবসে য়েংঙু ॥৪-৫॥ মাণমুক্তারত্ন পাম্বশিংদা সমুত্র ঈম্নাইদা চোংথিব লূপথিবগুম্না কৌরব পক্ষগী শগোলশাম্ রথী মহারথী খোঙমী মপৈনা নয়াগু ধর্ম্মরাজবু ফাগদবগী, খুত্থুম্‌চনগদবগী থুনায়াওনা চত্তশিল্লিবসে যুম্না য়েংঙু ॥৬॥ অর্জ্জুন। মমাঙ্গৈদা দৈত্যশিংনা অমৃতবু কমানগে মুনগে হায়না তৌরকপদা ইন্দ্রগা অগ্নিগা দেবতা অনীনা থাম্বথিংবদা ঈরাম্নাদদুনা মথোয়না অসুম্ হেক্তিল্লকপগুম্না

এতে মহারথরিতাঃ পুনর্গচ্ছন্তি পাণ্ডবম্। সমুদ্রমিব বার্য্যোঘাঃ প্রাবৃট্‌কালে মহারথাঃ ॥৮॥
নদন্তঃ সিংহনাদাংশ্চ ধমন্তশ্চাপি বারিজান্। বলবন্তো মহেষ্বাসা বিধুন্বন্তো ধনূংষি চ (যুযুৎসবঃ) ॥৯॥
মৃত্যোর্মুখগতং মন্যে কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। হুতমগ্নৌ চ কৌন্তেয়ং দুর্য্যোধনবশং গতম্ ॥১০॥
যথাবিধমনীকন্তু ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য পাণ্ডব।। নাস্য শক্রোঽপি মুচ্যেত প্রাপ্তো বাণগোচরম্ ॥১১॥
দুর্য্যোধনস্য বীরস্য শরৌঘান্ শীঘ্রাস্যতঃ সংক্রুদ্ধস্যান্তকস্যেব কো বেগং সংসহেদ্রণে ॥১২॥
দুর্য্যোধনস্য বীরস্য দ্রোণেঃ শারদ্বতস্য চ। কর্ণস্য চেষুবেগো বৈ পর্ব্বতানপি দারয়েৎ ॥১৩॥
কর্ণেন চ কৃতো রাজা বিমুখঃ শত্রুতাপনঃ। বলবাল্লঘুহস্তশ্চ কৃতী যুদ্ধবিশারদঃ ॥১৪॥
রাধেয়ঃ পাণ্ডবশ্রেষ্ঠং শক্তঃ পীড়য়িতুং রণে। সহিতো ধৃতরাষ্ট্রস্য পুত্রৈঃ শূরৈর্মহাবলৈঃ ॥১৫॥
তৈস্তৈস্তির্যুধ্যমানস্য সংগ্রামে শংসিতাত্মনঃ। অন্যৈরপি চ পার্থস্য কৃতং কর্ষং মহারথৈঃ ॥১৬॥
উপবাসকৃশো রাজা ভৃশং ভরতসত্তম।। ব্রাহ্ম্যে বলে স্থিতো হ্যেষ ন ক্ষাত্রে হি বলে বিভুঃ ॥১৭॥
কর্ণেন চাভিযুক্তোঽয়ং ভূপতিঃ শত্রুতাপনঃ। সংশয়ং সমনুপ্রাপ্তঃ পাণ্ডবো বৈ যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৮॥

ভীম সত্যকিনা খি'বা ভাকৃখোকৃপদা মখোয়না অসুম্ হেজিল্লকৃপগুবা অমা তৌরি ॥৭॥ নোংজু পান্থাদা তুরেল ঈচ্ছং পুমমক্কা ঈপাক্ তম্না চেনশিল্লকৃপগুম্ কল্লবা মহারথী রথীশিং অসিনা লৌরী খোঁগল খোঁগলত্নুনা, লৌরী চিংল চিংলগ্নন। মোইবুংগী অমদি পুংশেস বত্রগী মখোনগা লোয়ননা যুধিষ্ঠির য়োম্‌দা কুজিল্লকলি ॥৮-৯॥ অহুনা অর্জ্জুন। নয়াম্বুং আসে খুৎলৈ খুৎহোজ্জবদি, দুর্য্যোধনগী মখা পোনখিবরা নত্রগা যমপুর য়ৌখিবরা অমা থোক্কদৌরি ॥১০॥ মরম্‌দি অর্জ্জুন। হন্দক্ দুর্য্যোধননা পুশিল্লকলিবা লাম্নীমপৈ অসিদি মখোয় অমমম অসিনা কাপললকৃপদা ইন্দ্র কাওবা হোচিল্লকলবা ভগোইদোবনি। ইন্দ্র কাওবদা নাঙ্গে কলকপা থর মরারনি হায়না খল্লি ॥১১॥ অকনবা দুর্য্যোধন অসিনা খুৎলৈ থুনা কাপশিল্লকলবদা, শাউরবা যমরাজগী মনাক চঙশিল্লবগুম্, কনানা মত্তোন্দা চঙশিল্লুগদৌরিবনো ? ॥১২॥ অসিগী মথক্ত, অর্জ্জুন! দুর্য্যোধন, অশ্বত্থামা, কৃপ, কর্ণ—হায়রিবা মখোয় অসিগী তেন্মি চাউজাও কাওবা নীঙথায়হনবা ঙম্‌গদৌরিবনি। অদুগা কল্লবা, মখুৎখুৎরবা, খুৎসায়পুং হৈরবা, লান্দা হৈশিংবা, য়েক্কববু মিপাইহনবা কর্ণ অসিনা যুধিষ্ঠিরবু হায়না অমুকস্থ লালকম্‌দগী মায়ওলহল্লুনা চেলহল্লুরবনি ॥১৩-১৪॥ কল্লবা, ধৃতরাষ্ট্রগী মশাশিংগা লোয়নননা কর্ণনা লায়না যুধিষ্ঠিরবু মায়থীবা পীরক ঙম্‌খিগদৌরবনি ॥১৫॥ ধর্ম্মব্রত কায়ত্রবা, যুধিষ্ঠিরনা লালকম্‌দা খুভম্ চেৎনা লৈরিত্তে-শোক্করিত্তদা, ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা অমুকস্থ নয়াম্বুংসিবু মায়থীবা পীরকরবনি। ॥১৬॥ ভরত শাগেগী অখোইবা! নয়াম্বুং আসে, তুমিৎচুম্না ব্রত-উপবাস তৌবদা মম্মাং কংশিল্লবনি। তপস্যাগী শক্তিতনা অহক লৈরিবা হায়বত্তনি। অদুনা নয়াম্বুং অসে ক্ষত্রিয়নি হায়বা নামাত্ত মত্তায়বে ক্ষত্রিয়মচা অমনা পী জিনশনবা শক্তিকো পীজিন্নবা ভগোইদোয়ে ॥১৭॥ অদুনা অর্জ্জুন। য়েক্কবা অমা কর্ণনা আক্রমণ তৌবনা

স জীবতি মহারাজো যত্র পার্থো যুধিষ্ঠিরঃ। যত্তীমসেনঃ সহতে সিংহনাদমমর্ষণঃ ॥১৯॥
অর্জিতাং ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং পুনঃ পুনররিন্দম।। এনতাঞ্চ মহাশস্ত্রান্ সংগ্রামে জিতকাশিনাম্ ॥২০॥
(যুগ্মকম্)

যুধিষ্ঠিরং পাণ্ডবেয়ং হতেতি পুরুষর্ষভ।। সঙ্কোদরভাসৌ কর্ণো ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ মহারথান্ ॥২১॥
স্থূণাকর্ণেন্দ্রজালেন পার্থং পাশুপতেন চ। প্রহ্লাদয়ন্তি রাজানং শস্ত্রজালৈর্মহারথাঃ ॥২২॥
আতুরো হি কৃতো রাজা সন্নিরুদ্ধশ্চ ভারত।। যত্নেনমনুবর্ত্তন্তে পাঞ্চালাঃ পাণ্ডবৈঃ সহ ॥২৩॥
ত্বরমাণাস্ত্বরাকালে সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরাঃ। মজ্জন্তমিব পাতালে বলিনোঽপ্যুজ্জিহীর্ষবঃ ॥২৪॥
ন কেতুর্দৃশ্যতে রাজ্ঞঃ কর্ণেন নিহতঃ শরৈঃ। পশ্যতোর্যময়োঃ পার্থ। সাত্যকেশ্চ শিখণ্ডিনঃ ॥২৫॥
ধৃষ্টদ্যুম্নস্য ভীমস্য শতানীকস্য বা বিভো।। পাঞ্চালানাঞ্চ সর্ব্বেষাং চেদীনাঞ্চৈব ভারত। ॥২৬॥
(যুগ্মকম্)

এষ কর্ণো রণে পার্থ! পাণ্ডবানামনীকিনীম্। শরৈর্বিধ্বংসয়তি বৈ নলিনীমিব কুঞ্জরঃ ॥২৭॥

হানগ্রবদি কিংখিগঞ্জা হায়না য়ায়া চিংনবা পোক্লে ॥১৮॥ অদুগা অর্জ্জুন। মতম্ অসিদা, অমনা লাক্চবা য়াজবা ভীমসেন, ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা লাউখোংলকলিবা, পুংশেলযন্ত্র মোইবুংনচিংবা আসে ঙৈরকলিবা খোংলকলিবা অদুগা সিংহনাদ কয় কয়' লাউনরকলিবসি তায়কাওবদা করিস্থ ত্তোদনা অসুম্ তাশিন্নদনা লৈখোক্পগুম্বা অমা ত্তৌরি। অদুনদি ঐনা অসুম খনবদা নমাস্থুংদুবু হিংগম্খিগঞ্জা হায়বদুকাওবা ঐ চিংনরে ॥১৯-২০॥ নিপা অখোইবা অর্জ্জুন! কর্ণ হায়বা হৌজিক্ সেনাপতি ওইরিবসিনা "যুধিষ্ঠিরবু হাৎননবা ত্তৌ"-হায়না ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংদা য়াথং হায়া পীগ্রবনি ॥২১॥ কৌরব পক্ষগী মহারথীশিংনা স্থূণাকর্ণগী অদুনা পশুপতিগী ইন্দ্রজালগী বিজ্ঞানা নিংখো যুধিষ্ঠিরবু হৌজিক্ ওমহৎত্তুনা কাজিন্দুনা থম্রি ॥২২॥ ভরতনন্দন। পাঞ্চালশিং অমদি পাণ্ডব লাম্মীশিংনা যুধিষ্ঠিরগী মতুং ইন্নদুনা শেন্নরিঙৈ মতম্ অদুদগী কর্ণনা-যুধিষ্ঠিরবু অন্নাবা কশাদা থাদরম্বা তারে ॥২৩॥ যুধিষ্ঠির অসি, অর্জ্জুন। হৌজিক পাতালদা অমদি সমুদ্র লৈথাদা ইম্বগ্রবগুম্বা অবস্থাদা লৈরে। মতম্ অসিদা পাণ্ডবপক্ষগী খ্বাইদগী অকনবা রথী মহারথীশিংনা যুধিষ্ঠিরবু থ্‌নায়াগুনা কন্নবগী য়ায় কয়া হোৎনরি ॥২৪॥ শক্তি লৈরবা, ভরতনন্দন, অর্জ্জুন। নকুল, সহদেব, সাত্যকি, শিখণ্ডী, ধৃষ্টদ্যুম্ন, ভীম, শতানীক অদুগা পাঞ্চাল-চেদিগী লাম্মীশিংগী মাঙমতদা কর্ণনা যুধিষ্ঠিরগী কিয়াল অদু কক্লৎগ্রবনি। অদুনা হৌজিক ঐখোয়না যুধিষ্ঠির কদায়দা লৈরিবগে হায়বদু অমাঙসিদগী উবা ৎংশিলক্রবনি ॥২৫-২৬॥

পৃথানন্দন। শায়ু লমশা অমনা ৎথাম্না থক্ত শাৎলবা পুখ্রী অমদু নৈথাইবদুগুম্না কর্ণ মথক্লী

এতে দ্রবন্তি রথিনস্তদীয়াঃ পাণ্ডুনন্দন। । পশ্য পশ্য যথা পার্থ। খমুৎকোতে মহারথাঃ ।২৮।
এতে ভারত! মাতঙ্গাঃ কর্ণেনাভিহতা রণে। আর্তনাদান্ বিকুর্বাণা বিদ্রবন্তি দিশো দশ ।২৯।
রথানাং দ্রবতে বৃন্দমেতচ্চৈব সমন্ততঃ। দ্রাব্যমাণং রণে পার্থ। কর্ণেনামিত্রকর্ষিণা ।৩০।
হস্তিকক্ষ্যাং রণে পশ্য চরন্তীং তত্র তত্র হ। রথস্থং সূতপুত্রস্য কেতুং কেতুমতাং বর। ।৩১।
অসৌ ধাবতি রাধেয়ো ভীমসেনরথং প্রতি। কিরন্ শরশতাস্তেব বিনিঘ্নংস্তব বাহিনীম্ ।৩২
এতাংশ্চ পশ্য পাঞ্চালান্ দ্রাব্যমাণান্ মহারথান্। শক্রেণেব যথা দৈত্যান্ হন্যমানান্ মহাহবে ।৩৩।
এষ কর্ণো রণে জিত্বা পাঞ্চালান্ পাণ্ডুসৃঞ্জয়ান্। দিশো বৈ প্রেক্ষতে সর্বাস্তদর্থমিতি মে মতিঃ ।৩৪।
পশ্য পার্থ। ধনুঃ শ্রেষ্ঠং বিকর্ষন্ সাধু শোভতে। শক্রঃ জিত্বা যথা শক্রো দেবসংঘৈঃ সমাবৃতঃ ।৩৫।
এতে নর্দন্তি কৌরব্যা দৃষ্ট্বা কর্ণস্য বিক্রমম্। ত্রাসয়ন্তো রণে পাণ্ডূন্ সৃঞ্জয়াংশ্চ সমন্ততঃ ।৩৬।
এষ সর্বাত্মনা পাণ্ডুংস্ত্রাসয়িত্বা মহারণে। অভিভাষতি রাধেয়ঃ সর্বসৈন্যানি মানদ। ।৩৭।
অভিদ্রবত ভদ্রং বো দ্রুতং দ্রবত কৌরবাঃ। । যথা জীবন্ ন বঃ কশ্চিন্মুচ্যেত যুধি সৃঞ্জয়ঃ ।৩৮।

পাণ্ডব লাশ্মীশিংবু নৈথাইরি ॥২৭॥ পাণ্ডুনন্দন! অর্জুন। নংগী রথী মহারথী মরামসে হৌজিক ঙম্মা চেন্নরে। য়েংঙু! য়েংঙু! আহ্র! মহারথীশিংনা চেন্নরিবা মঙ আসে। ॥২৮॥ ভরতনন্দন! কর্ণগী তেন্মা প্যানবদা চৈনা খাঙবা ঙমদহুনা পাণ্ডব পক্ষগী শামু ময়াম্মা লাউখোংহুনা মায়্গৈ তরা কাংনা চেন্নরিবসে। ॥২৯॥ অর্জুন! য়েংঙু! কর্ণনা তানশিল্লকপাসিদা চেনকম খঙম্রহুনা পাণ্ডব পক্ষগী রথী ময়াম কয়াম্থু চেন্নরবা! ॥৩০॥ রথগী কিরাল পুম্নমক্কগী অথোইবা কিরাল লোইঙম্বা! অর্জুন! য়েংঙু আহ্র! শামু থৌরী য়েকপা, কর্ণগী রাং চাউরবা কিরাল আসে উরে। মহাক্কী রথনা লালকমগী মায়্গৈ মরিমক্কা হঙ্গৎঙন্দা কোয়চেল চেল্লে ॥৩১॥ কর্ণনা তেল চাম চাম লিশিং লিশিং কাপহুনা, পাণ্ডব লাশ্মীশিংবু নৈথাইরমহুনা ভীমগী মায়্গৈরোমদা চেনাশিল্লি। ॥৩২॥ অর্জুন মমাঙৈগী লাঞ্জ ওদা দৈত্যাশিংবু ইন্দ্রনা নৈথাইরকপঙম্মা কর্ণনা পাঞ্চাল মহারথী শিংবু নৈথাইর ক্লি ॥৩৩॥ অসিগুম্বা কর্ণসিনা পাঞ্চাল, পাণ্ডব, সৃঞ্জয় লাশ্মীশিংবু জয় তৌরগা হৌজিক অর্জুন নহাকপুদা কোয়থি থিরকলিমাল্লে হায়না এৈনা খল্লি ॥৩৪॥ অর্জুন! য়েংঙু! ইন্দ্রনা দৈত্যদানব পুম্নমকপু জয় তৌরবা তুংদা লাইয়াম্মা ইকোয় কোয়াশন্দুনা থোইদোক্না নিংথিজবা অদুঙম্মা কর্ণসু পাণ্ডব লাশ্মী পুম্ববু জয় তৌরমহুনা, মশেক্ মঙাম্না পূমবল থম নংবুত থিরক্লি ॥৩৫॥ হৌজিক্ কৌরব লাশ্মীশিংনা, কর্ণগী মতীক মগুণ, মপাঙ্গল মথৌনাবু উরগা পাঞ্চাল পাণ্ডব সৃঞ্জয় লাশ্মীশিংগী থম্মোয়দা মিপাইবা পোকহন্দুনা হরাও তয়াম্মা লাউথোঙনরক্লি ॥৩৬॥ "[illegible]পুম্নহৈবা! অর্জুন! অম্মম্মা, অকনবা কর্ণনা পাণ্ডব পক্ষগী লাশ্মীশিংবু নৈথাইরক্লগা [illegible]রব লাশ্মীশিংনা অম্মরা লাউথোরক্লি:— ॥৩৭॥ "কৌরব লাশ্মীশা! য়েক্কবা মায়্গৈরোমদা পূম্নবা কুজিন্নু! নথোরগী মঙ্গল শোয়দনা ওইগনি। সৃঞ্জয় অমদি পাঞ্চাল লাশ্মী কনাঙম্বা অমত্তনা হিংন হিংন নথোরগী

তথা কুরুত সংযত্তা বয়ং যাস্যাম পৃষ্ঠতঃ। এবমুক্ত্বা গতো বেষ পৃষ্ঠতো বিকিরন্ শরান্ ॥৩৯॥

(যুগ্মকম্)

পশ্য কর্ণং রণে পার্থ! শ্বেতচ্ছত্রবিরাজিতম্। উদয়ং পর্বতং যদ্বচ্ছশাঙ্কেনোপশোভিতম্ ॥৪০॥

পূর্ণচন্দ্রবিকাশেন মূর্দ্ধ্নি চ্ছত্রেণ ভারত!। ম্রিয়মাণেন সমরে শ্রীমচ্ছতশলাকিনা ॥৪১॥

এষ ত্বাং প্রেক্ষতে কর্ণঃ সকটাক্ষ, বিশাংপতে!। উত্তমং যত্নমাস্থায় ধ্রুবমেষ্যতি সংযুগে ॥৪২॥

পশ্য হ্যেনং মহাবাহো! বিধুন্বানং মহদ্ধনুঃ। শরাংশ্চাশীবিষাকারান্ বিসৃজন্তং মহারণে ॥৪৩॥

অসৌ নিবৃত্তো রাধেয়ো দৃষ্ট্বা তে বানরধ্বজম্। প্রার্থয়ন্ সমরং পার্থ! ত্বয়া সহ পরন্তপ! ॥৪৪॥

বধায় চাত্মনোঽভ্যেতি দীপাস্যং শলভো যথা। এষ ধনঞ্জী পুরশ্চ ধার্ত্তরাষ্ট্রহিতে রতঃ ॥৪৫॥

ন ত্বাং সহ্যতে পার্থ! নিত্যমেব চ মন্দধীঃ। কর্ণমেকাকিনং দৃষ্ট্বা রথানীকেন ভারত! ॥৪৬॥

নিরক্ষিতুঃ সুসংযত্তো ধার্ত্তরাষ্ট্রো নিবর্ত্ততে। সর্বৈঃ সহৈভিদুষ্টাত্মা বধ্যতাঞ্চ প্রযত্নতঃ ॥৪৭॥

ত্বয়া যশশ্চ রাজ্যঞ্চ সুখঞ্চোত্তমমিচ্ছতা। অদীনয়োর্বিক্রান্তয়োর্বয়োর্যোৎস্যমানয়োঃ ॥৪৮॥

নখুত্তগী নাম্বোকহৌনবা য়াদে। মসিগীদমক্তা মীপুম খুদিংনা য়াম্না চেক্শিনগদবনি। অহুগা ঐনা ঐগী খোঙলোয় লাম্নী শংগা লোয়ননা নখোয়গী নতুং ইল্লক্লে।" অসুম্না কর্ণনা লাউর লাউরদুনা তেল কাপশিন কাপশিন্না লাম্নীশিংগী মতুং ইন্নরক্লে ॥৩৮-৩৯॥ অর্জুন! ঙৌরুনরবা থাগী মশেক্না থৈরবা উদয়পর্ব্বতকী চাঙদোনগুম্না থা° চাউরবা কর্ণ অসে মাগী ঙৌরবা ছত্র অসিগী মখাদা, লকম্ অসিদা থোইদোক্না লীঙথজনা ঙক্লোইরি ॥৪০॥ ভরতনন্দন! অর্জুন! মপুং ফরবা থাগুম্ ঙোকননা কোইরপ্, ফজরবা মশা (মচৈ) চাম পাল্লবা পে অদোবা অম কর্ণগী কোক্থক্তা থাল্লি ॥৪১॥ সেনাপতি কর্ণনা নঙোল্লোমদা হন্না হন্না যানা য়েংশিল্লক্লে। মহাক্না শাফু কন্না ফু অল্লকত্তুনা নগা মুথা মুখি ওইনা থেংনরগদৌরে ॥৪২॥ অকনবা! যেংউ। কর্ণনা মাগী চাউ শাংলবা লৌকং আসবু থুত্তুম্ চেৎনা পায়দুনা, লৌরীবু নাকোং মক যৌনা চিংলগা, অমমম্না লিংলগা মান্নমা মচু পুরবা তেলমক্ত কাপশিন্ কাপশিন্না চঙশিল্লক্লে ॥৪৩॥ য়েক্লববু নৈকৎওনবা অর্জুন! নংগী য়োং তোংবা ফিরালবু উরগা কর্ণ অসে নংগা থেংনগদবগী নংগী রথ তন্না মমাং ওনশিল্লকলি ॥৪৪॥ মৈয়ানবী-কোৎজেং অমদ চরাংনা মশা মথন্তবু চাক্থেক্হন্‌গে হায়দুনা মৈরোমদা পাইশিঞ্জরকপগুম্ শাউগল্লব', কত্রবা, দুর্য্যোধনগী কান্নবত্ত থল্লবা কর্ণ হায়ব আসে, মহাক মথন্তবু তুম্হল্লগে হায়দুনা নঙোল্লোম্দা হোঙ্চিঞ্জরকল ॥৪৫॥ অর্জুন! মবুক্চেল্ কত্রবা কর্ণ হায়বা নিপা অসিনা পোক্চৈদগী নংবু তত শীঙনদুনা লাক্লিবনি। নংনা তৌবা অকন্‌বগী থবক থৌনাশিং অহুবু মহাক্ তাহনা থাগুনা লৈবা ওম্‌দে। কল্লক্ য়েংথিবগী মৈনা মাগী থম্মোয়দা মতম্ কুইনদগী চাক্লকলিবনি। ভরতনন্দন, অর্জুন! য়েংঙু! কর্ণনা মথন্ত চঙ্‌শিন খিবসি উবদা দুর্য্যোধননা

দেবাসুরে পার্থ! যুধে দেবদানবয়োরিব। যাস্ত দৃষ্টাতিসংরব্ধং কর্ণঞ্চ ভরতর্ষভ! ।৪৯।
অসৌ দুর্য্যোধনঃ ক্রুদ্ধো সোত্তরং প্রতিপদ্যতে। আত্মানঞ্চ কৃতাত্মানং সমীক্ষ্য ভরতর্ষভ! ।৫০।
(কুলকম্)
কৃতাগসঞ্চ রাধেয়ং ধর্ম্মাত্মনি যুধিষ্ঠিরে। প্রতিপদ্যস্ব কৌন্তেয়! প্রাপ্তকালমনন্তরম্।
আর্য্যাং যুদ্ধে মতিং কৃত্বা প্রত্যেহি রথযূথপম্ ।৫১।
পঞ্চ হ্যেতানি মুখ্যানাং রথানাং রথসত্তম!। শতান্যায়ান্তি সমরে বলিনাং তিগ্মতেজসাম্ ।৫২।
পঞ্চ নাগসহস্রাণি দ্বিগুণা বাজিনস্তথা। অভিসংহত্য কৌন্তেয়! পদাতিপ্রযুতানি ষট্‌ ।৫৩।
অন্যোন্যরক্ষিতং বীর! বলং ত্বামভিবর্ত্ততে। সূতপুত্রং মহেষ্বাসং দর্শয়াত্মানমাত্মনা ।৫৪।
উত্তমং যত্নমাস্থায় প্রত্যেহি ভরতর্ষভ!। অসৌ কর্ণঃ সুসংরব্ধঃ পাঞ্চালানভিধাবতি ।৫৫।
কেতুমস্য হি পশ্যামি ধৃষ্টদ্যুম্নরথং প্রতি। সমুচ্ছেৎস্যতি পাঞ্চালানিতি মে ধীয়তে মতিঃ ।৫৬।
আচক্ষে চ প্রিয়ং পার্থ! তবেদং ভরতর্ষভ!। রাজা জীবতি কৌরব্যো ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ।৫৭।

মাবু ভাক্‌শেনগে হায়বগী দমক্ মাগী খোঙমী লাম্নীশিংগা লোয়ননা য়াম্ন চেকশিন্না কর্ণগী তুংদা ইন্নরক্কদবগী মমায় ওন্‌শিল্লক্লি। অহুনা অর্জ্জুন! মিংচৎ, লৈপাক্ সিংহাসন, অমদি স্বর্গগী মুংঙাইবা কংননবগী দমক্তা য়াম্না চেক্‌শিন্না থেংনদুনা মাগী অকম্‌বা লাম্নীশিংসিগা লোয়ননা মবুক্‌চেল্ কত্রবা কর্ণগী মথ্‌াই লৌনবা তৌ। ভরত শাগৈগী অখোইবা অর্জ্জুন। নংগা কর্ণগা নখোয় অনী অসে লান্দা হন্দবা, কিগন্দবা, য়াগন্দবা অকন্‌বনি হায়না জগৎনা বাখান তৌনরিবনি। অহুনা নখোয় অনীনা থেংনগদৌরিবা লাল অসে মমাংগৈগী দেবদানবশিংগী লাল্লাওহুওব্বনি। কর্ণগা নংগা নখোয় অনীসিনা য়াম্না শাউনবহু উবদা দুর্য্যোধনসু শাউখিহুনা কর্ণবু ভাক্‌শেনগে হায়না য়াম্না থুক্‌উ শেম্না লৈহুনা মহাক্‌সু নঙোন্দা করিগুম্বা রা অমত ভাওক্রি ॥৪৬-৫০॥ কুন্তীনন্দন! অর্জ্জুন কর্ণ হায়বা পাপী অসে, ধর্ম্মাত্মা ওইরবা যুধিষ্ঠিরগী মকম্‌দা হন্না হন্না অপরাধী ওইরবনি। অহুনা মশামৎতুগী অন্তকাল মহাক্ক কৌশিন্নরি। অহুনা ওসি, অর্জ্জুন নং মাগী মায়োক্ য়াউ। য়াম্ন মুম্না রাখল্‌বিচার তৌহনা চেকশিন্না মাগা থেংনবা থৌরাং তৌরো ॥৫১॥ রথী অখোইবা! বল্লবা, তেজ লৈরবা রথী চামঙা লালকম্‌দা চঙশিল্লক্লি ॥৫২॥ অকনবা! কৌরব লাম্নীশিং আসে অমনা অমগী ঙাক্‌লৌ ওইনদুনা নঙোল্লোম্‌দা লোইনা মমায় ওন্‌শিল্লক্লি। অহুনা নং হৌজিক নশাবু শেমশাহুনা য়াম্ন চেকাশিন্না অকন্‌বা কর্ণ অসিগী মাঙদা নশক্ উৎলো ॥৫৪॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা! নং হৌজিক্ য়াম্না থুক্‌উ শেম্না কর্ণয়োম্‌দা চঙশিল্লবা তৌ কর্ণ আসে, অশাউগা লোয়ননা পাঞ্চাল লাম্নী মপৈরোমদা ফুজিল্লক্লি ॥৫৫॥ মাগী রথগী কিয়াল আসে ধৃষ্টদ্যুম্নগী রথগী মায়গৈয়োম্‌দা মমায় ওনশিল্লক্লি। অহুনা ঐনা অশুম্ খনবদা কর্ণনা ওসি পাঞ্চাল লাম্নীশিংবু লোইখোকদৌরি ॥৫৬॥ ভরত শাগৈগী অখোইবা!

অসৌ ভীমো মহাবাহুঃ সংবৃতঃ সমরমূর্দ্ধনি । বৃতঃ সৃঞ্জয়সৈন্যেন সাত্যকেন চ ভারত ! ॥৫৮॥
বধ্যন্ত এতে সমরে কৌরবা নিশিতৈঃ শরৈঃ ভীমসেনেন কৌন্তেয় । পাঞ্চালৈশ্চ মহারথৈঃ ॥৫৯॥
সেনা হি ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য বিমুখা বিদ্রবদ্রণা । বিপ্রধাবতি বেগেন ভীমস্যাভিহতা শরৈঃ ॥৬০॥
বিপন্নশস্যেব মহী রুধিরেণ সমুক্ষিতা । ভারতী ভরতশ্রেষ্ঠ ! সেনা কৃপণদর্শনা ॥৬১॥
নিবৃত্তং পশ্য কৌন্তেয় ! ভীমসেনং যুধাং পতিম্ । আশীবিষমিব ক্রুদ্ধং দ্রাবয়ন্তং বরূথিনীম্ ॥৬২॥
পীতরক্তাসিতসিতাস্তারাচন্দ্রার্কমণ্ডিতাঃ । পতাকা বিপ্রকীর্য্যন্তে ছত্রাণ্যেতানি চার্জ্জুন ! ॥৬৩॥
সৌবর্ণা রাজতাশ্চৈব তৈজসাশ্চ পৃথগ্বিধাঃ । কেতবোঽভিনিপাত্যন্তে হস্ত্যশ্বঞ্চ প্রকীর্য্যতে ॥৬৪॥
রথেভ্যঃ প্রপতন্ত্যেতে রথিনো বিগতাসবঃ । নানাবর্ণৈর্হতা বাণৈঃ পাঞ্চালৈরপলায়িভিঃ ॥৬৫॥
নির্ম্মনুষ্যান্ গজানশ্বান্ রথাংশ্চৈব ধনঞ্জয় ! । সমাদ্রবন্তি পাঞ্চালা ধার্ত্তরাষ্ট্রাংস্তরস্বিনঃ ॥৬৬॥
বিমৃদ্নন্তি নরব্যাঘ্রা ভীমসেনবলাশ্রয়াৎ । বলং পরেষাং দুর্দ্ধর্ষাস্ত্যক্ত্বা প্রাণানরিন্দম ! ॥৬৭॥

অর্জ্জুন ! সুংঙাইবা পাউ অম নঙোন্দা তাহনগে । নযাম্বু ধর্ম্মরাজ হৌজিক কাওবা হিংলি করিমত্ত ভোদে ॥৫৭॥ ভরতনন্দন ! অর্জ্জুন ! মরম্দি অকনবা ভীমসেন, সাত্যকি, অমদি সৃঞ্জয় লান্মীশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা নযাম্বুং আসে, আহ্ ! পাণ্ডব লান্মীশিংগী মাঙমক্তদা হ ক্তুম্রকৃলি ॥৫৮॥ কুন্তীনন্দন ! অর্জ্জুন ! য়েংঙ্ ! হৌজিকস্থ অকনবা ভীমসেননা অমুগা চ্যেক্‌শিল্লবা পাঞ্চালশিংনা থোরব থোরবা তেলমক্তনা কৌরব লান্মীশিংবু অমুক হন্না নৈথাইরকৃলি ॥৫৯॥ য়েংঙ্ ! দুর্য্যোধনগী লান্মীশিং আসে, ভীমগী তেন্না পানবদা মমায় ওন্দুনা চেন্নরি । মখোয় থুদিংমক্ মথা ঈহংনাইহং শাম্নুনা ঈ ওনরি ॥৬০॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা ! কৌরবলান্মী থুদিংমক্ মশামশাসি ঈনা পূমলুপ লুপত্রে । মরম অতুনা মহৈমরোং হৈপাল লৈপাল তুম্না চাকশ্রবা লৈকংলা অমমম্গী মতো'শুম্না মখোয় অমমম্গী মশক ওইত্রে ; যে বদা অরাবগী মশক্ত ওইত্রে ॥৬১॥ কুন্তীনন্দন ! অর্জ্জুন ! য়েংঙ্ ! নিপা অথোইবা, কল্লবা নযাম্বুং ভীমসেন অসিনা অশাউবগা লোয়ননা কৌরবলান্মীশিং অসিবু তায় তায় নৈথাইরি ॥৬২॥ অর্জ্জুন ! নাপু মাল্লবা, ঙাঙলবা, মুরবা, ঙৌরবা, অমুগা থা-থবানমিচক সুমিৎকী মরেক্ থোক্‌পা কিরালশিং আসনা অমুগা রাংচাউরবা ছত্রশিং অসিনা সুংশিৎ মরক্ অসিদা হাইহুম্না থাঙলি ॥৬৩॥ সনা লুপাতনা মখোক্ ওইরবা, পীথাইনচিংবা ধাতুনা মখোক ওইরবা কিরাল্ কয়া কয়ানা লৈমায়থক্ত হাইথুরকৃলি । শগোলশামু কয়া কথানা মায়পৈ মরি কাংনা চেন্নরি ॥৬৪॥ চেন্দবা, মরিল্ লৈবা পাঞ্চালশিংনা মথল্ মথা অয়াম্বা মচু-মথোগী তেল্ জাং জাং কাপশিল্লকৃপসিদা য়েক্লবা রথী কয়া কয়া লালকম্ লৈমায় থক্তা মথাই য়াওদনা রথদগী ওন্থরকৃলি ॥৬৫॥ অর্জ্জুন ! কল্লবা পাঞ্চালশিংনা চেলশিল চেলশিন্দুনা দুর্য্যোধনগী পক্সী মীয়াওদবা-তোংদবা শগোল শামু রথকয়া কয়াবু তায় তায় উকুল মরীক্ মরীক্ তানা নৈথেক্লকৃলি ॥৬৬॥ য়েক্লবা ওখা ! লাক্ওম্ কাওম্‌দবা নিপা অথোইবা লান্মীশিংমা মথাই

এতে নর্দন্তি পাঞ্চালা ধ্মাপয়ন্তি চ বারিজান্। অভিদ্রবন্তি চ রণে যুযুৎসুঃ সায়কৈঃ পরান্ ।৬৮।
পশ্যৈষাঞ্চ মাহাত্ম্যং পাঞ্চালা হি পরাক্রমাৎ। ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ বিনিঘ্নন্তি ক্রুদ্ধাঃ সিংহা ইব দ্বিপান্ ।৬৯।
শস্ত্রমাচ্ছিদ্য শত্রূণাং সায়ুধানাং নিরায়ুধাঃ। তেনৈবৈতানমোঘাস্ত্রান্ নিঘ্নন্তি চ নদন্তি চ ।৭০।
শিরাংস্যেতানি পাত্যন্তে শত্রূণাং বাহবোঽপি চ। রথনাগহয়া বীরা যশস্যাঃ সর্ব এব চ ।৭১।
সর্বতস্তাভিপদ্মিষা ধার্ত্তরাষ্ট্রী মহাচমূঃ। পাঞ্চালৈর্মানসাদেত্য হংসৈর্গঙ্গেব বেগিতৈঃ ।৭২।
সুভৃশঞ্চ পরাক্রান্তাঃ পাঞ্চালানাং নিবারণে। কৃপকর্ণাদয়ো বীরা বৃষভাণামিবর্ষভাঃ ।৭৩।
মুনিমগ্নাংশ্চ ভীমাস্ত্রে ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ মহারথান্। ধৃষ্টদ্যুম্নমুখা বীরা ঘ্নন্তি শত্রূন্ সহস্রশঃ ।৭৪।
পাঞ্চালেষ্বভিভূতেষু দ্বিষদ্ভিরপভীর্নদন্। শত্রুপক্ষমবস্কন্দ্য শরানস্যতি মারুতিঃ ।৭৫।
বিষণ্ণভুয়িষ্ঠতরা ধার্ত্তরাষ্ট্রী মহাচমূঃ। রথাশ্বেভাঃ সুবিত্রস্তা ভীমসেনভয়ার্দ্দিতাঃ ।৭৬।
পশ্য ভীমেন নারাচৈশ্ছিন্না নাগাঃ পতন্ত্যমী। বজ্রবজ্রহতানীব শিখরাণি ধরাভৃতাম্ ।৭৭।

পান্মুদনা ভীমসেনগী পাম্বোম্গী মখাদা লৈদুনা য়েক্কব-কৌরব লান্মীশিংবু নৈথাইরি ॥৬৭॥ পাঞ্চাল লান্মীশিংনা হৌজিক্ পুংশেল্যন্ত্র য়ৈখৎ খোংগৎনরক্লি। মোইবুং হৌনা খোংগৎনরক্লি। তেল কাপশিন কাপশিন্না য়েক্কবরোম্দা অকিব লৈতনা ফুজিন্নরি ॥৬৮॥ অর্জ্জুন! পাঞ্চাল লান্মীশিংগী শক্তি অসে অমুক্তং য়েংঙু। মখোয় অমময়া মপাঙ্গল মরিল ফুদোক্তুনা শাউরবা নোংশানা শামুবু হাৎপগুম্ দুর্য্যোধনগী লান্মীশিংবু নৈথাইরক্লি ॥৬৯॥ পাঞ্চালশিংনা মথুত্তা খুৎলায় য়াওদনা চোংশিন চোংশিন্দুনা খুৎলায় য়াওরি-পায়রিবা য়েক্কবশিংগী মথুত্তগী খুৎলায় মুন-মুন্দুনা মাহুনা মখোয়গী খুৎলায় ওইহনা য়েক্কবশিংবু হাৎল হাৎলগা সিংহনাদ লাউনরিবসে নং অমুক্ত তাও—য়েংঙু ॥৭০॥ য়েক্কবশিংগী পাম্বোম্ কোক্ মপৈ মপৈ কৈমায়থক্তা প্রোপ প্রোপ তারক্লি। শগোল শামু রথী খোঙমী কয়া কয়া তুথরক্লি। মখোয়শিংসে মীচম্ অমত নত্তে। অমময়া কন্থোবদ মমিং চৎলব। মক্তান ॥৭১॥ য়াঙলবা ঙান্নুশিংনা, মানস সরোবরদগী পাইরক্লগা গঙ্গাদা আক্রমণ তৌশিল্লকপগুম পাঞ্চালশিংনা মায়গৈ মায়দগী ফুজক্তুনা দুর্য্যোধনগী লান্মীমপৈ অসবু পুমচাই চাইথাইরকাল, নৈরকলি ॥৭২॥ শল্লাবশিংনা মমাল্লনা শল্লাবশিংবু খিংবা ঙাকথোক্পা অদুগুম্মা কৃপ কর্ণনচিংবা অকনবাশিং আসনা পাঞ্চাল লান্মীশিংবু ঙাক্থোক্লবা হোৎনরি ॥৭৩॥ দুর্য্যোধনগী মহারথীশিং আসে ভীমগী পাঙ্গল অমাদ খুৎলায়গী ঈপাক্ত লুপ্তুনা ঈরাক্লরি। অদুনা ধৃষ্টদ্যুম্ননচিংবা অকনবা পাঞ্চালশিংনা য়েক্কবা লিশি লিশিংবু ঈরায় লায়না হাৎলি ॥৭৪॥ য়েক্কবশিংনা পাঞ্চালশিংবু হেক্হেক্ লাক্চরক্পা মতম্দ কল্লবা ভীমসেননা ঙংল ঙংলত্তুন, খোঞ্জেল্ য়াংনা সিংহনাদ লাউরু লাউরহুনা য়েক্কবশিং অদুবু তেন্তনা কাপ কাপতুনা হাৎলি ॥৭৫॥ হৌজিক্তি দুর্য্যোধনগী লান্মী অমাম্ব চোকথপ্রে পথপ্রে। শগোল শামু পূমমক্ ভীমসেনগী মূর্ত্তি উবতদা পঙচেত্ত চেন্নরি ॥৭৬॥ অর্জ্জুন! য়েংঙু! ভীমনা য়েত্তুম মচীনশাবা তেন্তনা থাগ্রনা ইন্দ্রগী বজ্রনা পান্থবা

ভীমসেনস্ত নির্বিদ্ধো বাণৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ। ব্যাপ্তনীকানি ব্রুবতো প্রবন্ত্যেতে মহাগজাঃ ॥৭৮॥
নাভিজানাসি ভীমস্য সিংহনাদং মুহুঃমুহুঃ। নদতোঽর্জ্জুন। সংগ্রামে ভৈরবং জিতকাশিনঃ ॥৭৯॥
এষ নৈষাদিরত্যেতি দ্বিপমুখ্যেন পাণ্ডবম্। জিঘাংসুস্তোমরৈঃ ক্রুদ্ধো দণ্ডপাণিরিবান্তকঃ ॥৮০॥
সতোমরাবস্য ভুজৌ ছিন্নৌ ভীমেন গর্জ্জতঃ। তীক্ষ্ণৈরগ্নিরবিপ্রখ্যৈর্নারাচৈর্দশভির্হতঃ ॥৮১॥
হত্বৈনং পুনরায়াতি নাগানন্যান্ প্রহারিণঃ। পশ্য নীলাম্বুদনিভান্ মহামাত্রৈরধিষ্ঠিতান্ ॥৮২॥
শক্তিতোমরশংঘাতৈর্বিনিঘ্নতঃ বৃকোদরম্। সপ্তসপ্ত চ নাগাংস্তান্ বৈজয়ন্তীশ্চ সধ্বজাঃ ॥৮৩॥
নিহত্য নিশিতৈর্বাণৈর্ছিন্নাঃ পার্থাগ্রজেন তে। দশভির্দশভিশ্চৈকো নারাচৈর্নিহতো গজঃ ॥৮৪॥
(বিশেষকম্)

ন চাসৌ ধা র্ত্তরাষ্ট্রাণাঃ শ্রূয়তে নিনদস্তথা। পুরন্দরসমে যুদ্ধে নিবৃত্তে ভরতর্ষভ। ॥৮৫॥
অক্ষৌহিণ্যস্তথা তিস্রো ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য সংহতাঃ। ক্রুদ্ধেন নরসিংহেন ভীমসেনেন বারিতাঃ ॥৮৬॥

সঞ্জয় উবাচ।

ভীমসেনেন তৎ কর্ম্ম কৃতং দৃষ্ট্বা সুদুষ্করম্। অর্জ্জুনো ব্যধমচ্ছিষ্টানহিতান্ নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥৮৭॥

কীপ্পরবা চীণ্ডদুম্ অমমগী মতৌগুম্না শামুশিং অসিনা লৈমায়থক্তা হাইথুনরকৃলি ॥৭৭॥ ভীমসেনগী তেম্না পানবদা চৈনা থাগুবা গুমদক্তনা চেন্নকপা শামুশিং আসিনা অশাউবগা লোয়ননা মখোয়গী মীচঙ লাম্মীশিংবু নৈখাইরমদুনা হাৎলমদুনা চেন্নখ্রি ॥৭৮॥ অর্জ্জুন! নয়াম্বুং ভীমগী লান্দা জয় ওইবগী খোন্থা'দা লাউরকৃলিবা, অকিবগী মশক ওইরবা সিংহনাদগী খোল্লাউ অসি খক্ তাদ্রবরা ? ॥৭৯॥ য়েংঙু! নিষাদ নিংথৌগী মচা অসিনা মাগী তোমর হায়বা খুংলায় অসিতনা ভীমবু হাৎকনি হায়দুনা অচৌবা শামু মথক্তা যমরাজগী মতৌগুম্ চণ্ডশিল্লকৃলি ॥৮০॥ য়েংঙু! অর্জ্জুন! ভীমসেননা গুংদুনা পাইশিল্লকৃলিবা নিষাদ রাজকুমার অসিগী য়োচ্ছুকক্তা লোয়নরবা পাম্বোম্ আসবু ককথৎখ্রে। অদুদগী মুমিৎকা মৈগা মান্নবা তেজ লৈরবা লৌলবা খোৗরবা য়েস্তুম মচীন শাবা তেলতরানা মাগী মথ্‌ৗাই লৌখ্রে ॥৮১॥ অর্জ্জুন! য়েংঙু! ভীমসেননা নিষাদ রাজপুত্র অসিবু হৎলমলগা য়াখিন্নবা হৈরবা, অমমম্না নোংমতুম অমমমগা মান্নবা, গজারোহী (শামু তোংবা লাম্মী) অমমম্না তোংলিবা শামুশিং অসি তম্না কুজিনখ্রি। ভীমনা তাতনা অদুগা য়োচ্ছুক মানবা তেন্তনা শামুশিং অসিগী নীফুমাপনবু অমুমুক্তদা হান্তোকখ্রে। পৃথানন্দন! অর্জ্জুন! নয়াম্বু ভীমসেন অসিনা শামুশিং কয়ামকম্ অসিবু হাৎলগা মাগী খোৗর খোৗরবা তেন্তনা গজারোহীশিং অসিগী কিয়ালশিংবু লোইনা ককথৎখ্রে। অদুদগী তেল তরা তরানা শামুশিং অসিবু লোইনা হাৎখ্রি ॥৮১-৮৪॥ ভরতশাগৈগী অখোইবা! ইন্দ্রগা মান্নবা কন্নবা শামুশিং অসিনা হল্লকৃলবদা কৌরব লাম্মীশিংগী লাউখোংবদো অমুক তাখিদ্রে ॥৮৫॥ দুর্য্যোধনগী লাম্মী অক্ষৌহিণী অহুম্ মকম্ অসিদা লৈরম্বনি। অদুবু ভীম মখস্তনা মখোয় পূম্নমক মায়থীব পীখ্রে ॥৮৬॥ সঞ্জয়না হায় :- মহারাজ!

তে বধ্যমানাঃ সমরে সংশপ্তকগণাঃ প্রভো ! । প্রভগ্নাঃ সমরে ভীতা দিশো দশ মহাত্মনাঃ ।
শক্রস্যাভিথিতাং গত্বা বিশোকা হতবংস্তদা ॥৮৮॥
পার্থশ্চ পুরুষব্যাঘ্রঃ শরৈঃ সন্নতপর্বভিঃ । জঘান ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য চতুর্বিধবলাং চমূং ॥৮৯॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে ষটচত্বারিংশোঽধ্যায় ।০। *

ভীমসেননা তৌরিবা মী অমনা তৌগমল্লবা থবকশিং অদুবু উবদা অসোমদা অর্জ্জুননা মপূক্কিং থোগৎপা হুন্নাওবগা লোয়ননা লেমহোৱিবা সংশপ্তক লাম্মী অয়াম্বু লোইনা হাৎকদবগী হোৎন-রকলি ॥৮৭॥ মহারাজ ! কল্লবা সংশপ্তক লাম্মীশিং আসে লান্দা মথ্‌ৱাই থারমভনা, মায়পৈ তয়াদা কায়রুনা কিহুনা চেন্নরম্নগা স্বর্গ কাখিহুনা শান্তি ফংনখ্রে ॥৮৮॥ অদুদগী নিপা অথোইবা অর্জ্জুননা থৌর থৌয়বা তেম্না দুর্য্যোধনগী লাম্মী মথল মরি শগোল তোংব, শামুতোংবা, রথতোংবা, খোঙমী, লোইনা হাৎখ্রে ॥৮৯॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "সঙ্কুলযুদ্ধ"গী নিফূতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ।

নিকুতরেৎশুবা অধ্যায়।

(অকনবা লালগী মতাং মথং)

—:—

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

নিবৃত্তে ভীমসেনে চ পাণ্ডবে চ যুধিষ্ঠিরে। বধ্যমানে বলে চাপি মামকে পাণ্ডুসৃঞ্জয়ৈঃ ।১।
দ্রবমাণে বলৌঘে চ নিরানন্দে মুহুর্মুহুঃ। কিমকুর্বন্ত কুরবস্তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়। ।২। (যুগ্মকম্)

সঞ্জয় উবাচ।

দৃষ্ট্বা ভীমং মহাবাহুং সূতপুত্রঃ প্রতাপবান্। ক্রোধরক্তেক্ষণো রাজন্। ভীমসেনমুপাদ্রবৎ ।৩।
তাবকঞ্চ বলং দৃষ্ট্বা ভীমসেনাৎ পরাঙ্মুখম্। যত্নেন মহতা রাজন্! পর্য্যবস্থাপয়দ্বলী ।৪।
ব্যবস্থাপ্য মহাবাহুস্তব পুত্রস্য বাহিনীম্। প্রত্যুদ্যযৌ তদা কর্ণঃ পাণ্ডবান্ যুদ্ধদুর্মদান্ ।৫।
প্রত্যুদ্যযুশ্চ রাধেয়ং পাণ্ডবানাং মহারথাঃ। ধুন্বানাঃ কার্ম্মুকাণ্যাজৌ বিক্ষিপন্তশ্চ সায়কান্ ।৬।
ভীমসেনঃ শিনের্নপ্তা শিখণ্ডী জনমেজয়ঃ। ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ বলবান্ সর্বে চাপি প্রভদ্রকাঃ ।৭।

(যুগ্মকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায় ঃ—সঞ্জয়! পাণ্ডুনন্দন যুধিষ্ঠিরনা অমদি ভীমসেননা হণ্ডিল্লকলবদা পাণ্ডবশিং অমদি সৃঞ্জয় লাম্নীশিংনা ঐথোয়গী কৌরব লাম্নীশিংবু হাচ্চিন্‌লকলবদা অদুগা কৌরব লাম্নীশিং অদুনা চেন্নরকলবদা কৌরব তেঙ্গোলগী অকনবশিংনা করি কমদৌথি মথং মথং লীথরকউ ॥১-২॥

সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ! মহাবীর কর্ণনা অকনবা ভীমসেনবু উবদা শাউবনা মমীত্তা ঈকাথিদুনা ভীমলোমদা প্রপ্রপ্ চঙশিল্লকই ॥৩॥ মহারাজ! ভীমবু উবদা কোয়চেন্ চেন্নবা কৌরব লাম্নীশিং অদুবু উবদা কর্ণনা য়াম্না হৈশিংনা চ্যেকশিন্না লাম্নীশিংদুবু থাম্‌জিনদুনা তপথহনখি ॥৪॥ অদুগী তুংদা কন্নবা শিংলবা কর্ণনা দুর্য্যোধনগী লাম্নী পুন্নমকপু মাগী মাগী মকম্‌চানা লৈহল্লম্মগা লাক ওমথাওমন্নবা পাণ্ডব লাম্নীশিংনা লৈন্নিবা অদোমদা প্রপ্রপ্ চেনশিনখি ॥৫॥ অসোমদা অদুগা পাণ্ডবপক্কী ভীমসেন, সাত্যকি, শিখণ্ডী, জনমেজয়, অদুগা কন্নবা ধৃষ্টদ্যুম্ন মহারথীশিং অসিনা অদুগা প্রভদ্রককী লাম্নীশিংনা তেজা খোংলখোংলদুনা তেল কাপশিন্ কাপশিন্না কর্ণতন্না কুজিল্লকলে ॥৬-৭॥

পাঞ্চালাশ্চ নরব্যাঘ্রাঃ সমন্তাত্তব বাহিনীম্। অভ্যদ্রবন্ত সংক্রুদ্ধাঃ সমরে জিতকাশিনঃ ॥৮॥
তথৈব তাবকা রাজন্। পাণ্ডবানামনীকিনীম্। অভ্যদ্রবন্ত ত্বরিতা জিঘাংসন্তো মহারথাঃ ॥৯॥
রথনাগাশ্বকলিলং পাদাতধ্বজসমাকুলম্। বভূব পুরুষব্যাঘ্র। সৈন্যমত্যদ্ভুতদর্শনম্ ॥১০॥
শিখণ্ডী তু যযৌ কর্ণং ধৃষ্টদ্যুম্নঃ সুতং তব। দুঃশাসনং মহারাজ। মহত্যা সেনয়া বৃতঃ ॥১১॥
নকুলো বৃষসেনন্তু চিত্রসেনং যুধিষ্ঠিরঃ। উলূকং সমরে রাজন্। সহদেবঃ সমভ্যয়াৎ ॥১২॥
সাত্যকিঃ শকুনিঞ্চাপি দ্রৌপদেয়াশ্চ কৌরবান্। অর্জ্জুনঞ্চ রণে যত্তো দ্রোণপুত্রো মহারথঃ ॥১৩॥
যুধামন্যুং মহেষ্বাসং গৌতমোঽভ্যপতদ্রণে। কৃতবর্ম্মা চ বলবানুত্তমৌজসমাদ্রবৎ ॥১৪॥
ভীমসেনঃ কুরূন্ সর্বান্ পুত্রাংশ্চ তব মারিষ। সহানীকান্ মহাবাহুরেক এব ন্যবারয়ৎ ॥১৫॥
শিখণ্ডী তু ততঃ কর্ণং বিচরন্তমভীতবৎ। ভীষ্মহন্তা মহারাজ। বারযামাস পত্রিভিঃ ॥১৬॥
প্রতিরুদ্ধস্ততঃ কর্ণো রোষাৎ প্রস্ফুরিতাধরঃ। শিখণ্ডিনং ত্রিভির্বাণৈর্ভ্রুবোর্মধ্যেঽভ্যতাড়য়ৎ ॥১৭॥

মহারাজ। নিপা অথোইবা লান্দা জয় ওইগনবা পাঞ্চালশনসু, অশাউবগা লোয়ননা কৌরব লাম্মী মপৈতম্মা চেনশিন্নরকই ॥৮॥ মহারাজ। কৌরবশিংনসু অহুগা রথী মহারথীশিংনসু অশাউবগা লোয়ননা য়াম্না খুংলৈ থুনা পাণ্ডবশিংলোমদা হোঙ্চিল্লকই ॥৯॥ নিপা অথোইবা, মহারাজ। মতম অদুদা শগোল শামু রথী খোঙমী অহুগা রথ কিরাল অসি পুম্নমকসিনা পীক্ পীক্ থন্নরবা কৌরবপাণ্ডব লাম্মী তেঙ্গোল অনী অসি য়েংবদা অতকপ কংনা নীঙখিজখি ॥১০॥ মহারাজ। পাকৃচাউরবা লাম্মীমপৈ অমনা পুনকোয কোয়শিন্দুনা শিখণ্ডীনা কর্ণরোমদ, চঙশিল্লকই। ধৃষ্টদ্যুম্ননা দুঃশাসনগোমদ ফুজন্‌খি ॥১১॥ নকুলনা বৃষসেনলোমদা, যুধিষ্ঠিরনা চিত্রসেনগোমদা, অদুগা সহদেবনা উলূকরোমদা খোঙজিল্লখি ॥১২॥ সাত্যকিনা শকুনিরোমদা দ্রৌপদীগী মচাশিংনা কৌরব লাম্মীমপৈরোমদা অদুগা মহারথী অশ্বত্থামানা য়াম্না চেকশন্না অর্জ্জুন তম্না চঙশিনখি ॥১৩॥ কৃপাচার্য্যনা মহাধনুর্দ্ধারী যুধামন্যুদা আক্রমণ তৌখি কল্লবা কৃতবর্ম্মানা উত্তমৌজা তম্না ফুজিনখি ॥১৪॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ। নাকল অমনা খোইদোক্না কল্লবা ভীমসেন মথন্তনা কৌরব লাম্মীশিংবু অদুগা মহারাজগী অচৌ নচাঈবুঙোশিংবু খিন্দুনা থম্‌খি ॥১৫॥ মহারাজ। ভীষ্মগী হুদা, মাগী মাগী মপা য়েং য়েংদুনা শোক্নব হৈত্রবা মতমসিদা, ভীষ্মবু হুহনখিবা শিখণ্ডীনা থোর থোরবা তেনগী মপৈ মপৈ কাপশিন্দুনা কর্ণবু কম থিংদুনা থম্‌খি ॥১৬॥ শিখণ্ডীনা কর্ণদা থাজিল্লকপব মতমসিদা, কর্ণ অসি শাউখিবনা মশা থক্ থক্ নীকৃই, ময়া ক্রক্ ক্রক্ চীকই। মচীন্‌খান্ থক্‌খা ফংফং চোংতি। অদুম্না শাউরবা কর্ণনা খোরবা তেনগমহম্না শিখণ্ডীগী নবাব্বক্

ধারয়ংস্তু স তান্ বাণান্ শিখণ্ডী বহ্বশোভত। রাজতঃ পর্বতো যদ্বদ্ধাতুভিঃ শৃঙ্গৈরিবোচ্ছ্রিতঃ ॥১৮॥

সোঽতিবিদ্ধো মহেষ্বাসঃ সূতপুত্রেণ সংযুগে। কর্ণং বিব্যাধ সমরে নবত্যা নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥১৯॥

তস্য কর্ণো হয়ান্ হত্বা সারথিঞ্চ ত্রিভিঃ শরৈঃ। উন্মমাথ ধ্বজঞ্চাস্য ক্ষুরপ্রেণ মহারথঃ ॥২০॥

হতাশ্বাত্তু ততো যানাদবপ্লুত্য মহারথঃ শক্তিং চিক্ষেপ কর্ণায় সংক্রুদ্ধঃ শত্রুতাপনঃ ॥২১॥

তাং ছিত্ত্বা সমরে কর্ণস্ত্রিভির্ভারত সায়কৈঃ। শিখণ্ডিনমথাবিধ্যন্নবভির্নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥২২॥

কর্ণচাপচ্যুতান্ বাণান্ বর্জয়ংস্তু নরোত্তমঃ। অপযাতস্ততস্তূর্ণং শিখণ্ডী ভৃশবিক্ষতঃ ॥২৩॥

ততঃ কর্ণো মহারাজ। পাণ্ডুসৈন্যান্যশাতয়ৎ। তূলরাশিং সমাসাদ্য যথা বায়ুর্মহাবলঃ ॥২৪॥

ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারাজ! তব পুত্রেণ পীড়িতঃ। দুঃশাসনং ত্রিভির্বাণৈঃ প্রত্যবিধ্যৎ স্তনান্তরে ॥২৫॥

তস্য দুঃশাসনো বাহুং সব্যং বিব্যাধ মারিষ!। শিতেন রুক্মপুঙ্খেন ভল্লেনানতপর্বণা ॥২৬॥

ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু নির্বিদ্ধঃ শরং ঘোরমমর্ষণঃ। দুঃশাসনায় সংক্রুদ্ধঃ প্রেষয়ামাস ভারত। ॥২৭॥

মত্তুদা, পীশূম্ অনীগী কারকৃত্তা থুম্না থাখি ॥১৭॥ তেল্ অহুম অহনা য়ুংহনা লৈবহুদা শিখণ্ডী অসি মতেল অহুম্ লোত্তবা রাংচাউরবা লুপাগী চাউজাওহ মওয়াখ। ॥১৮॥ কর্ণনা কন্না কাপশিল্লকলবদা, মহাধনুর্দ্ধারী শিখণ্ডীনা খোরবা তেল মারফূতরানা কর্ণগী মপাদা থুম্না থাখি ॥১৯॥ অদুদগী ওহাক্ লৈরগা মহারথী কর্ণনা শিখণ্ডীগী শগোল মরিত্ত হাৎলবা তেল্ অহুম্না সারথিবু হাৎখ; অদুদগী ক্ষুরমচীন শাবা তেলঅমনা মাগী কিয়ানবুসু ককখৎপ্রে ॥২০॥ শগোলশিং অদুবু হাৎখবহুদা, মহরথী ওইরবা, য়েক্লবওবা শিখণ্ডী অসি খোইদোক্না শাউখিহুনা রথদগী থুনা য়াওনা কল হেক্ চোংথহুনা খোরবা লংলবা শাংলবা তা অমা পায়থত্তুনা কর্ণ তম্না লংচকই ॥২১॥ ভরতনন্দন মহারাজ! তা অদুবু কর্ণনা তেল অহুম্না ককথৎলগা খোরবা তেল মাপন্না শিখণ্ডীদা কন্না থাখ ॥২২॥ মশা ঈগং নাইহং শারবা, নিপা অখোইবা, শিখণ্ডী অসি কর্ণগী লীরুংদগী পাইথোরকপা মরম্ অহুনা য়োরেইদৌবা মকম্ অমদা থুনা য়াওনা খেদোক্খ ॥২৩॥ মহারাজ! অদুদগী'দ কর্ণনা, কল্লবা নুংশৎ ইপোম্ অমনা লশিং মকোল্ মপৈবু পাইথোক্ হনখিবদুগুম্না কর্ণনা পাণ্ডব লান্মী মপৈ অদুবু মায়থৈ পুম্বদা চেম্থোকহনখ ॥২৪॥ মহারাজ! আসোংবদা ধৃষ্টদ্যুম্নগা দুঃশাসনগা কন্না থেংনরি। দুঃশাসননা য়াম্না নৈশিল্লকপহুদা খোইনা শাউরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা খোরবা তেল অহুম্না দুঃশাসনগী থবাক্তা কন্না থাখি ॥২৫॥ ঈকায় থুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ! দুঃশাসন অসি খোইদোক্না শাউখিহুনা মখোক সনাগোম্নবা তা মচীনশাবা খোরবা তেল অমনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী ওয়থংবা পাম্বোম্ মরুদা কন্না থাখি ॥২৬॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! মীনা লাকচবা য়াদবা খাওবা, ওমগন্ধবা, ধৃষ্টদ্যুম্ননা দুঃশাসনগী খুৎপায় অহুনা পানবদা খোইদোক্না

আপতন্তং মহাবেগং ধৃষ্টদ্যুম্নসমীরিতম্। শরৈশ্চিচ্ছেদ পুত্রস্তে ত্রিভিরেব বিশাংপতে। ।২৮।
অথাপরৈঃ সপ্তদশৈর্ভল্লৈঃ কনকভূষণৈঃ। ধৃষ্টদ্যুম্নং সমাসাদ্য বাহ্বোরুরসি চার্পয়ৎ ।২৯।
ততঃ স পার্ষতঃ ক্রুদ্ধো ধনুশ্চিচ্ছেদ মারিষ।। ক্ষুরপ্রেণ সুতীক্ষ্ণেন তত উচ্চুক্রুশুর্জনাঃ ।৩০।
অথান্যদ্ধনুরাদায় পুত্রস্তে প্রহসন্নিব। ধৃষ্টদ্যুম্নং শরব্রাতৈঃ সমন্তাৎ পর্য্যবারয়ৎ ।৩১।
তব পুত্রস্য তে দৃষ্ট্বা বিক্রমং সুমহাত্মনঃ। ব্যস্ময়ন্ত রণে যোধাঃ সিদ্ধাশ্চাপ্সরসস্তথা ।৩২।
ধৃষ্টদ্যুম্নমপশ্যাম ঘটমানং মহাবলম্। দুঃশাসনেন সংরুদ্ধং সিংহেনেব মহাদ্বিপম্ ।৩৩।
ততঃ সরথনাগাশ্বাঃ পাঞ্চালাঃ পাণ্ডুপূর্বজ। সেনাপতিং পরীপ্সন্তো রুরুধুস্তনয়ং তব ।৩৪।
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং তাবকানাং পরৈঃ সহ। ঘোরং প্রাণভৃতাং কালে ভীমরূপং পরন্তপ। ।৩৫।
নকুলং বৃষসেনস্তু ভিত্ত্বা পঞ্চভিরায়সৈঃ। পিতুঃ সমীপে তিষ্ঠন্ বৈ ত্রিভিরন্যৈরবিধ্যত ।৩৬।
নকুলস্তু ততঃ শূরো বৃষসেনং হসন্নিব। নারাচেন সুতীক্ষ্ণেন বিব্যাধ হৃদয়ে ভৃশম্ ।৩৭।

শাউখিহনা দুঃশাসন ত্তম্না, য়েংবদা অকিবগী মশক্ ওইরবা তেল অমা শাফুকয়া কাপশিল্লকৃই ॥২৭॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা কাপলকৃলিবা তেল অহুনা মপাচুম্না পাইশিল্লকলবদা দুঃশাসননা মাহুবু তেল অহুম্না মতেক্ অহুম্ থোকনা ককৃথৎখি ॥২৮॥ অদুগী তুংদা দুঃশাসননা সনাহৎলবা তামচীনশাবা তেল ক্ষমক্ষুতয়া থক্ ছত্তু,না, মাহুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী পাস্বোম মরু অনীদা অদুগা থজিন্দা কন্না থাখি ॥২৯॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ। অদুদগীদি থোকঁদোক্লা শাউরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা থৌরবা, ক্ষুরমচীন শাবা তেল অমনা দুঃশাসনগী লীরুং অহু ককৃথৎখি। মাহু উবদা মকম্ অদুদা লৈবা লাম্মীশিংনা অণ্ডকৃপগী খোল্লাউ অম লাউখি ॥৩০॥ মহারাজ। অদুগী তুংদা দুঃশাসন নোক্ল নোক্লা অতোপ্পা লীরুংঅম লৌখত্তু,না তেল মপৈমপৈ মনম্ মনম্ কাপশিল্লক্তু,না ধৃষ্টদ্যুম্নগী অকোয়বহু তেম্তনা পুম্মম্ মমূহনখ্রে ॥৩১॥ মতম অদুদা কল্লবা দুঃশাসনগী মতীক মগুণ মথৌনা মরিল অহু উবদা লালকম্দা লৈরিবা লাম্মীশিংনা সিদ্ধচারনশিংনা অমদি অপ্সরাশিংনা ওক্লখি-থাগৎনখি ॥৩২॥ অদুদগী করি উনখিবগে হায়ববু নোংশানা ময়ায় কারবা শামু অমবু থিংবহুগুম্না দুঃশাসননা অয়ওইগনবা কল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্নবু থিংহুনা থম্খি ॥৩৩॥ মহারাজ। অদুগী তুংদা পাঞ্চালশিংনা শগোল শামু রথীশিংগা লোয়ননা চণ্ডশিল্লক্তু,না ধৃষ্টদ্যুম্নবু কন্গে হায়বগী দমক দুঃশাসনবু থিংহুনা থম্খি ॥৩৪॥ মহারাজ। অদুদগীদি জীবপানবা পুন্নমক্কী মাঙন তারবগী মশক ওইরবা প্রলয়গী মতৌগুম্বা লাল্লাও অম কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীগী মরক্তা থোকৃখ্রে ॥৩৫॥ বৃষসেননা মপা কর্ণগী মনাক্ত লৈহুনা য়োত্তনা পুমৃহৈ ওইনা শাবা তেল মঙানা নকুলদা থারগা অদুদগী তেল অহুম্না অমুক্ কন্না থাখি ॥৩৬॥ অদুদগী নকুলনা নোক্লা নোক্লা থৌরবা য়েত্তু,ম্ মচীনশাবা তেল অমনা বৃষসেনগী থজিন মক্তদা

সোঽতিবিদ্ধো বলবতা শক্রণা শক্রকর্ষণঃ। শক্রং বিব্যাধ বিংশত্যা স চ তং পঞ্চভিঃ শরৈঃ ॥৩৮॥
ততঃ শরসহস্রেণ তাবুভৌ পুরুষর্ষভৌ। আচ্ছাদয়েতামন্যোন্যমথাভজ্যত বাহিনী ॥৩৯॥
দৃষ্ট্বা তু প্রদ্রুতাং সেনাং ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য সূতজঃ। নিবারয়ামাস বলাদনুসৃত্য বিশাংপতে! ॥৪০॥
নিবৃত্তে তু ততঃ কর্ণে নকুলঃ কৌরবান্ যযৌ। কর্ণপুত্রস্তু সমরে হিত্বা নকুলমেব তু ॥৪১॥
জুগোপ চক্রং ত্বরিতো রাধেয়স্যৈব মারিষ!। উলূকস্তু রণে ক্রুদ্ধঃ সহদেবেন বারিতঃ ॥৪২॥

(যুগ্মকম্)

তস্যাশ্বাংশ্চতুরো হত্বা সহদেবঃ প্রতাপবান্। সারথিং প্রেষয়ামাস যমস্য সদনং প্রতি ॥৪৩॥
উলূকস্তু ততো যানাদবপ্লুত্য বিশাংপতে!। ত্রিগর্ত্তানাং বলং তূর্ণং জগাম পিতৃনন্দনঃ ॥৪৪॥
সাত্যকিঃ শকুনিং বিদ্ধা বিংশত্যা নিশিতৈঃ শরৈঃ। ধ্বজং চিচ্ছেদ ভল্লেন সৌবলস্য হসন্নিব ॥৪৫॥
সৌবলস্তস্য সমরে ক্রুদ্ধো রাজন্! প্রতাপবান্। বিদার্য্য কবচং ভূয়ো ধ্বজং চিচ্ছেদ কাঞ্চনম্ ॥৪৬॥
অথৈনং নিশিতৈর্বাণৈঃ সাত্যকিঃ প্রত্যবিধ্যত। সারথিঞ্চ মহারাজ! ত্রিভিরেব সমার্পয়ৎ ॥৪৭॥

কয়া থাখি ॥৩৭॥ কল্লবা নকুলনা থাবহুদা শাউমনপ্রহুনা কল্লবা বৃষসেননা তেল কুয়া নকুলদা থাখি। নকুলসু হন্থনা তেলমঙানা মঙোন্দা থাখি ॥৩৮॥ কল্লবা পাখং অনীসিনা মাগী মপাঙ্গল মথৌনা বিন্থা উৎনহুনা তেললিশিং লিশিংনা অমনা অমগী মশাবু পূম্‌য়োম্ য়োম্‌হন্নখ্রে। অহুদগীদি ওহাক্ লৈরগা কৌরব লাম্মীমপৈহু কায়হুনা চেন্নরে ॥৩৯॥ মহারাজ! দুর্য্যোধনগী লাম্মী মপৈহুনা কায়হুনা চেন্নরবদা কর্ণনা মথোয় খ্বাইগী মাঙদা চেনখৎলক্ত না মথোয় ময়াম্বু নমহুনা থামখি ॥৪০॥ কর্ণনা মাগী মকম্‌দগী থাদোক্তূনা চৎপ্রবদা, নকুলনা কৌরব লাম্মীমপেয়োমদা চঙশিনপ্রবহুদা বৃষসেনসু নকুলবু অমুক তান্নরুবা তৌদনা কর্ণগী লাম্মীমপৈ অহুবু ঙাক্‌শেন্দুনা লৈখি। ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরব। নিংথৌ! উলূকনা কয়া ওঞ্শিন্নকলবা মতম্ অহুদা সহদেবনা মাবু খিংহুনা থম্‌খি ॥৪১-৪২॥ মতিক মঙাল চাউরবা সহদেবনা উলূককী শগোল মরিঅহুবু হাৎলগা সারথীহুবুসু মথ্বাই লৌখি ॥৪৩॥ মহারাজ! অহুগী তুংদা মপাগী মীত্তা মুংঙাইনবগী মশক্ ওইরবা উলূক অসি রথহুদগী চোংখিহুনা খুনা য়াঙনা ত্রিগর্ত্তগী লাম্মীমপেয়োমদা খুনারাঙনা চেনশিনখি ॥৪৪॥ মতম অহুদা সাত্যকিনা নোক্না নোক্না থোরবা তেলকুম্না শকুনিদা থাম্না অহুদগী অমুক, তামচীনশাবা তেল অমনা মাগী কিয়াল অহুবুসু ককথৎখ্রে ॥৪৫॥ মহারাজ! মপাজল মথৌনা লৈরবা শকুনিনা য়াম্না শাউখিহুনা সাত্যকিগী লালফুরিৎ অহুবু খিনগাইহুনা অহুদগী অমুক সনানা মথোক পাল্লবা, সাত্যকিগী কিয়াল অহু ককথৎখি ॥৪৬॥ মহারাজ! অহুদগী কল্লবা সাত্যকিনা থৌর থৌরবা তেলমক্না মনম্ মনম্ কাপশিন্নক্তূনা শকুনিদা অকনবা চৈনা

অথান্ত শাহাংস্বরিত: শরৈর্নিন্থে যমক্ষয়ম্। ততোহবপ্লুত্য সহসা শকুনির্ভরতর্ষভ। ॥৪৮॥
আরুরোহ রথং তূর্ণমুলুকস্য মহারথ:। অপোবাহাথ শীঘ্রং স শৈনেয়াদ্‌যুদ্ধশালিন: ॥৪৯॥
(যুগ্মকম্)

সাত্যকিস্তু রণে রাজন্! তাবকানামনীকিনীম্। অভিদুদ্রাব বেগেন ততোহনীকমভজ্যত ॥৫০॥
শৈনেয়শরসংছন্নং তব সৈন্যং বিশাংপতে!। ভেজে দশ দিশস্তূর্ণং ন্যপতচ্চ গতাসুবৎ ॥৫১॥
ভীমসেনং তব সুতো বারয়ামাস সংযুগে। তং তু ভীমো মুহূর্ত্তেন ব্যশ্বসূতরথধ্বজম্ ॥৫২॥
চক্রে লোকেশ্বরং তত্র তেনাতুষ্যন্ত বৈ জনা:। ততোহপায়ান্নৃপস্তত্র ভীমসেনস্য গোচরাৎ ॥৫৩॥
(যুগ্মকম্)

কুরুসৈন্যং তত: সর্বং ভীমসেনমুপাদ্রবৎ। তত্র নাদো মহানাসীদ্ভীমসেনং জিঘাংসতাম্ ॥৫৪॥
যুধামন্যু: কৃপং বিদ্ধা ধনুরস্যাশু চিচ্ছিদে। অথান্যদ্ধনুরাদায় কৃপ: শস্ত্রভৃতাং বর: ॥৫৫॥
যুধামন্যোর্ধ্বজং সূতং ছত্রঞ্চাপাতয়ৎ ক্ষিতৌ। ততোহপায়াদ্রথেনৈব যুধামন্যুর্মহারথ: ॥৫৬॥
(যুগ্মকম্

শীখি। অদুদগী তেল অহুম' মহ কী সারথিবুস্থ নৈবা তৌখি ॥৪৭॥ ভরতশাগেগী অথোইবা মহারাজ! সাত্যকিনা থৌরবা তেলমপৈ অমনা শকুনিগী শগোল মরি অহু মথ্বাই লৌখি। অদুদগী শকুনি অসি শগোল য়াওত্রবা, মাগী রথতদুদগী চোংথত্তুনা মচানিপা উলূককী রথদা ফন্দহেক্ চোংখৎখি। হৈশিনবা উলূককী সারথি অদুনা শকুনিবু সাত্যকিনা লৈরিবা মফম্ অদুদগী অমরোমদা পুথোকখি ॥৪৮-৪৯॥ মহারাজ! অদুদগী সাত্যকিনা কৌরবলাম্মীরোমদা ফুজিনখিবা মতম অদুদদি লাম্মী পূম্নমক অদু কায়ত্তুনা চেন্নর ॥৫০॥ মহারাজ! মহারাজগী কৌরবলাম্মী পূম্নমক সাত্যকিগী তেন্নাপানবদা থাওনা ঙমদত্তুনা মাযৈগেতরা কাংনা কায়ত্তুনা চেন্নরে। অদুদগী চেনবা ঙম্নদত্তুনা অশিবগী পাংথক ওইনা ময়ামপূম্বা লৈমায়থক্তে চোংথত্তুনা তুথনখি ॥৫১॥ মহারাজ! অমরোম্‌দা নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা ভীমসেনবু খিংগে মায়োম্নগে হায়ত্তুনা চঙশিল্লকই। ভীমসেননা মীকুপ অমগী মতুংদা দুর্য্যোধনগী শগোল, সারথিবু হাৎলগা রথ অমদি ফিরাল অদুবুস্থ থুদেকখি ককথৎখি। মাদু উবদা পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মী পূম্নমক্না থোইদোক্না হরাউনখি। অদুদগী দুর্য্যোধন অসি ভীমবু থাদোকলমত্তুনা মফম্ অদুদগী হন্দোকখি ॥৫২-৫৩॥ অদুদগী কৌরব লাম্মী পূম্নমক্ ভীমতম্না ফুজিল্লকই। অদুদগী ভীমনা মথোয় অদু তুম্না হাৎলগে হায়না খনগ্রে। মতম অদুদা লাম্মীশিং অসি য়ায়া হৌনা লাউনখি ॥৫৪॥ ন কল অমরোমদা যুধামন্যুনা কৃপদা কম্ন থারগা মহাকী লীক্রং অদুবু কক্থৎখি। অদুদগী খুৎলায় পায়বশিংগী মনুংদা অথোইবা অমা ওইনা লৈরবা কৃপাচার্য্যনা অতোপ্পা লীক্রং অম পায়খত্তুনা যুধামন্যুগী ফিরাল, সারথি, ছত্র পূম্নমক অসি অমুক্তদা ককথৎত্তুনা

উত্তমৌজাশ্চ হার্দ্দিক্যং ভীমং ভীমপরাক্রমম্। ছাদয়ামাস সহসা বৃষ্ট্যা মেঘ ইবাচলম্ ॥৫৭॥
তদ্যুদ্ধং সুমহচ্চাসীদ্‌ঘোররূপং পরন্তপ। । যাদৃশং ন ময়া যুদ্ধং দৃষ্টপূর্ব্বং বিশাংপতে। ॥৫৮॥
কৃতবর্ম্মা ততো রাজন্। উত্তমৌজসমাহবে। হৃদি বিব্যাধ সহসা স রথোপস্থ আবিশৎ ॥৫৯॥
সারথিস্তমপোবাহ রথেন রথিনাং বরম্। কুরুসৈন্যং ততঃ সর্বং ভীমসেনমুপাদ্রবৎ ॥৬০॥
দুঃশাসনঃ সৌবলশ্চ গজানীকেন পাণ্ডবম্। মহতা পরিবার্য্যৈব ক্ষুদ্রকৈরভ্যতাড়য়ৎ ॥৬১॥
ততো ভীমঃ শরশতৈর্দুর্য্যোধনমমর্ষণম্। বিমুখীকৃত্য তরসা গজানীকমুপাদ্রবৎ ॥৬২॥
তমাপতন্তং সহসা গজানীকং বৃকোদরঃ। দৃষ্ট্বৈব সুভৃশং ক্রুদ্ধো দিব্যমস্ত্রমুদৈরয়ৎ।
গজৈর্গজানভ্যহনদ্বজ্রেণেন্দ্র ইবাসুরান্ ॥৬৩॥
ততোঽন্তরীক্ষং বাণৌঘৈঃ শলভৈরিব পাবকম্। ছাদয়ামাস সমরে গজান্ নিঘ্নন্ বৃকোদরঃ ॥৬৪॥
ততঃ কুঞ্জরযূথানি সমেতানি সহস্রশঃ। ব্যধমত্তরসা ভীমো মেঘসংঘানিবানিলঃ ॥৬৫॥
সুবর্ণজালপিহিতা মণিজালৈশ্চ কুঞ্জরাঃ। রেজুরভ্যধিকং সংখ্যে বিদ্যুত্বন্ত ইবাম্বুদাঃ ॥৬৬॥

লৈমায়থক্ত থাদখি। অদুদগী মহারথী যুধামন্যু অসি মাগী রথঅদু মশামক্না থোদুনা লালকমদুদগী হন্দোকখি ॥৫৫-৫৬॥ অমরোমদা নোংনা অতৎঅথম লৈতনা চুথরকতুনা চীঙমায় অমবু নোং মরীমরীনা কৃপশিল্লকপদুগুম্না উত্তমৌজানা তেস্তনা নোংওইনা হৈথরক্তুনা অকিবগী মশক ওইরবা অকিব কংনসু মরিল মথৌনা মপাঙ্গল লৈরবা কৃতবর্ম্মাগী মশা পূম্বা তেম্না পূময়োম য়োমহন্‌খ্রে ॥৫৭॥ য়েক্লবা ওম্বা মহারাজ! মমাঙৈদা অমুক্ত ঈমীৎ অসিনা উথিদবা লান্দো অকিবগী মশক লৌদুনা শোক্লবা হৌখ্রে ॥৫৮॥ মহারাজ! কৃতবর্ম্মানা উত্তমৌজাগী থবাক্ত থজিন্দা কম্না কম্না থারকৃই। অদুদগী উত্তমৌজা অসি ভুমিন্না মরুলুক্‌থদুনা রথমথক্ত কম্‌থখি ॥৫৯॥ মতম অদুদা সারথিনা রথীঅথোইবা অদুবু লালকম্ অদুদগী মকম্ অমদা থৈদোকখি। মতম অসিদা কৌরব লাম্মী পূম্বা ভীমতম্না চেলশিল্লকই ॥৬০॥ অদুদগী দুঃশাসনগা শকুনিগা অনী অসিনা শামুলাম্মী মপৈ অমনা ঈকোয় কোয়শিন্না চঙশিল্লক্তুনা ক্ষুরমচীন শাবা থৌয় থৌরবা তেলমপৈ মপৈ কাপশিল্লক্তুনা ভীমদা কম্ন নৈবা হৌরকলে ॥৬১॥ মতম অদুদা মীগী মুংঙাই য়াইফ চাউথৎপবু উরগা য়েংদুনা থাওদুনা লৈবা ওমগন্দবা দুর্য্যোধনবু নীঙহন্নবা চেলহন্‌খ্রগা দুঃশাসন-শকুনিগী শামু লাম্মীশিং অন্তম্না ফুজিনখি ॥৬২॥ শামুমপৈ অদুনা চঙশিল্লকপদু উবদা ভীমনা থোইদোক্না শাউথিদুনা শামুশিং অদুদা থৌয় থৌরবা লাইগী খুৎলায়মক্ত কাপশিল লংশিল্লকৃই। ইন্দ্রমথন্তনা বজ্রনা অসুর কয়া কয়াবু হাৎপদুগুম্না ভীমন শামু কয়া কয়াবু অমুমুক্ত লৈমায়থক্ত তুহনখি ॥৬৩॥ বিয়াত্তান্না চয়াং মপৈমপৈনা মৈবু কৃপশিলহন্‌বদুগুম্না ভীমনা শামুশিং অদুবু তুম্না হাৎকে হায়না থনথিদুনা তেলমপৈ মপৈনক্তনা নোংমদোন মকোয় অসিবু পূমকৃপ কৃপশিনহন্‌খ্রে ॥৬৪॥ অদুগী তুংদা সুংশিংনা মুমবা নোংমপাক মপাকৃপু পাইথোক্‌হন্‌খিবদুগুম্না ভীমদা মশামথন্তগী পাম্বোমগী পাজম্না শামুলিশিং লিশিংবু হাৎপা হৌয়কই ॥৬৫॥ সনা মণিমুক্তানা মযুংমকেল হাইদুনা কজয়বা

তে বধ্যমানা ভীমেন গজা রাজন্। বিদুদ্রুবুঃ। কেচিদ্ভিন্নহৃদয়াঃ ক্ষুণ্ণা অপতন্ ভুবি ॥৬৭॥
পাতিতৈর্নিপতদ্ভিশ্চ গজৈর্হেমবিভূষিতৈঃ। অশোভত মহী তত্র বিশীর্ণৈরিব পর্বতৈঃ ॥৬৮॥
দীপ্তাভৈ রত্নবদ্ভিশ্চ পতিতৈর্গজযোধিভিঃ। ররাজ ভূমিঃ পতিতৈঃ ক্ষীণপুণ্যৈরিব গ্রহৈঃ ॥৬৯॥
ততো ভিন্নকটা নাগা ভিন্নকুম্ভকরাস্তথা। দুদ্রুবুঃ শতশঃ সংখ্যে ভীমসেনশরাহতাঃ ॥৭০॥
কেচিদ্বমন্তো রুধিরং ভয়ার্তাঃ পর্বতোপমাঃ। ব্যদ্রবন্ শরবিদ্ধাঙ্গা ধাতুচিত্রা ইবাচলাঃ ॥৭১॥
মহাভুজগসঙ্কাশৌ চন্দনাগুরুরূষিতৌ। অপশ্যং ভীমসেনস্য ধনুর্বিক্ষিপতো ভুজৌ ॥৭২॥
তস্য জ্যাতলনির্ঘোষং শ্রুত্বাশনিসমস্বনম্। বিমুঞ্চন্তঃ শকৃন্মূত্রং গজাঃ প্রাদুদ্রুবুর্ভৃশম্ ॥৭৩॥
ভীমসেনস্য তৎ কর্ম রাজন্নেকস্য ধীমতঃ। নিঘ্নতঃ সর্বভূতানি রুদ্রস্যেব চ নির্বভৌ ॥৭৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

ফীজোল মরুনা মন্মদা মথাদা কৃপলবা যেন্নবা শামুশিং অহুনা কাতুকাবল চেন্নবকপহুমক্ নোংথাংনা কপকেৎ কাক্কৎ তে রবা নোংমতুম্ মতুম্না নোংমদোক্তক্লা পুম্লেঙ লেতবক মতায় ॥৬৭॥ মহারাজ! ভীমনা থুংলায মথল্ মথল্ কাপাশল থাক্তএকপতদা শামু কয়াকয়ানা চেন্থোক্খি, কয়াকয়ানা মবুক-নাকুথং ঈতা হোগাইখিহুনা তুরোই তাম্লোইননা লৈার, কয়াকযানা লৈমায়থক্তা বোম-বোম্ হাইখুনরক্লল ॥৬৭॥ বক্রনা পুমতোই তোইনা থুগাইহুনা কিহ্বরবা চীঙহুম্ অমমম্গুম্না, সনালুপনা লৈতেংলবা শামুশিংনা মথংমথং তুথনরক্লনা লালকম্ লৈমায়থক্ অহুগী লৈতেং অম ওইখে ॥৬৮॥ শামুশিং অহুনী মথক্তা তোংলবা কল্লবা গজারোহী (শামুতোংবা লাম্নী) শিং অহুনা লৈমাযথক্ত থবোমালো হাইনরকপহুনক্, মর্ত্তালোকত মানা মানা তৌরম্বা পুণ্যকর্ম্মগী নহৈঅহু চাব লোইরগা স্বর্গবাসীশিনা অমদি গ্রহনক্ষত্রনচিবনা মর্ত্তালোক তম্না অমুক তারকুপা ওহনরম্পত্রমতাযখ্রে। মখোগহুনা লালকম্ লৈমায অহু তগুপ তরেংনা পুম্তাল তানখ্রে ॥৬৯॥ ভীমাসেননা তেম্না থাবদা চইক হেগাযরব, মনাতোল তথাইঅব ককৃপ্রবা মকোক লেক্ষ অহু ঈপাই তোইনা কাম্নরবা শামু চাম চামনা মাযগৈ শলাই খতদনা কোয়চেল্ চেন্নরক্লি ॥৭০॥ কার কারিগুম্বা চীমুক্ চাডরবা শামুনা, ভীমগী তেম্না থাবদা মশাপুম্বা ঈহং নাইহং শানা, ঈমন্নী মরী মশাদগী চেন্থচেন্থনা, নোপা ঈশংগা য়াম্নরবা চাঙলৈবাক্লা পুম্চোৎ চোৎলবা, অচেনবা চীঙজাও অমগুম্না কোয়চেল চেল্লি ॥৭১॥ ভীমনা কোয়রৈ লৈহনা লীরী চি চিংহুনা তেল মনম্ মনম্ কাপলকপা মতম্ অহুদা চন্দননা পুম্তৈ তৈরবা, পাম্বোম্ অনীহুবু চাউরবা লিল অনীগুম্না অউবশিংনা উনখি ॥৭২॥ বজ্রগী মখোলগা মান্নরবা, ভীমগী লীরী থীঙবগী মখোল অহু তাবতদা শামুশিং অহুনা মাংথোক মাংথোকনা, মপান থোকৃতোক্ থোক্তোক্লনা কোয়চেল চেল্লি ॥৭৩॥ মহারাজ! শিংলবা-কল্লবা ভীমসেনগী অসিগুম্বা থবকঅসি লালকম্ অহুদা, জীবপানবা পুম্বু প্রলয়গী মতমদা সংহার তৌবা রুদ্রগী অাকবগী মশক্ ফংলবা থবক্ অহু ওইনা উনখি ॥৭৪॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদ কর্ণপর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধগী নিকৃতরেংগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ

নীর্ফুনিপান্ শুবা অধ্যায়

(কর্ণনা পাণ্ডবশিংবু নৈরকৃপগী মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ শ্বেতাশ্বসংযুক্তে নারায়ণসমাহিতে। তিষ্ঠন্ রথবরে শ্রীমানর্জ্জুনঃ সমপদ্যত ॥১॥
তদ্বলং নৃপতিশ্রেষ্ঠ! তাবকং বিজয়ো রণে। ব্যক্ষোভয়চ্ছীর্ণাশ্বং মহোদধিমিবানিলঃ ॥২॥
দুর্য্যোধনস্তব সুতঃ প্রমত্তে শ্বেতবাহনে। অভ্যেত্য সহসা ক্রুদ্ধঃ সৈন্যার্দ্ধেনাভিসংবৃতঃ ॥৩॥
পর্য্যবারয়দায়ান্তং যুধিষ্ঠিরমমর্ষণঃ। ক্ষুরপ্রাণাং ত্রিসপ্তত্যা ততোঽবিধ্যত পাণ্ডবম্ ॥৪॥

(যুগ্মকম্)

অক্রুধ্যত ভৃশং তত্র কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। স ভল্লাংস্ত্রিংশতস্তূর্ণং তব পুত্রে ন্যবেশয়ৎ ॥৫॥
ততোঽধাবন্ত কৌরব্যা জিঘৃক্ষন্তো যুধিষ্ঠিরম্। দুষ্টভাবান্ পরান্ জ্ঞাত্বা সমবেতা মহারথাঃ।
আজগ্মুস্তং পরীপ্সন্তঃ কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৬॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! অসিগী তুংদা অকনবা অমগী লক্ষণ (খুদম্) পুম্বনা তিল্লবা অর্জ্জুন অসি অতোবা শগোল্ল চিংলবা; কৃষ্ণনা থৌরিবা রথঅদুদা তোংদুনা কল্লবা লালকম্ অদুদা চোংথোরকলে ॥১॥ নিংথৌ অথোইবা! চাউরবা নুংশিৎ ইপোম্ অমনা ঈপাকপু ঈথক্ হৌহনবদুগুম্বা অর্জ্জুননা, ময়াম্ব কারবা শগোল্লচিংলবা রথশিং অদুদা রথীওইদুনা থোরকলিবা লাম্মীশিং অদুবু তমথিনা নৈব হৌরকলে ॥২॥ অর্জ্জুননা লালদা মতীকমগুণ মথোনাগা লোয়নননা ময়াম্ব কাখৎলক্লব মতমদুদা অদুগা যুধিষ্ঠিরস্থ য়েক্লবশিংনা তৌরিবদুদা য়েংদুনা খাণ্ডদুনা লৈবা ভন্মক্তদুনা চগুশিল্লকলবা মতমদুদা শাউরবা দুর্য্যোধননা কৌরব লাম্মী তেঙ্গোল তংখাই অময়োম্গা লোয়নননা চগুশিল্লক্তুনা যুধিষ্ঠিরবু থস্তুনা থিংখি। মহাক্না থৌরবা, ক্ষুরমচীনশাবা তেল হুমফুতম্বা হুম্দোইনা যুধিষ্ঠিরদা কপ্পখি ॥৩-৪॥ মতম্ অদুদা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠির অসি থোইদোক্না শাউথে। মহাক্না দুর্য্যোধনদা তামচীনশাবা তেল কুন্থ্রাথক্ থুনায়াঙনা কাপশিল্লকই ॥৫॥ মরক্ অসিদা কৌরব লাম্মী পুম্নমক্না যুধিষ্ঠিরবু চওকা কাগদবগী হোৎনরকই। মতম্ অদুদা পাণ্ডবপক্ষগী মহারথী অশিংবশিংন

নকুলঃ সহদেবশ্চ ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ পার্ষতঃ। অক্ষৌহিণ্যা পরিবৃতাস্তেঽভ্যধাবন্ যুধিষ্ঠিরম্ ।৭।
ভীমসেনশ্চ সমরে যুধ্যংস্তব মহারথান্। অভ্যধাবদভিপ্রেপ্সু রাজানং শত্রুনির্জিতম্ ।৮।
তাংস্তু সর্বান্ মহেষ্বাসান্ কর্ণো বৈকর্ত্তনো নৃপ।। শরবর্ষেণ মহতা প্রত্যবারয়দাগতান্ ।৯।
শরৌঘান্ বিসৃজন্তস্তে প্রেষয়ন্তশ্চ তোমরান্। ন শেকুর্যত্নবন্তোঽপি রাধেয়ং প্রতিবীক্ষিতুম্ ।১০।
তাংশ্চ সর্বান্ মহেষ্বাসান্ সর্বশস্ত্রাস্ত্রপারগঃ। মহতা শরবর্ষেণ রাধেয়ঃ প্রত্যবারয়ৎ ।১১।
দুর্যোধনস্তু বিংশত্যা শীঘ্রমস্ত্রমুদীরয়ন্। অবিধ্যত্তূর্ণমভ্যেত্য সহদেবো মহামনাঃ ।১২।
স বিদ্ধঃ সহদেবেন বভাজাচলসন্নিভঃ। প্রভিন্ন ইব মাতঙ্গো রুধিরেণ পরিপ্লুতঃ ।।১৩।।
দৃষ্ট্বা তব সুতং তত্র গাঢ়বিদ্ধং সুতেজনৈঃ। অভ্যধাবত সংক্রুদ্ধো রাধেয়ো রথিনাং বরঃ ।।১৪।।
দুর্যোধনং তথা দৃষ্ট্বা শীঘ্রমস্ত্রমুদীর্য্য সঃ। তেন যৌধিষ্ঠিরং সৈন্যমবধীৎ পার্ষতং তথা ।১৫।
ততো যৌধিষ্ঠিরং সৈন্যং বধ্যমানং মহাত্মনা। সহসা প্রাদ্রবদ্রাজন্। সূতপুত্রশরার্দিতম্ ।।১৬।।

কৌরব লাম্মীশিংনা তোগে খল্লিবা পোরম্ অদু থওলক্লনা কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠিরবু কনগদোবগী পুল্লপ্পা চেলশিল্লক্লনা যুধিষ্ঠিরবু পূম্কোয় কোয়শিন্দুনা থমখ্রে ॥৬॥ নকুল সহদেব, অদুগা পৃষতনন্দন ধৃষ্টদ্যুম্ন মথোয় অসি অক্ষৌহিণী লাম্মীমপৈ অমগা লোয়ননা যুধিষ্ঠিরবু কনগদবগী চঙশিল্লকই ॥৭॥ মহারাজ! ভীমসেনসু মাগী মমাঙদা লৈরম্বা-থংলম্বা কৌরবলাম্মী মথৈবু নৈখাইরম্লনা কর্ণনা জয তোগ্রবা যুধিষ্ঠিরবু কনগদবগী প্রপ্রপ চঙশিল্লকই ॥৮॥ অদুবু, মহারাজ! বৈকর্ত্তন কর্ণ মথন্তনা তেন্না নোংচুবগুম্ মথং মথং হৈংগরক্লনা ময়াম্ অদুবু থিংলুনা থম্খি ॥৯॥ হায়রিবা পাণ্ডবপক্ষগী কল্লবা লাম্মী ময়াম্ অসিনা অতং অথম্ লৈতনা কাপশিল্লক্লনা ময়াম্না চোককশিন্না শোক্লরবসু কনাঅমতনা কর্ণরোম্দা হংগৎনা য়েংবা ঙমখিদ্রে ॥১০॥ খুৎশুখুৎলাইনা লোইনা হৈরখঙলবা কর্ণনা পাকচাউরবা তেন্সগী লাংঅমনা পাণ্ডব লাম্মী মপৈবু মথন্তনা থিংলুনা থমখি ॥১১॥ মতম্ অসিদা সহদেবনা মপুক্লিংদা চিংনবা অকিবা করিমত তৌদনা তেন কাপশিন-কাপশিন্না চঙশিল্লক্লনা থোরবা তেনকুম্ন দুর্যোধনদা কন্না থাখি ॥১২॥ সহদেবনা কনা কন্না থারবসু দুর্যোধন অসি; ময়ায় কারবা শামু অমগী মতৌগুম্না, মশাদু ঈহংনাইহং শারবসু চীঙজাও অমগী মতৌগুম্না লেঙদনা লৈখি ॥১৩॥ মহারাজ! মতম অসিদা রথী অথোইবা কর্ণনা, সহদেবগী খুৎলায়না পান্দুনা শাথিনা শোকখিবা দুর্যোধনবু উবদা অশাউবগা লোয়ননা সহদেব তন্না চঙশিল্লকই ॥১৪॥ দুর্যোধনগী অবস্থা উখিবদগী শাউরবা কর্ণনা কাপলকপা খুৎলায়শিং অদুনা যুধিষ্ঠিরগী লাম্মীশিংবু মনম্ মনম্ হাৎপ হৌরকলে। অদুত নত্তনা কর্ণনা মাহুম্ তৌবা তৌনাঃ ধৃষ্টদ্যুম্নবুসু নৈবা হৌরকলে ॥১৫॥ মহারাজ! কর্ণনা অশুম্না আক্রমণ তৌশিল্লকপসিদা যুধিষ্ঠিরগী

বিবিধা বিশিখাস্তত্র সংপতন্তঃ পরস্পরম্। ফলৈঃ পুঙ্খান্ সমাজঘ্নুঃ সূতপুত্রধনুশ্চ্যুতাঃ ॥১৭॥
অন্তরীক্ষে শরৌঘাণাং পততাঞ্চ পরস্পরম্। সংঘর্ষাচ্চ মহারাজ। পাবকঃ সমজায়ত ॥১৮॥
ততো দশ দিশঃ কর্ণঃ শলভৈরিব যাম্নিভিঃ। অভ্যাহংস্তরসা রাজন্! শরৈঃ পরপরীরকৈঃ ॥১৯॥
রক্তচন্দনসন্দিগ্ধৌ মণিহেমবিভূষিতৌ। বাহূ বাত্যাক্ষিপং কর্ণঃ পরমাস্ত্রং বিদর্শয়ন্ ॥২০।
ততঃ সর্বা দিশো রাজন্! সায়কৈর্বিপ্রমোহয়ন্। অপীড়যদ্ভৃশং কর্ণো ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্ ॥২১॥
ততঃ ক্রুদ্ধো মহারাজ। ধর্ম্মপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। নিশিতৈর্বিশিখৈঃ কর্ণং পঞ্চাশদ্ভিঃ সমার্পয়ৎ ॥২২॥
বাণান্ধকারমভবত্তদ্যুদ্ধং ঘোরদর্শনম্। হাহাকারো মহানাসীত্তাবকানাং বিশাংপতে। ॥২৩॥
বধ্যমানে তদা সৈন্যে ধর্ম্মপুত্রেণ মারিষ!। সায়কৈর্বিবিধৈস্তীক্ষ্ণৈঃ কঙ্কপত্রৈঃ শিলাশিতৈঃ ॥২৪॥
ভল্লৈরনেকৈর্বিবিধৈঃ শক্ত্যৃষ্টিমুষলৈরপি। যত্র যত্র স ধর্ম্মাত্মা দুষ্টাং দৃষ্টিং ব্যসর্জ্জয়ৎ ।২৫।
তত্র তত্র ব্যশীর্য্যন্ত তাবকা ভরতর্ষভ।। কর্ণোঽপি ভৃশসংক্রুদ্ধো ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্ ।২৬।
নারাচৈরর্দ্ধচন্দ্রৈশ্চ বৎসদন্তৈশ্চ সংযুগে। অমর্ষী ক্রোধনশ্চৈব রোষপ্রস্ফুরিতাধরঃ ।২৭।

লাম্মী পুন্নমক কর্ণগী চৈনাখাঙবা ভমদহুনা কাপ্পহুনা নীংহম্মনা চেন্নরে ॥১৬॥ কর্ণনা কয়াগী মতীক মথুৎথুনা কাপলকপগে হায়ববু তেলাশিং অহু মমৈগা মকোক্তা মশমুমশম্নখিহুনা তেলমশা অমত ওইনা উখি ॥১৭॥ মহারাজ। অহুদগীদি তেল ময়াম্ অহুনা অমনা অমবু অমুমুক ককপদা মৈবুপ অমমম কাপথোরকই ॥১৮॥ মহারাজ। অহুগীতু দা কর্ণনা কোক্লেং হায়ো মশেনশৈগী মতৌগুম্না পাইথোরকপা শাফু কল্লবা, যেক্লবশিংদা মীপুম্ থীংনা পাল্লবা তেলময়াম অহুনা মায়কৈ তয়াখক্তা থাজিনবগুম্না থকথা পুম্না পুম্নম্ মমহনখ্রে ॥১৯॥ মতম্ অসিদা কর্ণনা কয় শরবা, মানা শীজিন্নবা ভম্দবা খুৎলায়মক্তা পুখোরক্তনা মণিমুক্তানা থাম্লবা লৈতেংনা থল্লবা মাগী পাম্বোম অনীহুবু যেৎওই নাকল অনীমক্তা কোযরৈ লৈহনা শীজিন্নখি ॥২০॥ মহারাজ! অহগী তুদা কর্ণনা মতৌঅহুন্না মায়গৈ তবাবু তেন্না পুমকূপ কৃপ্তুনা থম্নগা যুধিষ্ঠিরদা কম্না কম্না থজিল্লকপা হৌরে ॥২১॥ যুধিষ্ঠিরসু থোইদোক্লা শাউখিহুনা থৌরবা তেল য়াঙ্খৈনা কর্ণদা কম্না থাখি ॥২২॥ মহারাজ! অহুদগী লালকম্ অহু ময়াম্সনা কাপথোরকপা তেলমক্তনা পুম্নম মমনিহুনা অকাগী মশক অম পুখি। কৌরব লাম্মীশিংনা হাহাকার লাউনখি। মরমদি:—যুধিষ্ঠিরনা মতম অসিদা উয়োক অমদি য়েন্দুনা তেন্না পাল্লবা মচীন্দ য়োথোনা মথোশঙলবা, থৌর থৌরবা তামচীনশাবা তেলমক্তনা অহুদগী হেন্দোক্তনা তা-য়োচ্ছুকনচিংবনা কৌরব লাম্মীশিংবু হাৎপা হৌরকই। ভরতশাগৈগী অথোইবা নিংথৌ। ধর্ম্মচেল্লবা যুধিষ্ঠিরনা মমীংখানা খানা য়েংথোরকপা মায়গৈপুম্বদা কৌরবলাম্মী মথৈগী তেঙ্গপুম্বা মরাম চায়খি। মাহু উবদা কর্ণ অসি ভম্থৈ লৈতনা শাউথি; যুধিষ্ঠিরনা তৌরিবহু য়েংহুনা খাঙহুনা লৈবা ভম্মদ্রে। অহুনা কর্ণঅসি শাউবনা মচীনবান থকথা অনীহু ক্রক্রং চোংভি। মরম্ অহুনা কনবাথৌবদা অতৈঅমগা মাম্নবা কর্ণনা য়েত্তম্ মচীনশাবা, থামচেৎশাবা, বৎসদন্ত

সাত্যকেরপ্রমেয়াত্মা যুধিষ্ঠিরমুপাদ্রবৎ । যুধিষ্ঠিরস্তাপি স তং স্বর্ণপুঙ্খৈঃ শিলাশিতৈঃ ॥২৮॥
(কুলকম্)

প্রহসন্নিব তং কর্ণঃ বঙ্কপত্রৈঃ শিলাশিতৈঃ । উরস্তবিধ্যদ্রাজানং ত্রিভির্ভল্লৈশ্চ পাণ্ডবম্ ॥২৯॥
স পীড়িতো ভৃশং তেন ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । উপবিশ্য রথোপস্থে সূতং যাহীত্যচোদয়ৎ ॥৩০॥
প্রাক্রোশন্ত ততঃ সর্বে ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ সরাজকাঃ । গৃহ্নীধ্বমিতি রাজানমভ্যধাবন্ত সর্বশঃ ॥৩১॥
ততঃ শতাঃ সপ্তদশ কৈকেয়ানাং প্রহারিণাম্ । পাঞ্চালৈঃ সহিতা রাজন্ । ধার্ত্তরাষ্ট্রানবারয়ন্ ॥৩২॥
তস্মিংস্তু তুমুলে যুদ্ধে বর্ত্তমানে মহাভয়ে । দুর্য্যোধনশ্চ ভীমশ্চ সমেয়াতাং মহাবলৌ ॥৩৩॥
কর্ণোঽপি শরজালেন কৈকেয়ানাং মহারথান্ । ব্যধমৎ পরমেষ্বাসানগ্রতঃ পর্য্যবস্থিতান্ ॥৩৪॥
স তেষাং যতমানানাং রাধেয়স্য নিবারণে । রথান্ পঞ্চশতান্ কর্ণঃ প্রাহিণোদ্যমসাদনম্ ॥৩৫॥
অবিষহ্যং ততো দৃষ্ট্বা রাধেয়ং যুধি যোধিনঃ । ভীমসেনমুপাগচ্ছন্ কর্ণবাণপ্রপীড়িতাঃ ॥৩৬॥
রথানীকং বিদার্য্যৈব শরজালৈরনেকধা । কর্ণ একরথেনৈব যুধিষ্ঠিরমুপাদ্রবৎ ॥৩৭॥
সেনানিবেশমার্চ্ছন্তং মার্গণৈঃ ক্ষতবিক্ষতম্ । যময়োর্মধ্যগং বীরং নিরীক্ষন্তং বিচেতসম্ ॥৩৮॥
সমাসাদ্য তু রাজানং দুর্য্যোধনহিতেপ্সয়া । সূতপুত্রস্ত্রিভিস্তীক্ষ্ণৈর্বিব্যাধ পরমেষুভিঃ ॥৩৯॥
(যুগ্মকম্)

কোবা খুৎলায়না যুধিষ্ঠিরবু নৈবা হোয়কলে। যুধিষ্ঠিরনসু থোয় খোরবা তেন্তনা কর্ণদা অকনবা চৈনা পীরকই ॥২৩-২৮॥ মতম্ অসিদা কর্ণনা নোক্না নোক্না য়োত্থোনা মথৌশঙলবা তেলময়াম্না অত্তগা তামচীনশাবা তেল অহুম্না যুধিষ্ঠিরগী থবাক্ত কন্নথাখি ॥২৯॥ কর্ণনা কন্না কন্ন চৈনাপীরকপসিদা যুধিষ্ঠির অসি রথ মথক্তা তুমিন্ন ফমথরগা "রথ থোদোকখ্রো"-হায়না সারথীদা হায়রকই ॥৩০॥ মতম অত্তদা দুর্য্যোধনগা লোয়ননা মনাওশিং পুম্নমক "যুধিষ্ঠিরবু ফাও, থৎলু"। হায়না খোঞ্জেল চৈনা লাউনরকই ॥৩১॥ মহারাজ! মতম অত্তুদা মথোয়গী লাল হৈরবা কৈকয়লাম্মী লিশিং অম চাত্রেৎনা পাঞ্চাল লাম্মীশিংগা লোয়ননা দুর্য্যোধননচিংবা অকনবশিং অত্তবু থিংজিনা থম্থি ॥৩২॥ অফিবগী মশক ফংলবা লাঞ্জাও অসিদা ভীমগা দুর্য্যোধনগা মায়োক্ননা থেংনখ্রে ॥৩৩॥ অমরোমদা কর্ণসু তেলগী লাংঅমনা মমাঙদা লাকলিবা কৈকয় লাম্মীশিংবু হাৎপা হৌরকই ॥৩৪॥ কৈকয়শিংনা কর্ণনা মায়োক্ননা থেংনরুবদা মখোয়গী মনুংদা কর্ণনা অকনবা লাম্মী চামঙাবু যমালয়দা থাখি ॥৩৫॥ অত্তুগী তুংদা কর্ণগী খুৎলায়গী চৈনা খাঙবা ঙমদ্রবা পাণ্ডবপক্ষগী লাম্মীশিং অত্ত চেনশিনখিজনা ভীমসেনগী আশ্রয় লৌখি ॥৩৬॥ অত্তুদগী কর্ণনা পাণ্ডব লাম্মীশিংবু নৈথাইরম্নগা মৎক্তা যুধিষ্ঠিরগী মতুংদা তাম্নখি ॥৩৭॥ অমরোমদা, অকনবা যুধিষ্ঠিরসু কর্ণগী তেম্না পানবা মশাক্ত ঈহং নাইহং শাত্তনা, মপাই য়াম্ন মুংঙাইতনা, নকুল সহদেব অনীনা নাকয়েৎ চপ্তুনা, তুংমাঙ হুম্না হুম্না য়েংয়েংত্রনা মাপ্পী লালশঙ লোমদা চঙশিল্লকপা মতমসিদা কর্ণনা দুর্য্যোধনগীদমক্তা

তথৈব রাজা রাধেয়ং প্রত্যবিধ্যৎ স্তনান্তরে। শরৈস্ত্রিভিশ্চ যন্তারং চতুর্ভিশ্চতুরো হয়ান্ ॥৪০॥
চক্ররক্ষৌ তু পার্থস্য মাদ্রীপুত্রৌ পরন্তপৌ। তাবপ্যধাবতাং কর্ণং রাজানং মা বধীদিতি ॥৪১॥
তৌ পৃথক্ শরজালাভ্যাং রাধেয়মভ্যমর্দতাম্। নকুলঃ সহদেবশ্চ পরমং যত্নমাস্থিতৌ ॥৪২॥
তথৈব তৌ প্রত্যবিধ্যৎ সূতপুত্রঃ প্রতাপবান্। ভল্লাভ্যাং শিতধারাভ্যাং মহাত্মানবরিন্দমৌ ॥৪৩॥
দন্তবর্ণাংস্তু রাধেয়ো নিজঘান মনোজবান্। যুধিষ্ঠিরস্য সংগ্রামে কালবালান্ হয়োত্তমান্ ॥৪৪॥
ততোঽপরেণ ভল্লেন শিরস্ত্রাণমপাতয়ৎ। কৌন্তেয়স্য মহেষ্বাসঃ প্রহসন্নিব সূতজঃ ॥৪৫॥
তথৈব নকুলস্যাপি হয়ান্ হত্বা প্রতাপবান্। ঈষাং ধনুশ্চ চিচ্ছেদ মাদ্রীপুত্রস্য ধীমতঃ ॥৪৬॥
তৌ হতাশ্বৌ হতরথৌ পাণ্ডবৌ ভৃশবিক্ষতৌ। ভ্রাতরাবারুরুহতুঃ সহদেবরথং তদা ॥৪৭॥
তৌ দৃষ্ট্বা মাতুলস্তত্র বিরথৌ পরবীরহা। অভ্যভাষত রাধেয়ং মদ্ররাজোঽনুকম্পয়া ॥৪৮॥
যোদ্ধব্যমদ্য পার্থেন ফাল্গুনেন ত্বয়া সহ। কিমর্থং ধর্ম্মরাজেন যুধ্যসে ভৃশরোষিতঃ ॥৪৯॥
ক্ষীণশস্ত্রাস্ত্রকবচঃ ক্ষীণবাণো বিবাণধিঃ। শ্রান্তসারথিবাহশ্চ ছন্নোঽস্ত্রৈরপরৈস্তথা।
পার্থমাসাদ্য রাধেয়! উপহাস্যো ভবিষ্যসি ॥৫০॥

খন্দুনা থোরবা তেল অহুমনা যুধিষ্ঠিরদা থাখি ॥৩৮-৩৯॥ মতম অদুদা যুধিষ্ঠিরসু ওনশিল্লক্তুনা কর্ণগী থম্মোন্দা থোরবা তেলখরনা থ রগা তেলঅহুম্ অমনা কর্ণগী সারাথিদা অহুগা শগোল মরিঅদুদা থাখি ॥৪০॥ কর্ণনা যুধিষ্ঠিরবু হাৎপা ওমখিদবগী উবদা যুধিষ্ঠিরগী রথবু শেল্লরিব, নকুল সহদেব অনীআসু কর্ণরোম্‌দা চুপ্লনখি ॥৪১॥ নকুল সহদেব অনীনা তোঙাল তোঙান্ন কর্ণগী মথক্তা তেম্বনা নোংচুবগুম্ চেথরবুলে ॥৪২॥ মতীকমগুণ চাউরবা কর্ণসু থোরবা, তামচানশাবা তেল অনীনা নকুল সহদেবদা কয়া থাখি ॥৪৩॥ অহুগী তুংদা কর্ণনা য়াগী মতৌগুম্ তোরবা, পুক্লংগী মতৌগুম্ য়াঙলবা, মশাঙ্ মুরব, যুধিষ্ঠিরগী শগোলমরি অদু হাৎখি ॥৭৪॥ মতম্ অদুদা কর্ণনা নোক্ল নোক্লা তামচানশাবা তেল অমনা যুধিষ্ঠিরগী য়োৎকী লুহুপ্ অদু কককৎখি ॥৪৫॥ মতৌ অসুম্না মতীকমগুণ চাউরবা কর্ণনা মাদ্রীগী মচা নকুলগী শগোলমরি অদু হাৎলগা রথগী চাকুলেন অদুগা মাগী লীকংগা কককৎখি ॥৪৬॥ শগোলসু রথসু লোইনা উংগইনা মাঙখ্রবদা, মশাপুম্বসু ঈহং নাইহং শাথ্রবদা যুধিষ্ঠিরগা নকুলগা অনী অসি প্রপ্রপ্ চঙ্‌শিন্‌খিদুনা সহদেবগী রথমথক্তা কাখৎখি ॥৪৭॥ মথোয় অনীনা রথ য়াওদবহু উবদা, য়েক্লবা ওয়', পাণ্ডবশিংগী মামা শল্যনা নুংশি নুংঙোনবা অম পোকসক্তুনা কর্ণদা অসুম্না হায়রকই :—॥৪৮॥ কর্ণ! নং পৃথানন্দন অর্জ্জুনগা শোক্লগদবা নৈরি। অদুনা অকনবা নংনা অদুক নথরাই য়াওনা চিৎশোক্লা যুধিষ্ঠিরগা শোক্লরিবা করিগীনো? ॥৪৯॥ রাধানন্দন! করিসু কান্নদনা মথোয়সিগা অসুম্ শোক্লদুনা নৈবদি নহাক্কী খুৎগু খুৎলায় অস্ত্রশস্ত্র অদুগা লালগী পোচ্চৈপুম্বা অসুমসুম্ মমেং তারক্লনি। তেন্দোংশিংদো

এবমুক্তোঽপি কর্ণস্তু মদ্ররাজেন সংযুগে। ততৈব কর্ণঃ সংরব্ধো যুধিষ্ঠিরমতাড়য়ৎ ॥৫১॥
শরৈস্তীক্ষ্ণৈঃ পরাবিধ্য মাদ্রীপুত্রৌ চ পাণ্ডবৌ। প্রহস্য সমরে কর্ণশ্চকার বিমুখং শরৈঃ ॥৫২॥
ততঃ শল্যঃ প্রহস্যেদং কর্ণং পুনরুবাচ হ। রথস্থমতিসংরব্ধং যুধিষ্ঠিরবধে ধৃতম্ ॥৫৩॥
যদর্থং ধার্ত্তরাষ্ট্রেণ সততং মানিতো ভবান্। তং পার্থং জহি রাধেয়! কিং তে হত্বা যুধিষ্ঠিরম্ ॥৫৪॥
শঙ্খয়োর্ধ্মাপয়োঃ শব্দঃ সুমহানেষ কৃষ্ণয়োঃ। শ্রূয়তে চাপঘোষোঽয়ং প্রাবৃষীবাম্বুদস্য হ ॥৫৫॥
অসৌ নিঘ্নন্ রথোদারানর্জ্জুনঃ শরবৃষ্টিভিঃ। সর্বাং গ্রসতি নঃ সেনাং কর্ণ! পশ্যৈনমাহবে ॥৫৬॥
পৃষ্ঠরক্ষৌ চ শূরস্য যুধামন্যূত্তমৌজসৌ। উত্তরঞ্চাস্য বৈ শূরশ্চক্রং রক্ষতি সাত্যকিঃ ॥৫৭॥
ধৃষ্টদ্যুম্নস্তথা চাস্য চক্রং রক্ষতি দক্ষিণম্। ভীমসেনস্তু বৈ রাজ্ঞা ধার্ত্তরাষ্ট্রেণ যুধ্যতে ॥৫৮॥
যথা ন হন্যাত্তং ভীমঃ সর্বেষাং নোঽস্য পশ্যতাম্। তথা রাধেয়! ক্রিয়তাং রাজা মুচ্যেত নো যথা ॥৫৯॥
পশ্যৈনং ভীমসেনেন গ্রস্তমাহবশোভিনা। যদি ত্বাসাদ্য মুচ্যেত বিস্ময়ঃ সুমহান্ ভবেৎ ॥৬০॥

পুমহাঙ হাঙলকনিদো। শগোল সারথি লোইনা চোকথরকনি। নহাক্ নমক্ স্থ য়েরুবশিংসিগী খুৎলায়না পানবদা নশা-উ অস্ত হোগাই থিন্‌গাইরকনি, ঈহংনাইহং শারকনি, চোক্‌থরকনি। অদুগুম্বা অবস্থাদা অর্জ্জুনগী মমাঙদা চঙশিল্লরবদি নোক্লিংবা অম পোক্লনি ॥৫০॥ শল্যনা অস্থুম্না হায়রক্পাওবদা কর্ণনা হেন্না হেন্না যুধিষ্ঠিরদা বম্না বম্না থাজিন্‌বা হৌরক্ই ॥৫১॥ মহাক্না নকুল সহদেবদস্থু থৌরথৌরবা তেন্না কাপশিনবা হৌরকই। কর্ণ মথনতনা নোক্ নোক্তুনা যুধিষ্ঠির নকুল সহদেব অকনবা অহুম্ অসিবু মমায় ওনহলথি ॥৫২॥ মহারথী কর্ণনা য়াম্না শাউথিদুনা যুধিষ্ঠিরবু মহাৎলগে হায়না খনখিহন্থু উবদা শল্যনা নোক্তুনা কর্ণদা অস্থুম্না হায়রক্ই ॥৫৩॥ রাধানন্দন! দুর্য্যোধননা য়াম্না থরাই য়াওনা সম্মান তৌদুনা নহাকপু লান্দা পুরক্লিবসে অর্জ্জুন হাৎননবগীদমক্তনি, অতৈগী নত্তে। অদুনা অর্জ্জুনবু হাৎননবা তৌ। যুধিষ্ঠির হাত্তুনা কৈদৌনগদৌরিবনো? ॥৫৪॥ য়েংঙু! তাও! কৃষ্ণনা মাগী পাঞ্চজন্য মোইবুং খোংগৎলকলি। অর্জ্জুননা দেবদত্ত কৌবা মোইবুং য়াম্না হৌনা খোংগৎকলবনি। বর্ষা ঋতুগী নোংখোংবগুম্বা, গাণ্ডীব লীরুংগী মথোল ময়ামদা তাহল্লকলি ॥৫৫॥ কর্ণ! আদু য়েংঙুদো! অর্জ্জুন হায়বা অসিনা তেন্না নোংচুবগুম্ কাপশিল্লক্তুনা কৌরব লান্মীশিংবু লোইশিল্লক্দৌরে। লানকম্ অসিদা অর্জ্জুনগী মশক্ সে অমুক্তদি য়েংঙু ॥৫৬॥ যুধামন্যু অমদি উত্তমৌজা অকনবা অনী অসিনা অর্জ্জুন হায়বা অকনবা আসগী তুংমাঙগী ঙাক্লো ওইদুনা লৈরি। অকনবা সাত্যকিনা অর্জ্জুনগী রথগী ওইথংবা নাকল শেম্মদুনা লৈরি ॥৫৭॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা অর্জ্জুনগী রথগী য়েথংবা নাকল (চাকা) শেম্মদুনা লৈরি। অদুগা ভীমসেননা দুর্য্যোধনগা কন্ন খেংনরি ॥৫৮॥ অদুনা রাধানন্দন! ভীমসেননা ঐখোয় খ্‌ৱাইলৈনা লৈনা দুর্য্যোধনবু হাৎখিদনবসে তৌ। ঐখোয়গী নিংথৌসে কন্নবা তৌ ॥৫৯॥ কর্ণ! য়েংঙু! ভীমসেননা দুর্য্যোধনবু য়োচিন্নখিগদৌবা

পরিত্রাণমনমভোজ্য সংশয়ং পরমং গতম্। বিদ্ধু মাদ্রীসুতৌ হন্তা রাজানং বা যুধিষ্ঠিরম্ ।৬১।
ই.ত শল্যবচঃ শ্রুত্বা গান্ধেয়ঃ পৃথিবীপতে ।। দৃষ্ট্বা দুর্য্যোধনশ্চৈব ভীমগুপ্তং মহাহবে ।৬২।
স.জগৃদ্ধৌ ভূশশ্চৈব শল্যবাক্যপ্রচোদিতঃ। অজাতশত্রুমুৎসৃজ্য মাদ্রীপুত্রৌ চ পাণ্ডবৌ ।৬৩।
তব পুত্রং পরিত্রাতুমভ্যধাবত বীর্য্যবান্। মদ্রনাভ [illegible] ।৬৪। ([illegible])
গতে [illegible] তু কৌন্তেয়ঃ পাণ্ডুপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ। অপায [illegible] সহদেবস্তু মারিষ! ।৬৫।
তাভ্যাং স সহিতস্তূর্ণং ক্রীড়ান্নব নরেশ্বরঃ। প্রাপ্য সেন [illegible] ।৬৬।
[illegible] ।৬৭।
[illegible]

[illegible] ভীমসেনস্য প[illegible] ।
[illegible] ।৬৮।
[illegible] সহদেবশ্চ তেজস্বী [illegible]

[illegible] অসিদা দুর্য্যোধননা [illegible] মাদ্রী[illegible] [illegible] অর্জুন [illegible] প্রহার [illegible] দুর্য্যোধন [illegible] নকুলসহদেব [illegible] বর্ণনা [illegible] আসম্বা রাস [illegible], অর্জুন [illegible] ভীমনা [illegible] দা, মহাবাহু কনাগে হায়- [illegible] যুধিষ্ঠির, নকুল, সহদেব, [illegible] দুর্য্যোধনদু [illegible] অসিদা [illegible] ঐ [illegible] মহারাজ! [illegible] যুধিষ্ঠির [illegible] রথগী [illegible] অর্জুন [illegible] যাম্ন [illegible] বর্ণগী তেম্না [illegible] মশামা [illegible] যুধিষ্ঠির অসি যাম্না [illegible] নকুল সহদেব অনীগী লাকশভদা চগুনা রথদগী কুমথনা লাকশঙ্গী কমু মথক্তা চিন্তা তৌরনা পোথা। মতম অসিদা মনাইমশল যয়াম্ চওশিল্লবুতনা যুধিষ্ঠিরগী মশাদা যুদ্ধিবা যুক্তিবা ভেকগী মতেক্ মতাশিং অদু কৌপোকই, হোগায় থিনগাই যয়াম্ অদু চামথোক খোথোক্তনা সেবা তৌই। হকচাংগী অরাঅনা কোকুবস্থ খস্মোইগী মুংঙাইতবা লায়না অদুনা হেম্না যুধিষ্ঠির মশাদা চৈনা শীথি ।৬৬-৬৭। অদুগী তুংদা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা মনাও নকুল সহদেব অনীমক্তা হায়রকই:—"নকুল! সহদেব! নখোয় অনীথুনায়াওনা ভীমনা কৈরিবা-শোরুরিবা আসোমদা চঙশিল্লু। হৌজিক নয়াম্ব ভীম আসে নোংখোংবগুম্ কংহুন-লাউহুনা শোরুরি" ।৬৮। অদুগী তুংদা রথি অথোইবা,

তুরগৈরগ্র্যরংহোভির্যাথা ভীমস্ত শুষ্মিণৌ। অনীকং সহিতৌ তত্র ভ্রাতরৌ পর্য্যবস্থিতৌ ॥৭০॥
(যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
যুধিষ্ঠিরাপযানে অষ্টচত্বারিংশোঽধ্যায়: ॥০॥ *

তেজ লৈরবা নকুল সহদেব অকন্বা অনীসি ময়াম্বগী য়াথং মতুংইন্না য়থ অমমম্দা তোংখক্ত্না য়াওলবা শগোলগী পান্থৈমা ভীমগী লাম্মীময়ক্ত চওশিন্খিদ্রনা য়ায় শাউবগী মওংদা ভীমগী মনাক্ত য়ৌথি ॥৬৯-৭০॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা যুধিষ্ঠিরাপযানগী নীফূনিপানশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

ঊনপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ

নিফুমাপল শুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণপর্ব্বগী অকনবা লাঙ্গাও মথং)

সঞ্জয় উবাচ।

দ্রৌণিস্তু রথবংশেন মহতা পরিবারিতঃ। আপতৎ সহসা রাজন্। যত্র পার্থো ব্যবস্থিতঃ ॥১॥
তমাপতন্তং সহসা শূরঃ শৌরিসহায়বান্। দধার সহসা পার্থো বেলেব মকরালয়ম্ ॥২॥
ততঃ ক্রুদ্ধো মহারাজ! দ্রোণপুত্রঃ প্রতাপবান্। অর্জ্জুনং বাসুদেবঞ্চ ছাদয়াস সায়কৈঃ ॥৩॥
অবচ্ছন্নৌ ততঃ কৃষ্ণৌ দৃষ্ট্বা তত্র মহারথাঃ। বিস্ময়ং পরমং গত্বা প্রৈক্ষন্ত কুরবস্তথা ॥৪॥

সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ! অমরোম্দা কম্দৌরি হায়রদা ঃ-অর্জ্জুননা লৈরিবা মফমঅদুদা, অশ্বথামা অসি রথীলাম্মী মপৈঅমনা ঈকোয় কোয়শিন্নহুনা-প্রপ্রপ চওশিন্নকৃই ॥১॥ মহাক্ক কন্না চওশিন্নকপা মতম্সিদা সমুদ্রগী ঈথক্ ইপোম্রু চাংজৌ তোর্ব্বান্না ওকপা-থৎপ-থিংবদু শুন্না কৃষ্ণনা সারথি ওইবা অর্জ্জুননা থিংথি ॥২॥ মহারাজ! অসিগী তুংদা মতীকমওশ চাউরবা কন্নবা অশ্বথামানা য়ান্না অশাউবগা লোয়নননা থৌর থৌরবা তেলমক্ত মনম্ মনম্ কাপশিন্নক্না কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীমক্পু তেন্না পূময়োম্ য়োমহনখ্রে ॥৩॥ অদুগী তুংদা কৌরবপাণ্ডব পক্কনীগী লাখীশিংনা

অর্জ্জুনস্তু ততো দিব্যমস্ত্রং চক্রে হসন্নিব। তদস্ত্রং ব্রাহ্মণো যুদ্ধে বারয়ামাস ভারত! ॥৫॥
যদ্যদ্ধি ব্যাক্ষিপদ্যুদ্ধে পাণ্ডবোঽস্ত্রং জিঘাংসয়া। তত্তদস্ত্রং মহেষ্বাসো দ্রোণপুত্রো ব্যশাতয়ৎ ॥৬॥
অস্ত্রযুদ্ধে ততো রাজন্! বর্ত্তমানে ভয়াবহে। অপশ্যাম রণে দ্রৌণিং ব্যাত্তাননমিবান্তকম্ ॥৭॥
স দিশঃ প্রদিশশ্চৈব চ্ছাদয়িত্বা হজিহ্মগৈঃ। বাসুদেবং ত্রিভির্বাণৈরবিধ্যদ্দক্ষিণে ভুজে ॥৮॥
ততোঽর্জ্জুনো হয়ান্ হত্বা সর্বাংস্তস্য মহাত্মনঃ। চকার সমরে ভূমিং শোণিতৌঘতরঙ্গিণীম্ ॥৯॥
সর্বপ্রাণিবহাং রৌদ্রাং পরলোকবহাং নদীম্। সরথান্ রথিনঃ সর্বান্ পার্থচাপচ্যুতৈঃ শরৈঃ ॥১০॥
দ্রৌণেরপহতান্ সর্বে দদৃশুঃ স চ তাংস্তথা। প্রাবর্ত্তয়ন্মহাঘোরাং নদীং পরবহাং তদা ॥১১॥
(বিশেষকম্)
তয়োস্তু ব্যাকুলে যুদ্ধে দ্রৌণেঃ পার্থস্য দারুণে। অমর্য্যাদং যোধয়ন্তঃ পর্য্যধাবন্নিতস্ততঃ ॥১২॥
রথৈর্হতাশ্বসূতৈশ্চ হতারোহৈশ্চ বাজিভিঃ। দ্বিরদৈশ্চ হতারোহৈর্মহামাত্রৈর্হতদ্বিপৈঃ ॥১৩॥

কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীমক তেন্না পূমকপ কৃপশিন্‌বহু উবদা খোইদোক্না ঙক্নখি ॥৪॥ ভরতনন্দন! মতম্ অহুদা অর্জ্জুননা নোক্ন নোক্না লাইমকী তেলঙম্বা তেল অমা কাপলকই। মাহুবুন্ন অশ্বত্থামানা ঈগার লায়না থিংখি ॥৫॥ অহুগী ভুংদা অর্জ্জুননা। অমুক্, খুদক্ত থরাই লৌবঙম্বা তেল অম অশ্বত্থামা তন্না কাপলকই। অহুবুন্ন অশ্বত্থামানা লায়না থিংদুনা থম্‌খ্রে ॥৬॥ মহারাজ! অসিঙম্বা অকিবগী মশক্ ওইরবা লাল অসিনা অহুম্ চথরক্লবদা অশ্বত্থামাবু অউবা মরায়া মরা কাখোক্ত,না চেঙ্খিল্লক্লবা যমরাজ অমগী মতৌঙম্ উনখি ॥৭॥ অসিগী ভুংদা অশ্বত্থামানা মায়গৈ ভরাঅসি তেন্না পূমকুপ কৃপ্ত,না থক্লগা খৌরবতেল অহুম কাপশিল্লক্ত,না কৃষ্ণগী ভয়থংবা পাম্বোম্ মরুদা কয়া থাখি ॥৮॥ অতগী ভুংদা কল্লবা অর্জ্জুননা অশ্বত্থামাগী শগোল মশিমক্ হাৎলগা মাগী লাম্মী পুম্ববু নৈহুনা কুরুক্ষেত্রগী লালকম্ অহুদা ঈগী ঈখোং অম চেম্বহন্‌খি। জীব পান্‌বা পুম্নমকপু পরলোক তায় পুথখিগদৌঙম্বী, অকিবগী মশক্ পূরবী তমথিরবী, ঈরৈকল্লবী ভুয়েল অহুনা চাউম চাউরবা শগোল শামু মথ কয়া কয়াবু হোই-হোই লাউনা আ-কদায় কদারকাওবা পুখহোক্তখ্রি। তিল্লিবা লাম্মীশিং অহুনা অহুগা অশ্বত্থামা মশামক্লন্থ, অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবদগী পাইখোয়কপা তেল ময়াম অহুনা অশ্বত্থামাগী খোঙলোয় রথী পুম্ববু মাগী মাগী শগোল সারথি-মথগা লোয়ননা যমালয় য়োঁহনখিবহু ভংগং ভগেংনা উবা ফংনখি ॥৯-১১॥ অর্জ্জুন-অশ্বত্থামা অনীগী অহুমা কল্লবা লাল অসি অপনবা লৈতনা চথরক্লবদা ওহাক লৈরগা কৌরব পাণ্ডবপক্ষ অনীমকী লাম্মীশিংনা নিয়ম কায়ন, মকমমরাং খঙদনা লহোকনবা হৌরকলে। মহৈ মহৈ মথ্‌াই হিংনমবা চেয়রকলে ॥১২॥ শগোলগা সারথিগা হাৎখিহুনা মথনা মথতা ভায়হৌবা, মথক্তভোংবা লাম্মী হাৎপ্রবদা শগোল শামুনা মথন্ মথক্ত ভায়হৌবা, শামু হাৎখিহুনা শামুভোংবা লাম্মীমথনত ভায়হৌবা, অসিঙবা অঙকপা

পার্থেন সমরে রাজন্! কৃতো ঘোরো জনক্ষয়ঃ। নিহতা রথিনঃ পেতুঃ পার্থচাপচ্যুতৈঃ শরৈঃ ॥১৪॥
(যুগ্মকম্)

হয়াশ্চ পর্যধাবন্ত মুক্তযোক্ত্রাস্ততস্ততঃ। তদ্দৃষ্টা কর্ম পার্থস্য দ্রৌণিরাহবশোভিনঃ ॥১৫॥

অর্জ্জুনং জয়তাং শ্রেষ্ঠং ত্বরিতোঽভ্যেত্য বীর্য্যবান্। বিধুন্বানো মহচ্চাপং কার্ত্তস্বরবিভূষিতম্ ॥১৬॥

অবাকিরদ্রণে ক্রুদ্ধো সমন্তান্নিশিতৈঃ শরৈঃ। ভূয়োঽর্জ্জুনং মহাবাহু। দ্রৌণিরায়ম্য কার্ম্মুকম্ ॥১৭॥

বক্ষোদেশে পৃষৎকেণ তাড়য়ামাস নির্দ্দয়ম্। সোঽতিবিদ্ধো রণে তেন দ্রোণপুত্রেণ ভারত ॥১৮॥

গাণ্ডীবধন্বা প্রসভং শরবর্ষৈরুদারধীঃ। সংছাদ্য সমরে দ্রৌণিং চিচ্ছেদাস্য চ কার্ম্মুকম্ ॥১৯॥
(কুলকম্)

স ছিন্নধন্বা পরিঘং বজ্রস্পর্শসমং যুধি। আদায় চিক্ষেপ তদা দ্রোণপুত্রঃ কিরীটিনে ॥২০॥

তমাপতন্তং পরিঘং জাম্বূনদপরিষ্কৃতম্। চিচ্ছেদ সহসা রাজন্! প্রহসন্নিব পাণ্ডবঃ ॥২১॥

স পপাত তদা ভূমৌ নিকৃত্তঃ পার্থসায়কৈঃ। বিকীর্ণঃ পর্বতো রাজন্! যথা বজ্রেণ তাড়িতঃ ॥২২॥

ততঃ ক্রুদ্ধো মহারাজ! দ্রোণপুত্রো মহারথঃ। ঐন্দ্রাস্ত্রবেগেন বীভৎসুং সমাকিরৎ ॥২৩॥

ফংলবা লাল মতৌ আস ভৌরক্লুনা অর্জ্জুননা লালকম্ অহুদা হায়নীভায় লৈত্তনা তমথিন্নবা লাল অহুদা শগোল শামু তাইবংশী কয়াকয়াগী পুনশিবু মীকুপ অনমম্‌দা লোইশিনহন্‌খি। মহারাজ! অর্জ্জুনগী তেন্না অমুমুক্ত পানবদা রথী মহারথী কয়া কয়া লালকম্ লৈমায়থক্ত তুথনখি ॥১৩-১৪॥ চুপসী-খোয়ান'চংবা ভৎনখ্রা-নাশ্বোক্লশ্রবদা শগোল ময়াম্না মকমুমরাং থণ্ডনা কাতুকারল চেন্নরক্লি। লালগী লৈতেংগী মশক্ ওইরবা, লানতনস্থ মহাক্কী ফজবা ওইজবা অর্জ্জুনগী তোথোরক্‌পিব। থবক্ অসিউবদা অশাউবনা মৈ হৌববা অশ্বত্থামাস্থ মাগী লীক্লং অহু থু হ্রম্ চেৎনা পায়হুনা, কোয়হ্রে লৈনা বাপশিল্লক্তুনা খংও অর্জ্জুন অনীমক্তা অকন্‌বা চৈনা শীরক্‌লে। মহারাজ! অশ্বত্থামানা খোরবা তেলঅমা তেঙ্গা থাংলগা লীবাবু নাকোং মকক্ংনা চিংলগা তেল অহুনা অর্জ্জুনগী মথবাক্ত কপ্পা থারকই। ভরতনন্দন মহারাজ! অশ্বত্থামাগী তেন্না থাবহুদা থোইদোক্লা শাউরবা অর্জ্জুন অসি গাণ্ডীবনু খুগম্ চেংনা পায়হুনা, লীবাবু নাকোং মকক্‌না চিংহুনা খোবাংগ ইন্নবা তেলমক্তুনা অশ্বত্থামবু পুমক্‌প কুপ্তুনা থম্নগা মহাক্কী লীক্লংবু ককৃথংখি ॥১৫-১৯॥ লীক্লং ককৃত্রহুদা অশ্বত্থামানা বজ্রগা মান্নবা কল্পবা যোচ্ছক্ পায়থত্তুনা অর্জ্জুন তন্না লংশিল্লকই—॥২০॥ মহারাজ! সনানা মকোক্ত য়োম্‌লবা য়োচ্ছুক (গদা) অহুনা নু শিংকৌ মমাঙ্গানা পাইশিল্লকলবদা অর্জ্জুন্না নোক্ল নোক্লা মাহুবু লম্মথাণ্ডদা ককপত্তুনা থাদখি ॥২১॥ অর্জ্জুনগী তেন্না, পামবদা, বজ্রনা কক্না চীঙহুম্ অমগী মতৌশুম্না অশ্বত্থামাগী থুংলায় অহু লৈমায়থক্ত তাখি ॥২২॥ মহারাজ! অহুদগী, থোইদোক্লা শাউরবা অশ্বত্থামানা অর্জ্জুন তন্না ঐন্দ্রাস্ত্র (থুংলায়) অম লংশিল্লকই ॥২৩॥ অশ্বত্থামাগী

তস্থেপ্রজালাবততং সমীক্ষ্য পার্থো রাজন্! গাণ্ডিবমাদদানঃ।
ঐন্দ্রং জালং প্রত্যহনত্তরস্বী বরাস্ত্রমাদায় মহেন্দ্রসৃষ্টম্ ।২৪।
বিদার্য্য তজ্জালমহেন্দ্রযুক্তং পার্থস্ততো দ্রৌণিবধং ক্ষণেন।
প্রচ্ছাদয়ামাস তথাভ্যুপেত্য দ্রৌণিস্তথা পার্থশরাভিভূতঃ ।২৫।
বিগাহ্য তাং পাণ্ডববাণবৃষ্টিং শরৈঃ পরং নাম ততঃ প্রকাশ্য।
শতেন কৃষ্ণং সহসাভ্যবিধ্যাত্রিভিঃ শতৈরর্জ্জুনং ক্ষুদ্রকাণাম্ ।২৬।
ততোঽর্জ্জুনঃ সায়কানাং শতেন গুরোঃ সুতং মর্ম্মসু নির্বিভেদ।
অশ্বাংশ্চ সূতঞ্চ তথা ধনুর্জ্জ্যামবাকিরৎ পশ্যতাং তাবকানাম্ ।২৭।

স বিদ্ধা মর্ম্মসু দ্রৌণিং পাণ্ডবঃ পরবীরহা। স বাধকাশ্চ ভল্লেন রথনীডাদপাতয়ৎ ।২৮।
স সংগৃহ্য স্বয়ং বাহান্ কৃষ্ণৌ প্রাচ্ছাদয়চ্ছরৈঃ। তত্রাদ্ভুতমপশ্যাম দ্রৌণেরাশু পরাক্রমম্ ।২৯।
প্রাসচ্ছয়ুগ্গান যচ্চ ফাল্গুনঞ্চাপ্যযোধয়ৎ। তদস্য সমরে রাজন্! সর্বে যোধা অপূজয়ন্ ।৩০।
ততঃ প্রহস্য বীভৎসুর্দ্রোণপুত্রস্য সংযুগে। ক্ষিপ্রং রশ্মীনশ্বনাং ক্ষুরপ্রৈশ্চিচ্ছেদ হয়ঃ ।৩১।
প্রাদ্রবংস্তুরগাস্তে তু শরবেগপ্রপীড়িতাঃ। ততোঽভূন্নিনদো ঘোরস্তব সৈন্যস্য ভারত! ।৩২।

ইন্দ্রজালনা মায়োংপূর্বা কুপশিল্লকপন্থ উবদা অর্জ্জুননা ইন্দ্রগী খুৎলায তোঙানবা অমনা অশ্বথামাগী ইন্দ্রজাল অহুবু লৈচন তাককুম তাকহনখি ॥২৪॥ অর্জ্জুননা অঙকপা বিদ্যা অমউক্তনা ইন্দ্রজাল অহুবু ও গুলহনাশহুনা অধথানা মশামন্থা রথবু চম্না কপপদোনা কৃপাশিনহনখি। অর্জ্জুনগী খুৎলাযগী শাক্ত অহু উবদা অশ্বথামা আস জ্ঞান তাবকত্রে, তোকম্ পঙত্রে ॥২৫॥ অহুগী তুংদা অশ্বথামানা অর্জ্জুননা কাপলন্নিদা তেল্-খুৎলায় মখৈবু থিত্রুন-ভাকথাক্তনা যস্নগা, মশাগী মমিং মশুণবু উক্তনা, লাক্ত নোক্তা লাউওনা, শ্রামচানশাবা তেলচামনা কৃষ্ণগা, চহুম্না অর্জ্জুনদা কম্না থবকই ॥২৬॥ মহারাজ! অহু উপদা শাউরবা অর্জ্জুননা থৌরবা তেল চামনা অশ্বথামাগী থজীন্দা থুম্না পাখি। কৌরব লাম্নাশং শুক্তিগী মাংদা অর্জ্জুননা অশ্বথামাগী শগোল স রথি অহুগা লীরীদা কম্না কম্না থা জল্লই ॥২৭॥ থেক্না উথ অর্জ্জুননা অশ্বথামাগী থজিনবু 'শনুগাইরবা তুংদা তামচীনশাবা তেল অমনা মাগী সারথিবুসু রথ মথক্তগী মথাই থাওদনা লৈমায়থক্ত ওন্থহন্খি ॥২৮॥ মতম্ অহুদা অশ্বথামানা মশামক্ত শগোল লোনা-থোনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমকপু তেত্তনা পুমযোম্ য়োম্শিলহনখ্রে। মতম্ অহুদা ঐথোয় অউবা থিবিক্তা অশ্বথামাগী মতীক মথোনা অমাদ মহৈবু মীৎথীৎনা উগা ফাখি ॥২৯॥ মহারাজ! মশামথন্তনা শগোল থোনাথোনা অর্জ্জুনবুসু তেম্না পুম্য়োম য়োম্শিনহন্খিবহু উবদা লাম্মী পুম্নমক্ত মহাকপু থোঞ্জেল থোক্না থাগৎনখি ॥৩০॥ অহুগী তুংদা লাল ওমগনবা অর্জ্জুননা নোক্তনোক্তা ক্ষুরমচীনশাবা থৌরবা তেল্ থমনা অশ্বথামাগী মথুত্ত পায়রিবা শগোল চুম্পীঅহু ককৎখি ॥৩১॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! অহুদগীদি

পাণ্ডবাস্ত জয়ং লব্ধ্বা তব সৈন্যং সমাদ্রবন্। সমন্তান্নিশিতান্ বাণান্ বিমুঞ্চন্তো জয়ৈষিণঃ ॥৩৩॥
পাণ্ডবৈস্ত মহারাজ। ধার্ত্তরাষ্ট্রী মহাচমূঃ। পুনঃ পুনরথো বীরৈরভগ্নি জিতকাশিভিঃ ॥৩৪॥
পশ্যতাং তে মহারাজ। পুত্রাণাং চিত্রযোধিনাম্। শকুনেঃ সৌবলেয়স্য কর্ণস্য চ বিশাংপতে। ॥৩৫॥
(যুগ্মকম্)

বার্য্যমাণা মহাসেনা পুত্রৈস্তব জনেশ্বর।। নাবাতিষ্ঠত সংগ্রামে পীড্যমানা সমন্ততঃ ॥৩৬॥
ততো যোধৈর্মহারাজ। পলায়দ্ভিঃ সমন্ততঃ। অভবদ্ব্যাকুলং ভীতং পুত্রাণাং তে মহদ্বলম্ ॥৩৭॥
তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি বহুশঃ সূতপুত্রস্য জল্পতঃ। নাবাতিষ্ঠত সা সেনা বধ্যমানা মহাত্মভিঃ ॥৩৮॥
অথোৎক্রুষ্টং মহারাজ। পাণ্ডবৈর্জিতকাশিভিঃ। ধার্ত্তরাষ্ট্রবলং দৃষ্ট্বা দ্রবমাণং সমন্ততঃ ॥৩৯॥
ততো দুর্য্যোধনঃ কর্ণমব্রবীৎ প্রণয়াদিব। পশ্য কর্ণ! যথা সেনা পাণ্ডবৈরর্দ্দিতা ভৃশম্ ॥৪০॥
ত্বয়ি তিষ্ঠতি সংগ্রামাৎ পলায়নপরায়ণা। এতজ্জ্ঞাত্বা মহাবাহো! কুরু প্রাপ্তমরিন্দম। ॥৪১॥
সহস্রাণি চ যোধানাং ত্বামেব পুরুষোত্তম।। ক্রোশন্তি সমরে বীর। দ্রাব্যমাণানি পাণ্ডবৈঃ ॥৪২॥

অর্জ্জুনগী তেলগী চৈনা কংলবা শগোলশিং অদু মানামানা থোকপা মায়ৈগেদা পণ্ডচেনত চেম্নমে। অদুদগীদি কৌরব তেঙ্গোল মরক্তা লাউনরকপা হাহাকারগী খোঞ্জেম্মা মায়ৈগেমরি পূম্নিন্ নিনখি ॥৩২॥ মতম্ অসিদা, পাণ্ডবশিংনা কৌরবশিংবু জয় তৌরগে হায়না খনখিদুনা তেল কাপশিন্ কাপশিন্না কৌরব লান্মীশিং তম্না কুজিল্লকই ॥৩৩॥ মহারাজ। অদুগী তুংদা লাল মখল মখলহৈরবা, নচাঈবুঙোশিং, সুবলগীমচা শকুনি, অদুগা কর্ণ অকনবা মখোয়শিং অসিগী মাঙমক্তদা পাণ্ডবশিংনা কৌরব লান্মী মপৈঅদুবু থুগাইরক্রে ॥৩৪-৩৫॥ মহারাজ। পাণ্ডবশিংনা মায়ৈগেপূম্বদগী নৈবহৌজিল্লক-লসদা, নচাঈবুঙোশিংনা লান্মীশিং অদুবু থাম্লবস্থু পাকচাউরবা লান্মী মপৈঅদো লেঙদনা, চেন্দনা কৈম্থু হায়বা য়াক্রে ॥৩৬॥ মহারাজ। লান্মীশিং অদুনা কায়দুনা চেম্নরক্লবদা কৌরব তেঙ্গোল মপৈ অদু কিবনা মিপাইবনা থক্ থক্ নীক্ত্না, কেৎ-কেৎ হাযদুনা থাঙখি। লান্মী অদুক য়াম্বদু তৌকম খণ্ডকক্রে ॥৩৭॥ "ভাইখো, ভাইখো। ময়াম্ অমত চেনবিগনু। কর্ণ ঐ লৈরি।" হায়না কর্ণনা কনা কম্না লাউখোদুনা থাম্জিল্লক্‌ইদি হায়রবু, পাণ্ডবশিংনা অসুম্সুম্ হাৎচিল্লক্পদুদা কনাসু লেপ্ত্না লৈয়ু হায়বা য়াক্রে ॥৩৮॥ মহারাজ। কৌরব লান্মীপুম্বা চেম্নরে হায়বসি উবদা লালওবশিংনা লৈতেং ওইরবা পাণ্ডবশিংনা মখোয়গী লান্মীশিংবু কৌরক্‌ই কৌরব লান্মীশিংবু হাৎলু হায়না য়াথং পীরক্‌ই ॥৩৯॥ মতম্ অদুদা দুর্য্যোধননা নোঙ্গুক্না, মবুক্লিং মুংশিন্দা কর্ণদা অসুম্না হায়রক্‌ই :- কর্ণ! মরূপ! য়েংঙু, পাণ্ডবশিংনা ঐখোয়গী কৌরব লান্মীশিংবু ওল্হোক্লা থীনা মৈয়ক্লি ॥৪০॥ অকনবা! নহাক্ লৈনা-লৈনা, কৌরব লান্মীশিংনা লালকম্ থাদোক্ত্না চেম্নরি। হৌজিক্ মাসিগী মতীক্ চাবা থবক পায়খৎনবা তৌ ॥৪১॥ নিপাঅখোইবা। অকনবা কর্ণ। পাণ্ডবশিংনা

এতচ্ছ্রুত্বা তু রাধেয়ো দুর্য্যোধনবচো মহৎ। মদ্ররাজমিদং বাক্যমব্রবীৎ প্রহসন্নিব ।৪৩
পশ্য মে ভুজয়োর্বীর্য্যমস্ত্রাণাঞ্চ জনেশ্বর।। অদ্য হন্মি রণে সর্বান্ পাঞ্চালান্ পাণ্ডুভিঃ সহ ।৪৪
বাহয়াশ্বান্ নরব্যাঘ্র! তদ্রেণেব ন সংশয়ঃ। এবমুক্ত্বা মহারাজ! সূতপুত্রঃ প্রতাপবান্ ।৪৫
প্রগৃহ্য বিজয়ং বীরো ধনুঃ শ্রেষ্ঠঃ পুরাতনম্। সজ্যং কৃত্বা মহারাজ! সংমৃজ্য চ পুনঃ পুনঃ ।৪৬
সন্নিবার্য্য চ যোধান্ স্বান্ সত্যেন শপথেন চ। প্রাযোজয়দমেয়াত্মা ভার্গবাস্ত্রং মহাবলঃ ।৪৭

(বিশেষকম্)

ততো রাজন্! সহস্রাণি প্রযুতান্যর্বুদানি চ। কোটিশশ্চ শরাস্তীক্ষ্ণা নিরগচ্ছন্ মহামৃধে ।৪৮
জ্বলিতৈস্তৈঃ শরৈর্ঘোরৈঃ কঙ্কবর্হিণবাজিতৈঃ। সংছন্না পাণ্ডবী সেনা ন প্রাজ্ঞায়ত কিঞ্চন ।৪৯
হাহাকারো মহানাসীৎ পাঞ্চালানাং বিশাংপতে।। পাড়িতানাং বলবতা ভার্গবাস্ত্রেণ সংযুগে ।৫০
নিপতদ্ভির্গজৈ রাজন্। অশ্বৈশ্চাপি সহস্রশঃ। রথৈশ্চাপি মহারাজ। নরৈশ্চাপি সমন্ততঃ ।৫১
প্রাকম্পত মহী রাজন। নিহতৈস্তৈস্ততস্ততঃ। ব্যাকুলং সর্বমভবৎ পাণ্ডবানাং মহদ্বলম্ ।৫২।

(যুগ্মকম্)

নৈশিল্লকপসিদা থাঙব ওমত্রবা কৌরব লাম্মী লিশিং লিশিংনা নহাক্পু নমিং কাল্লহ্নবা, খোঞ্জেল্ হৌন কৌনরক্লিবসি তাও ॥৪২॥ দুর্য্যোধনগী ৱাসি তাবদা কর্ণনা নোক্না-নোক্না সারথি শল্যদা অস্মু হায়রক্ই :-॥৪৩॥ "নিংথৌ! মদ্ররাজ। ওসি ঐগী পাম্বোমগী পাঙ্গল অদুগা খুৎলায়গী শক্তি অসিসু ময়েংবিয়ু। ওসি ঐ পাণ্ডবশিংগা লোয়ননা পাঞ্চালশিংবু লোইথোক্লগে ॥৪৪॥ অদুনা নিপা অথোইবা। ওসিদি নিয়ম চুম্না, পুক্নিংদা থুক্কংপা লৈতনা, শগোলশিংসি থৌনবা তৌবিয়ু"—। অসুম্না শল্যদা হায়রগা, মতীক্মশুঙ চাউরবা, কদায় ফাওবা কন্থগে হায়বদু হায়কম্ লৈতবা, নিপা অথোইবা কর্ণনা মাগী কুইরবা, লিরবা বিজয় কৌবা লীক্লং অদু থুদ্নম্ চেৎনা পায়দুনা, লীরী তহ্নাপ হাপকত্ন্না, লীরীদু শৃং-শৃং নান্দুনা কৌরব লাম্মীশিংগী মমাঙদা ৱাশত্ন্না অদুগা লাম্মীশিং অদুবু থাম্লগা ভার্গবাস্ত্র কৌবা থুৎলায অদু শীজিন্নরক্লে ॥৪৫-৪৭॥ মহারাজ! মতম অসিদা ভার্গবাস্ত্রদগী তেল ময়াম্না অমুমক্না লিশিং-লিশিং, অযুত-অযুত, অর্বুদ-অর্বুদ, কোটি-কোটী, বৃন্দ-বৃন্দনা থুজিং ওইনা পাইথোরক্লে ॥৪৮॥ মৈরিথোক্না চাক্লবা, অকিবগী মশক কংলবা, উরোক মতু, য়েন্দু, লাঙজামতু অমদি ৱাহোং মতুন তেন্না পাল্লবা তেগমপৈ মপৈনা পাণ্ডব লাম্মী পুম্নমক্ পুমকুপ কৃপথ্রে। পোৎ অমতা তশেংনা উবা ফংখিদ্রে ॥৪৯॥ মহারাজ! মতম্ অদুদা ভার্গবাস্ত্রনা চৈনা পীরক্পদুদা থাঙবা ওমত্রবা পাণ্ডব লাম্মীশিংনা হাহাকার লাউনরক্লে ॥৫০॥ মহারাজ! মায়গৈপূথদগী হাচ্ছিল্লক্পা শামু লিশিং লিশিংনা, শগোল রথ থোঙমী চামচামনা লৈমায়থক্ হাইথনরকপসিদা অদুপ পাকচাউপ্রবা লালকম্ অদু থকৃথক্ নীক্ন্না থাঙথি। মহারাজ!

অভীক্ষ্ণং চোদয়ন্নশ্বান্ প্রেক্ষতে মাং মুহুর্মুহুঃ। ন চ শক্ষ্যামি সমরে কর্ণস্য প্রপলায়িতুম্ ॥৬৩॥
জীবন্ প্রাপ্নোতি পুরুষঃ সংখ্যে জয়পরাজয়ৌ। মৃতস্য তু হৃষীকেশ! বধ এব কুতোহজয়ঃ ॥৬৪॥
এবমুক্তস্তু পার্থেন কৃষ্ণো মতিমতাং বরঃ। ধনঞ্জয়মুবাচেদং প্রাপ্তকালমরিন্দমঃ ॥৬৫॥
কর্ণেন হি দৃঢ়ং রাজা কুন্তীপুত্রঃ পরিক্ষতঃ। তং দৃষ্ট্বাশ্বাস্য চ পুনঃ কর্ণং পার্থ! বধিষ্যসি ॥৬৬॥
ততো জনার্দ্দনঃ প্রায়াদ্দ্রষ্টুমিচ্ছন্ যুধিষ্ঠিরম্। শ্রমেণ গ্রাহয়িষ্যংশ্চ কর্ণং যুদ্ধে বিশাংপতে! ॥৬৭॥
ততো ধনঞ্জয়ো দ্রষ্টুং রাজানং বাণপীড়িতম্। রথেন প্রযযৌ ক্ষিপ্রং সংগ্রামাৎ কেশবাজ্ঞয়া ॥৬৮॥
গচ্ছন্নেব তু কৌন্তেয়ো ধর্ম্মরাজদিদৃক্ষয়া। সৈন্যমালোকয়ামাস নাপশ্যত্তত্র চাগ্রজম্ ॥৬৯॥
যুদ্ধং কৃত্বা তু কৌন্তেয়ো দ্রোণপুত্রেণ ভারত। দুঃসহং বজ্রিণাপ্যাজৌ পরাজিত্য গুরোঃ সুতম্ ॥৭০॥

(যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে উনপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

কংজবা থবক অম তৌথোরকলি ॥৬২॥ অদুগা মহাক অসিনা লাল শোর শোরনা ঐঙোন্নোমদস্থ মমীৎ থানা থানা য়েংশিন্নকলি। অদুগা ঐস্থ কর্ণগা মুথা মুথি ওইনা শোন্নগদৌরিবা লাল অসিদগী থক্ চেনবস্থ ঙমলোই ॥৬৩॥ "হৃষীকেশ! মীওইবা হায়বসিনা হিংলিঙৈ মতমদতা জয়স্থ কংঙি, পরাজয়স্থ কংই। অদুগা হাৎনরিবা অসিস্থ শিরবা শিরগদবশিংতগীনি। অদুনদি মখোয়গী পরাজয় হায়বা অম করি অমুক লৈরিবগে"? ॥৬৪॥ অর্জ্জুননা অস্থুম্না হায়রক্লবদা য়েরুবা নৈহৎপা ঙম্বা অশিংবশিংগী অথোইবা কৃষ্ণনা দেশকাল মুম্না বিচার তৌরগা অর্জ্জুনদা অস্থুম্না হায়রকই ॥৬৫॥ "অর্জ্জুন! কর্ণনা নয়াম্বুং যুধিষ্ঠিরবু য়াম্না থীনা শোকহনখ্রে। অদুনা, অর্জ্জুন! হান্না নয়াম্বুং ধর্ম্মরাজবু খেমজিল্লম্লগা অদুগী তুংদা, নংনা কর্ণবু হাৎকদবনি" ॥৬৬॥ মহারাজ! শিংলথা কৃষ্ণনা কর্ণবু অতৈ অতৈগা থম্ন কুইম্না শোক্নহল্লগা মশা চোক্থরবা তুংদা অর্জ্জুনগা থেংনহন্গে হায়না থন্দুনা যুধিষ্ঠির উনবা চৎশিন্নবগী মওংদা অর্জ্জুনবু রথদা হাপতুনা চৎখি ॥৬৭॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্না, কর্ণনা খুৎলায়না থীনা শোকতুনা লৈরবা যুধিষ্ঠিরবু উনরুগে হায়দুনা কৃষ্ণনা সারথি ওইরিবা রথ অদুদা তোংদুনা অর্জ্জুন অসি লালকম অদুদগী হাইদোক্খি ॥৬৮॥ ভরতনন্দন, মহারাজ! অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরবু উনগে হায়না লাকপা মতমসিদা অশ্বথামানা থিংঙি। মতম অদুদা অর্জ্জুননা ইন্দ্রমকস্থ থাঙবা ঙমদবা লাম্ছোন্না অম পুথোক্তুনা অশ্বথামাবু মায়থীবা পীরমদুনা পাণ্ডবলাম্নীশিং মরক্ত চঙশিন্নকপদা যুধিষ্ঠিরবু উবদি কংখিদ্রে ॥৬৯-৭০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিংশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধদা নীকুমাপনথবা অধ্যায় লোইরে ॥ X ॥

অভীক্ষ্ণং চোদয়ন্নশ্বান্ প্রেক্ষতে মাং মুহুর্মুহুঃ। ন চ শক্ষ্যামি সময়ে কর্ণস্য প্রপলায়িতুম্ ॥৬৩॥
জীবন্ প্রাপ্নোতি পুরুষঃ সংখ্যে জয়পরাজয়ৌ। মৃতস্য তু হৃষীকেশ। বধ এব কুতোঽজয়ঃ ॥৬৪॥
এবমুক্তস্তু পার্থেন কৃষ্ণো মতিমতাং বরঃ। ধনঞ্জয়মুবাচেদং প্রাপ্তকালমরিন্দমঃ ॥৬৫॥
কর্ণেন হি দৃঢ়ং রাজা কুন্তীপুত্রঃ পরিক্ষতঃ। তং দৃষ্ট্বাশ্বাস্য চ পুনঃ কর্ণঃ পার্থ। বধিষ্যসি ॥৬৬॥
ততো জনার্দ্দনঃ প্রায়াদ্দ্রষ্টুমিচ্ছন্ যুধিষ্ঠিরম্। শ্রমেণ গ্রাহয়িষ্যংশ্চ কর্ণং যুদ্ধে বিশাংপতে! ॥৬৭॥
ততো ধনঞ্জয়ো দ্রষ্টুং রাজানং বাণপীড়িতম্। রথেন প্রযযৌ ক্ষিপ্রং সংগ্রামাৎ কেশবাজ্ঞয়া ॥৬৮॥
গচ্ছন্নেব তু কৌন্তেয়ো ধর্ম্মরাজদিদৃক্ষয়া। সৈন্যমালোকয়ামাস নাপশ্যত্তত্র চাগ্রজম্ ॥৬৯॥
যুদ্ধং কৃত্বা তু কৌন্তেয়ো দ্রোণপুত্রেণ ভারত। দুঃসহং বজ্রিণাপ্যাজৌ পরাজিত্য গুরোঃ সুতম্ ॥৭০॥

(যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

সঙ্কুলযুদ্ধে উনপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

কংলবা থবক অম তৌথোরকলি ॥৬২॥ অদুগা মহাক অসিনা লাল শোক্ন শোক্লনা ঐঙোল্লোমদস্থ মমীৎ খানা খানা য়েংশিল্লকলি। অদুগা ঐস্থ কর্ণগা মুখা মুখি ওইনা শোক্নগদৌরিবা লাল অসিদগী ৎক্ চেনবস্থ ঙমলোই ॥৬৩॥ "হৃষীকেশ! মীওইবা হাযবসিনা হিংঙিঙৈ মতমদতা জয়স্থ ফংঙি, পর জয়স্থ ফংই। অদুগা হাৎনরিবা অসিস্থ শিরবা শিরগদবশিংতগীনি। অদুনদি মখোয়গী পরাজয় হায়বা অম করি অমুক লৈরিবগে"? ॥৬৪॥ অর্জ্জুননা অস্থুম্না হায়রক্লবদা য়েক্লবা নৈহৎপা ঙম্বা অশিংবশিংগী অখোইবা কৃষ্ণনা দেশকাল মুন্না বিচার তৌরগা অর্জ্জুনদা অস্থুম্না হায়রকই ॥৬৫॥ "অর্জ্জুন। কর্ণনা নয়াম্বুং যুধিষ্ঠিরবু য়াম্না থীনা শোকহনখ্রে। অদুনা, অর্জ্জুন! হায়না নয়াম্বুং ধর্ম্মরাজবু থেমজিল্লম্লগা অদুগী তুংদা, নংনা কর্ণবু হাৎকদবনি" ॥৬৬॥ মহারাজ! শিংলবা কৃষ্ণনা কর্ণবু অতৈ অতৈগা খর কুইম্না শোক্নহল্লগা মশা চোক্থরবা তুংদা অর্জ্জুনগা থেংনহন্গে হায়না খন্দুনা যুধিষ্ঠির উনবা চৎশিন্নবগী মওংদা অর্জ্জুনবু রথদা হাপতুনা চৎখি ॥৬৭॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্না, কর্ণনা খুৎলায়না থীনা শোকতুনা লৈরবা যুধিষ্ঠিরবু উনরুগে হায়দুনা কৃষ্ণনা সারথি ওইরিবা রথ অদুদা তোংদুনা অর্জ্জুন অসি লালফম অদুদগী হাইদোক্খি ॥৬৮॥ ভরতনন্দন, মহারাজ! অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরবু উনগে হায়না লাকপা মতমসিদা অশ্বত্থামানা থিংঙি। মতম অদুদা অর্জ্জুননা ইন্দ্রমরুস্থ খাঙবা ঙমদবা লাম্মোক্না অম পুথোক্তুনা অশ্বত্থামাবু মায়থীবা পীরম্লুনা পাণ্ডবলাম্মীশিং মরক্ত চণ্ডশিল্লকপদা যুধিষ্ঠিরবু উবদি ফংখিদ্রে ॥৬৯-৭০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিংশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধদা নীকুমাপলগুবা অধ্যায় লোইরে॥ X ॥

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ।

য়াঙৈশুবা অধ্যায়।

(কর্ণপর্ব্বদা যুধিষ্ঠিরগা অর্জ্জুনগা শাওনরকপা)

—:—

সঞ্জয় উবাচ।

দ্রৌণিং পরিত্যজ্য ততোঽপ্রধৃষ্যা কৃত্বা মহদ্দুষ্করং শূরকর্ম্ম।
আলোকয়ামাস ততঃ স্বসৈন্যং ধনঞ্জয়ঃ শত্রুভিরপ্রধৃষ্যঃ ॥১॥
স যুধ্যমানান্ পৃতনামুখস্থান্ যোধান্ শূরো হর্ষয়ন্ সব্যসাচী।
পূর্ব্বাবদানৈঃ প্রথিতৈঃ প্রশস্য স্থিরাংশ্চকারাত্মরথাননীকে ॥২॥
অপশ্যমানস্তু কিরীটমালী যুধিষ্ঠিরং ভ্রাতরমাজমীঢম্।
উবাচ ভীমং তরসাভ্যুপেত্য রাজ্ঞঃ প্রবৃত্তিং বদ কুত্র রাজা ॥৩॥

ভীমসেন উবাচ।

অপযাত ইতো রাজা ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। কর্ণবাণাভিতপ্তাঙ্গো যদি জীবেৎ কথঞ্চন ॥৪॥

অর্জ্জুন উবাচ।

তস্মাদ্ভবান্ শীঘ্রমিতঃ প্রযাতু রাজ্ঞঃ প্রবৃত্ত্যৈ কুরুসত্তমস্য।
নূনং স বিদ্ধোঽতিভৃশং পৃষৎকৈঃ কর্ণেন রাজা শিবিরং গতোঽসৌ ॥৫॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! মহাধনুর্দ্ধারী, য়েক্কবশিংনা জয়োতোঙমদবা, অমনা তৌওদবা থবকপু তৌরবা অর্জ্জুননা অশ্বত্থামাবু তন্দোক্লমহনা মহাকী লান্মীশিং অহুবু য়েংবা হৌরকই ॥১॥ মতম্ অসিদা পাণ্ডবপক্ষগী রথীশিংনা লান্মী শংগী মমাঙদা লৈহনা লাঞ্জোক্লহনা লৈরম্ব। অকনবা অর্জ্জুননা মুংঙাইবা ফোংদোক্তুনা, মপুক্লীং থৌগৎপিহনা ময়াম অহুবু থাগৎপিহনা লান্মী অরক্তা লৈহনা ক্ষোয়েং য়েংভি ॥২॥ অহুবু অর্জ্জুননা অজমীঢবংশদা পোকপা, ময়াম্বুং যুধিষ্ঠিরবু উদবদা ভীমগী নাক্তা তকিং তকিংনা চঙশিনহনা অস্রম্বা হায়রকই "য়াম্বুংয়ারমা! য়াম্বুং মহারাজ কমদৌরি? কদায়দা লৈরি" ॥৩॥ ভীমনা হায়ঃ— য়াম্বুং নিংথৌ ধর্ম্মরাজদি কর্ণগী পুৎলায়না ঈহংনাইহং শাহনা, হকচাং পুম্বা হোগারহনা লৈরে। অহুনা লালকম অসিদগী য়ায়া। লাপা থৈদোক্তুনা লৈখ্রে। হিংঙবদি য়ারি ॥৪॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— অহুদি, য়াম্বুং য়ারবা অয়ুক্তা

যঃ সংপ্রহারে নিশিতৈঃ পৃষৎকৈর্দ্রোণেন বিদ্ধোঽতিভৃশং তরস্বী।
হৃষ্টো স তত্রাপি জয়প্রতীক্ষো দ্রোণোঽপি যাবন্ন হতঃ কিলাসীৎ ॥৬॥
স সংশয়ং গমিতঃ পাণ্ডবাগ্র্যঃ কর্ণেন সংখ্যেঽস্য মহানুভাবঃ।
জ্ঞাতুং প্রযাহ্যাশু তমত্র ভীম। স্থাস্যাম্যহং শত্রুগণান্ নিরুধ্য ॥৭॥

ভীমসেন উবাচ।

ত্বমেব জানীহি মহানুভাব। রাজ্ঞঃ প্রবৃত্তিং ভরতর্ষভস্য।
অহং হি যদ্যর্জ্জুন! যামি তত্র বক্ষ্যন্তি মাং ভীত ইতি প্রবীরাঃ ॥৮॥
ততোঽব্রবীদর্জ্জুনো ভীমসেনং সংশপ্তকাঃ প্রত্যনীকস্থিতা মে।
এতানহত্বা তু ময়া ন শক্যমিতোঽপযাতুং রিপুসংঘগোষ্ঠাৎ ॥৯॥
অথাব্রবীদর্জ্জুনং ভীমসেনঃ স্ববীর্য্যমাস্থায় কুরুপ্রবীর।।
সংশপ্তকান্ প্রতিযোৎস্যামি সংখ্য সর্বানহং যাহি ধনঞ্জয়। ত্বম্ ॥১০॥

সঞ্জয় উবাচ।

তদ্ভীমসেনস্য বচো নিশম্য সুদুর্বচং ভ্রাতৃবমিত্রমধ্যে।
দ্রষ্টুং কুরুশ্রেষ্ঠমভিপ্রযাস্যন্ প্রোবাচ বৃষ্ণিপ্রবরং তদানীম্ ॥১১॥

থুনা য়াঙনা চৎথিন্নুনা য়াম্বুং মহারাজগী পাউ অমতদি থণ্ডবিরু। কর্ণগী তেন্না শাথিনা শোক্তুনা লাক্লংদা লৈরম্বা তারে ॥৫॥ লান্দা, দ্রোণাচার্য্যগী তেন্না শাথিনা শোক্প্রবা অদুগুম্বা কল্লবা য়াম্বুং মহারাজনা, অদুক শাথিনা শোকপ্রবা অদু কাওবদা দ্রোণনা শিস্রিকাওবগী মমাঙদসু জয় ওইথিগনি হায়বগী অশা তৌদুনা মকম্ অদুদা লৈরম্বনি ॥৬॥ অদুবু ওসিদি কর্ণনা অদুগুম্বা কল্লবা, ধর্ম্মচেন্নবা পাণ্ডব অথোইবা য়াম্বুং যুধিষ্ঠিরগী থম্মোয়দা চিংনবা পোকহন্লে। অদুনা য়াম্বুং য়ায়মা! য়াম্বুং মহারাজগী পাউ অমতদি থ়ুনা অমুক্তা লৌবিরু। ঐ অসোমদা য়েরুব-শিংবু থিংদুনা থনমগে ॥৭॥ ভীমনা হায়ঃ— পূকচেল চাউবা অর্জ্জুন! ভরতশাগেগী অথোইবা য়াম্বুং মহারাজগী পাউদি নহাক নশামক্ চত্নুনা থণ্ডোকউ। মরমদি লালকম অসিদগী ঐনা চৎথোকপ্রবদি য়েরুব পূরমক্তা ঐবু কিদুনা চৎপ্রবনি হায়না হায়নহোবা তারে ॥৮॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— য়াম্বুং য়ায়মা! সংশপ্তক লাম্মীশিং অসিনা ঐগী থেংনগদবগী ঈমাঙদা থৎতুনা লৈরি। মথোয়সিবু হাৎলমদমদি ঐন্তু মকম অসিদগী চৎকম্ থোক্তে ॥৯॥ ভীমনা হায়ঃ— অর্জ্জুন! কুরুঅথোইবা! ঐ ইশানতনা শংসপ্তকশিং অসিগা থেংনহোগে। অদুনা নহাক্ চৎলু ॥১০॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— ভীমসেননা অহম্না হায়রবদা ভীমগী চীন্থক্তা থুমগদবসি অমনা পাক থোং থবক্ নত্তে। অদুনা য়েরুবশিংগী মমাঙদা ভীমনা হায়বা বাক্য তাবদা যুধিষ্ঠির উৎরুগে হায়না পুক্নীংদা লেপ্পগা

অর্জ্জুন উবাচ।

চোদয়াশ্বান্ হৃষীকেশ। বিহায়ৈনং বলার্ণবম্।
অজাতশত্রুং রাজানং দ্রষ্টুমিচ্ছামি কেশব। ।১২।

সঞ্জয় উবাচ।

ততো হয়ান্ সর্বদাশার্হমুখ্যঃ প্রচোদয়ন্ ভীমমুবাচ চেদম্।
নৈতচ্চিত্রং তব কর্ম্মাস্ত ভীম। যাস্যাবহে জহি পার্থারিসংঘান্ ।১৩।
ততো যযৌ হৃষীকেশো যত্র রাজা যুধিষ্ঠিরঃ।
শীঘ্রাচ্ছীঘ্রতরং রাজন্। বাজিভির্গরুড়োপমৈঃ ।১৪।
প্রত্যনীকে ব্যবস্থাপ্য ভীমসেনমরিন্দমম্।
সন্দিশ্য চৈনং রাজেন্দ্র। যুদ্ধং প্রতি বৃকোদরম্ ।১৫। (যুগ্মকম্)
ততস্তু গত্বা পুরুষপ্রবীরৌ রাজানমাসাদ্য শয়ানমেকম্।
রথাদুভৌ প্রত্যবরুহ্য তস্মাদ্ববন্দতুর্ধর্ম্মরাজস্য পাদৌ ।১৬।

তং দৃষ্ট্বা পুরুষব্যাঘ্রং ক্ষেমিণং পুরুষর্ষভম্। মুদাভ্যুপগতৌ কৃষ্ণাবশ্বিনাবিব বাসবম্ ।১৭।
তাবভ্যনন্দদ্রাজাপি বিবস্বানশ্বিনাবিব। হতে মহাসুরে জম্ভে শক্রবিষ্ণূ যথা গুরুঃ ।১৮।

অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা হায়রকই :— ॥১১॥ হৃসীকেশ। লাম্মী মপৈ অসি থাদোকৃলমহুনা ঐবু রাজুং যুধিষ্ঠিরগী নাক্তা পু। কেশব। ঐ ঈশামক্ রাম্বুংগা অমুক্তা উনরুগে। ॥১২॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ। অদুদগী কৃষ্ণনা রথ অদু থোনা থোনা ভীমদা য়েংহুনা অসুম্না হাচরকই। রাজুং পাণ্ডবয়ায়মা। থবক্ অসে অকন্বা নঙোন্দদি থোইদোক্লা লুবা থবক্ নত্তে। অদুনা ঐথোয় চচ্চরুখিগে, সংশপ্তক ময়াম অসিগা থেংনদুনা লৈবিহো ॥১৩॥ মহারাজ। মতো অসুম্না কৃষ্ণনা ভীমসেনদা থোদা পীরম্মগা, যুধিষ্ঠিরনা লৈরিবা অদোমদা গরুড়গী মতোঙুম্না রাগুলবা শগোলশিং অদুনা চিংলিবা রথ অদু লুংশিংকী মমাঙ থানা থোরকলে ॥১৪-১৫॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা যুধিষ্ঠিরগী লালশং য়োরবদা যুধিষ্ঠিরনা মতোমদা কমুংমথক্তা মায়থোং লাংশিল্লা চিত্তা তোঠুনা লৈরিবহু উবদা, রথদগী কুমথরগা মপুংদা চঙশিনখিহুনা যুধিষ্ঠিরগী চরণ শোক্লা খুরমখি ॥১৬॥ নিপা অথোইবা, কৈগী মতোঙুম্না মরিল লৈরবা, যুধিষ্ঠিরনা নাদরেক্তনা করিম্নু ঈতৌ তৌদবগী মঙংদা লৈরম্বহু উবদা, অশ্বিনী কুমার অনীনা ইন্দ্রগী মনাক্তা নোম্লুক্না লেপ্পুনা লৈবগুম্না কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীসি অমগ অমগা য়েংনহুনা নুংঙাইনা যুধিষ্ঠিরগী নাকতা চুমিল্লা লেপ্পুনা লৈখি ॥১৭॥ গুহাক লৈরগা, সূর্য্যদেবনা অশ্বিনীকুমার অনীবু থাগত তৌবিবহুগুম্না অদুগা জম্ভাসুরবু হাৎলুরবা তুংদা ইন্দ্র বিষ্ণু অনীবু বৃহস্পতিনা থাগত তৌরম্বহুগুম্না যুধিষ্ঠিরনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু তারাম্না

শ্রুতবান্ হতং কর্ণং ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । হর্ষগদ্গদয়া বাচা প্রীতঃ প্রাহ পরন্তপঃ ।১৯।

যুধিষ্ঠির উবাচ

স্বাগতং দেবকীমাতঃ ! স্বাগতং তে ধনঞ্জয় ! । প্রিয়ং মে দর্শনং গাঢ়ং যুবয়োরচ্যুতার্জ্জুনৌ ! ।২০।

অক্ষতাভ্যামরিষ্টাভ্যাং হতঃ কর্ণো মহারথঃ । আশীবিষসমং যুদ্ধে সর্ব্বশস্ত্রবিশারদম্ ।২১।

অগ্রগং ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং সর্ব্বেষাং শর্ম্ম বর্ম্ম চ । রক্ষিতং বৃষসেনেন সুষেণেন চ ধন্বিনা ।২২।

অনুজ্ঞাতং মহাবীর্য্যং রামেণাস্ত্রে সুদুর্জ্জয়ম্ । মুখ্যং সর্ব্বস্য লোকস্য রথিনং লোকবিশ্রুতম্ ।২৩।

ত্রাতারং ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং গন্তারং বাহিনীমুখে । হন্তারং পরসৈন্যানামমিত্রগণমর্দ্দনম্ ।২৪।

দুর্য্যোধনহিতে যুক্তমস্মদ্দুঃখায় চোদ্যতম্ । অপ্রধৃষ্যং মহাযুদ্ধে দেবৈরপি সবাসবৈঃ ।২৫।

অনলানিলয়োস্তুল্যং তেজসা চ বলেন চ । পাতালমিব গম্ভীরং সুহৃদাং নন্দিবর্দ্ধনম্ ।২৬।

অন্তকাভমমিত্রাণাং হত্বা কর্ণং মহাহবে । দিষ্ট্যা যুবামনুপ্রাপ্তৌ জিত্বাসুরমিবামরৌ ।২৭।

(কুলকম্)

স্বাগত তৌখি ॥১৮॥ অদুগী তুদা য়েক্লব ওয়া যুধিষ্ঠিরনা, অর্জ্জুননা লাক্লিবহু কর্ণ হাৎলম্লগা লাকপনি হায়না খল্লদুনা য়ম্মা হরাউনা, হরাউ নুংঙাইবনা থম্মোয় থ,মথিল্লনা রাহৈ মচেৎ মচেৎ ওইনা অসুম্মা হাযরকই:— ॥১৯॥ কৃষ্ণ। অনায়েক্ লৈতেদনা? অর্জ্জুন। নহাকস্সু মঙ্গল ওইরিদনকো? কৃষ্ণ অর্জ্জুন। নখোয় অনীবু মরক্ মরক্তা হেক হেক্ উৎসে ওয়োক্লা নু ঙাইগ্রে। ॥২০॥ নখোয় অনীনা নশাদা করিস্থ ঈতৌ তৌদনা, শোক্ পনবা করিমত্ত য়াওদনা কর্ণবু হাৎলেদনকো?

লান্দা মরিল লৈরম্বা, মহূপূব লিলগুম্বা
থুৎলায় পুম্ব লোইনা হৈবা, কৌরব তেঙ্গোল লুচিংবা
কৌরব লাম্মীগী ঙাকলো ওইরম্বা, কৌরবপুম্বগী লালকুম্বিৎকুম্বা,
বৃষসেন-সুষেন অনীনা শেন্নবা, পরশুরামগী বর ফংগ্রবা
কৌরব লাম্মী পুম্বা য়েক্লব খুদক্ত ওম্গন্‌বা

য়েকনবা মপৈবু নৈহৎওম্বা, দুর্য্যোধনগী কান্নবত্ত থল্লম্বা
ইন্দ্রমরুস্থ ওম্লোইদৌবা, ঐখোয়গী মাঙনবত্ত তৌরম্বা
মৈগুম্ব তেজ কল্লম্বা, নুংশিৎকুম্ শাকু কল্লম্বা
থোয়ব লেখদা পাতালগুম্বা, মরুপশিংদা নুংঙাইবা পোক্‌হন্‌বা
য়েক্লবদদি যমগী মতৌগুম্বা, অদুগুম্বা কর্ণবু হাৎলগা

ঘোরং যুদ্ধমদীনেন ময়া হত্বাচ্যুতার্জ্জুনৌ। কৃতং তেনান্তকেনেব প্রজাঃ সর্বা জিঘাংসতা ॥২৮॥

তেন কেতুশ্চ মে ছিন্নো নিহতৌ পার্ষ্ণিসারথী। হতবাহস্ততশ্চাস্মি যুযুধানস্য পশ্যতঃ ॥২৯॥

ধৃষ্টদ্যুম্নস্য যময়োর্বীরস্য চ শিখণ্ডিনঃ। পশ্যতাং দ্রৌপদেয়ানাং পাঞ্চালানাঞ্চ সর্বশঃ ॥৩০॥

(যুগ্মকম্)

এতান্ জিত্বা মহাবীর্য্যঃ কর্ণঃ শত্রুগণান্ বহুন্। জিতবান্ মাং মহাবাহো! যতমানং মহারণে ॥৩১॥

অনুসৃত্য চ মাং যুদ্ধে পরুষং প্রোক্তবান্ বহু। তত্র তত্র যুধাং শ্রেষ্ঠঃ পরিভূয় ন সংশয়ঃ ॥৩২॥

ভীমসেনপ্রভাবাত্তু যজ্জীবামি ধনঞ্জয়! বহুণাত্র কিমুক্তেন নাহং তৎ সোঢ়ুমুৎসহে ॥৩৩॥

ত্রয়োদশাহং বর্ষাণি যস্মাদ্ভীতো ধনঞ্জয়! ন স্ম নিদ্রাং লভে রাত্রৌ ন চাহনি সুখং ক্বচিৎ ॥৩৪॥

তস্য দ্বেষেণ সংযুক্তঃ পরিদহ্যে ধনঞ্জয়! আত্মনো মরণে যাতো বাধ্রীণস ইব দ্বিজঃ ॥৩৫॥

(যুগ্মকম্)

তস্যায়মগমৎ কালশ্চিন্তয়ানস্য মে চিরম্। কথং কর্ণো ময়া শক্যো যুদ্ধে ক্ষপয়িতুং ভবেৎ ॥৩৬॥

দৈত্যদানবশিংবু হাৎলুরবা, দেবতা অনীনা হল্লক্পগুম্না

নথোয় অনীনা ঐগীসিদা, লাক্পা ওইরিনিনা অনীমক ॥২১-২৭॥

কৃষ্ণ অর্জ্জুন। জীবপানব পূম্ববু হাৎভম্বা যমরাজগুম্বা কর্ণগা ঐগা ভসি যায়া কন্না থেংনখি। অকিবগী মশক কংলবা লাঞ্জাও অম থোকখি। ঐ মতুদা থোইদোক্লা রাবা লৈতে ॥২৮॥ অকনবা সাত্যকি, ধৃষ্টদ্যুম্ন, নকুল সহদেব, শিখণ্ডী দ্রৌপদীগী ৫চাশিং অমুগা পাঞ্চালশিং থ্বাইগী মাঙমক্তদা কর্ণনা ঐগী ফিরাল ককথৎখি, সারথি শৈশিল হাৎখি, রথচিংলিবা শগোল মরি হাৎখি ॥২৯ ৩০॥ অকনবা অনী' ঐসু লাঞ্জাও অহুদা মাবু ভমগে হায়দুন, য়ায় কন্না হোৎনবান। অদুবু মহাবীর ওইরবা কর্ণ অদুনা; সাত্যকিনচিংবা অদুক য়ায়া কল্লবশিং অদুবু মায়থীবা পীরগা ঐবুসু পরাজয় তৌখি ॥৩১॥ লাম্মী অথোইবা কর্ণ হায়বদুনা ঐগী তুংদা তাম্বরক্তনা ঐভোন্দা ওস্থোক্লা থীনা থ্বাইগী মাঙদা চৈখি ॥৩২॥ অর্জ্জুন। য়ায়া ও ভত্তনা কায়দে। ঐনা হৌজিক হিংদুনা লৈরিবসে ঈনাও ভীমগী পাঙল্দগীনি। ঐ অদুক হিদুনা থাঙদুনা লৈবা ঙম্মরোই ॥৩৩॥ ধনঞ্জয়। ভসি কাওবা চহী তরাহুমদোই চুপ্পা অহিংদা নীংথিনা তুম্বা কংভকত্রি। অয়ুক মুংখিন্দসু মুংঙাইবা অঙীংবা কংভকত্রি। অসিগী মথক্তা কর্ণনা মতম্ পুম্বদা ঐবু লাকচন তৌরিবসিদা ঐগী থম্মোয়বু কর্ণদা খম্মুরিবা শত্রুতাগী মৈনা চাকখেকলি। আঃ। ওস্থোকপনি। বার্দ্ধ্রীনস কৌবা উচেক্লা মশামৎত্ত শিভগে হায়দুনা, মাগী শিকম্ বলি তৌকম্দা মথোঙ থোংনা চৎপদুগুম্না পঙলবা যুধিষ্ঠির ঐসু শিজগে হায়দুনা ঈথোঙ থোংনা লালকম্ অসিদা লাকউরে ॥৩৪-৩৫॥ মতৌ করম তৌরগা কর্ণ অসিতবু হাৎপ ভমগদগে হায়বা চিনতা অসি তৌন তৌনা চহী মতম্ কয়া য়ায়া

জাগ্রৎ স্বপংশ্চ কৌন্তেয়। কর্ণমেব সদা হৃদ্। পশ্যামি তত্র তত্রৈব কর্ণভূতমিদং জগৎ ॥৩৭॥
যত্র যত্র হি গচ্ছামি কর্ণাদ্ভীতো ধনঞ্জয়। তত্র তত্র হি পশ্যামি কর্ণমেবাগ্রতঃ স্থিতম্ ॥৩৮॥
সোঽহং তেনৈব বীরেণ সমরেষ্বপলায়িনা। সহয়ঃ সরথঃ পার্থ। জিত্বা জীবন্ বিসর্জ্জিতঃ ॥৩৯॥
কো নু মে জীবিতেনার্থো রাজ্যেনার্থো ভবেৎ পুনঃ। মমৈবং ধিক্কৃতস্যাজ্য কর্ণেনাহবশোভিনা ॥৪০॥
ন প্রাপ্তপূর্ব্বং যদ্ভীষ্মাৎ কৃপাদ্দ্রোণাচ্চ সংযুগে। তৎ প্রাপ্তমদ্য মে যুদ্ধে সূতপুত্রমহারথাৎ ॥৪১॥
স ত্বাং পৃচ্ছামি কৌন্তেয়। যথাস্য কুশলং তথা। তন্মমাচক্ষ্ব কাৎর্স্ন্যেন যথা কর্ণো হতস্ত্বয়া ॥৪২॥
শক্রতুল্যবলো যুদ্ধে যমতুল্যঃ পরাক্রমে। রামতুল্যস্তথাস্ত্রে চ কথং বৈ নিসূদিতঃ ॥৪৩॥
মহারথঃ সমাখ্যাতঃ সর্ব্বযুদ্ধবিশারদঃ। ধনুর্দ্ধরাণাং প্রবরঃ সর্ব্বেষামেকপুরুষঃ ॥৪৪॥
পূজিতো ধৃতরাষ্ট্রেণ সপুত্রেণ বিশাংপতে। ত্বদর্থমেব রাধেয়ঃ স কথং নিহতস্ত্বয়া ॥৪৫॥
ধার্ত্তরাষ্ট্রো হি যুদ্ধেষু সর্ব্বেষ্বেব সদার্জ্জুন। তব মৃত্যুং রণে কর্ণং মন্যতে পুরুষর্ষভম্ ॥৪৬॥

হৌখ্রে ॥৩৬॥ অর্জ্জুন। মতম-তাইবংদা, অহিংদা মু থিন্দা ঐ অসি কর্ণবুত উহনা লৈগ্রবনি। ঐগী মীত্তা জগৎ পুম্বসে কর্ণগী কর্ণমক ওইনা উরবনি। কর অমুক হায়রগনি, জগৎমপুম্ আসমা কর্ণতনা শাবোই খুল্লরে ॥৩৭॥ ধনঞ্জয়! মীৎ অসিদা কর্ণত উথ্রহনা কর্ণ মাবু কিহুনা চেল্লবা মকম্ মকম্‌দা ঐগী মাওদা কর্ণত মউত্রে ॥৩৮॥ লান্দা চেনগন্দবা অকনবা কর্ণনা ঐবু মায়থীবা পীহুনা-শগোল রথগা লোয়ননা ঐগী থরাইমক্তি লৌবিদনা থাদোকপিরকলিবা অসিনি ॥৩৯॥ লাল হায়বহুগী লৈতেংগী মশক্ ওইরবা, কর্ণনা অসি য়োনা ঈকায়বা নুংঙাইতবা পীহুনা হন্না হন্না থীনা চৈথ্রবা ঐনা হৌজিক হিংহুনা কার কায়গনি? পৃথীপুম্বগী সিংহাসননসু কৈদৌনকনি ॥৪০॥ ভসি ঐনা কর্ণগী মকম্‌দগী চোপ্প, ঈকায়বা, চৈথাংবা ফব অমুপ ভীষ্ম দ্রোণ কৃপ মথোয়রমক্তগী কংখিদ্রি ॥৪১॥ অর্জ্জুন! চুম্ খুম্মু—ভসি নংনা নশা ঈশাক শোক্তনা কর্ণগা করম্ থেংনখিবগে? অহুগা মতৌকরন্না মহাকপু হাৎখিবনো হায়বহু মচাখায়না তম্মু ॥৪২॥

লান্দা ইন্দ্রগ পাংথক্ ওইবা, মথৌনা মপাঙ্গন্দা যমরাজগুম্বা।
খুৎলায় হৈবদা পরশুরাম গুম্বা, কর্ণবু নংনা করম হাৎখিবা। ॥৪৩॥
মহারথী হায়না জগত্ত কাওথ্রবা, লাল্লোং খুদিং শুনা হৈবা।
লীরুং পায়বদা মপা লৈতবা, কর্ণ মাগুম্বা অনীগুবা অম লৈত্রবা ॥৪৪॥
পাণ্ডবতেঙ্গোল পুবা অকনবা। কর্ণবু থম্বনি যেরুবশিংনা নংবু হাৎনবা।
ঈকায় খুম্মনা মাবু অমুক কুইবা, অদুবু নংনা করম হাৎখিবা। ॥৪৫॥
তারিব্রা ঈবুঙো অর্জ্জুন। অকনবা ধৃতরাষ্ট্রমচাশিংনা মাবু থম্বনি নংবু হাৎনব
অর্জ্জুন নংগী শিকম্‌নি হায়ন খল্লম্বা, কর্ণবু নংনা করম্ হাৎখিবা। ॥৪৬॥

স ত্বয়া পুরুষব্যাঘ্র ! কথং যুদ্ধে নিসূদিতঃ । তন্মমাচক্ষ্ব কৌন্তেয় ! যথা কর্ণো হতস্ত্বয়া ॥৪৭॥
যুধ্যমানস্য চ শিরঃ পশ্যতাং সুহৃদাং হৃতম্ । ত্বয়া পুরুষশার্দ্দূল ! শার্দ্দূলেন যথা রুরোঃ ॥৪৮॥

যঃ পর্য্যুপাসীৎ প্রদিশো দিশশ্চ ত্বাং সূতপুত্রঃ সমরে পরীপ্সন্ ।
দিৎসুঃ কর্ণঃ সমরে হস্তিষড়্গবং স হীদানীং কঙ্কপত্রৈঃ সুতীক্ষ্ণৈঃ ॥৪৯॥
ত্বয়া রণে. নিহতঃ সূতপুত্রঃ কচ্চচ্ছেতে ভূমিতলে দুরাত্মা ।
প্রিয়শ্চ মে পরমো বৈ কৃতোঽয়ং ত্বয়া রণে সূতপুত্রং নিহত্য ॥৫০॥ (যুগ্মকম্)
যঃ সর্ব্বতঃ পর্য্যপতত্ত্বদর্থে মদান্বিতো গর্ব্বিতঃ সূতপুত্রঃ ।
স শূরমানী সমরে সমেত্য কচ্চিত্ত্বয়া নিহতঃ সংযুগেঽসৌ ॥৫১॥
রৌক্মং বরং হস্তিগবাশ্বযুক্তং রথং প্রদিৎসুর্যঃ পরেভ্যস্ত্বদর্থে ।
সদা রণে স্পর্দ্ধতে যঃ স পাপঃ কচ্চিত্ত্বয়া নিহতস্তাত ! যুদ্ধে ॥৫২॥
যোঽসৌ সদা শূরমদেন মত্তো বিকত্থতে সংসদি কৌরবাণাম্ ।
প্রিয়োঽত্যর্থং তস্য সুযোধনস্য কচ্চিৎ স পাপো নিহতস্ত্বয়াদ্য ॥৫৩॥

ধনঞ্জয় ! পার্থ ! নিপা অথোইবা !, করম্না নংনা কর্ণবু নৈখিবা !
করম্নবু মাগী মথ্ৰাই লৌখিবা !, হায়য় ঐঙোন্দা অকনবা ! ॥৪৭॥
হায়য়ুনে নিপা অথোইবা !, কৈজাওনা শজীগী মকোক অচোবা
হাৎপগুম্ করম্না নংনা কক্‌খিবা, কর্ণগী মকোক অচোবা ?
মাগী মরূপ-লাগ্মী অকনবা, মখোয়গী মমাঙদা করম্বা
খুৎলায়না মাবু হাৎখিবা, তম্মুবা তাগে ঐ অকনবা ! ॥৪৮॥

ঈবুঙো ! অর্জ্জুন ! সূতমচা কর্ণ হায়বহুনা নহাক্‌পু লালকম্‌দা কোয়চৎ চত্তুনা কোয়খি থিরম্বনি । নংবু থিবা খঙবা, নংগী লৈকম্ তাকপিবা ঙম্ব মীদা শামু অমগা শম্বী তরুক্কা পীগনি, অদুদগী হেন্নসু সনা লুপা কয়াকয়া পীনি হায়না লাউর লাউরহূনা লালকম্‌দা কোয়চৎ চৎলম্বনি । অর্চুঙম্বা নাপল চাউরবা, মপাঙ্গল চাউরবা কর্ণবু নংনা করম্না হাৎখি,। ঈয়াম্বদা পেম্ন তম্মু । ঙসি নংনা কর্ণবু হাৎলগা হল্লকপিসিদা ঐগী পুন্‌শিদা ঐগী খ্ৰাইদগী পামজরবা থবক্ অমবু নংমা পাঙথোকলমলে ॥৪৯-৫০॥ অর্জ্জুন । নাপল অমদি মপাঙ্গম্না মী উত্রবা কর্ণহুনা নংবু লালকম্‌দা "অর্জ্জুন কদায় চৎরে" হায়হুনা লাউ লাউহুনা কোয়খি থিরম্বনি । অহুঙম্বা কর্ণবু নংনা মাগী মনাক্ত খুংঙ্হুনা হাৎলক্লেদনা ॥৫১॥ নংবু থিবা খঙবা, নংগী লৈকম্ তাকপা মীদা শগোল শামু মথ মীনায় মীশল সনালুপা কয়াকয়া পীগনি হায়না লাউ লাউ চৎখিবা, মাগী পুনসিদা নংবুত শীংহুনা লৈখিবা পাপী কর্ণবু নংম ঙসি হাৎলেদনকো ? ॥৫২॥ মানা মকল্লে হায়হুনা সুমিৎচুম্না

কচ্চিৎ সমাগম্য বহুঃপ্রযুক্তৈস্তৎপ্রেরিতৈর্লোহিতপৈর্বিহঙ্গৈঃ।
শেতে স পাপঃ সুবিভিন্নগাত্রঃ কচ্চিত্তয়ো ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য বাহু ॥৫৪॥
যোঽসৌ সদা শ্লাঘতে রাজমধ্যে দুর্যোধনং হর্ষয়ন্ দর্পপূর্ণঃ।
অহং হন্তা ফাল্গুনস্যেতি মোহাৎ কচ্চিদ্বচস্তস্য ন বৈ তথা তৎ ॥৫৫॥
নাহং পাদৌ ধাবয়িষ্যে কদাচিদ্ যাবৎ স্থিতঃ পার্থ ইত্যল্পবুদ্ধেঃ।
ব্রতং যস্যৈতৎ সর্বদা শক্রসূনো। কচ্চিত্ত্বয়া নিহতঃ সোঽস্তু কর্ণঃ ॥৫৬॥
যোঽসৌ কৃষ্ণামব্রবীদ্দুষ্টবুদ্ধিঃ কর্ণঃ সভায়াং কুরুবীরমধ্যে।
কিং পাণ্ডবাংস্ত্বং ন জহাসি কৃষ্ণে। সুদুর্বলান্ পতিতান্ হীনসত্ত্বান্ ॥৫৭॥
যোঽসৌ কর্ণঃ প্রত্যজানাত্ত্বদর্থে নাহত্বাহং সহ কৃষ্ণেন পার্থম্।
ইহোপযাস্যেতি স পাপবুদ্ধিঃ কচ্চিচ্ছেতে শরসংভিন্নগাত্রঃ ॥৫৮॥ (যুগ্মকম্)
কচ্চিৎ সংগ্রামো বিদিতো বৈ তবায়ং সমাগমে সৃঞ্জয়কৌরবাণাম্।
যত্রাবস্থামীদৃশীং প্রাপিতোঽহং কচ্চিত্ত্বয়া সোঽস্তু হতঃ সমেত্য ॥৫৯॥
কচ্চিত্ত্বয়া তস্য সুমন্দবুদ্ধের্গাণ্ডীবমুক্তৈর্বিশিখৈর্জ্বলদ্ভিঃ।
সকুণ্ডলং ভানুমদুত্তমাঙ্গং কায়াৎ প্রকৃত্তং যুধি সব্যসাচিন্। ॥৬০॥

কৌরব সভাদা ময়ায়কানা নাপল তৌখিবা, দুর্য্যোধনগী অকবা-কান্নবত খনখিবা মরূপ. মহাপাপী কর্ণদুবু নংনা হাৎলরিনিদনকো। ॥৫৩॥ নংনা ওসি নংগী গাণ্ডীবদগী পাইথোকহনখিবা, তাইবংমীগী ঈচুপহৈবা থোর থোরবা তেলশিংতনা কর্ণগী মশা পুম্বা ঈহং নাইহং শাহমখ্রিরিনিদনা? মহাপাপী অদু লালকম্ লৈমায়থক্ত অরোইবা য়াহীপু হীপহনখররিনিদনা? দুর্য্যোধনগী পাম্বোম ওইরম্বদু থুদেক-লরিনিদনকো? ॥৫৪॥ নাপম ময়ায়কাবা কর্ণ হায়বদুনা, দুর্য্যোধনবু নুংঙাইহনগে হায়বগীদমক্ সভাময়ায়দা "ঐ শোয়দনা অর্জুনবু হাৎকনি" হায়না হন্ন হন্না য়াশকখিবা মহাকী য়াশক অদু অরেম্বদ তাহনখ্রেদনা? ॥৫৫॥ "অর্জুননা হিংলিবমখৈ ঐ খোঙ খুৎ করিমত্ত হাম্লোই" হায়না ব্রত তৌখিবা য়াশকখিবা পঙলবা কর্ণ হায়বদুবু ইন্দ্রগী শক্তিদগী পোক্লবা। অর্জুন। নংনা ওাস হাৎলম্লেদনা? ॥৫৬॥ কত্রবা পাপ অদুনা কৌরব সভা ময়ামদা অসুম্না হায়খি—"হৈঃ, দ্রৌপদী। নংনা হৌজিক কাওবা ওম্থোক্না শোল্লবা, লৈখাতায়রবা, মপাঙল মখোনা লৈতবা, নপুম্বোয়বনি হায়রিবা পাণ্ডু-মচাশিং অসিবু কৈদৌনা থাদোকত্রিবনো?" অদুগা অসুম্না অমুকস্থু হায়খি "কর্ণ ঐ লান্দা কৃষ্ণগা লোয়ননা অর্জুনবু হাত্রিবা মখৈ, লালশংদা হল্লিন্নকলোই।" অসুম্না য়া কা হেন্ন ।ঙাওবা পাপী কর্ণদুবু নহাকনা মশাপুম্বা ঈহংনাইহং শাহন্দুনা হাৎলেদনকো? ॥৫৭-৫৮॥ অর্জুন। সৃঞ্জয়শিংগা কৌরবশিংগা কন্ন থেংনবা মতম্দা থোক্খিবা লাল অদুগী য়য়মদা নহাক্ তাক্লেনা? লাল অদুগী হাক্তগী ঐগী অবস্থা অসি য়োঁপ্রবনি। নংনাওসি ঐগীসিদা লাক্লিবসে কর্ণ হাৎলম্নগা লাক্পনিদনা? ॥৫৯॥ সব্যসাচী, অর্জুন। নংগী গাণ্ডীবদগী

যত্ত্বয়া বাণসমর্পিতেন ধ্যাতোঽসি কর্ণস্য বধায় বীর।
তন্মে ত্বয়া কচ্চিদমোঘমস্তু ধ্যানং কৃতং কর্ণনিপাতনেন ॥৬১॥
যদ্দর্পপূর্ণঃ স সুযোধনোঽস্মানুদীক্ষতে কর্ণসমাশ্রয়েণ।
কচ্চিত্ত্বয়া সোঽস্য সমাশ্রয়োঽস্য ভগ্নঃ পরাক্রম্য সুযোধনস্য ॥৬২॥
যো নঃ পুরা ষণ্ডতিলানবোচৎ সভামধ্যে কৌরবাণাং সমক্ষম্।
স দুর্মতিঃ কচ্চিদুপেত্য সংখ্যে ত্বয়া হতঃ সূতপুত্রোঽত্যমর্ষী ॥৬৩॥
যঃ সূতপুত্রঃ প্রহসন্ দুরাত্মা পুরাব্রবীন্নির্জিতাং সৌবলেন।
স্বয়ং প্রসহ্যানয় যাজ্ঞসেনীমপীহ কচ্চিৎ স হতস্ত্বয়াদ্য ॥৬৪॥
যঃ শস্ত্রভৃচ্ছ্রেষ্ঠতমং পৃথিব্যাং পিতামহং ব্যাক্ষিপদল্পচেতাঃ।
সংখ্যায়মানোঽর্দ্ধরথঃ স কচ্চিত্ত্বয়া হতো হ্যধিরথির্মহাত্মান্। ॥৬৫॥

পাইথোকখিবা লংল ল'লবা খৌরখৌরবা তেলশিংদুগী মইপনা, মহাপাপী, পুক্চেল কল্লবা কর্ণ হায়বদুগী মশাদগী, কুণ্ডল নাইনগা লুপ্তপকা লোয়নরবা, চাউরবা মশেক মতাল পুরবা কেৎক অহুবু কক্থৎলমলেকো ? ॥৬০॥ অকনবা। অর্জ্জুন। কর্ণগী তেন্না পানবদা শাথিনা শোক্লবা, চোকথরবা ঐনা কর্ণ হাৎননবগীদমক্তা হন্ন হন্না লালকম্দা। ঐনা নীঙশিংথিবা অর্জ্জুন নংনা ওসি ঐনা নংবু নীঙশিংথিবদুগী মইহে য়ালহল্লেদনা। ॥৬১॥ মহাকী মপান্থোম্ পাঙ্গলদা তোংদুনা নাপল চাউরবা দুর্য্যোধননা ঐখোয়দা করেম্না য়েংদুনা উশিথোওইদবগী মীনোক নোকখিবা, মহাপাপী দুর্য্যোধনগী আশ্রয় ওইবা কর্ণহবু হাৎপগা দুর্য্যোধনগী আশাপুম্বা থুগাইরেদনকো ? ॥৬২॥

শাউগনবা, পুক্চেল কল্লবা, কল্লবা কর্ণ হায়বতনা
কৌরব সভাময়ায়দা ঐখোয়বু নপুংসক হায়খিবা
অদুগুম্বা কর্ণবু লালদা নমাঙদা, উরবদা মাবু থাদোক্তনা
মাগী মথ্‌ক্তাই লোয়রমলেদনা ? হায়য়ু অর্জ্জুন! চুম্দরা ? ॥৬৩॥
শকুনিগী নমথাক্ চোবরদা, ঐখোয়বু মায়থীহল্লবদা
কল্লবা সূতকী মচা কর্ণ, "দুঃশাসন! নশামক চত্তুনা
দ্রৌপদীবু চিংদুনা পুরকউ!" হায়বা ওম্খিবা কর্ণতবু
অর্জ্জুন। নংন হাৎলেদনা, হংলিবসি চুম্না অমুক্ত খুম্মু ॥৬৪॥

ঈবুধৌ ভীষ্ম হায়বদো জগতা থ্বাইদগী অখোইবা লালহৈবা, লীক্লং পায়বা নিপা অম ওইরবনি। ঈবুধৌনা কর্ণ মহাক্পু "অর্দ্ধরথ" (রথী তংখাই) হায়না কৌদুনা মাগী নাপল রৈথৎপকা মহাক্লা ঈবুধৌ অকনবদুবু থীনাচৈথি-নিন্দা তৌখি। অদুগুম্বা মহাপাপীদুবু নং হাৎলমলেদনা ? ॥৬৫॥

অমর্ষজং নিকৃতিসমীরণেরিতং হৃদি স্থিতং জ্বলনমিমং সদা মম।
হতো ময়া সোঽদ্য সমেত্য কর্ণ ইতি ব্রুবন্ প্রশময় সোঽদ্য ফাল্গুন।।৬৬।
ব্রবীহি মে দুর্লভমেতদদ্য কথং ত্বয়া নিহতঃ সূতপুত্রঃ।
অনুধ্যায়ে ত্বাং সততং প্রবীরং বৃত্রে হতেঽসৌ ভগবানিবেন্দ্রম্ ।৬৭।

সঞ্জয় উবাচ।

তদ্ধর্ম্মশালস্য বচো নিশম্য রাজ্ঞঃ ক্রুদ্ধস্যাতিবথো মহাত্মা।
উবাচ দুর্দ্ধর্ষমদীনসত্ত্বং যুধিষ্ঠিরং জিষ্ণুরনন্তবীর্য্যঃ।৬৮।

অর্জ্জুন উবাচ।

সংশপ্তকৈর্যুধ্যমানস্য মেঽদ্য সেনাপ্রযায়ী কুরুসৈন্যরাজ্ঞঃ।
আশীবিষাভান্ খগমান্ প্রমুঞ্চন্ দ্রৌণিঃ পুরস্তাৎ সহসাভ্যতিষ্ঠৎ ।৬৯।
দৃষ্ট্বা রথং মেঘরবং মমৈব সমস্তসেনা চ রণেঽভ্যতিষ্ঠৎ।
তেষামহং পঞ্চ শতানি হত্বা ততো দ্রৌণিমগমং পার্থিবাগ্র্য ।৭০।
স মাং সমাসাদ্য নরেন্দ্র। যত্তঃ সমভ্যয়াৎ সিংহমিব দ্বিপেন্দ্রঃ।
অকার্ষীচ্চ রথিনামুজ্জিহীর্ষাং মহাবাহো। বধ্যতাং কৌরবাণাম্ ।৭১।

মীনা থীনা লাকচথিবগী,　　সুংঙাইতবা রাখল্দগী পোকথিবা,
"মায়থীবা"গী কল্লবা মুংশিংনা, 　　মৈরি থোক্না চাকলবা
মৈনা চাকথেকলি থম্মোয়বু, 　　চাক্লিবা মৈসিবু নহাক্না
"কর্ণ হাৎলে" হায়বা রাহৈনা　　ঈশিং ওইনা হৌকজিনমক্ মুথৎলু ॥৬৬॥

অর্জ্জুন! তাঙলব তানীঙনা ঙাইরম্লবা রারীদো ঈয়াম্বদা অমুক্ত লীয়োলাও। করম্না নংনা কর্ণবু হাৎলি? বৃত্রাসুরবু হাৎলবদা ব্রহ্মানা ইন্দ্রবু খ্বাইদগী কনবনি হায়না খনথিবত্থুঙম্না ঐস্নু নহাকপু জগৎ অসিদা খ্বাইদগী কনবনি হায়না ঙসিদগী খনপ্রগে ॥৬৭॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। থোইনা শাউপ্রবা, সুংঙাইবা লৈত্রবা, ধর্ম্ম চেল্লবা ময়াম্বা যুধিষ্ঠিরগী রাহৈশিংসি তাবদা মপান নাইদনা কল্লবা, অতিরথী ওইরবা মহাত্মা অর্জ্জুননা অঙৈন কনবা, নীংথিবদা হোংদবা যুধিষ্ঠিরদা অস্নুম্না হায়খি ॥৬৮॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ- য়াম্মুং মহারাজ। ঙসি ঐনা সংশপ্তক লান্মীশিংগা কম্না শোক্নরিঙৈদা দুর্য্যোধনগী লান্মী মপেগী মাঙথাদুনা অশ্বত্থামানা, অমমম্না মহুপুরবা লীলগী মতৌঙুম্বা তেল মপৈমপৈ কাপশিন কাপশিন্না ঐঙোল্লোমদা চঙশিন্নকই ॥৬৯॥ য়াম্মুং নিংথৌ অথোইবা। অময়োমদগীম্নু কৌরবলান্মী পুম্নমক্না নোংখাকপা থোংবগী মতৌঙুম্না চোংশিল্ চেলশিল্লক্লনা ঐঙী মাঙদা লেপ্পরে। মখোয়দুগী মনুংদা লান্মী চামঙাবু থুদক্ত হাৎলম্লগা ঐনা অশ্বত্থামাযোমদা চঙশিল্লি ॥৭০॥ নিপা অথোইবা, য়াম্মুং নিংথৌ। শাম্নুনা নোংশাগী মনাক্ত

ততো রণে ভারত। তুস্প্রকম্প আচার্য্যপুত্রঃ প্রবরঃ কুরূণাম্।
মামর্দ্দয়ামাস শিতৈঃ পৃষৎকৈর্জনার্দ্দনাঞ্চৈব বিষাগ্নিকল্পৈঃ ॥৭২॥
যানস্থ চাষ্টৌ শকটানি বাণান্ ময়া প্রযুক্তস্য বহন্তি তস্য।
তাংস্তেন মুক্তানহমগ্র্যবাণৈর্ব্যধ্বংসয়ং বায়ুরিবাভ্রজালম্ ॥৭৩॥
ততোঽপবান্ বাণসংঘাননেকানাকর্ণপূর্ণায়তবিপ্রমুক্তান্।
সসর্জ শিক্ষাস্ত্রবলপ্রযত্নৈস্তথা যথা প্রাবৃষি কালমেঘঃ ॥৭৪॥
নৈবাদদানং ন চ সন্দধানং জানীমহে কতরেণাস্যতীতি।
বামেন বা যদি বা দক্ষিণেন স দ্রোণপুত্রঃ সমরে পর্য্যবর্ত্তৎ ॥৭৫॥
তস্যাততং মণ্ডলমেব সব্যং প্রদৃশ্যতে কার্ম্মুকং দ্রোণসূনোঃ।
সোঽবিধ্যন্মাং পঞ্চভির্দ্রোণপুত্রঃ শিতৈঃ শরৈঃ পঞ্চভির্বাসুদেবম্ ॥৭৬॥
অহন্তু তং ত্রিংশতা বজ্রকল্পৈঃ সমার্দ্দয়ং নিমিষস্যান্তরেণ।
ক্ষণাৎ শ্বাবিৎসমরূপো বভুব সমর্দ্দিতো মদ্বিসৃষ্টৈঃ পৃষৎকৈঃ ॥৭৭॥

চেনশিল্লকপগুম্না অশ্বথামানা ঐবু জয় তৌগে হায়না য়াম্না চ্যেকশিন্না চেপশিল্লক্ত,না ঐগী খুত্তুগী কৌরব লাম্মীশিংবু কম্নবা হোৎনখি ॥৭১॥ ভরতশাগৈগী মুংঙাইনবগী মশকওইরবা য়াম্মুং মহারাজ। অহুগী তুংদা লান্দা লাকওম ফাঙমগ্রবা, কৌরবলাম্মী অথোইবা অশ্বথামানা চঙশিল্লক্ত,না হূপা মৈগা মান্নবা তেঞ্জ কল্লবা তেলমক্তনা ঐগা কৃষ্ণগ ঐথায়নীবু তেন্তনা ঈগাসি পুংয়োম য়োমহনখ্রে ॥৭২॥ শঙ্গাও জোড়া-জোড়ানা চিংবা শলগাড়ী নিপানখক তেন্না পীকপীকথন্ন পুশিল্লকই। অশ্বথামানা ঐগা থেংনবা মতম্দা খুংলায়শিং লোইনা পুথোক্ত,না শী জিন্নখি। ঐহু থোর থোরবা তেন্না মহাক্ক কাপশিল ল শিল্লকলিবা। খুংলায়শিং অহুবু লোইনা মাঙহনখি ॥৭৩॥ অহুদগীদি মুরবা নোংমতূম্ মতুম্না অতৎ অথম্ লৈতনা চুথরকপগুম্ অশ্বথামানা মাগী লৈজবা বিন্তা অমদি শক্তিপূম্বা পুথোকতুনা লীরৌবু নাকোং মরুযোনা চিংহুনা তেলমথল মথল ঐঙোন্দা কাপশিল্লকই ॥৭৪॥ মতম্ অহুদা অশ্বথামানা কয়ম্করম্বা মতম্দা তেন্দোংদগী তেল ছত্ত,না তেঞ্জা থোংহনা কাপথোকপ্রিবনো হায়বহু ঈশামক্লা উবা ফংখিদে। মহাক্লা ঐঙোন্দা তেল কাপথোরকপহু য়েৎনরা-ওয়থংব খুৎনরা হায়বহুমক ঐ করিমত হায়বা ঙমদে। মতৌ অস্না অশ্বথামানা ঐগী মাঙদা থগু,না লৈখি ॥৭৫॥ অশ্বথামাগী লীরুং অহু. মতম্ অহুদা লীরুংওইনা উখিত্রে। কোয়রপ কোয়বা চক্রগুম্ উখি। অহুদগী ওহাক লৈরগা মহাক্লা থোরবা তেলমঙানা ঐঙোন্দা, মঙানা কৃষ্ণদা কম্না থাখি ॥৭৬॥ অহুদগী ঐনা বজ্রগা মান্নবা থোন্নবতেল কৃৎ্‌নানা মথোন্দা কম্না থাই। তেলশিং অহুনা অশ্বথামাগী মশাদা য়ংয়ুংহনা লৈবহুদা মহাক অসি, মহুমচৌবা

স বিক্ষরন্ রুধিরং সর্বগাত্রৈ রথানীকং সূতসূনোর্বিবেশ।
ময়াভিভূতান্ সৈনিকানাং প্রবর্হানসৌ প্রপশ্যন্ রুধিরপ্রদিগ্ধান্ ॥৭৮॥
ততোঽভিভূতং যুধি বীক্ষ্য সৈন্যং বিভ্রস্তযোধং দ্রুতবাজিনাগম্।
পঞ্চাশতা রথমুখ্যৈঃ সমেত্য কর্ণস্বরন্ মামুপায়াৎ প্রমাথী ॥৭৯॥
তান্ সূদয়িত্বাহমপাস্য কর্ণং দ্রষ্টুং ভবন্তং ত্বরয়াভিযাতঃ।
সর্বে পাঞ্চালা হ্যুদ্বিজন্তে স্ম কর্ণাদ্দৃষ্ট্বা গাবঃ কেশরিণং যথৈব ॥৮০॥
মৃত্যোরাস্যং ব্যাত্তমিবাভ্যপদ্যন্ প্রভদ্রকাঃ কর্ণমাসাদ্য রাজন্!।
রথাংস্তান্ সপ্তশতান্ নিমগ্নাংস্তদা কর্ণঃ প্রাহিণোন্মৃত্যুসদ্ম।
ন চাপ্যভূৎ ক্লান্তমনাঃ স রাজন্! যাবন্নাস্মান্ দৃষ্টবান্ সূতপুত্রঃ ॥৮১॥
শ্রুত্বা তু ত্বাং তেন দৃষ্টং সমেতমশ্বত্থাম্না পূর্বদৃষ্টং ক্ষতঞ্চ।
মন্যে কালমপযানস্য রাজন্। ক্রূরাৎ কর্ণাত্তেঽহমচিন্ত্যকর্ম্মন্। ॥৮২॥
ময়া কর্ণস্যাস্ত্রমিদং পুরস্তাদ্যুদ্ধে দৃষ্টং পাণ্ডব। চিত্ররূপম্।
নহ্যন্যযোদ্ধা বিদ্যতে সৃঞ্জয়ানাং মহারথং যোঽস্য সহেত কর্ণম্ ॥৮৩॥

চোমলপ চোমলপ পাল্লবা শযো অমগী মতোঙ্গুম্না উথ্রে ॥৭৭॥ অহুদগী ঐনা কৌরব লাম্নীশিংগী মপুংদা মরুমরুওইবা লাম্নী কয়াবু নৈব হৌই। অহুদগীদি মখোয় অহু মশাপুম্বা ঈহং নাইহং শাখ্রে। থৌদোক অসি উবদা অশ্বত্থামা অসি ময়াদগী ঈ হাথহাথনা কর্ণনা পুরিবা রথীশিং অহুগী মরক চঙহনা থুপখি ॥৭৮॥ কৌরব লাম্নীশিংনা মায়থীব ফংলবদা, অদুগা লাম্নীপুম্বা কিহনা চেম্নবহু উবদা য়েক্লবা নৈহৎপা ওম্বা কর্ণ অসি অকনবা রথী য়াখৈগা লোয়ননা ঐঙোল্লোম্দা ফুজিল্লকই ॥৭৯॥ য়াম্বুং মহারাজ। মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐনা কর্ণগী খোঙলোয় লাম্নী মথৈবু মায়থীবা পীরম্লগা অদুগা কর্ণবু থাদোকলম্মগা য়াম্বুগী নাক্ত থৌজরকলিবসিনি। অমরোমদা নোংশাবু উবদা শজী পুম্বনা চেম্নবহুগুম্না পাঞ্চাল লাম্নীপুম্বা মিপাইনহৌরবনি ॥৮০॥ য়াম্বুং মহারাজ। প্রভদ্রক লাম্নীপুম্বা যমরাজগী মখয়াত্ত হোক্চিল্লুবগুম্না কর্ণগী নাক্ত হোচ্চিল্লবদা লোইনা তুমখ্রে। কর্ণনা প্রভদ্রক লাম্নী চাত্রেৎ হাৎখ্রে। কর্ণ অসি ঐগী ঈশক উঙ্গিবফাওবদি মঙোন্দা করিমত নুংশাথীবা মিপাইবা লাওতরুবা তৌরমদে ॥৮১॥ তৌঙমদবা থবকমক্ত তৌরিবা য়াম্বুং। কর্ণনা য়ামবুং মহারাজবু উবকংথিবগী অদুগা য়ামবুংনস্থু মাগা থেংনবা হৌথিবগী রাসিতাবদা, অদুগা অশ্বত্থামানা য়ামবুং মহারাজবু হেকউবদগী তেলমনম্ মনম্ কাপশিল্লক্কুনা য়ামবুংদা য়াম্না শাথিনা চৈনাপীখ্রে হায়বসি হেক তাবদা কক্রবা কর্ণবু থাদোক্লম্বগী মতম্অম লাকলেদনা হায়না ননাই ঐহু হেক খন্তজক্লুরে ॥৮২॥ পাণ্ডুনন্দন, য়াম্বুং নিংথৌ। লালকম্দা ঐনাকর্ণগী অঙকপা ভার্গবাস্ত্র অহুমদি উথি। মহাক্লা থুৎলায়অসি শীজিন্নরকপা মতমদা সৃঞ্জয় লাম্নীশিংগী মপুংদা মাগীমমাঙদা লেপকদবা

শৈনেয়ো মে সাত্যকিশ্চক্ররক্ষো ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চাপি তথৈব রাজন্ ।।
যুধামন্যুশ্চোত্তমৌজাশ্চ শূরৌ পৃষ্ঠতো মাং রক্ষতাং রাজপুত্রৌ ।৮৪।
রথপ্রবীরেণ মহানুভাব। দ্বিষৎসৈন্যে বর্ত্ততা দুস্তরেণ ।
সমেত্যাহং সূতপুত্রেণ সংখ্যে বৃত্রেণ বজ্রীব নরেন্দ্রমুখ্য। ।৮৫।
যোৎস্যে ভৃশং ভারত! সূতপুত্রমস্মিন্ সংগ্রামে যদি বৈ দৃশ্যতেঽদ্য।
আয়াহি পশ্চাত্ত্ব যুযুৎসমানং মাং সূতপুত্রঞ্চ রণে জয়ায় ।৮৬। (যুগ্মকম্)
মহোরগস্যেব মুখং প্রপন্নাঃ প্রভদ্রকাঃ কর্ণমভিদ্রবন্তি।
ষট্ সাহস্রা ভারত! রাজপুত্রাঃ স্বর্গায় লোকায় রণে নিমগ্নাঃ ।৮৭।
কর্ণং ন চেদদ্য নিহন্মি রাজন্। সবান্ধবং যুধ্যমানং প্রসহ্য ।
প্রতিশ্রুত্যাকুর্বতো বৈ গতির্যা কষ্টাং যাতা তামহং রাজসিংহ। ।৮৮।
আমন্ত্রয়ে ত্বাং ব্রূহি রণে জয়ং মে পুরা হি ভীমং ধার্ত্তরাষ্ট্রা গ্রসন্তে
সৌতিং হনিষ্যামি নরেন্দ্রমুখ্য। সৈন্যং তথা শত্রুগণাংশ্চ সর্বান্ ।৮৯।

কনা অমত্ত য়াওখিদে ॥৮৩॥ মহারাজ। শিনিগী মচা সাত্যকিনা ঐগী রথগী চাকাবু শেন্নবা মীঅম ওইনা লৈখি। নাকল অমদা অকনবা ধৃষ্টদ্যুম্নসু চাকাবু শেন্নদুনা লৈখি। যুধামন্যুগা উত্তমৌজা অকনবা নিংথৌমচা অনীনা ঐগী তুংমাওদা ঙাকশেন্দুনা লৈরম্মি ॥৮৪॥ মতীকমগুণ চাউরবা য়াম্মুং নিংথৌ! বৃত্রাসুরগা ইন্দ্রগা শোক্নরগুম্না, য়েক্নবালাম্মী মপৈনা ঈকোয় কোযনা ঙাকশেন্নবা কর্ণবু ওসি লালক্নমদা উনবা ফংলবদি মাগা থেংনগনি। অদুনা য়ামবুং মহারাজ। লেঙথৎপিয়ু, লেঙখিরকউ, কর্ণগা ঐগা থেংনবসে অমুক্ত ভাবুক ওইদুনা মীৎথীৎনা য়েংবিয়ু। ওসি কর্ণনা অর্জ্জুনবু হাৎপগী পক্রগা অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎপগী লালগী মতাং অসি মীৎমক্না অমুক্ত উবিরো ॥৮৫-৮৬॥ ভরতনন্দন। য়াম্মুং মহারাজ। প্রভদ্রক নিংথৌমচা লিশিংতরুক্না স্বর্গদা মুংঙাইবা ফংঙনবগী আশাদা চাউরবা লিলগী মথবাক্ত চোংশিল্লুগদৌবগী মতৌগুম্না কর্ণতম্ন ফুজিন্নহৌরি ॥৮৭॥ নিংথৌ অথোইবা, য়াম্মুং মহারাজ! ওসিগী নুমিত্তা ঐনা মাগী খোঙলোয় লাম্মীশিংগা লোয়ননা কর্ণবু হাৎপা খিত্ত মঙম্খিত্রবা অদু ওইরবদি থবকঅমবু পাওথোক্নি হায়না রাশকলগা রাশকঅদু ঙাবপা ওম্খিদবা ক্ষত্রিয় মচা অমনা ফংখিবা কত্রবা গতিঅদু ঐনসু ফংবা ওইসনু ॥৮৮॥ নিংথৌ অথোইবা। মহারাজ। হৌজিকমক্ ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংনা মথোয়গী খোঙমী লাম্মীশিংগা লোয়ননা য়ম্মুং ভীমসেনবু য়োৎকদৌরগুম্ তৌরম্মনি। অদুনা, য়াম্মুং মহারাজ। ননাইদা য়াথং পীনবিয়ো। চৎচরগে, ঐ য়াম্মুংগী অবস্তা হাম্ন য়েংজরুগে হায়না লাকৃচবনি। ননাওদা জয়গী আশীর্ব্বাদ পীনবিয়ু। কর্ণবু অদুগা মাগী খোঙমীলাম্মী পুম্নমকপু হাৎপা ওম্জরো

সঞ্জয় উবাচ।

শ্রুত্বা কর্ণং কল্যমুদারবীর্য্যং ক্রুদ্ধঃ পার্থঃ ফাল্গুনস্যামিতৌজাঃ
ধনঞ্জয়ং বাক্যমুবাচ চেদং যুধিষ্ঠিরঃ কর্ণশরাভিতপ্তঃ ॥৯০॥
বিপ্রদ্রুতা তাত। চমূস্ত্বদীয়া তিরস্কৃতা চাস্ত যথা ন সাধু।
ভীতো ভীমং ত্যজ্য চায়াস্তথা ত্বং যন্নাশকঃ কর্ণমথো নিহন্তুম্ ॥৯১॥
স্নেহস্ত্বয়া পার্থ। কৃতঃ পৃথায়া গর্ভঃ সমাবিশ্য যথা ন সাধু।
ত্যক্ত্বা রণে যদপায়াঃ স ভীমং যন্নাশকঃ সূতপুত্রং নিহন্তুম্ ॥৯২॥
যত্তদ্বাক্যং দ্বৈতবনে ত্বয়োক্তং কর্ণং হন্তাস্ম্যেকরথেন পার্থ!।
তং ত্যক্ত্বা ত্বং কথমদ্যাপযাতঃ কর্ণাদ্ভীতো ভীমসেনং বিহায় ॥৯৩॥
ইদং যদি দ্বৈতবনেঽপ্যচক্ষঃ কর্ণং যোদ্ধুং ন প্রশক্ষ্যে নৃপেতি।
বয়ং ততঃ প্রাপ্তকালঞ্চ সর্ব্বে কৃত্যান্যুপৈষ্যাম তথৈব পার্থ! ॥৯৪॥
ময়ি প্রতিশ্রুত্য বধং হি তস্য ন বৈ কৃতং তচ্চ তথৈব বীর!।
আনীয় নঃ শত্রুমধ্যং স কস্মাৎ সমুৎক্ষিপ্য স্থণ্ডিলে প্রত্যপিংষ্ঠাঃ ॥৯৫॥

হায়না বরদান অমুক্ত পীনবিরো ॥৮৯॥ সঞ্জয়না হায়ঃ-মহারাজ! তেজ লৈরবা, পৃথানন্দন, যুধিষ্ঠির অসি হান্নদগী কর্ণগী তেলগী চৈনা কংহুনা লৈরিবনি। অহুগী মথক্তা হৌজিক কাওবা কর্ণনা করিম্স ঈতৌতৌদনা লৈহৌরি হাযবা অর্জ্জুনগী রাসি তাবদা যুধিষ্ঠির অসি ক্রং লাউনা শাউখিহুনা অর্জ্জুনদা অস্রুম্না হায়রকই ॥৯০॥ অর্জ্জুন! অবানব পুম্ব ঙাকপিকম্ থোক্পা! নংগী লাম্মী পুন্নমকস্ন চেন্নহৌরে হায়না ঐঙোন্দা পাউদম্মর। মখোয়হুবু নংনা খাম্জিল-থেম্জিল্-কৌশিল্লমদন। ঐগীদা লাক্লি। কর্ণবু হাৎপা ঙমদহুনা, নয়াম্ব ভীমবুস্ন মথক্ত য়েক্রবা লাম্মী ময়াম্ মরক্তা থাদোকলম্হুনা কর্ণবু কিহুনা, কর্ণবু কিহুনা লোৎলিবা এগী ঈকমদা আশ্রয় লৌরম্মি ॥৯১॥ অর্জ্জুন! লান্দা ভীমবু মথক্ত হুন্দোক্পিরম্লগা চেল্লক্লি। কর্ণবু হাৎপস্ন ঙম্মক্ত্রে। ইমা কুন্তিগী গর্ভদা কদাইদগীনো মক্কম্ খঙদবা ঈ অম চঙঙক্নুনা পোক্লবগুম্ নংবু মচা ওইনা পোক্নুনা ঈমাগী সতীত্বদা নংনা ঙসি সমাজদা চিংনবা অম পোক্হল্লে ॥৯২॥ পৃথানন্দন! অহুৈ বনবাসগী মতমদা দ্বৈতবনদা "ঐ কর্ণবু শোয়দনা হাৎকনি" হায়না রাশক্থিবা নত্রা? অহুগা ঙসিদি নহাকনা কর্ণবু কিহুনা চেল্লকলিবা! ॥৯৩॥ পার্থ! অহুৈ বনবাসগী মতমদা নংনা রাশিং অসি হায়দহুনা "ঐদি কর্ণবু কি, মাবু হাৎপ ঙম্মোই"—হায়না ঐখোয়দা তশেং তশেং হায়দোকপিরম্নবদি ঐ অমুক বিরাটকী লৈবাক্ত অহুক্রানা লোৎলমদনা, মতম্ অহুদা তৌগদবা থবক্ মখা অম পায়থক্করম্ গদবনি। নংনা হায়বহুদা থাজকহুনা লালগী থৌরাংস্ন অমেম্বদা তৌরুয়ে ॥৯৪॥ অকনবা!

অস্মাশিয় বয়মর্জ্জুন! ত্বয়ি যিযাসবো বহু কল্যাণমিষ্টম্।
তন্নঃ সর্বং হিযলং রাজপুত্র। যলাথিনাঽযল ইবাত্তিপুষ্পঃ ।৯৬।
প্রচ্ছাদিতং বড়িশমিবামিষেণ সংছাদিতং গরলমিবাশনেন।
অনর্থকং দর্শিতবানসি ত্বং রাজ্যার্থিনো রাজ্যরূপং বিনাশম্ ।৯৭।
ত্রয়োদশেমা হি সমাঃ সদা বয়ং ত্বামন্বজীবিষ্ম ধনঞ্জয়াশয়া।
কালে বর্ষং দৈবমিবোপ্তবীজং তন্নঃ সর্বান্ নরকে ত্বং ন্যমজ্জঃ ।৯৮।
যদ্‌বৎ পৃথাং বাগুবাচান্তরীক্ষে সপ্তাহজাতে ত্বয়ি মন্দবুদ্ধে।।
জাতঃ পুত্রো বাসববিক্রমোঽয়ং সর্বান্ শূরান্ শাত্রবান্ জেষ্যতীতি ।৯৯।
অয়ং জেতা খাণ্ডবে দেবসংঘান্ সর্বাণি ভূতান্যপি চোত্তমৌজাঃ
অয়ং জেতা মদ্রকলিঙ্গকেকযানয়ং কুরূন্ রাজমধ্যে নিহন্তা ।১০০।

"ঙসি কর্ণ ভাৎকনি হায়দুনা ঐঙোন্দা হায়গন্নগা চৎখিবা ন'না, করিগীনো, মাবু হাৎলম্‌দনা, হাৎপদি লায়রদনা, কিদুনা ঐগীসিদা হোচ্চিল্লকলিবা? মংনা ঐখোঽবু লালকম্ ময়ায়দা পুশিল্লক্লগা অহুদগী অমুক মথক্‌লে'ম্‌দা ঐখোয়পুম্ববু ল'খৎলগা মৈকমগী শারবা মুংপাক্ মথক্ত থাদদুনা ঐখোয়বু করিগী নৈহৎলি? চাব্‌থেক্‌হল্লি? ॥৯৫॥ অর্জ্জুন! ঐনা, ঐগী মঙ্গল ওইবগী অমদি সম্পত্তি ক'ননবগী আশাপূম্বা নঙোন্দা থম্‌দুনা অসিগুম্বা থবক অসি ঐনা পাযখৎখিবনি। অহুবু রাজকুমার: অর্জ্জুন! মহৈয়ায়া পাম্ব মীগী মকম্‌দা, মপান্ন থম্নত মশাৎপা মহৈদি য়ান্দবা, মনাত্ত মপুংবা উহৈ পাম্বীনা করিমত কান্নদবা অহুগুম্না মহৈ য়াল্লোইদোবা অর্জ্জুন-বৃক্ষ নংবু ঐনা য়াম্না আশা তৌনা অরেম্বদা থারুরে। হৌজিক্তি ঐনা নীঙবাপূম্বা লোয়না কাথরে ॥৯৬॥ ঐস্মু অরেম্বদা লৈপাকপাম্বা মী অম ওইরুবে। মাহুদা নহাকনসু শা-মহাউ তৈরবা নপ্লবা, ঙা ফনবা খোইগী মতৌগুম্বা, মপ ন্দা সনালুপা-অহ উ অথুম্না য়ে'ম্নবা-তৈরবা, মনুংদা হু ফুম্নবা রাজ্য (লৈপাক) গী মশক পুরবা সর্ব্বনাশ অহুবু ঙসি নহাক্না ময়েক লানা ঐঙোন্দা উহল্লে। ॥৯৭॥

লৈমু'দা তাখিবা মব্দনা, নোংমদোন লাইজ ঙাইদুনা
হিংঙ্গনা লৈবগুম্ খোরা'না, ঐস্ম চহী তরাহুম্‌দোই চুপ্পা
তাদুনা লৈরুই লৈখাদা, থমদুনা আশাপূম্ব নঙোন্দ তত্তনা
অহুবু আশাপূম্বা নীঙখায়হন্দুনা, পাতালদা নম্‌থরে ঐখোয়বু নংনা ॥৯৮॥

অপঙবা! বুদ্ধিথেল্লবা অর্জ্জুন! নংপোকপা তরেৎনিগুবা মুমিত্তা আকাশবাণী তৌখিবদো নংদি তাহৌব্রে; মাহ্ন তাজো "কুন্তী! হন্দকী নচাসিমদি ইন্দ্রগী শক্তি পুদুনা, ইন্দ্রমক্তা চপমান্ননা পোকপা নচানি! মহাকসিনা জগত্ত লৈব, মাগী য়েক্লবা পুম্ববু জয় তৌগনি! "অস্তুম্না নোংমদোন্দগী লাউথখি ॥৯৯॥ অমুকসু অস্তুম্না আকাশবাণী তৌখি:—

অস্মাৎ পরো ন ভবিতা ধনুর্দ্ধরো নৈনং ভূতং কিঞ্চন জাতু জেতা।
ইচ্ছন্নয়ং সর্ব্বভূতানি কুর্য্যাদ্বশে বশী সর্ব্বসমাপ্তবিদ্যঃ ।১০১

কান্ত্যা শশাঙ্কস্য জবেন বায়োঃ স্থৈর্য্যেণ মেরোঃ ক্ষময়া পৃথিব্যাঃ।
সূর্য্যস্য ভাসা ধনদস্য লক্ষ্যা শৌর্য্যেণ শক্রস্য বলেন বিষ্ণোঃ ।১০২।

তুল্যো মহাত্মা তব কুন্তি! পুত্রো জাতোঽদিতের্বিষ্ণুরিবারিহন্তা।
স্বেষাং জয়ায় দ্বিষতাং বধায় খ্যাতোঽমিতৌজাঃ কুলতন্তুকর্ত্তা ।১০৩। (যুগ্মকম্)

ইত্যন্তরীক্ষে শতশৃঙ্গমূর্দ্ধ্নি তপস্বিনাং শৃণ্বতাং বাগুবাচ।
এবংবিধং হ্যচ্চ নাভূত্তথা তে দেবাপি নূনমদ্ভুতং বদন্তি ।১০৪।

তথাপরেষামৃষিসত্তমানাং শ্রুত্বা গিরঃ পূজয়তাং সদা তাম্।
ন সন্নতিং বৈশ্রমি সুযোধনস্য ন তাং জানাম্যাধিবদ্বৈভয়ার্ত্তম্ ।১০৫।

"অঙাং অসিনা হয়েং চাউরগা
খাণ্ডব-মৈথাবা মতমত্তুদা
লাইহিংচাবা ময়াম্বু, জগৎকী জীব পুম্ববু
মহাক্না ভম্‌গনি শোয়দনা।
চাউরবা লাঙ্গাও অমদা,　　মদ্র কলিঙ্গ কৈকয়শিংবু
মায়থীবা পীদুনা ভম্‌গনি,　　কৌরব লাম্মী মপৈবু মানা" ॥১০০॥

"নচা অসিদগী হেন্না কন্‌বা-থৌবা ধনুর্দ্ধারী অমত জগৎ অসিদা লৈত্রি, লৈস্নু লৈরকলরোই। কনাগুম্বা জীবপানবা অমতনা মাদু হাৎপ ঙম্মোই। নীঙতম্বা পাম্বা অঙাং অসিনা হয়েং চাউরকলগা অস্ত্রশাস্ত্র পুম্বা হৈরবদা জগৎ পুম্ববু মখাপোলহনবা ঙমগনি।" ॥১০১॥ "অদুগা কুন্তী! নচা অসে, কজবদা খাগুম্বা, শাফুদা নুংশিৎকুম্বা, তপথবদা সুমেরুগুম্বা, খাঙহৈবদা পৃথিবীগুম্বা, তেজদা সূর্য্যগুম্বা, সম্পত্তিদা কুবেরগুম্বা, কনবদা ইন্দ্রগুম্বা, পাঙ্গল্দা বিষ্ণুগুম্বা মীশক্ অম ওইরকনি। অঙাং অসি, মহৎমশী মত্তুং ইন্না মহাত্মা অম ওইরক্‌না আদিতিগী মচা বিষ্ণুগুম্না য়েক্লবা হিংচাবাইতম্বা পুম্বা হাৎলখিগনি। অদুগা মহৎমশী মত্তুং ইন্না ভমখৈ লৈতনা তেজ লৈবা মীশক অম ওইরক্‌না শাগৈনাইত্তে মরুপ মপাংবু কল্লখিগনি, য়েক্লবশিংবু পরাজয় তৌদুনা মিংচৎ চাউবা, বংশবু মুৎহন্দবা নিপা অম ওইরকনি।" ॥১০২-১০৩॥ অর্জ্জুন। শতশৃঙ্গ কৌবা চীঙগী চীঙথক্তা দেবতাশিংনা অসুমা লাউথখিবা লাইহৈশিং অসে তপস্বী ঋষিশিংনা তাইনা তাহৌবনি। অহুবু অর্জ্জুন। হায়রিবশিংদো তাইনা অমেম তাম্রে। নহাকৎকী স্বর্গগী দেবতাশিং কাওবা মীনবা তাত্তবা তাহল্লে ॥১০৪॥ অতোপ অতোপ্পা ঋষিশিংনস্তু মমাইদা। নংবু য়ামা থাগৎখি।

পূর্বং যদুক্তং হি সুযোধনেন ন ফাল্গুনঃ প্রমুখে স্থাস্যতীতি।
কর্ণস্য যুদ্ধে হি মহাবলস্য মৌর্খ্যাত্তু তন্নাববুদ্ধং ময়াসীৎ ॥১০৬॥
তেনাদ্য তপ্যো ভৃশমপ্রমেয়ং যচ্ছত্রুবর্গে নরকং প্রবিষ্টঃ।
তদৈব বাচ্যোঽস্মি নন্তু ত্বয়াহং ন যোৎস্যেঽহং সূতপুত্রং কথঞ্চিৎ ॥১০৭॥
ততো নাহং সৃঞ্জয়ান্ কেকয়াংশ্চ সমানয়েয়ং সুহৃদো বধায়।
এবং গতে কিঞ্চ ময়াদ্য শক্যং কার্য্যং কর্ত্তুং বিগ্রহে সূতজস্য ॥১০৮॥
তথৈব বাক্তশ্চ সুযোধনস্য যে বাপি মাং যোদ্ধুকামাঃ সমেতাঃ।
ধিগস্তু মজ্জীবিতমদ্য কৃষ্ণ! যোঽহং গতঃ সূতপুত্রস্য যাতঃ ॥১০৯॥
যদি স্ম জীবেৎ স তু বায়ুহন্তা মহারথানাং প্রবরো বরোত্তমঃ।
তবাভিমন্যুস্তনয়োঽদ্য পার্থ! ন চাস্মি গন্তা সমরে পরাভবম্ ॥১১০॥
অদ্যাপি জীবেৎ সমরে ঘটোৎকচস্তথাপি নাহং সমরে পরাঙ্মুখঃ।
মম হভাগ্যানি পুরা কৃতানি পাপানি নূনং বলবন্তি যুদ্ধে ॥১১১॥

মখোযনা হায়রবদু থাজবদগী ঐনা ওসি ফাওবা. নহাক্ লৈরিকো। হায়হুনা, দুর্য্যোধনগী মকমদা ঈকোক্ নোল্লকত্রিবনি। কর্ণবু কিহুনা অর্জ্জুননা অসুম্মা চেল্লকনি হায়বসি ঐ হায় খঙঙমদে, থাসু থাজবমদে ॥১০৫॥ "অর্জ্জুননা করিগুম্বদা কর্ণগী মাঙদা লেপ্প ঙমগদবা নত্তে" হায়না দুর্য্যোধন মশামক হায়খিবা অচুম্বা রাহুনা ঐনা পঙজহুনা থাজরমদে। অদুবু হৌজিক্ক থাজরে ॥১০৬॥ ঐ ওসি য়েক্লবাশংগী মরক্তা নরককী মশক্ ওইরবা মায়থীবগী কোম্দা তাক্লরবনি। মাহুগী দমক্ পুনশিচুপ্পা অনুতাপকী মৈনা চাকহুনা মতম লেনবা তারি। অরাবশিং অসি ঐনা ফত্রিঙৈদ, অর্জ্জুন। "ঐ কর্ণগা লম্বা ওইবদি ঙমজরোই" হায়না তশেংনা ঐঙোন্দা হাযদোক্ত্তৌবদি কৈদোহই? ॥১০৭॥ নংনা অদুম্মা, ঈকায়রবা পুম্বা থাদোক্তুনা ঈয়াম্বদা হায়দোক-লম্লবদি ঐ করিগী অসুক রানা, মরালশৈত্রবা সৃঞ্জয়-কৈকয়শিংবু লালুফম্দা কৌরক্তুনা মখোয়বু কাল্লগী অরাবা তাহল্লমগদগে? হৌজিক্ অবস্থা অসিদা ঐনা কর্ণগা থেংনগদবসি কদায়দগীনো? ॥১০৮॥ হৌজিক দুর্য্যোধননা অদুগা কৌরব লান্মীশিংনা ঐগা থেংনগদবগী ফুজিল্লকলি। অবস্থা অসিদা ঐনা তৌগদবাস করিনো! কৃষ্ণ! ঐনা ঐগী মপোক অসিবু হয়া হয়া ধিক্কার তৌরি। আঃ! ওসি যুধিষ্ঠিরনা কর্ণগী মথা পোনপ্রবা! ॥১০৯॥ অর্জ্জুন! নচানিপা অকন্‌বা মহারথী অভিমন্যু হায়বহু হৌজিক্ কাওবকা লৈরম্বা থোক্লবদি কর্ণবু শুদক্ত হাত্তুনা ঐগী অরাবসি ওসাইনা কোক্হল্লম্মগদবনি ॥১১০॥ ঘটোৎকচমক্ লৈরম্ব থোক্লবম্ ঐ ওসিগী দশা অসি ফংওম্বোইদৌবনি। আঃ ঈনাও অকনবশিং লৈ হায়দুনা ঐনা অবেবদা পাম্বোম্ তিংঙৃব পুরহ লাইবক্ যীংনা

ত্বণঞ্চ কৃত্বা সময়ে ভবন্তং ততোঽহমেবং নিকৃতো দুরাত্মনা।
নৈকর্ত্তনেনৈব তথা কৃতোঽহং যথা স্বশক্তঃ ক্রিয়তে স্ববান্ধবঃ ।১১২।
আপন্নগতং কশ্চন যো বিমোক্ষেৎ স বান্ধবঃ স্নেহযুক্তং সুহৃচ্চ।
এবং পুরাণা মুনয়ো বদন্তি ধর্ম্মঃ সদা সদ্ভিরনুষ্ঠিতশ্চ ।১১৩।
ত্বষ্ট্রা কৃতং বাহমকুজনাক্ষং শুভং সমাস্থায় কপিধ্বজং ত্বম্।
খড়্গং গৃহীত্বা হেমপট্টাবনদ্ধং ধনুশ্চেদং গাণ্ডিবং তালমাত্রম্।
স কেশবেনোহ্যমানঃ কথং ত্বং কর্ণাদ্ভীতো ব্যপযাতোঽসি পার্থ। ।১১৪।
ধনুশ্চৈতৎ কেশবায় প্রদায় যন্তাভবিষ্যস্ত্বং রণে চেদ্দুরাত্মন্।।
ততোঽহনিষ্যৎ কেশবঃ কর্ণমুগ্রং মরুৎপতির্বৃত্রমিবাত্তবজ্রঃ ।১১৫।
রাধেয়মেবং যদি নাদ্য শক্তশ্চরন্তমুগ্রং প্রতি বাধনায়।
দেহন্যস্মৈ গাণ্ডিবমেতদদ্য ত্বত্তো যোঽস্ত্রৈরভ্যধিকো নরেন্দ্রঃ ।১১৬।

হৌজিককি য়েন্নবগী মথুক্ত মায়থীবা কংনবগীদমক্তা ওইরম্লে।॥১১১॥ কত্রবা, কল্লবা কর্ণনা ওসি অর্জ্জুনবু নাপীওম্ থন্দুনা অর্জ্জুনগী ময়ম্বা ঐবু মায়থীবা পীগ্রে। আঃ! মপাঙ্গল শোন্‌বা, মরূপ মপিজা লৈজদবা, মচীনমনাও লৈতবা মীনা কংবা পরাজয় অদো ওসি যুধিষ্ঠির ঐনসু কংগ্রে।॥১১২॥ অরাবা তায়বা মীবু নত্রগ মুংশিন্দবা মীবু অরাব'-থুদো থীবদগী কন্‌বিবা মহাক্ অচুতবু অশেংবা মরূপ কৌই হায়না মুনিশিংনা হায়নৈ। সজ্জনশিংনসু নিয়ম অসিগী মতুংইন্না থবক তৌনৈ॥১১৩॥

বিশ্বকর্ম্মনা মথুৎনা শাগ্রবা, চাকানা মখোঙ্গ থোক্তবা
য়োংতোংবা কিরাম্ন লৈতেংবা অচুওম্বা রথদা তোংলবা।
সনাগী কিনা মখোক্ত য়েৎলবা, থৌরবা থাওশাং য়াল্লিবা!
খুড়ুপ মরি শাংলবা, গাণ্ডীব নখুত্ত' পায়রিবা!
বৃষ্ণমক্কা থৌরব রথদ তোংবা, অকনবা অর্জ্জুননি হায়রবা!
করিগীনো কর্ণবু হাৎতবা, করিগীনো কিথুনা চেল্লকলিবা? ॥১১৪॥

অর্জ্জুন! হৈঃ পাণ্ডবা! বৃষ্ণদা লীক্লংথু শিন্নরগা, সারথি ওইথুন' করিগী "নংনা বৃষ্ণদ' কর্ণবু হাৎহল্লিবা? অদু ওইরসদি বজ্রধারী ইন্দ্রনা বৃত্রাসুরবু হাৎপওম্ গাণ্ডীবধারী কৃষ্ণনা নংনা হাৎপা ঙম্‌দবা, কল্লবা কর্ণবু ওসাইনা হাৎপিরম্লগদবনি॥১১৫॥ অর্জ্জুন! নংনা ওসি লান্দা ন'বু শীংনথুনা লৈরিবা, অকিবগী মথক কংলবা কর্ণবু হাৎপা ঙম্মোইদোবা লৈরবদি, নত্তোন্দগী হেন্না কল্লবা

অস্মান্ নৈবং পুত্রদারৈর্বিহীনান্ সুখাদ্ভ্রষ্টান্ রাজ্যনাশাংশ্চ ভূয়ঃ।
ভ্রষ্টা লোকঃ পাতভানপাগাধে পাপৈর্জুষ্টে নরকে পাণ্ডবেয়। ।১১৭।
মাসেঽপতিষ্যঃ পঞ্চমে ত্বং সুকৃচ্ছ্রে ন বা গর্ভেঽপ্যভবিষ্যঃ পৃথায়াঃ।
তত্তে শ্রেয়ো রাজপুত্রাভবিষ্যন্ চেৎ সংগ্রামাদপযানং দুরাত্মন্। ।১১৮।
ধিগ্‌গাণ্ডীবং ধিক্ চ তে বাহুবীর্য্যমসংখ্যেয়ান্ বাণগণাংশ্চ ধিক্ তে।
ধিক্ তে কেতুং কেশরিণঃ সুতস্য কৃশানুদত্তঞ্চ রথঞ্চ ধিক্ তে ।১১৯।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
যুধিষ্ঠিরবাক্যে পঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

নি'থৌ-লাম্মী অকনবা অমদা হৌজিকমক্ গাণ্ডীবদু পীথোকখো। নং মাহু পায়রবদা মতীক চাদ্রে ॥১১৬॥ ঈপা পাণ্ডুনা পোকলম্বা। ঐনা হায়রিবসি তৌরবদি ঐখোয়সে মচামশু রাওত্রবা, লৈপাক সিংহাসন কংদবদগী শুংঙাইবা পুম্বা কংদবা, মরৈবাক্পু য়েক্রবদগী মুম্রম্‌দবা, পাপীশিংনা তাখিগদবা নরকতা অমুক্ তাররোই। বনদা অমুকশু চৎলরোই। অহুগুম্বা চোপ্পবা অবস্থাদা ঐখোয়না তাবদো অতৈনশু উররোইদো ॥১১৭॥ ঈপা পাণ্ডুগী মচা। পাওত্রবা, কত্রবা রাজকুমার। নং অসে থা মঙাশুরক্পদা ঈমাগী গর্ভদা ঈ মতুম্ ওইরিঙৈদা অহুম্ গর্ভমনুংদ মাওজরম্রবসু করমগদৌবনি। অহুম্ তৌরবদি নংবু পোক্পগী অরাঅনাদো ঈমাসু কংওশ্মোইদো। অহুম্ তৌরবদি নমারবদগী কিছুনা চেনবসিসু তৌরমলোইদো। মাহুনহুম্ নওোন্দা য়াম্ন কান্নরম্‌গদবনি ॥১১৮॥ নংগী গাণ্ডীববু ঐনা ধিক্কার তৌরি। নগী পাম্বোমগী পাঙ্গলবু ঐনা চামরক্ ধিক্কার তৌরি। নংগী মশীং লাকৃঙমত্রবা তেল ময়াম্বু ঐনা ধিক্কার তৌরি। নংগী য়োংতোংবা ফিরান্‌বু ঐনা ধিক্কার তৌরি। অগ্নিদেবতানা পীরম্বা রথ অহুবুসু ঐনা ধিক্কার তৌরি ॥১১৯॥

মফম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "যুধিষ্ঠিরবাক্য"গী য়াঙখৈশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

একপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ।

য়াম্খৈমাথোইশুবা অধ্যায়ঃ

(কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা ভাওনরকপা মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

যুধিষ্ঠিরেণৈবমুক্তঃ কৌন্তেয়ঃ শ্বেতবাহনঃ। অসিং জগ্রাহ সংক্রুদ্ধো জিঘাংসুর্ভরতর্ষভম্ ॥১॥
তস্য কোপং সমুদ্বীক্ষ্য চিত্তজ্ঞঃ কেশবস্তদা। উবাচ কিমিদং পার্থ! গৃহীতঃ খড়্গ ইত্যুত ॥২॥
নাহং পশ্যামি যোদ্ধব্যং ত্বয়া কিঞ্চিদ্ধনঞ্জয়॥ তে গ্রস্তা ধার্ত্তরাষ্ট্রা হি ভীমসেনেন ধীমতা ॥৩॥
অপযাতোঽসি কৌন্তেয়! রাজা দ্রষ্টব্য ইত্যপি। স রাজা ভবতা দৃষ্টঃ কুশলী চ যুধিষ্ঠিরঃ ॥৪॥
তং দৃষ্ট্বা নৃপশার্দ্দূলং শার্দ্দূলসমবিক্রমম্। হর্ষকালে চ সংপ্রাপ্তে কস্মাত্তে মন্যুবারিণং ॥৫॥
ন তং পশ্যামি কৌন্তেয়! যস্তে বধ্যো ভবিষ্যতি। প্রহর্তুমিচ্ছসে কস্মাৎ কিম্বা তে চিত্তবিভ্রমঃ ॥৬॥
কস্মাত্ত্বান্ মহাখড়্গং পরিগৃহ্ণাতি সত্বরঃ। তত্ত্বাং পৃচ্ছামি কৌন্তেয়! কিমিদং তে চিকীর্ষিতম্ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হায়রকপদা কুন্তিনন্দন অর্জ্জুন অসি থোইদোক্লা শাউখিহুনা ময়াম্বা যুধিষ্ঠিরবু হাংলগে হায়না খন্দুনা থাংশাং হেক্ ছংকে তৌই ॥১॥ মতম্ অদুদা মীনা নীঙবা পুম্বা খঙলবা কৃষ্ণনা অর্জ্জুন শাউরে হায়বহু খঙলহুনা অসুম্না হায়রকই: অর্জ্জুন! করিগীনো নংনা থাঙ ছংকে তৌরিবা! ॥২॥ অর্জ্জুন! নংগী লাম্বা মতীক চাবদি ঐদি কনা অমত উত্রি। অদুগা নংনা হৌজিকমক্ থেংনদবা য়াক্রে হায়বা মীশকপু অমত উত্রি। মরমদি, হৌজিকমক্ কল্লবা ভীমসেননা কৌরব লাম্নীশিংবু ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু নৈখাইহুনা লৈহৌরি ॥৩॥ নংনা অসিদা লাকৃলিবসে য়াম্মুং মহারাজতদি য়েংঙখিগে হায়হুনা লাকলিবনি। মহারাজনা করিমু তৌদনা লৈরম্বসিমু নংনা মউরে ॥৪॥ কৈগী মতৌ[illegible] থৌরবা নম্নাম্মুং নিংথৌনা মঙ্গল ওইহুনা লৈরম্বসিমু উরিদনা। মাসিতদা কনায়াম্না নুংঙাইকব অম খোল্লবনি। অদুবু নংনা অশাউবগা লোয়ননা থাঙ ছৎকে তৌরিববু করিগীনো? ॥৫॥ কুন্তীনন্দন! নংনা জ্ঞান তাদনা, ঈকিং কিংনা হাৎকে হায়না হোৎনগদৌবা মীশকতি ঐঅমত উব ফংত্রি। অদুগা করিগীনো, নংনা হৌজিক্‌মক্ কনাবু হাৎকে তৌরিবা? কদায়দগীনো তপলবা কলবা নংগী খম্মোয়দা জ্ঞান ইত্তাতাদবগুম্বা স্বভাব অম হৌজিক্ক লাকৃলিবসিনা? ॥৬॥ অর্জ্জুন!

এবমুক্তস্তু কৃষ্ণেন প্রেক্ষমাণো যুধিষ্ঠিরম্ । অর্জ্জুনঃ প্রাহ গোবিন্দং ক্রুদ্ধঃ সর্প ইব শ্বসন্ ।৮।
অন্যস্মৈ দেহি গাণ্ডীবমিতি মাং যোঽভিচোদয়েৎ । ছিন্দ্যামহং তস্য শির ইত্যুপাংশুব্রতং মম ।৯।
তদুক্তং মম চানেন রাজ্ঞামিতপরাক্রম ! । সমক্ষং তব গোবিন্দ ! ন তৎ ক্ষন্তুমিহোৎসহে ।১০।
তস্মাদেনং বধিষ্যামি রাজানং ধর্ম্মভীরুকঃ । প্রতিজ্ঞাং পালয়িষ্যামি হত্বৈনং নরসত্তমম্ ।১১।
এতদর্থং ময়া খড়্গো গৃহীতো যদুনন্দন ! । সোঽহং যুধিষ্ঠিরং হত্বা সত্যস্যানৃণ্যতাং গতঃ ।১২।
বিশোকো বিজ্বরশ্চাপি ভবিষ্যামি জনার্দ্দন ! । কিং বা ত্বং মন্যসে প্রাপ্তমস্মিন্ কাল উপস্থিতে ।১৩।
(যুগ্মকম্)
ত্বমস্য জগতস্তাত ! বেত্থ সর্বং গতাগতম্ । তত্তথা প্রকরিষ্যামি যথা মাং বক্ষ্যতে ভবান্ ।১৪।

সঞ্জয় উবাচ ।

ধিগ্‌ধিগিত্যেব গোবিন্দঃ পার্থমুক্ত্বাব্রবীৎ পুনঃ । ইদানীং পার্থ ! জানামি ন বৃদ্ধাঃ সেবিতাস্তয়া ।
অকালে পুরুষব্যাঘ্র ! সংরম্ভং যদ্ভবানগাৎ ।১৫।
নহি ধর্ম্মবিভাগজ্ঞঃ কুর্য্যাদেবং ধনঞ্জয় ! । যথা ত্বং পাণ্ডবাদ্যেহ ধর্ম্মভীরুরপণ্ডিতঃ ।১৬।

করিগীনো নংনা ঈপা পাখত্তুনা অশাউবনা মীৎ তাঙখিহুনা থাঙশাং ছৎকে তৌরিবা। হায়ু, অর্জ্জুন। নং হৌজিক্ করি অমা তৌগে খন্দুনা অহুম্ তৌরবনো ? ॥৭॥ কৃষ্ণনা অস্তুম্না হায়রক্লবদা শাউরবা অর্জ্জুননা মহূ পুরবা লিলগুম্না নুংশামপী শাংনা হোন্দুনা যুধিষ্ঠিরমোমদ .য লগা কৃষ্ণদা অস্তুম্না হায়রকই:—॥৮॥“গাণ্ডীব পায়ব মতীক চাদে, অমদা পীয়ু” অস্তুম্না ঐঙোন্দা হায়ব মহাক্তুবু খুদক্ত হাৎকে হায়বা ঐগী রাশক অম লৈ। ॥৯॥ অহুনা অকনবা কৃষ্ণ ! হাম্বু নিংখৌসে নংগী মাঙ মক্তদা রাহে অসি হায়বিখ্রে। অহুনা রাশকৃকী মতুংইন্না ঈযাম্ব'ন শা৭গী করিমত য়েংঙরোই হায়ন খল্লে ॥১০॥ কৃষ্ণ ! রাশক্ ভাকপনা খ্বাইদগী চাউবা ধর্ম্ম ন। ধর্ম্মগী দমক অহুগা ধর্ম্ম মাবু কিরুবদগী য়াম্বু নিংখৌবু লোইখোল্লগে হাযন খল্লে। ঈপা ঈমা ঈচিন ইনাওগী নু শিবা-প্রেমবু লাপ্না হুন্দোক্লগা ধর্ম্মবু ভাকে ॥১১॥ যদুনন্দন ! জনার্দ্দন ! মরম অসিদগী ঐনা থাঙশাবু পাযখৎপনি। য়াম্বুং যুধিষ্ঠিরবু হৌজিকমক্ লোইখোক্লগা “সত্য” কৌবা মাগী মকমদ. তেনবা লমন্ অদো, কোক্লনবা তৌরম্মগে। অদুতদা ঐগী অরাবা নুংঙাইতবসি কোক্লনি। নত্রগা কৃষ্ণ ! নহাক হায়ু, মতাং অসিদা ঐনা করি তৌকম্ থোক্ই ঃ- মাদু হায়ু ॥১২-১৩॥ জগৎকী মপা মমানি হায়নরিবা ! জনার্দ্দন। নংদি ভূত-ভবিষ্য, বর্ত্তমান লোইনা উরথভগবনি। অহুনা ঐগী রাশক অসি কায়দনবা নংনা অস্তুম্ তৌহায়বদো ঐ তৌগে ॥১৪॥ সঞ্জয়না হায়ঃ-মতম্ অদুদ. কৃষ্ণনা হাঃ ! তোল্লিদা অর্জ্জুন ! ন'বু ধিক্কার তৌরি !”-অস্তুম্না হায়রগা অর্জ্জুনদা অস্তুম্না অমুক হায়রকই--—নিপা অথোইবা ! অর্জ্জুন ! খঙলে হৌজিকতি। নং অহল্লমন মনাক্ কম্‌জি চায়বসি মুম্না খঙলে, মরম্‌দি নহাক্ শাউকম্ চাদনা শাউরে ॥১৫॥ পাণ্ডুনন্দন ! অর্জ্জুন ! চুপ্পি নং ধর্ম্মবু য়াম্না

অকার্য্যাণাং ক্রিয়াণাঞ্চ সংযোগং যঃ করোতি বৈ । কার্য্যাণামক্রিয়ানাঞ্চ স পার্থ । পুরুষাধমঃ ॥১৭॥
অনুসৃত্য তু যে ধর্ম্মং কথয়েয়ুরুপস্থিতাঃ । সমাসবিস্তরবিদাং ন তেষাং বেত্থ নিশ্চয়ম্ ॥১৮॥
অনিশ্চয়জ্ঞো হি নরঃ কার্য্যাকার্য্যবিনিশ্চয়ে । অবশো মুহ্যতে পার্থ । যথা ত্বং মূঢ় এব তু ॥১৯॥
ন হি কার্য্যমকার্য্যং বা সুখং জ্ঞাতুং কথঞ্চন । শ্রুতেন জ্ঞায়তে সর্বং তচ্চ ত্বং নাববুধ্যসে ॥২০॥
অবিজ্ঞানাদ্ভবান্ যচ্চ ধর্ম্মং রক্ষতি ধর্ম্মবিৎ । প্রাণিনাং ত্বং বধং পার্থ । ধার্ম্মিকো নাববুধ্যসে ॥২১॥
প্রাণিনামবধস্তাত । সর্বজ্যায়ান্ মতো মম । অনৃতাং বা বদেদ্বাচং ন তু হিংস্যাৎ কথঞ্চন ॥২২॥
স কথং ভ্রাতরং জ্যেষ্ঠং রাজানং ধর্ম্মকোবিদম্ । হন্যাদ্ভবান্ নরশ্রেষ্ঠ প্রাকৃতোঽন্যঃ পুমানিব ॥২৩॥
অযুধ্যমানস্য বধস্তথাঽশত্রোশ্চ ভারত । । পরাঙ্মুখস্য দ্রবতঃ শরণঞ্চাভিগচ্ছতঃ ॥২৪॥

কিব মীশক অমনি। অদুবু নশাদি য়াম্না পঙলি। জ্ঞান তাদনা, ধর্ম্মবু কিবঙাকম্বু কাম্নদে। নংন। ঙাস তৌগে খনাথ্রবা থবক অসে ধর্ম্ম হায়বদুগী নাকল অনীমকপূ মুম্না তত্ত্বগা লোয়ননা খঙবা মীনা খক্ তৌনখিদ্রে ॥১৬॥ তৌকম্ থোক্লবস্তু পাঙথোক হৈদবা থবক্পূ অদুগা, পাঙথোকপদি য়ারগা তৌহৈদবা থবক্ অনীঅসিবু তৌরবা মী মহাক্ অদো। য়াম্না তোল্লবা থাকত লৈরবা মীনি ॥১৭॥ শিষ্যাশংনা ভক্তিগা লোয়ননা য়াম্নাপূক্কং চঙনা সেবা তোজরবা তুংদা জ্ঞানী ওইবা অতম্নমনশিংনা মথোযগী শিষ্যাশিংদা তাকপ ধর্ম্মগী তত্ত্ব অদো, নংকরিমত খঙদ্রে হায়বা য়াই ॥১৮॥ ধর্ম্মনি হায়দুনস্তু অফকত্তগী বিচার লৈতবা মীনা লম্মুরদুনা ধর্ম্মগী লম্বীদা চৎনা চৎনা পতিত ওইথখবা অমদি নরক তাখিবা অদুগুম্না নংসু পাতত ওইরবনিদো ॥১৯॥ য়েংঙু অর্জ্জুন! ধর্ম্মান হায়দুনস্তু কদায়না তৌকম্ থোক্পা কদায়না তৌকম্ থোক্তবা হায়বসি তরাই তরাইনা খঙবা ঙমদে। মাসদ লাইরিক য়াম্না তম্বা-হৈবা ঙাক্না চৎনদে। জ্ঞানী ওইবা লাইগুক অহল্লমনগী মনাক্ত কৃষ্ণকরবা মীতনা খঙবা ঙাম্ম। অদুনা অর্জ্জুন! নহাক হৈদ হৈরগা অহল্লমনগী মনাক্ কম্থ্রবনা, মথোযগী রাতাদহনা মহাপাপকী থনকঅম তৌগে হায়না খনখ্রে ॥২০॥ অর্জ্জুন! নশামকপু ধর্ম্মখঙবা নিপ অমদি ওইহল্লীওলগা ধর্ম্ম কদায়দু কৌবগে হায়বস্তু খঙদনা, ধর্ম্মমাবু ঙ কে হায়না হোৎনবশারি। নশানা নশাবু ধর্ম্মখঙব মীঅমনি হায়না খঞ্জরগা জীববু হাৎপ হায়বসি করিবুনো হায়বদু খঙদ্রে ॥২১॥ অর্জ্জুন। জীববু হিংস তৌদবতনা অথোইবা ধর্ম্মনি হ ঘরসি ঐগী মতনি। ঙাঙদবা য়াত্রবা কান্দা মীনম্বদি ঙাঙবা য়াই। হিংসাদি করিগুম্বা কান্দা তৌব য়াদে। হিংসাবু তৌদবা য়াত্রবা হায়বগী মকম্-মতম্ খক্লৈবা হৌনদে ॥২২॥ অর্জ্জুন। নিপা অথোইবা। করিগীনো নংনা, তোল্লবা হৌনবা খঙত্রবা, পাপী অমগুম্না, নয়াম্ব পোক্মিন্নবা, নিংথৌসু ওইরবা, ধর্ম্মচেন্নবা মীশক অমসু ওইরবা যুধিষ্ঠিরবু হাৎকে তৌরিবা। ॥২৩॥ মশামক মথুত্ত খুৎলায় পায়দুনা লাম্থেংনত্রিবা, য়েরুবা নত্তবা, মমায় ওন্দুনা চেন্নবা, চঙজমরুবা, মথুৎলোম্নহনা

কৃতাঞ্জলেঃ প্রপন্নস্য প্রমত্তস্য তথৈব চ। ন বধঃ পূজ্যতে সদ্ভিস্তচ্চ সর্বং গুরৌ তব ॥২৫॥
(যুগ্মকম্)

ত্বয়া চৈব ব্রতং পার্থ! বালেনেব কৃতং পুরা। তস্মাদধর্ম্মসংযুক্তং মৌঢ্যাৎ কর্ম্ম ব্যবস্যসি ॥২৬॥
স গুরুং পার্থ! কস্মাত্ত্বং হন্তুকামোঽভিধাবসি। অসংপ্রধার্য্য ধর্ম্মাণাং গতিং সূক্ষ্মনাং দুরত্যয়াম্ ॥২৭॥
ইদং ধর্ম্মরহস্যঞ্চ তব বক্ষ্যামি পাণ্ডব!। যদ্ব্রূয়াত্তব ভীষ্মো হি ধর্ম্মজ্ঞো বা যুধিষ্ঠিরঃ ॥২৮॥
বিদুরো বা তথা ক্ষত্তা কুন্তী বাপি যশস্বিনী। তত্তে বক্ষ্যামি তত্ত্বেন নিবোধেদং ধনঞ্জয়! ॥২৯॥
সত্যস্য বচনং সাধু ন সত্যাদ্বিদ্যতে পরম্। তত্ত্বেনৈব সুদুর্জ্ঞেয়ং পশ্য সত্যমনুষ্ঠিতম্ ॥৩০॥
ভবেৎ সত্যমবক্তব্যং বক্তব্যমনৃতং ভবেৎ। যত্রানৃতং ভবেৎ সত্যংসত্যঞ্চাপ্যনৃতং ভবেৎ ॥৩১॥
প্রাণাত্যয়ে বিবাহে চ বক্তব্যমনৃতং ভবেৎ। সর্বস্বস্যাপহারে চ বক্তব্যমনৃতং ভবেৎ ॥৩২॥

লাক্লে হায়জরবা, অরাবা খুদোংথীবদা তারবা, কীংম্ ঈতাউ তাউনা লৈরিবা হায়রিবা মীশকশিং অসিবু হাংদু হায়বসি কনাগুম্বা জ্ঞানী অমতনা করিগুম্বা লাইরিক্ত হায়রমদে, হায়রিবা অবস্থাশিং অসিদি নয়াম্বা যুধিষ্ঠির নিংথৌদা লোইনা গুনা লৈ ॥২৪-২৫॥ অদুগা অর্জ্জুন! নহাক্না জ্ঞান ঈতাতাদনা, মহামূর্খ অমগী মতৌগুম্না অসিগুম্বা কাম্নব্রবা অহংকারগী রাশক অসি নংনা তৌখিবনি। রাশক্ অদুগী মহৈনা তৌগে থন্বতদা প্রায়শ্চিত্ত-প্রতিকার লৈত্রবা পাপকর্ম্ম অসিবু নংনা তৌগদৌরম্মি ॥২৬॥ পৃথানন্দন! করিগীনো নংনা ধর্ম্মগী কূপ্লবা লুরবা তত্ত্বুদি নৈনদ্রিঙৈনা গুরুহত্যা তৌগে খল্লম্মিবা? ॥২৭॥ পাণ্ডুনন্দন! ধর্ম্মখঙলবা ভীষ্মগুম্ব, যুধিষ্ঠিরগুম্ব মীওনা হায়বি তাকপিগদবা ধর্ম্মগী অকূপ্পা মরোল অদো ঐ শম্নপ্না নঙোন্দা হায়গে ॥২৮॥ শূদ্রাণীগী গর্ভদা পোক্লবা বিদুর অমা অদুগা সতী কুন্তীঅম ধর্ম্মগী মরম্ গুগাইনা তাকপা ঙমগনি। অদুগা ঐঅম নঙোন্দা ধর্ম্মগী তত্ত্ব অদু হায়বা ঙমগনি। মরম অদুনা মাদুপুম্নমক্ অদু মহাক্না পুক্নিংচঙনা তাও ॥২৯॥ অচুম্বা ঙাঙবা, হায়খিবা হোংদবা হায়বসে তৌগদবমক্নি, চুম্মি। মরমদি অচুম্ব ঙাঙবদগী হেনবা ধর্ম্ম অম লৈত্রে। অদুবু অর্জ্জুন! "অচুম্বা" হায়বসি কাম্নদুনো হায়বত্থমদি য়াম্না মুন্না থঙখিগদবনি ॥৩০॥

মীনম্বা ঙাঙবনা অচুম্ব ঙাঙবদগী. পুণ্য হেন্ন পীগদোবা মতম্দা
অচুম্ব ঙাঙবনা মীনম্ব ঙাঙবদগী, পাপকী মহৈ হেন্ন পীগদোবা মকম্দা
ঙাঙদনা অচুম্ব ঙাঙগদবাওই, মীনম্ববু অচুম্বহুনি খল্দুনা ঙাঙগনি ॥৩১॥
থরাই মাঙঙম্দাই মতম্দা, লুহোংবম্-সভা ময়ায়দা
লৈজবা সমস্পত্তিপুম্বগী, মাঙঙম্দাইগী মকম মতম্দা
মীনম্ব ঙাঙবগী দোষ লৈতে, খঙজে, অস্মা ধনঞ্জয়! ॥৩২॥

বিবাহকালে রতিসম্প্রয়োগে প্রাণাত্যয়ে সর্বধনাপহারে।
বিপ্রস্য চার্থে হ্যনৃতং বদেত পঞ্চানৃতান্যাহুরপাতকানি ॥৩৩॥
তত্রানৃতং ভবেৎ সত্যং সত্যঞ্চাপ্যনৃতং ভবেৎ। তাদৃশে মুহ্যতে বালো যস্য সত্যমনুষ্ঠিতম্।
সত্যানৃতে বিনিশ্চিত্য ততো ভবতি ধর্ম্মবিৎ ॥৩৪॥
কিমাশ্চর্য্যং কৃতপ্রজ্ঞঃ পুরুষোঽপি সুদারুণঃ। সুমহৎ প্রাপ্নুয়াৎ পুণ্যং বলাকোঽন্ধবধাদিব ॥৩৫॥
কিমাশ্চর্য্যং পুনর্মূঢ়ো ধর্ম্মকামো হ্যপণ্ডিতঃ। সুমহৎ প্রাপ্নুয়াৎ পাপমাপগাস্বিব কৌশিকঃ ॥৩৬॥

অর্জ্জুন উবাচ।

আচক্ষ্ব ভগবন্নেতদ্‌যথা বিদ্যামহং তথা। বলাকস্যাভিসম্বন্ধং নদীনাং কৌশিকস্য চ ॥৩৭॥

বাসুদেব উবাচ।

পুরা ব্যাধোঽভবৎ কশ্চিদ্বলাকো নাম ভারত।। যাত্রার্থং পুত্রদারাণাং মৃগান্ হন্তি ন কামতঃ ॥৩৮॥

বিবাহগী মতম্‌দা, মুপীনহাগা উনরমদাইদা, থরাইমাগুব তারব মতম্‌দা, লম্ন্‌মপুম্ব চৎপ্রগদোবা মকম্ মতম্‌দা, সাধু মহাআশিংগী কাম্রগদোবা নৈরবা মকম্ মতম্‌দা, ভাগুদব য়াথিজ্রবা মীনম্বা ভাগুবগী দোষ থোইনা নৈতে হায়না মহর্ষিশিংনা হায়নৈ। হায়রিবা বিষয় মগা অসিদা ভাগুথিবা মিথ্যা (মীনম্ব) না পাপ থোক্টনা পোকহন্দে ॥৩৩॥ মরম্‌দি হায়রিবা বিষয় মগা অসিদা মীনম্বা ভাগুবদি অচুম্ব ভাগুবগী মহৈগুম্ জগৎকী কাম্নবা ওই। হায়রিবা বিষয় মগাসিদা অচুম্বা ভাগুথোক্রুরবদি জগত্তা অমদি সমাজদা অকায়বা অমা লাকৃই। অপগুবশিংনা অসিগুম্বা বিষয়শিংসিদা লেপ্পকম্ থগুদহুনা ধর্ম্মাধর্ম্মগী লম্বীদা কম্মুক্‌নৈ। মরম্ অদুনা মীনম্বা অমদি অচুম্ব ভাগুগুম্‌দাই মতম্‌দা কুপ্পামুম্না বিচার তৌরগা ভাগুগদবনি ভাগুলোইদৌবনি। মিথ্যা ভাগুবগী কম্নাকম্ন (অককত্ত) কুপ্পা নৈনরগা ভাগুবশিং অহু ধর্ম্মজ্ঞ (ধর্ম্মথগুবা) ওইবা মীনি ॥৩৪॥ কয়াদা ভকপ্রবা। অর্জ্জুন। বলাক কৌনা শাদানবহুনা মীগুাংব অমবু হাৎখিবদগী পুণ্য ফংখি। মতৌ অহুগুম্না য়াম্না শিক্ষিত ওইবা সজ্জননা ভম্‌থিম্নবা কর্ম্ম তৌরবসু পুন্য ফংনবা য়াওরি ॥৩৫॥ কয়াদা ভকৃপ্রবনো অর্জ্জুন। তুরেল ময়ামগী সঙ্গমস্থল (তাইনকম্) দা কৌশিকনা অচুম্বা ভাগুবদগী মহাপাপকী কল ফংখি। মতৌ অহুগুম্না অপগুবা মীশিংনা ধর্ম্মগী থবকতি তৌই হায়বনু মহাপাপকী মহৈ ফংনৈ ॥৩৬॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ-কৃষ্ণ। ফয়ে, ঐ অসি কয়ি থবক তৌরগা পাপ নত্রগা পুণ্য ফংগদগে মুম্ন থগুনবা বলাক হায়বা ব্যাধ অহুগা তুয়েলশিংগী তিন্নকম্ সঙ্গমস্থলদা নৈবা কৌশিক হায়বহুগা অনীগী য়াম্নীহু শান্নাৎনা অমুক্ত লীয়ু ॥৩৭॥ কৃষ্ণনা হায়ঃ-ভরতনন্দন। অর্জ্জুন। মমাওৈদা বলাক কৌবা শাদানবা অম নৈরম্নি। মহাক্ অসি মতুমচা থাম্নবগী মকক্ত শাউচেক্ হাৎলি। অহুগা মকম্ মতম্ চাদনা

বৃদ্ধৌ চ মাতাপিতরৌ বিভর্ত্ত্যন্যাংশ্চ সংশ্রিতান্। স্বধর্মনিরতো নিত্যং সত্যবাগনসূয়কঃ ॥৩৯॥
স কদাচিন্মৃগং লিপ্সুর্নান্‌বিন্দৎ প্রযত্নবান্। অপঃ পিবন্তং দদৃশে শ্বাপদং ঘ্রাণচক্ষুষম্ ॥৪০॥
অদৃষ্টপূর্বমপি তৎ সত্ত্বং তেন হতং তদা। অন্ধে হতে ততো ব্যোম্নঃ পুষ্পবর্ষং পপাত চ ॥৪১॥
অপ্সরোগীতবাদিত্রৈর্নাদিতঞ্চ মনোরমম্। বিমানমাগমৎ স্বর্গান্মৃগব্যাধনিনীষয়া ॥৪২॥
তদ্ভূতং সর্বভূতানামভাবায় কিলার্জ্জুন। তপস্তপ্ত্বা বরং প্রাপ্তং কৃতমন্ধং স্বয়ম্ভুবা ॥৪৩॥
তদ্ধত্বা সর্বভূতানামভাবকৃতনিশ্চয়ম্। ততো বলাকঃ স্বর্গাদেবং ধর্মঃ সুদুর্বিদঃ ॥৪৪॥
কৌশিকোঽপ্যভবদ্বিপ্রস্তপস্বী নবহুশ্রুতঃ। নদীনাং সঙ্গমে গ্রামাদদূরে স কিলাবসৎ ॥৪৫॥
সত্যং ময়া সদা বাচ্যমিতি তস্যাভবদ্ব্রতম্। সত্যবাদীতি বিখ্যাতঃ স তদাসীদ্ধনঞ্জয়। ॥৪৬॥
অথ দস্যুভয়াৎ কেচিত্তদা তদ্বনমাবিশন্। তত্রাপি দস্যবঃ ক্রুদ্ধাস্তানমার্গন্ত যত্নতঃ ॥৪৭॥

হাংপদি থক্ তৌদে। মনীঙ মখা তম্না পঙহাৎ হাত্তে ॥৩৮॥ মাগী জাতিগী ধর্ম্মদা পুক্নিং চঙবা, অচুম্ব ঙাঙবা, কল্লক্ য়েংথি মিহৌব লৈতবা বলাক হায়বা শাদানবা অসি অহল ওইরবা মমা মপাবু পীক্লবা মচামশূবু য়োকথাক্তুনা অম্মম্ লৈ ॥৩৯॥ নোংমদি, শাদানবা বলাক হাযবসি বনদা শা-উচেক অম্মম্ খিরকপদা, য়াম্ন কম্নদি থি হায়ববু মাঙ্গুগী সুমিত্তা করিমত ফজ্রে। অদুগী তুদা মনম্‌তনা উব-খঙবা ঙম্বা করিগুম্বা বনগী জীব (শা) অমনা লাপ্তুক্লা ঈশিং থক্তুনা লৈবদু মহাক্লা উরে ॥৪০॥ অদুগুম্বা জীব অদু মমাঙ্গৈদা থক্ উখিদ্রিবা অম ওইবনা বলাক কৌবা ব্যাধ অদুনা শা অদুবু অফিং অকাই ওইনা তেম্নশাদুনা হাৎখি। মমীৎ তাঙলবা শা অদুবু হেক্ হাৎখিবদা নোংমদোন থক্তুগী লাইশিংনা শাদানবা বলাক হায়বদুগী কোক্থক্তু লৈগী নোং চুখহনখি ॥৪১॥ অদুগী ঙহাক্ লৈবগা শাদানবা অদুবু স্বর্গদা পুখৎখিনবগীদমক্, অপ্সরাশিংগী ঈশৈগী সুংশিরবা খোঞ্জেল্লা পুমনিন্ লিল্লবা দোলাই অপাইবী অম নোংমদোন থক্তুগী পাইথরকই ॥৪২॥ অর্জ্জুন! শাদানবন্ননা হাৎগ্রবা জীব অসি মমাঙভৈদা, জগৎকী জীবপুম্বা হাচ্চগে হায়না অকন্‌বা তপস্যা তৌদুনা ব্রহ্মাগী মকমদগী বর নিখ। ব্রহ্মানা মাগী বর অদুদ পীদ পীরগা মহাকপূ মমীত্তাঙহনখি ॥৪৩॥ জীব পানবা পুম্বা হাৎকে খল্লম্বা কত্রবা জীব অদুবু হাৎতুনা জগৎকী জীবপুম্বগী অরাবা কোকহন্‌খিবদগী ব্যাধ শাদানবা অদু চঙনা স্বর্গ কাখি। মরমদি মহাক্লা জন্তু অদুবু হাৎখিবদু অচৌবা ধর্ম্ম অমদ পুণ্যগী থবক অম ওইগ্রে ॥৪৪॥ নারী অমনা করিনো হায়বদাঃ-কৌশিক কৌবা ব্রাহ্মণ অম মমাঙৈদা, খুন্দগী থোইদোক্লা লাপ্তুবা, তুরেল মরামগী তিন্নকম্ সঙ্গমস্থল অমদা লৈরম্মি ॥৪৫॥ "ঐ মতম লৈবা খিবিক্ত অচুম্বত ঙাঙগনি" হায়বা মহাকী কল্লবা ব্রত (নাশক) অম লৈ। অর্জ্জুন! মহাক অসি মহাসত্যবদী অমনি হায়না য়াম্না চাউনা মমিং চৎপা নিপা অম ওইরে ॥৪৬॥ নোংমদি মহাকী বনঅদুদা, হুয়ানবা মী হাৎপবু কিবদগী মীথম চেন্‌শিল্লকই।

অথ কৌশিকমভ্যেত্য প্রাহুস্তে সত্যবাদিনম্ । কতমেন পথা যাতা ভগবন্! বহবো জনাঃ ।৪৮।
সত্যেন পৃষ্টঃ প্রব্রূহি যদি তান্ বেত্থ শংস নঃ । স পৃষ্টঃ কৌশিকঃ সত্যং বচনং তানুবাচ হ ।৪৯।
বহুবৃক্ষলতাগুল্মমেতদ্বনমুপাশ্রিতাঃ । ইতি তান্ খ্যাপয়ামাস তেভ্যঃ পার্থ! স কৌশিকঃ ।৫০।
ততস্তে তান্ সমাসাদ্য ক্রূরা জঘ্নুরিতি শ্রুতিঃ । তেনাধর্ম্মেণ মহতা বাগ্দুরুক্তেন কৌশিক ।৫১।
গতঃ স কষ্টং নরকং সূক্ষ্মধর্ম্মেষ্বকোবিদঃ । যথা চাল্পশ্রুতো মূঢ়ো ধর্ম্মাণামবিভাগবিৎ ।৫২।
(যুগ্মকম্)
বৃদ্ধানপৃষ্ট্বা সন্দেহং মহচ্ছ্বভ্রমিতোঽর্হতি । তত্র তে লক্ষণোদ্দেশঃ কশ্চিদেবং ভবিষ্যতি ।৫৩।
দুষ্করং পরমং জ্ঞানং তর্কেণানুব্যবস্যতি । শ্রুতের্ধর্ম্ম ইতি হ্যেকে বদন্তি বহবো জনাঃ ।৫৪।
ত্বেতন্ন প্রত্যসূয়ামি ন চ সর্ব্বং বিধীয়তে । প্রভবার্থায় ভূতানাং ধর্ম্মপ্রবচনং কৃতম্ ।৫৫।

অদুদগী হূরান্‌বা ডাকুশিং অদু মখোয়বু তাম্নরক্ত্না থিরক্ত্না বন অদোমদা হেক চঙশিল্লকই ॥৪৭॥ হূরানবশিং অদুনা মহাসত্যবাদী ওইবা কৌশিক হায়বা ব্রাহ্মণ অদুদা "ভগবন্ হৌজিক্কী মীয়ামদু বরম্বা লম্বীদা চৎখি ?" হায়না হংঙরে ॥৪৮॥ "ঐখোয়না হংলিবসে চুম্ম থুম্বিয়ু। অসোমদা হোচ্চিনখ্রিবশিংদুগী লোৎকম্ খঙলবদি তাকৃপিয়ু" হায়না হংলম্লবদা কৌশিক কোবা ব্রাহ্মণ অদুনা মখোয়দা অচুম্ব হায়দোকলে ॥৪৯॥ "মখোয় অদু বন অসিগী মনুংদা উন্নী ঽয়ীনা য়েচ্ছিল্লবা মকম অমদা লোত্না লৈরে" হায়না কৌশিক অসিনা ঈশেং শেংনা হূরানবশিং অদুদা তমখোকলে। অর্জ্জুন! মতৌ অসুম্না কৌশিক হায়বা ব্রাহ্মণ অদুনা হূরানবশিং অদুগী মকম্‌দা অচুম্বা ঙাঙখি ॥৫০॥ অদুদগী হূরানবা-ডাকুশিং অদুনা চেনশিল্লক্ত্না লম্বী চৎপশিং অদুবু হাৎখি। অসুম হায়না ঐখোয়না মমাইদা তাখি। অদুগী তুংদা ধর্ম্মগী কুপ্লবা মওংবু খঙদবা, জ্ঞান রাংলবা ধর্ম্ম তত্ত্ব তাগী মরক্তা কৈরিবা খেন্নরিংসি খঙদবা কৌশিক হায়বা ব্রাহ্মণ অসি, জ্ঞান তাদনা অচুম্ব ঙাঙ্বদগী অদুগা মানা ঙাঙখ্রিবা অচুম্বা অদুনা জীব কয়াগী মাঙতাক্লনবগী মশক্ ওইবদগী অকিবগী মশক কংনা তমথিন্নবা নরককী কোমদা তাখি। ॥৫১-৫২॥ অর্জ্জুন! জ্ঞান রাংপা মীশিংনা অহল্লমন লাইগুরুগী মনাক্ কমদদুনা ধর্ম্মনি হায়দুনা তৌরোইদোবা ঙাক্ত তৌদুনা সংসারদগী চৎখ্রবা অকিবগী মশক কংলবা নরকত তাথিননবা মশামশানা শীঙ্গ্রে! করে, অসি পূম্নক পমখো, নংগী নকমদা করিগুম্বা ধর্ম্ম অমদি অধর্ম্মগী লক্ষন অসি চপচানা হায়বা তাই ॥৫৩॥ জ্ঞান তাদবা, তায়বস্তু মপুংকানা তাখ্রিবা মীনা ন্যায়শাস্ত্রগী মতুংইন্না তর্কবিতর্ক য়াম্না তৌদুনা [খণ্ডন-মণ্ডন য়াম্ন তৌনরগা ধর্ম্মগী তত্ত্ব পুখোক্লবা হোৎনৈ। অদুগা মীকাংলুপ অমনা বেদত নৈনদুনা বেদপাঠত তৌদুনা ধর্ম্মগী মশক্ খঙনবা হোৎনৈ। ॥৫৪॥ হায়রিবা মত অনীসিগী করিগুম্ব অমদা ঐনা থক নিঙ্গা তৌদে। অদুমদি ওইরবদা তর্কবিতর্কনা অদুগা বেদনা ধর্ম্মবু

যৎ স্যাদহিংসাসংযুক্তং স ধর্ম্ম ইতি নিশ্চয়ঃ। অহিংসার্থায় ভূতানাং ধর্ম্মপ্রবচনং কৃতম্ ॥৫৬॥
ধারণাদ্ধর্ম্মমিত্যাহুর্ধর্ম্মো ধারয়তে প্রজাঃ। যৎ স্যাদ্ধারণসংযুক্তং স ধর্ম্ম ইতি নিশ্চয়ঃ ॥৫৭॥
যেঽন্যায়েন জিহীর্ষন্তো ধর্ম্মমিচ্ছন্তি কর্হিচিৎ। অকূজনেন বা মোক্ষো নাস্নুকূজেৎ কথঞ্চন ॥৫৮॥
অবশ্যং কূজিতব্যে বা শঙ্কেরন্ বাপ্যকূজতঃ। শ্রেয়স্তত্রানৃতং বক্তুং তৎ সত্যমবিচারিতম্ ॥৫৯॥
যঃ কার্য্যেভ্যো ব্রতং কৃত্বা কর্ম্মণা নোপপাদয়েৎ। ন তৎ ফলমবাপ্নোতি এবমাহুর্মনীষিণঃ ॥৬০॥
প্রাণাত্যয়ে বিবাহে বা সর্বজ্ঞাতিবধাত্যয়ে। কর্ম্মণ্যভিপ্রবৃত্তে বা ন চ প্রোক্তং মৃষা ভবেৎ ॥৬১॥
অধর্ম্মং নাত্র পশ্যন্তি ধর্ম্মতত্ত্বার্থদর্শিনঃ। যং স্তেনৈঃ সহ সম্বন্ধান্মুচ্যতে শপথৈরপি ॥৬২॥
শ্রেয়স্তত্রানৃতং বক্তুং তৎ সত্যমবিচারিতম্। ন চ তেভ্যো ধনং দেয়ং শক্যে সতি কথঞ্চন ॥৬৩॥

শেমদে-শাদে। অহুমক্তনা মু'নশিংনা জীবপানবা পুম্নমকী মঙ্গলগীদমক্তা তোঙানবা শাস্ত্র অমনা ধর্ম্মগী নিয়ম তাকই ॥৫৫॥ কৃষ্ণ এগী মততা হিংসা য়াওদবা কর্ম্ম মথৈ ধর্ম্মগী কর্ম্মমক্তনি। হিংসা তৌদবা (অহিংসা) তনা অথোইবা ধর্ম্মনি হায়বসি মুনিশিংনস্থ হায়নরিবান ॥৫৬॥ মুনিশিং, জ্ঞানীশিংনা, করি হায়নবগে হায়ববু তাইবং মীবু ধর্ম্মতনা কাল্ল। অহুনা জীববু কম্ননবগী থবক মথৈ ধর্ম্মগী কর্ম্মমক্তনি। মরম অহুনা ধর্ম্মতৌবা হায়ববু ঙাকলিবা-কনবিরিবা অহুতনি ॥৫৭॥ আত্মানা (পেল্লগা) লোইরে অরানবা অচুম্বা হায়বা লৈতে। "আত্মানবু পেনগদবা লৈরবদি মীগী মপোৎ মরক হুক্রুহুনবু ওইরবস্থ শোৎলুদনবু ওইরবস্থ করিগুম্বা উপায় অমনা কর্ম্মতৌবা য়াই।" অস্নুম্না কনা কনাগুম্বা বেদবু নিন্দা তৌবা নাস্তিকাশিংনা ওস্থোক ওস্থোকপা তর্ক বিতর্কতনা ধর্ম্মশাস্ত্রগী নিয়মবু ককৃশংননবা হোৎনৈ। মথোয়হুগা থক্ তিমরোইদোবনি য়ারী কাওবা শামিন্নরোইদবনি ॥৫৮॥ য়া অমত ঙাঙত্রবদি, অতোপ্প অমগীপুক্নি'দা অকায়ব, চিংনবা অম লাকপা তারে হায়না চপচানা থঙহুনা ঙাঙবা তাত্রবদি, মীনম্ব ওইরবস্থ মাহু ঙাঙথোকপা তাই। মরমদি অচগুম্বা মীনম্বা অহু "বিচার ঈতোতৌদনা হায়দোকখিবঅচুম্বা (সত্য)" হায়না কৌবা সত্য মথল অমনি। ॥৫৯॥ মচীন্দদি অচুম্বগী নিয়ম ঙাক্ত হায়রগা অমদি ঙাকলগা মশানা মাহুগী মতু ইন্না থবক্ তৌত্রবদি নিয়ম অহু ঙাকপগী মহৈ কংদে হায়না জ্ঞানীশিংনা হায়নৈ ॥৬০॥

থরায় মাঙগদবা লৈরবদা, বিবাহগী মরমদা, শাগৈ পুম্বা মাঙবা তারবদা অহুগা করিগুম্বা থবক্ অমগী আরম্ভ তৌরবদা মাহুদা য়াখিদহুনা ঙাঙবা তারবা মীনম্বা অহুদি থাজৈশংবা মীনম্বা হায়বহু নত্তে ॥৬১॥ য়াশক্প্রবস্থ নত্রগা মীনম্বা ঙাঙপ্রবস্থ কত্রবা হুয়ানবা মীহাৎপশিংগী মথুত্তগী নাম্বোক্হৌরবদি বিষয় অসিদা অধর্ম্মগী শক্লক্ অমত্তবু ধর্ম্মগী তত্ত্ব থঙবশিংনস্থ উবা কংদে ॥৬২॥ মকম্ মতম্ অসিদা মীনম্বা ঙাঙবগা অচুম্ব হায়দোক্পগা অনীসিগী মন্নুংদা করম্বনা জগৎকী অমদি জীব অমগী উপকার ওইগদগে হায়বস্থ বিচার তৌরগা মীনম্ব ঙাঙবা তাত্রবদি

পাপেভ্যো হি ধনং দত্তং দাতারমপি পীড়য়েৎ। তস্মাদ্ধর্ম্মার্থমনৃতমুক্ত্বা নানৃতভাগ্‌ভবেৎ ॥৬৪॥

এষ তে লক্ষণোদ্দেশো ময়োদ্দিষ্টো যথাবিধি। এতচ্ছ্রুত্বা ব্রূহি পার্থ। যদি বধ্যো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৬৫॥

অর্জ্জুন উবাচ।

যথা ব্রূয়ান্মহাপ্রাজ্ঞো যথা ব্রূয়ান্মহামতিঃ। হিতঞ্চৈব যথাস্মাকং তথৈব বচনং তব ॥৬৬॥

ভবান্ মাতৃসমোঽস্মাকং তথা পিতৃসমোঽপি চ। গতিশ্চ পরমা কৃষ্ণ। তেন তে বাক্যমুত্তমম্ ॥৬৭॥

নহি তে ত্রিষু লোকেষু বিদ্যতেঽবিদিতং ক্বচিৎ। তস্মাদ্ভবান্ পরং ধর্ম্মং বেদ সর্বং যথাতথম্ ॥৬৮॥

অবধ্যং পাণ্ডবং মন্যে ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্। অস্মিংস্তু মম সঙ্কল্পে ব্রূহি কিঞ্চিদনুগ্রহম্।

ইদঞ্চাপরমত্রৈব শৃণু হৃৎস্থং বিবক্ষিতম্ ॥৬৯॥

জানাসি দাশার্হ। মম ব্রতং ত্বং যো মাং ব্রূয়াৎ কশ্চন মানুষেষু।

অন্যস্মৈ ত্বং গাণ্ডিবং দেহি পার্থ। যস্ত্বত্তোঽস্ত্রৈর্বীর্য্যতো বা বশিষ্ঠঃ ॥৭০॥

মাহুদা দোষ লৈতে। মবম দ অঃগুম্বা মীনম্বা অহুবু জ্ঞানী শংনা বিচার য়াওদবা "অচুম্বা" মথল অমনি তাযনা লৌনৈ। অহুগা মশাগী শাক্ত লৈন লৈনদ, অ নংগুম্বা মথলগী "অচুম্বা" ভাঙবশিং অহুদা শেল থুম্ন চিংবা দান্ তৌবদি য়াদে ॥৬৩॥ পপীশিদা তৌবা দানদি দাতা (অপীবা) মশাদসু অরাব অমঙ্গল পী। অহুনা ধর্ম্ম ভাক্লবগীদমক্ মীনম্বা ভাঙলবসু, ভাঙলুবগী পাপাত করিমত লৈতে ॥৬৪॥ অর্জ্জুন। ঐনা নংগী নকম্‌দা অচুম্বা অরানবগী মওং অসি তশেংনা শন্না হায়রবনি। হৌজিক্ত নং নশানা খল্লে, নয়াম্বা যুধিষ্ঠির স হাৎকম্ থোকপ্রা, থোক্তব্রা হায়বহু ॥৬৫॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— কৃষ্ণ। অশংবা জ্ঞানীশংনদি হৌজিক্ হায়রিবাসিগুম্না হায়নৈ। হৌজিক্ হায় প্রবশিং অসে ঐগী কান্নবগী দমক্ত নি হায়বা ঐ থ উত্ত ॥৬৬॥ কৃষ্ণ! নহাক্তি ঐথোয়গী ঈমা ঈপা ওইহুনা শৈরবনি। ঐথোয়গী অরাব তারবদা চঙক্ফম্ ওইহুনা লৈরবনি অহুনা নহাক্না তাক্লিবা হায়রিবা পুম্বা ঐথোয়গী কান্নবমক্তনি ॥৬৭॥ অসিগী মথক্ত ময়োম্ অহুম্ অসিদা নহাক্না খঙদ উদবা থক্ লৈতে। নহাক্তি ধর্ম্ম পুম্নমক্কী তত্ত্ব লোইনা খঙহুনা লৈরবনি ॥৬৮॥ কৃষ্ণ। যাম্বুং মহারাজ যুধিষ্ঠিরগী মথক্ত ঐনা করিগুম্বা হীরমদা হিংসা তৌকম্ থোকতে হায়বসি ঐ খঙলে। অহুগা ঐনা ঐগী রাশক্পু ভাক্তবা অসিগী মরম্‌দা করি কন্নাফল লৈবা অহুসু তাকউ। হৌজিক্ ঐসু ঐগী পুক্লিংদা লৈরিবা বিষয় অসি হায়দোক্নীঙিও মাদু তাও ॥৬৯॥ কৃষ্ণ। "অর্জ্জুন। নং গাণ্ডীব পায়বদা মতিক্ চাদে" অম্নুম্না হেক্ হায়বা অহু অম খঙদে অম খঙদে, খুদক্ত হাৎকনি হায়বা ঐগী কল্লবা রাশক্ অম লৈ হায়বসি নহাক্না খঙলিবহু মঙায়। য়াম্বুং য়াম্নমা ভীমসেনগীসু অসিগুম্বা রাশক্ অম লৈ মাহুদি কনাগুম্বদা

হন্তাস্মহং কেশব ! তং প্রসহ্য ভীমো হন্তাস্তু বরকেতি চোক্তঃ ।
তস্মৈ রাজা প্রোক্তবাংস্তে সমক্ষং ধনুর্দেহীত্যসকৃদ্বৃষ্ণিবীর ! ।৭১। (যুগ্মকম্)
তং হন্তাস্মেৎ কেশব ! জীবলোকে স্থাতা নাহং কালমপ্যল্পমাত্রম্ ।
ধ্যাত্বা নুনং হেনসা চাপি যুক্তো বধং বাঞ্ছো ভ্রষ্টবীর্য্যো বিচেতাঃ ।৭২।
যথা প্রতিজ্ঞা মম লোকসিদ্ধা ভবেৎ সত্যা ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠ ! ।
যথা জীবেৎ পাণ্ডবোঽহঞ্চ কৃষ্ণ ! তথা বুদ্ধিং দাতুমস্থার্হসি ত্বম্ ।৭৩।

বাসুদেব উবাচ ।

রাজা শ্রান্তো দুঃখিতো বিক্ষতশ্চ কর্ণেন সংখ্যে নিশিতৈর্বাণসংঘৈঃ ।
পশ্চাচ্চায়ং সুপুত্রেণ বীর ! শরৈর্ভৃশং তাড়িতোঽযুধ্যমানঃ ।৭৪।
অতস্ত্বমেতেন সবোষমুক্তো দুঃখান্বিতেনেদমযুক্তরূপম্ ।
আকোপিতো হ্যেষ যদি স্ম সংখ্যে কর্ণং নিহন্যাদিতি চাব্রবীত্বাম্ ।৭৫।
জানাতি তং পাণ্ডব এষ চাপি পাপং লোকে কর্ণমসহ্যমন্যৈঃ ।
ততস্ত্বমুক্তো ভৃশরোষিতেন রাজ্ঞা সমক্ষং পরুষাণি পার্থ ! ।৭৬।

"শবৃথীবা-কোই হৌদবা" হায়না কথেম্বনা হায়বা মীঅদু ভীমসেননা হাৎকনি হায়না রাশকৃলিবনি। অদুগা "নং গাণ্ডীব পায়গনু, মতীক্ চাদে, হৌজিকৃমক অমদা পীখোকত্রে।" হায়না য়াম্মুং যুধিষ্ঠিরনা হৌজিক্ত ঐওন্দা হন্না হন্না হাযখিবদু কৃষ্ণ নহাকস্ম্ন তাখ্রিবদুনি ॥৭০-৭১॥ কেশব ! ঐনা ঐগী রাশক ওাক্ত্না য়াম্মু' যুধিষ্ঠিরবু হাৎলবস্ম ঐস্ম রাশকৃঅদু ওাকলম্মগ মর্ত্ত্যলোক অসিদা মীকৃপ অমত পস্তদুনা লৈব ওম্মোই। আত্মহত্যা তৌদুনা শিগনি। নাকল অমদনা রাশক কায়বগী পাপ অমরোমদনা নিংথৌবু হাৎপা অনী অসিগী মরক্তা তাদুনা ঐগী থরাই-হকচাং অনীমক্ চোক্খ্রে। পুবা ওম্মকৃত্রে ॥৭২॥ অদুনা ধর্ম্মগী তত্ত্বু মুম্বথওলবা কৃষ্ণ ! জগত্তা থওন তানগ্রবা ঐগী রাশক অসিবু কায়দবা', অদুগা য়াম্মুং মহারাজ যুধিষ্ঠিরস্ম মঙ্গল ওইনা পুনশিন্দুনা লৈবা অনী অসি কায়দনব লম্বীঅদু নংনা তাকউ ॥৭৩॥ কৃষ্ণনা হায়ঃ-অর্জ্জুন ! অকনবা ! য়াম্মুং নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা কর্ণগা কন্না থেংনরুবদগী য়াম্না চোক্থখিদুনা অদুগা, মায়থীবা কংদুনা হকচাংপুম্বদা হোগায় খিনগাইবা কংচনা রানা লৈরি। থুৎলায় থাদোকতুনা লাল শোরুদনা লৈরবা মতমদু কাওবদা কর্ণনা নয়াম্মু'বু য়াম্না অরাবা পীখি ॥৭৪॥ অদুম্না রা।য়ৈও-অরাঅনা কংলিঙৈ অবস্থা অদুদা মুংঙাইতবা অশাউবগা লোয়ননা নয়াম্মুংনা থীনা চৈখি। থীনা হায়খিবদুগী উদ্দেশ্য-বিধেয় (মরম অমদি তৌগদবা) অনীমক্তি কর্ণবু হাৎননবা অর্জ্জুন নঙোন্দা থৌজিনবা, নংগী পুক্নীং থৌগৎপা, অমদি নংবু শাউগৎহনবা অসিতনি ॥৭৫॥ অর্জ্জুন ! জগৎ অসিদা, পাপী, কত্রবা,

নিত্যোদ্যুক্তে সততঞ্চাপ্রসক্তে কর্ণে দ্যুতং হন্ত রণে নিরুদ্ধম্ ।
তস্মিন্ হতে কুরবো নির্জ্জিতাঃ স্যুরেবং বুদ্ধিঃ পার্থিবে ধর্ম্মপুত্রে ॥৭৭॥
ততো বধং নার্হতি ধর্ম্মপুত্রস্ত্বয়া প্রতিজ্ঞার্জ্জুন । পালনীয়া ।
জীবন্নয়ং যেন মৃতো ভবেদ্ধি তন্মে নিবোধেহ তবানুরূপম্ ॥৭৮॥
যদা মানং লভতে মাননার্হস্তদা স বৈ জীবতি জীবলোকে ।
যদাবমানং লভতে মহান্তং তদা জীবন্মৃত ইত্যুচ্যতে সঃ ॥৭৯॥
সম্মানিতঃ পার্থিবোঽয়ং সদৈব ত্বয়া চ ভীমেন তথা যমাভ্যাম্ ।
বৃদ্ধৈশ্চ লোকে পুরুষৈশ্চ শূরৈস্তস্যাপমানং কলয়া প্রযুঙ্ক্ষ্ব ॥৮০॥
ত্বমিত্যত্রভবন্তং হি ব্রূহি পার্থ । যুধিষ্ঠিরম্ । ত্বমিত্যুক্তো হি নিহতো গুরুর্ভবতি ভারত ! ॥৮১॥
এবমাচর কৌন্তেয় । ধর্ম্মরাজে যুধিষ্ঠিরে । অধর্ম্মযুক্তং সংযোগং কুরুষ্বৈবং কুরূদ্বহ ! ॥৮২॥

কর্ণগী মাওদা লপকদবদি অর্জ্জুন নং নত্তনা কনাঅমত লৈতে হায়বসি যুধিষ্ঠির মহারাজনম্ন হেন্না খওবিরিবনি। গাণ্ডীববু পায়গদবদি জগৎ অসিদা নহাক্তনি হায়বস্ন য়াম্নুং যুধিষ্ঠিরনা অত্থুম্ খওবিরিবনি। অত্থবু নংবু শাউহনগে হায়বগী দমক্ নওোন্দা থীনা হায়খিবনি। মমা মপানা মচাবু ঈচও থোক্নগে হায়ত্থুনা চৈবদা মচানা করিগী শাউকম থোকই? ॥৭৬॥ কল্লবা, থৌনা ফরবা, মী অমনা মাযোক য়াবদা রারবা কর্ণগী মথক্তা অত্থৈগী চৌবরগুম্বা লাল্ অসিগী জয় পরাজয় অনীমক্ নন্দুনা লৈথ্রবনি। অত্থনা মহাকপুত হাৎলর্বদ কৌরব লাম্নীপুম্বা জয় তৌরবনি হায়বসি মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা চপয়ুংনা খন্দুনা লৈবিরকলিবনি ॥৭৭॥ অত্থনা যুধিষ্ঠিরগী মথক্তা হিংসা তৌবা য়ারোই। অত্থুগা নংগী রাশকম্ন খওদবা য়াদে। অত্থনা যুধিষ্ঠির মহারাজনা হিংনা হিংনা নোংগাথিবা য়াবা অত্থুগা নহাক্কীম্ন মতীক চপচাবা ওইবা থবক অত্থু ঐ হায়গে তাও ॥৭৮॥ ঈকায় খুম্নবদা মতীক চারবা মীনা মতীকচাবা সম্মান কত্থুনা লৈরিবদে। মহাক হিংত্থুনা লৈরিবা হায়বত্থুনি। অত্থুগা অত্থুগুম্বা মহাক অত্থনা মায়থীবা অমদি চোপ্পদ ফংত্থুনা লৈরিবদো ফুংশাখোয় হোয় হোয়। শিত্থুনা লৈরিবনি ॥৭৯॥ অসিমক্তনা অর্জ্জুন! নং, ভীমসেন, নকুল, সহদেব, নখোয়সিনা নিংথৌ অসিগী মফম্দা মতম্ পূম্বদা সম্মান ফংত্থুনা লৈরিবনি। অত্থুগা সমাজ অসিদা অহল লমনশিংগা অত্থুগা অকনবশিংনা নয়াম্নুংবুম্ন য়াম্ন সম্মান তৌত্থুনা লৈরি। অত্থনা, নহাক, অর্জ্জুন! নয়াম্নুংদা খজিক্তং অপমান পীয়ু ॥৮০॥ পাণ্ডুনন্দন! অর্জ্জুন! নংনা নংগী নয়াম্নুং অহল নিংথৌ যুধিষ্ঠিরদা "নং" হায়বা রাহৈ অসি শীজিন্নত্থুনা অপমান পীয়ু। "নং" হায়বা রাহৈ অসি হেক তাবদা নয়াম্বসে নংনা হাৎলবা-শিরবগা অম্মা ওইরে ॥৮১॥ কুন্তীনন্দন! অর্জ্জুন! ঐনা তাকলিবসে থুনা তৌ। ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরগী মফম্দা অসিগুম্বা উশিত্তবা "নং" রাহৈসে শীজিন্নবা অমুক্তা রা

অথর্ব্বাঙ্গিরসী হ্যেষা শ্রুতীনামুত্তমা শ্রুতিঃ। অবিচার্য্যৈব কার্য্যৈষা শ্রেয়স্কামৈর্নরৈঃ সদা ।৮৩।
অবধেন বধঃ প্রোক্তো যদ্গুরুস্ত্বমিতি প্রভুঃ। তদ্ব্রূহি ত্বং যন্ময়োক্তং ধর্ম্মরাজস্য ধর্ম্মবিৎ। ।৮৪।
বধং হ্যয়ং পাণ্ডব। ধর্ম্মরাজত্বনো যুক্তং বেৎস্যতে চৈবমেষঃ।
ততোঽস্য পাদাবভিবাদ্য পশ্চাৎ সমং ব্রুয়াঃ সান্ত্বয়িত্বা চ পার্থম্ ।৮৫।
ভ্রাতা প্রাজ্ঞস্তব কোপং ন জাতু কুর্য্যাদ্রাজা কঞ্চন পাণ্ডবেয়ঃ।
মুক্তোঽনৃতাদ্ভ্রাতৃবধাচ্চ পার্থ! হৃষ্টঃ কর্ণং ত্বং জহি সূতপুত্রম্ ।৮৬।

ইতি শ্রীমহাভারতে সতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুনসংবাদে একপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

খাংজ, ॥৮২॥ অর্থবা অমদি অঙ্গিরা মুনিনা ক্ষত্রিশিংগী মপুংদা অথোইবা পাউতাক অসি পীবিরম্মি। অদুনা অমগীস্তু অমগীস্তু ঈকায় কায়দবা, অনীমক্কী মঙ্গল ওইবা পাম্বা মীনা অম অমমুক খন্দনা পাউতাক অসিগী মতুংইন্না থুনায়াঙনা থবক পাঙথোকই ॥৮৩॥ ধর্ম্মখঙবা অর্জ্জুন! অহল লমন লাইগুরুদদি "নং" হায়বা রাহৈতনা মখোয়বু হাৎপ্রবগা চপমান্নে। অদুনা অর্জ্জুন! থীল্লগু, ঐনা হায়রিবসি থুনা তৌ ॥৮৪॥ পাণ্ডুনন্দন! অর্জ্জুন! অদুম তৌরবদি ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনস্তু মশাবু অর্জ্জুননা ধর্ম্ম কায়দনা হাৎখ্রে হায়বত্ত অদুম্ হেক্ত খঙবিরগনি। মাদু হায়বা হেক লোইবগা নংনা হোৎচন্দুনা ধর্ম্মরাজগী চরণদা নকোক শোক্লা থুরম্‌জদুনা নরাল কোক্লবা হায়জো। অদুগী তুংদা, যুধিষ্ঠিরনা পেল্লবা তুংদা তৌগদবা নথো থুনায়াঙনা পায়খৎলু ॥৮৫॥ মাদুদা শিংলবা জ্ঞান লৈরবা নিংথৌ নয়াম্বুং যুধিষ্ঠিরনা অমুক থোইনা শাউবা তৌররোই। মতৌ অসুম্না রাশক ভাক্তবগী পাপতগী অদুগা নয়াম্ব হাৎপগী পাপতগীস্তু নাম্থোক্লগা লালফম্‌দা, নথরাই মুংঙাইনা সূতকী মচা কর্ণবু হাৎলু ॥৮৬॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুনসংবাদ"গী য়াঙ্খেমাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

———

শ্রীমহাভারতম্

দ্বিপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ

স্নাখৈনীথোই শুবা অধ্যায়

(যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন চাওনরকপা মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

ইত্যেবমুক্তস্তু জনার্দ্দনেন পার্থঃ প্রশস্যাথ সুহৃদ্বচস্তৎ।
ততোঽব্রবীদর্জ্জুনো ধর্ম্মরাজমনুক্তপূর্বং পরুষং প্রসহ্য ।১।

অর্জ্জুন উবাচ।

মা ত্বং রাজন্। ব্যাহর ব্যাহরস্ব যস্তিষ্ঠসে ক্রোশমাত্রে রণাদ্বৈ।
ভীমস্তু মামর্হতি গর্হনায় যো যুধ্যতে সর্বলোকপ্রবীরৈঃ ।২।
কালে হি শত্রূন পরিপীড্য সংখ্যে হত্বা চ শূরান্ পৃথিবীপতীংস্তান্।
রথপ্রধানোত্তমনাগমুখ্যান্ সাদিপ্রবেকানমিতাংশ্চ বীরান্ ।৩।
যঃ কুঞ্জরাণামধিকং সহস্রং হত্বানদত্তুমুলং সিংহনাদম্।
কাম্বোজানামযুতং পার্বতীয়ান মৃগান্ সিংহো বিনিহত্যেব চাজৌ ।৪।
সুদুষ্করং কর্ম্ম করোতি বীরঃ কর্তুং যথা নার্হসি ত্বং কদাচিৎ।
রথাদবপ্লুত্য গদাং পরামৃশংস্তয়া নিহত্যাশ্বরথদ্বিপান্ রণে ।৫।

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। কৃষ্ণনা অসুম্না হায়রকলবদা কাম্নরবা উপায়নি হায়না খল্লুনা অর্জ্জুননা খম্নোয়গী অরাবা সু·ঙাইতবা পুম্বা খাক্রক ক্রক চীক্লা খাঙদুনা হায়নীং হায়নীংদনা, মশানা মশাবু নম্থেক্তনা যুধিষ্ঠিরদা অসুম্না হায়খিঃ—॥১॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ "নিংথৌ। নংনা ঐভোন্দ গাণ্ডীব খাদোকউ হায়বদো অমুক হন্না হায়গনু। নহাকতি লালকম্নদগী যুথক অমগী লম্দা লাপ্পা লৈরে। অমরোমদা ভীমসেননসু ঐবু য়াম্না থীন' নিন্দা তৌরম্বা য়াই। মরমদি মহাক হৌজিক মথন্তনা জগৎকী মনুংদা লৈরিবা অকনবশিংগা য়াম্না কন্না থেংনরি॥২॥ কল্লবা ভীমসেননা য়েক্লবশিংবু নৈথায়দুনা লালকম্নদা অচৌ অচৌবা অকনবা নিংথৌশিংবু, অচৌ অচৌবা শগোল শামু ময়াম্বু, শগোল শামুতোংবা লাম্নী লিশিং লিশিংবু অহুগা মথোয়গী শগোল শামু লিশিং লিশিংবু, অহুগী মথক্তা কাম্বোজদেশগী য়াংচাউরবা শগোল অযুত অমবু অহুগা চীঙলমদম্গী শাথিরবা লাম্নী কয়াকয়াবু হাত্তুনা, শজী ময়াম্বু হাৎলগা নোংশানা ঙংলকপদুঙ্মা, অকিবগী মশক কংলবা লালকম্নদা ভীমসেননা লাউরকলি ভীমকৌবা অকনবনা মাগী রথদগী চোংথদুনা মথুক্তা গদা পায়থত্তুনা মাদুতনা মশীংলাকুত্তমল্লবা শগোল শামু রথী কয়াকয়া হাত্তুনা, মী অমনা

বরাসিনা চাপি নরাশ্বকুঞ্জরাংস্তথা রথাশ্চৈর্বহুধা জঘন্যরীন্ ।
প্রসহ্য পত্ত্যামহিতান্ নিহন্তি যঃ পুনশ্চ দোর্ভ্যাং শতমন্যুবিক্রমঃ ॥৬॥
মহাবলো বৈশ্রবণান্তকোপমঃ প্রসহ্য হন্তা দ্বিষতামনীকিনীম্ ।
স ভীমসেনোঽর্হতি গর্হণাং মে ন ত্বং নিত্যং রক্ষ্যসে যঃ সুহৃদ্ভিঃ ॥৭॥ (কুলকম্)
মহারথান্ নাগবরান্ হয়াংশ্চ পদাতিমুখ্যানপি চ প্রমথ্য ।
একো ভীমো ধার্ত্তরাষ্ট্রেষু মগ্নঃ স মামুপালব্ধুমরিন্দমোঽর্হতি ॥৮॥
কলিঙ্গবঙ্গাঙ্গনিষাদমাগধান্ সদামদান্ নীলবলাহকোপমান্ ।
নিহন্তি যঃ শত্রুগজাননেকান্ স মামুপালব্ধুমবিন্দমোঽর্হতি ॥৯॥
স যুক্তমাস্থায় রথং হি কালে ধনুর্বিধুন্বন্ শরপূর্ণমুষ্টিঃ ।
সৃজত্যসৌ শরবর্ষাণি বীরো মহাহবে মেঘ ইবাম্বুধারাঃ ॥১০॥
শতান্যষ্টৌ বারণানামপশ্যং বিশাতিতৈঃ কুম্ভকরাগ্রহস্তৈঃ ।
ভীমেনাজৌ নিহতান্যদ্য বাণৈঃ স মাং ক্রূরং বক্তুমর্হত্যবিঘ্নঃ ॥১১॥
বলন্তু বাচি দ্বিজসত্তমানাং ক্ষত্রং বুধা বাহুবলং বদন্তি ।
ত্বং বাগ্বলো ভারত। নিষ্ঠুরশ্চ ত্বমেব মাং বেৎস যথাবিধোঽহম্ ॥১২॥

তৌওম্দবা থবক্ কয়া তৌরি। মাহ্র নংনা তৌবা ওম্দে। ইন্দ্রগা মান্নবা মতীক মঙ্গল মথৌনা লৈরব ভীমসেনন্না থাওশান, চক্রনা, লৌরু তেম্না য়েক্লবশিংগী শগোল শামু রথী কয়াকয়াবু হাংথ্রে অহুগ ...হা ত্রিকসু হাংলি। অতুদগী চোংশিন চোংশিন্দুনা মথোঙপাক অনীতনা, মখুং অনীতনসু য়েক্লবা লিশি লিশবু লেংথায়হনা লৈহওনা হাংলি। কন্ত্র, কুবের অমদি যমবু গুম্বা, যেক্লবা লৈহৎপা ওম্বা য়াম্বু ভীমসেনতনাদ অর্জ্জুন ঐবু চৈবা অমদি থীনা হায়বা য়াই। মরমদি মহাক্তনা অস্তক য়াম্বা খোমী লাম্মীশং অসবু ভাকশেনবা ওম্ম। নহাক্তি মাহুসু ওমদে ॥৬ ৭॥ য়েক্লবাশংগী তঙ্গোল মরক্ চঙহুনা মহারথী কথা কথাবু শগোল শামু খোঙমী লাম্মী কয়া কথাবু হৎলশ্নগা কল্লবা ভীমসেননা দুর্য্যোধনগী লাম্মী মরক্তা চঙশিনথ্রে। অহুগা অকনবা ভীমসেন মহাক্তনা ঐবু থীনা হায়বা যাই। নংগুম্বনা মাহু যাদে ॥৮॥ কলিঙ্গ, বঙ্গ, অঙ্গ, নিষাদ অহুগা মগধ দেশগী ময়ায় কারবা, অমমম্না চাউববা মুমবা নোং মতুম অমমম্গুম্বা, য়েক্লগী শামু লিশিং লিশিংবু হাংথখবা, য়েরবা মপৈ মপৈবু লৈহংওম্বা ভীমসেনতনা ঐবু থীনা চৈবা-নিন্দা তৌবা য়াগনি। নংগুম্বনা মাহু থক্ য়াদে ॥৯॥ হাযরিবা অকনবা ভীমসেন অসিনা লালগী মতমচানা রথ মথক্তা তোদুনা খুত্থমচেৎনা লৌরুং পায়দুনা, নোংচুপ্পরকপগুম্না তেল মপৈ মপৈবু য়েক্লবশিংগী মথক্তা হৈথখি ॥১০॥ ঐ ঈশামক্তা উথি য়াম্বু ভীমসেননা ওসিগী লান্দা থৌর থৌরবা তেন্তনা য়েক্লবশিংগী শামু চানিপানবু মথোয়গী মকোক, মনাতোল, মনাতোন তোঙনাউ কক্কক্না খুদক্তা হাংখি। অহুগুম্বা অকনবা মহাক্তা অর্জ্জুন ঐবু চৈবা অমদি থীনা হায়ব য়াই। নংগুম্বনা মাহু য়াদে ॥১১॥ ভরতনন্দন! জ্ঞানীশিংনা করি হায়নবগে হায়রবু—ব্রাহ্মণগী পাঙ্গলা চীন্দ, ক্ষত্রিয়গী পঙ্গলা পাখোমদা। অহুং

যত্তে হি নিত্যং তব কর্ত্তুমিষ্টং দারৈঃ সুতৈর্জীবিতেনাত্মনা চ।
এবং যস্মাং বাগবিশিখেন হংসি ত্বত্বং সুখং ন বয়ং বিদ্ম কিঞ্চিৎ ।১৩।
মা মাবমংস্থা দ্রৌপদীহস্তসংস্থো মহারথান্ প্রতিহন্মি ত্বদর্থে।
তেনাবিশঙ্কী ভারত। নিষ্ঠুরোঽসি ত্বত্তঃ সুখং নাভিজানামি কিঞ্চিৎ ।১৪।
প্রোক্তঃ স্বয়ং সত্যসন্ধেন মৃত্যুস্তব প্রিয়ার্থং নবদেব। যুদ্ধে।
বীরঃ শিখণ্ডী দ্রৌপদোঽসৌ মহাত্মা ময়াভিগুপ্তেন হতশ্চ তেন ।১৫।
ন চাভিনন্দামি তবাধিরাজ্যং যতস্ত্বমক্ষেষহিতায় সক্তঃ।
স্বয়ং কৃত্বা পাপমনার্য্যজুষ্টমস্মাভির্বৈ তর্ত্তুমিচ্ছস্যরীংস্তম্ ।১৬।
অক্ষেষু দোষা বহবো বিধর্ম্মাঃ শ্রুতাস্তয়া সহদেবোঽব্রবীদ্যান্।
তান্ নৈষি ত্বং ত্যক্তুমসাধুজুষ্টাং স্তেন স্ম সর্বে নিবয়ং প্রপন্নাঃ ।১৭।

ক্ষত্রিয় নহাকী পাঙন্দি চৌন্দতদা লৈরে। অদুনা নহাক য়াম্না তম্থিনা সুংশিহৈতবনি। অদুগা ঐসি কয়দ্বা মীনো নহাক্ত খঙলিবদ্রনি ॥১২॥ অর্জ্জুন, ঐদি লম্থ্ম, সুপী অঙাং ঈশামকী হকচাংবু থাদোক্ত্না নহাকী পেন্নবব সুংঙাইনবত্ত হোৎনরকৃলিবনি। অদুবু নহাক্না রাঙাংগী তেস্তনা ঐগী থস্মোয়বু থিনগাইরি। অদুনদি পুনশি অসিদা নঙোন্দগী ঐনা সুংঙাইবা কংনবগী করিগুম্বা আশা অমত্ত ভৌননীঙাই লৈত্তে ॥১৩॥ ভরতনন্দন।-নংনা দ্রৌপদীগী কমুংথক্তা লৈরগা ঐবু থৌঙাইদবদি তৌগমু। ঐনা লালকম্দা মহারথী কয়া কয়াবু হাৎলকলিবসে নহাকী দমক্তনি। অদুমক্তদা নহাক্না ঐগী ঈকম্দা তম্থিরবা লম্চৎ চৎলি। মাসিনা তাববু নঙোন্দগী ঐনা সুংঙাইবগী আশা অমত্ত তৌব য়াদ্রে ॥১৪॥ নিংথৌ। রাশক্ চেৎপা ঈবুধৌ ভীষ্ম মশামক্না কল্লবা অমদি মহাত্মা ওইরবা দ্রুপদগী মচা শিখণ্ডীবু মশামকী মৃত্যুস্থান (শিকম্) নি হায়বিরম্মি। অদুদগী অর্জ্জুন ঐনা নহাকী পেন্নবা মুংঙাইনবগী দমক্তা শিখণ্ডীবু ঐনা ঐগী লৈজবা শক্তিনা ঙাকশেন্দুনা থম্থি। তাস্লাদুদা শিখণ্ডীনা ভীষ্মবু তুহনথিবনি ॥১৫॥ পাকচাউরবা লৈপাক্ক অসিগী সম্রাট্ ওইদুনা নহাক্না স ম্রাজ্য কংনবা হোৎনবসে ঐ য়ানিংদে। মরমদি নহাক্তি মুমিৎ চুপ্পা চৌবর (জুয়ার) শান্নবদা পুক্নিং লুপ্নি। সজ্জন ওইদবা, ক্ষত্রবশিংতনা তৌগদবা পাপকী থবকপু তৌরগা নহাক্ত ঙনাও ওইরিবা ঐখোয়গী পাম্বৈনা য়েক্লবশিংগী তেঙ্গোলগী মশক্ ওইরবা ঈপাকপু লাম্হোককে হায়বসি নীঙলি ॥১৬॥ চৌবর অদু শান্নংম্দাইদা য়ারবদি শান্নদনবা হায়দুনা জ্ঞান লৈরবা সহদেবনা জুয়ার শান্নবগী মহৈ অমদি দোষ কয়াকয়া উত্ত্না উপদেশ পীথি। অদু কাওবদা কক্সবা মীনা তৌগদবা থবক অসি থাদোকউ হায়বা নহাক্না য়াথিদে। অদুগী মহৈনা ঐখোয়স্

সুখং স্বন্তো নাভিজানীম কিঞ্চিদ্যৈস্তথ্যৈর্দেবিভুং সম্প্রবৃত্তঃ।
স্বয়ং কৃত্বা ব্যসনং পাণ্ডব। ত্বং ভূয়স্তীক্ষ্ণাঃ শ্রাবয়ন্তস্ত বাচঃ ॥১৮॥
শেতেঽস্মাভির্নিহত শত্রুসেনা ছিন্নৈর্গাত্রৈর্ভূবিতলে নদন্তী।
ত্বয়া হি তৎ কর্ম্ম কৃতং নৃশংসং যস্মাদ্দোষঃ কৌরবাণাং বধশ্চ ॥১৯॥
হতা উদীচ্যা নিহতাঃ প্রতীচ্যা নষ্টাঃ প্রাচ্যা দাক্ষিণাত্যা বিশস্তাঃ।
কৃতং কর্ম্মাপ্রতিরূপং মহদ্ভিস্তেষাং যোধৈরস্মদীয়ৈশ্চ যুদ্ধে ॥২০॥
ত্বং দেবিতা ত্বৎকৃতে রাজ্যনাশস্ত্বৎসম্ভবং নো ব্যসনং নরেন্দ্র!।
মাস্মান্ ক্রূরৈর্বাক্প্রতোদৈস্তুদংস্ত্বং ভূয়ো রাজন্। কোপয়েস্বল্পভাগ্যাঃ ॥২১॥

সঞ্জয় উবাচ।

এতা বাচঃ পরুষাঃ সব্যসাচী স্থিরপ্রজ্ঞঃ শ্রাবয়িত্বাতিরূক্ষাঃ।
বভূবাসৌ বিমনা ধর্ম্মভীরুঃ কৃত্বা প্রাজ্ঞঃ পাতকং কিঞ্চিদেবম্ ॥২২॥
ততোঽর্ধতেপে সুররাজপুত্রো বিনিশ্বসংশ্চাপ্যসিমুদ্ববর্হ।
তমাহ কৃষ্ণঃ কিমিদং পুনর্ভবান্ বিকোষমাকাশনিভং করোত্যসিম্ ॥২৩॥

ঈপা ঈপাল কয়া কয়া হাত্তুনা নরকতা তারে ॥১৭॥ পাণ্ডব। অহৈগী চৌবর সম্ভাদা চৌবর শান্নি হায়রুনা হেক ফমথখিবা পুংকম্ অহুদগী ঐখোয়গী দশাচঙংগ্রে, অরাবা হোক্রে হায়বসিদি ঐখোয়না অতম্ মথঙপ্রবনি। কয়াদা ভকপ্রবা। নং নশানা দোষ কয়াকয়া লঙজরগা নহাক্কী ফননবত খনবা ঐখোয়বু থীনা চৈরি! ॥১৮॥ ঐখোয়না হাৎলবা অকনবশিং অসিনা মশাপুম্বা শিংগুপ শানা লৈমায়থক্তা তুহনা লৈরি। তমথিরবা থবকসে নহাকমক্তা তৌরিবনি। ঐখোয়না তম্মকপা বিভা পুবগী মহৈদি "শাগৈ হাৎপা" হায়বা অসিতনা ওইহল্লিবসে নহাকথক্তগীনি। কৌরব শাগৈ মুৎননবা বিভাতম্বা তাহনখ্রিবসে নহাক্রনি পাণ্ডব ॥১৯॥ অরাং লোমগী, নোংচুপকী, নোংপোক লোমগী, মথাগী লাম্মীঅয়াম্বা হাৎখ্রে। অক্তনা য়েক্লবগী অমদি ঐখোয়রোমগী কাঙবুগী লাম্মীশিংনা চাংদমনীঙায় লৈতবা অকনবগী থবক্ তৌখ্রবনি ॥২০॥

নিংথৌ! চৌবর (জুরার) শান্নথিবসে নহাক্রনি। নহাক্তনা ঐখোয় খ্বাইগী লৌরী ইংথোল, ঈরৈবাক্ মাঙহন্‌খিবনি। ঐখোয়বু অরাব থুদোং থীবা ফংহনখ্রিবসে নহাক্তননি। লাইবক্ থীর বা নহাক্না তম্‌থিরবা রাহৈনা ঐখোয়বু চৈথনা ঐখোয়গী থম্মোয়দা অমুক্ অরাবা অশাউবা পোক্‌হনবসে তৌরগু ॥২১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! রাখল তপ্লবা, ধর্ম্মবু কিশনবা, হৈশিংলবা কল্লবা অর্জ্জুননা মরাম্ব যুধিষ্ঠিরগী মকম্‌দা মত্তৌ অস্থুমা "নঙ-মা" হায়না শীজিন্নহনা অকনবা অয়াকুপা অমদি মপোক্‌তৈগী অমুক্ত হায়খিজিবা রাহৈশিং হায়রগা, মাহুগী অনুতাপনা মায়থোং লাংশিন্না মপি জং জং চেন্দুনা তুমিন্না চপ লেপতুনা লৈখি ॥২২॥ অহুদগী ওহাক্ লৈবগা মানা

ব্রবীহি মাং ত্বং পুনরুত্তরং বচস্তথা প্রবক্ষ্যাম্যহমর্থসিদ্ধয়ে।
ইত্যেবমুক্তঃ পুরুষোত্তমেন সুদুঃখিতঃ কেশবমর্জ্জুনোঽব্রবীৎ ॥২৪॥
অহং হনিষ্যে স্বশরীরমেব প্রসহ্য যেনাহিতমাচরং বৈ।
নিশম্য তৎপার্থবচোঽব্রবীদিদং ধনঞ্জয়ং ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠঃ ॥২৫॥
রাজানমেনং ত্বমিতীদমুক্ত্বা কিং কশ্মলং প্রাবিশঃ পার্থ। ঘোরম্।
ত্বঞ্চাত্মানং হন্তুমিচ্ছস্যরিঘ্ন। নেদং সদ্ভিঃ সেবিতং বৈ কিরীটিন্। ॥২৬॥
ধর্ম্মাত্মানং ভ্রাতরং জ্যেষ্ঠমদ্য খড়্গেন চৈনং যদি হন্যা নৃবীর।।
ধর্ম্মাদ্ভীতস্তৎ কথং নাম তে স্যাৎ কিঞ্চোত্তরং বাকরিষ্যস্ত্বমেব ॥২৭॥
সূক্ষ্মো ধর্ম্মো দুর্বিদশ্চাপি পার্থ। বিশেষতোঽজ্ঞৈঃ প্রোচ্যমানং নিবোধ।
হত্বাত্মানমাত্মনা প্রাপ্নুয়াস্ত্বং বধাদ্ভ্রাতুর্নরকঞ্চাতিঘোরম্ ॥২৮॥
ব্রবীহি বাচাদ্য গুণানিহাত্মনস্তথা হতাত্মা ভবিতাসি পার্থ।।
তথাস্তু কৃষ্ণেত্যভিনন্দ্য তদ্বচো ধনঞ্জয়ঃ প্রাহ ধনুর্বিনাম্য ॥২৯॥

তৌগ্রবা ব্যবহার অদুগী মৈনা চাক্তনা, নুশামপী থবেৎ থবেৎ হোম্ন হোম্না নাকন্দা য়াল্লিবা থাওথুম্দগী থাওশাং ছৎলি। মতম্ অদুদা কৃষ্ণনা মোমোন্ নোক্তনা "কারিগী থাও ছৎলি নং?" হাযনা অর্জ্জুনদা হায়রকই ॥২৩॥ "খুম্মু অর্জ্জুন। নংনা নীঙাওবদুগী পাওথোক্নবা ঐ উপায় অম হাযগে।" কৃষ্ণগী বাস তাবদা অর্জ্জুননা যাম্না দুক্তাইতনা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়খি ॥২৪॥ "কৃষ্ণ! ঐ ঈশানা থওনা থওনা হক্চাং আসনা নত্তবা পাপকী কর্ম্ম তৌখ্রে। অদুনা হক্চাং আস থম্দুনা কাম্নদে মাওহল্লগে। ঐগী পুনশিসি ও স লোইশনহনগ্রগে।" অর্জ্জুননা অসুম্না হায়রক্লবদ ধর্ম্ম থওবগী মধুদা অথোইবা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা অসুম্না হায়রকই:—॥২৫॥ অর্জ্জুন! কারিগীনো নংনা নংগী নযাম্বু মহারাজ ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরদা "নও মা" হায়দুনা রাহৈ অমনী শীখ্রবগা জ্ঞান ঈতা তদনা পাপকী কর্ম্ম অম তোগ খল্লিবা? যেক্নবা হাৎওম্বা! কারিগীনো নংনা য়েক্নবদি হাত্রদুনা নশাবু হাচ্চগে তৌরিবা? অর্জ্জুন! কিরীটী! অহওম্বা মহাপাপকী থবক্তি কনাওম্বা সজ্জননা তৌনদেনা! ॥২৬॥ নিপা অথোইবা! কারিওম্বা নংনা রাশক কান্নবা হায়বা পাপ অদুবু কিবদগী নয়াম্বুংবু থাঙৈশেংনা হাৎলম্বমক্ থোকলো, অদু ওইরবদি মতম্ অদুদা নংগী করি দশা ওইগনি, খওব্রা? অদুগী তুংদা নংনা তৌরমগদবসি করিনো? ॥২৭॥ পৃথানন্দন! ধর্ম্ম হায়বসে য়াম্না কুপথ্রবনি; পাক্ খওওম্দবনি ধর্ম্মগী তত্ত্বনা অসুম্না খওওম্দবা ওইবসে সাধারণ ওইবা মীশিংদনা অমুক্ খিৎ হেনবনি। অদুনা, ঐ হায়গে তাও। নংনা হৌজিক আত্মাঘাত তৌরম্রবদি নয়াম্বা হাৎপগী পাপ অসিদু ওন্থোক্না শাথিনা হেন্না তম্থিরবা পাপ অম পূরম্পনিদো! ॥২৮॥ "অর্জ্জুন! আত্মহত্যা তৌনিংলিবদো কৈ, নং হৌজিক্ নশাগী নত্তিক

যুধিষ্ঠিরং ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠং শৃণুষ রাজন্নিতি শক্রসূনুঃ।
ন মাদৃশোঽন্যাস্তি নরদেব! লিম্ভতে ধনুর্দ্ধরো দেবমৃতে পিনাকিনম্ ।৩০। (যুগ্মকম্)
অহং হি তেনানুমতো মহাত্মনা ক্ষণেন হন্যাং সচরাচরং জগৎ।
ময়া হি রাজন্! সদিগীশ্বরা দিশো বিজিত্য সর্বা ভবতঃ কৃতা বশে ।৩১।
স রাজসূয়শ্চ সমাপ্তদক্ষিণঃ সভা চ দিব্যা ভবতো মমৌজসা।
পাণৌ পৃষৎকা লিখিতা মমৈব ধনুশ্চ সব্যে বিততং সবাণম্ ।৩২।
পাদৌ চ মে সরথৌ সধ্বজৌ চ ন মাদৃশং যুদ্ধগতং জয়ন্তি।
হতা উদীচ্যা নিহতাঃ প্রতীচ্যাঃ প্রাচ্যা নিরস্তা দাক্ষিণাত্যা বিশস্তাঃ ।৩৩।
সংশপ্তকানাং কিঞ্চিদেবাবশিষ্টং সর্বস্য সৈন্যস্য হতং ময়ার্দ্ধম।
শেতে ময়া নিহতা ভারতায়া চমূ রাজন্! দেবচমূপ্রকাশা ।৩৪।
যে চাস্ত্রজ্ঞাস্তানহং হন্মি চাস্ত্রৈস্তস্মাল্লোকান্ নেহ করোমি ভস্মসাৎ।
জৈত্রং রথং ভীমমাস্থায় কৃষ্ণ। যাবঃ শীঘ্রং সূতপুত্রং নিহন্তুম্ ।৩৫।

নঙণ নপাঙল নখোনাদা লোইনা শক্তুনা নশা নথন্তবু থাগচৌ। মাদো আত্মহত্য তৌরবগা অঙ্গানি। অহুনা নং হৌজিক্ আত্মপ্রশংসা তৌ। নংনা তৌখিব মথৈ শক্থরকুউ।" কৃষ্ণগী রাসি তাবদা অর্জ্জুননা "করে ঐ অহুমক্ তৌরগে" হায়রুণা ইন্দ্রগী মচা অর্জ্জুননা গাণ্ডীব লীরু পায়খৎতুনা লীরীবু নাকোং মরু কংনা চিংহুনা ধর্ম্ম চেল্লবা ময়াম্বু যুধিষ্ঠির য়েংহুনা অস্নুম হায়রকই ঃ—

তাকিযু য়াম্বুং নিংথৌরেল,। জগৎ অসিদা ঐগা মান্নবা
লৈতবনি অকনবা কনাম্বু, উমাপতি মহাদেব নত্তন ॥২৯॥-৩০॥

মহাদেবগী য়াথং কংলবদি অর্জ্জুন ঐ হৌজিকমক অচচ্চত্তনা থল্লবা জগৎ অসিবু সংহার তৌব ঙমগনি। মহারাজগী রাজসূয় যজ্ঞগী মতমদ অর্জ্জুন ঐ ইথত্তনা মায়গে ঙাকপা অকনবা লাইশিংবু মায়থীবা পীহুনা লমলম্ পুম্নমক্ য়াম্বু মহারাজগী নখা পোলহজ্জখি ॥৩১॥ যজ্ঞ অদু লোইরবা তুংদা ঐগী ঈপাঙন্না ঈখা পোলহন্থবা ময়দানবপু য়াম্বুং মহারাজগী, লাইরৈবাকী সভামন্দিরগুম্বা কজরবা সভামণ্ডপ অম শাহনখি। ঐগী য়েখৎবা খুত্তা তেল, ওইথংবদা লীরি অমদি তেঙ্গা থোংবা লীরুং য়েক্তুনা লৈরি। ॥৩২॥ ঐগী খোঙথাদা রথ অমাদ ফিরল ময়ি লৈরি। অসিমক্তদা য়েক্কবশিংনা ঐগী মাঙদা লেপ্প ঙমদে। ঐ হৌজিক, খা অরাং নোংপোক নোংচুপকী অকনবা মথৈ লোইনা হাৎলে॥৩৩॥ মহারাজ' হৌজিক্, অদু কয়াম্বা সংশপ্তক লান্মীশিং অদু খজিক্ক মঙায়রে ঐনা হাৎকদবা। কৌরব লান্মীপুম্বা তংখাই চনুথ্রে ঐনা হাৎখ্রিবা। লাইরৈপাকী লান্মী মপেঙম্বা কৌরব লান্মী অয়াম্বা ঐগীথুত্তা তুমথ্রে ॥৩৪॥ খুৎলায় হৈবা য়েক্কবশিং অদুবু ঐনা খুৎলায়তনা হাৎলি। অহুনা ঐনা হৌজিক কাওবা পশুপতি কৌবা খুৎলায়না য়েক্কবপুম্ববু উৎ

রাজা ভবত্বদ্য সুনির্ব্বৃতোঽয়ং কর্ণং রণে নাশয়িতাস্মি বাণৈঃ।
অদ্যাপুত্রা সূতমাতা ভবিত্রী কুন্তী বাথো ময়া বা তেন বাপি।
সত্যং বদাম্যদ্য ন কর্ণমাজৌ শরৈরহত্বা কবচং বিমোক্ষ্যে ॥৩৬॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইত্যেবমুক্ত্বা পুনরেব পার্থো যুধিষ্ঠিরং ধর্ম্মভৃতাং বরিষ্ঠম্।
বিমুচ্য শস্ত্রাণি ধনুর্বিসৃজ্য কোষে চ খড়্গং বিনিধায় তূর্ণম্ ॥৩৭॥
স ব্রীড়য়া নম্রশিরাঃ কিরীটী যুধিষ্ঠিরং প্রাঞ্জলিরভ্যুবাচ।
প্রসীদ রাজন্। ক্ষময় যন্ময়োক্তং কালে ভবান্ বেৎস্যতি তন্নমস্তে ॥৩৮॥

(যুগ্মকম্)

প্রসাদ্য রাজানমমিত্রসাহঃ স্থিতোঽব্রবীচ্চৈব পুনঃ।
নেদং চিরাৎ ক্ষিপ্রমিদং ভবিতা আবর্ত্ততেঽসাবভ্যেতি চৈনম্ ॥৩৯॥
যদ্যদ্য ভীমং সমরে প্রমোক্ষ্যে সবর্ষ্মনা সূতপুত্রঞ্চ হন্মি।
তব প্রিয়ার্থং মম জীবিতং হি ব্রবীমি সত্যং তদবেহি রাজন্।
ইতি প্রযাস্যন্নুপগৃহ্য পাদৌ সমুত্থিতো দীপ্ততেজাঃ কিরীটী ॥৪০॥

ওইনা মাঙতন্দ্রে ফারে, অসি পুন্নমক লেখসনু, কুন্তী। কান্নদে, লাউ। ঐগী অকিবগী মশক ওইরবা রথ অসিদা। থুনায়াঙনা কাখতুনা বথ আস থোনব তো। ঐ হৌজিকমক থুনায়াঙনা কর্ণবু লোইথোকপুরগে ॥৩৫॥ ৬স ঐ যাম্নু মহারাজবু পেনহনগে। তেস্তনা কর্ণগা মথাই লোইরগে। ঙাসিগী নুমত্তা কর্ণনা মমাবু মচাপৈত্রবী ওইহনগে। নত্রগা কর্ণনা ভমখ্রগা ঐগী ঈমাকুন্তীবু মচা অর্জ্জুন লৈত্রবী হায়বগা ওইহনখ্রসনু। ঐ রাশকুনা হায়রি ঃ— ঙসিগী নুমত্তা কর্ণবু হাত্রবাদি ঐ লালফুরং (কবচ) অসি থক্ লোথোকখ্রবরোই ॥৩৬॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! মতো অসুম্না কিরীটীধারী অর্জ্জুননা ধর্ম্মাচনবগী অথোইবা, যুধিষ্ঠিরদা মশাবু থাগচ্চবগী রা অমনীদং হায়রগা লীরুং তেল থাদোক্তুনা, থাঙখুমদা থাঙ থিংজিন্দুনা ঈকাথব-নুংঙাইবনা মকুলুক্কা মখুৎ লোম্নদুনা যুধিষ্ঠিরদা অসুম্না অমুক হায়রকই ঃ- মহারাজ। ননাই ঐনা থোগললোল কাযনা খরদং হংগচ্চপ্রিবশিং অসিগী অরানবা ঙাকপিগনি। ঐনা মকম্ অসদা কর্ণ হাৎলমদনা লাকপগী মরম্ কোম্ন খঙবিগনি। চয়ণদা হম্না হম্না খুরমজরি ॥৩৭-৩৮॥ কল্লবা অর্জ্জুননা, থাঙবা কনবা যুধিষ্ঠিরগী মকমদা অসুম্না হায়রদুনা ময়াম্ববু পেহল্লগা অসুম্না অমুক হায়রক্কইঃ-মহারাজ! কর্ণ হাৎপা হায়বসে কুইলাকদবা পোৎ নত্তে, থুনাঙ্গাঙনা পাঙথোক্লগদবা থবক্ অমনি। আদা কর্ণ লাকপু লাকলে। ঐমতোল্লোমদা চঙশিনজখ্রগে ॥৩৯॥ "ভীমসেনবু লাল্লক্গী কল্লুনবা অদুগা কর্ণগী মথাই লৌক্লনবা ঐ চক্চরে।

এবমুক্ত্বা পাণ্ডবো ধর্ম্মরাজো ভ্রাতুর্বাক্যং পরুষং ফাল্গুনস্য।
উত্থায় তস্মাচ্ছয়নাদুবাচ পার্থং ততো দুঃখপরীতচেতাঃ ॥৪১॥
কৃতং ময়া পার্থ! যথা ন সাধু যেন প্রাপ্তং ব্যসনং বঃ সুঘোরম্।
তস্মাচ্ছিরশ্ছিন্ধি মমেদমদ্য কুলান্তকস্যাধমপুরুষস্য ॥৪২॥
পাপস্য পাপব্যসনান্বিতস্য বিমূঢ়বুদ্ধেরলসস্য ভীরোঃ।
বৃদ্ধাবমন্তুঃ পরুষস্য চৈব কিং তে চিরং মে হ্যনুসৃত্য রূক্ষম্ ॥৪৩॥
গচ্ছাম্যহং বনমেবাদ্য পাপঃ সুখং ভবান্ বর্ত্ততাং মদ্বিহীনঃ।
যোগ্যো রাজা ভীমসেনো মহাত্মা ক্লীবস্য বা মম কিং রাজকৃত্যম্ ॥৪৪॥
ন চাস্মি শক্তঃ পরুষাণি সোঢ়ুং পুনস্তবেমামি রুষান্বিতস্য।
ভীমোঽস্তু রাজা মম জীবিতেন ন কার্য্যমদ্যাবমতস্য বীর! ॥৪৫॥
ইত্যেবমুক্ত্বা সহসোৎপপাত রাজা ততস্তচ্ছয়নং বিহায়।
ইয়েষ নির্গন্তুমথো বনায় তং বাসুদেবঃ প্রণতোঽভ্যুবাচ ॥৪৬॥

মহারাজ! ঐ রাশক্তুনা হায়জরি ঐনা হাযজরিবসি থাজবিদ্র ঐগী পুনাশিসে য়ম্বুং মহারাজগী দমক্তনি।" রাহৈ থরসি হায়রগা তেজ কল্লবা অর্জ্জুন অসি লাল চঙগদবগী যুধিষ্ঠিরগী খোঙ শোক্লা খুরম্মগা ফুক্‌হেক্ হৌগৎলি ॥৪০॥ মতম্ অদুদা পাণ্ডুনন্দন যুধিষ্ঠিরনা মনাও অর্জ্জুনগী থোইদোক্লা তম্থিনা থীনা হায়খিবা রাহৈশিং অদু তাবদা য়াম্না মুংঙাইতনা কম্মুংদগী তপ্না তপ্না হৌগত্তুনা অর্জ্জুনদা অস্তুম্না হায়খি :- ॥৪১॥ অর্জ্জুন! তাইবং মীনা তৌবদা কত্রবা জং মথৈ ঐনা তৌত্রে। অদুমক্তনা নখোয়না অস্তুক য়াম্না অরাবা থুদোংথীবসি ফংলিবনি। ঐদি মহা নরাধম কত্রবা, শাপৈ মাঙতাক্লবা পোকপা মীশক অমনি অদুনা, অর্জ্জুন! নংনা ছৎলম্বা থাঙ অদু পায়খৎলু। ঈয়াম্বগী ভুক অসি কক্‌উ ॥৭২॥ ঐদি মহাপাপকী থবক্তা-ওক্লবা থবক্ত পূক্লিং চঙলবনি, পঙলবা মীনি, অতনবা, কিগনবা-পাঙদবা মীনি. অহললমম্ন হায়বা ইন্দবা, তমথিরবা মীশক অমনি। অদুনা কত্রবা ঐগী ঈভুং ইন্দুনা নখোয়না করি ফংগনি? ॥৪৩॥ নংনা হাত্রগা, ঐ ওসিদগী বনদা চৎঙ্গনি। নং ঐবু থাদোক্লবতদা মুংঙাইবা চাওখৎপা ফংগনি। কল্লবা নয়াম্ব ভীমসেনতনা নখোয়গী মতীক চায়বা নিংথৌনি। ঐদি নপুংসকনি। নপুংসক অমনা লৈপাক অমগী নিংথৌ ওইবদা মতীক চাত্রা? ॥৪৪॥ "অকনবা! নংস্থ নংনা শাউরিদৈ মতম্‌দা ভাওথিবনিদ হায়ববু নংনা হায়খ্রিবা রাহৈশিং অদো ঐনা নীঙশিংহুনা খাঙহুনা লৈব ওমদে। অস্তুক্ চোপ্না, মনাওনকাওবা থৌওই উশিঙবা মওংদা লৈবগী করি কান্নবা লৈরি? ঐ বন চৎলে, ভীমনা নিংথৌ ওইসনু" ॥৪৫॥ যুধিষ্ঠিরনা অস্তুম্না হায়রগা কম্মুংথক্তগী ফুক্ হেক হৌগৎলি। বনদা চৎকদবগী থৌরাং ভৌবদু

রাজন্! বিদিতমেতত্তে যথা গাণ্ডীবধন্বনঃ।
প্রতিজ্ঞা সত্যসন্ধস্য গাণ্ডীবং প্রতি বিশ্রুতা ।৪৭।
ক্রয়াদ্য এনং গাণ্ডীবং দেহ্যন্যস্মৈ ত্বমিত্যুত।
বধ্যোঽস্য স পুমাল্লোঁকে ত্বয়া চোক্তোঽয়মীদৃশম্ ।৪৮।

ততঃ সত্যাং প্রতিজ্ঞাং তাং পার্থেন প্রতিরক্ষতা। মচ্ছন্দাদবমানোঽয়ং কৃতস্তব মহীপতে। ।৪৯।
গুরুণামবমানো হি বধ ইত্যভিধীয়তে। তস্মাত্ত্বং বৈ মহাবাহো। মমপার্থস্য চোভয়োঃ ।৫০।
ব্যতিক্রমমিমং রাজন্! স সংরক্ষার্জ্জুনং প্রতি। শরণং ত্বাং মহারাজ! প্রপন্নৌ স্ব উভাবপি ।৫১।
(যুগ্মকম্)

ক্ষন্তুমর্হসি মে রাজন্। প্রণতস্যাভিযাচতঃ। বাধেয়স্যাদ্য পাপস্য ভূমিঃ পাস্যতি শোণিতম্ ।৫২।
সত্যং তে প্রতিজানামি হতং বিদ্ধ্যদ্য সূতজম্। যস্যেচ্ছসি বধং তস্য গতমপাদ্য জীবিতম্ ।৫৩।
ইতি কৃষ্ণবচঃ শ্রুত্বা ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। সসম্ভ্রমং হৃষীকেশমুত্থাপ্য প্রণতং তদা ।৫৪।
কৃতাঞ্জলিস্ততো বাক্যমুবাচানন্তরং বচঃ। এবমেব যথাত্থ ত্বমস্ত্যোষোঽতিক্রমো মম ।৫৫।
(যুগ্মকম্)

উৎদা বৃষ্ণনা কোক্ নেম্না খুৎ লোম্ননা যুধিষ্ঠিরদা অস্নুম্না হায়রকই ॥৪৬॥ মহারাজ! ধর্ম্মরাজ! তপথবিখো। ননাও তকনবা, রাশকচেৎপা অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবগী মরমদ লৈখিবা অকনবা রাশক অম লৈ হায়বসি মহারাজনা হেন্না ৎছেবিরিবত্নু মগোয় ॥৪৭॥ অম ৎছেদ অম থকদে, কনাগুম্ব অমনা "নং গাণ্ডীব পাযবা মতীক চাদে, অমদা পীখে," হায়বা রাহৈ আস হেক হায়বা মহাক অদু খুদঙ্গা হাৎকনি হাযবা অসিগুম্বা রাশক অম অর্জ্জুনগী লৈ হায়বাস খঙ্গাবিরিবত্নান। রা আস মহারাজনা অর্জ্জুনদা হায়বিগ্রে ॥৪৮॥ মহারাজ! ননাও ঈবুঙো অর্জ্জুননা মাগী রাশক কাযদনা ঐগী ঈঙ্গত মতুং ইন্না অকনবা রাহৈ শর মহারাজদা পীজন্নখিবান ॥৪৯॥ আশংবা জন নীশংনা হাযলেঃ- "গুরুজনদা অথীব-ন্যংত র নাইদনা রাঙাং পীজিন্নবদি হাৎপগা চপ মান্নরবনি।" অদুনা মহারাজ। অর্জ্জুনগী মরাল ঙাকপিযু। ঐগা অর্জ্জুনগা অনীন মহারাজদা লঙজবা দোষ পুম্বা ঙাকপিযু। ঐখোয় অনীমক্ মহারাজদা খুৎ লোম্ননা চঙজরি ॥৫০-৫১॥

মহারাজ! ঐ ঈশামক্না ঈকোক্ নোম্ন হায়জরি। ঐখোয় অনীগী ইরাল ঙাক্পিযু। ঙসিগী সুমিত্ত কুরুক্ষেত্রগী রণভূমিনা কর্ণগী ঈ চুপকদৌরি ॥৫২॥ ঐসু রাশক্তনা হাযজরি ঙসিগী সুমিৎত কর্ণ লৈত্রে হায়বসি অদুম্ মখঙবিয়ো। মাদু হাৎলবনি, মহাক্ ঙসিদগী মর্ত্ত্যলোকত লৈত্রবনি হায়না লৌবিয়ো ॥৫৩॥ কৃষ্ণগী রা অসি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা নোম্বরক্লিবা কৃষ্ণবু তহা তহানা কোনখৎলগা খুৎ লোম্নদুনা অস্নুম্না হায়রকই :—কৃষ্ণ! নহাক্না হায়রিবাশংসে অচুম্বমক্তান। মাসে

তন্নীতোঽস্মি গোবিন্দ! তারিতশ্চাস্মি মাধব! । মোক্ষিতা ব্যসনাদ্ঘোরাদ্বয়মদ্য ত্বয়াচ্যুত। ।৫৬।

ভবন্তং নাথমাসাদ্য হ্যাবাং ব্যসনসাগরাৎ। ঘোরাদদ্য সমুত্তীর্ণাবুভাবজ্ঞানমোহিতৌ ।৫৭।

ত্বদ্বুদ্ধিপ্লবমাসাদ্য দুঃখশোকার্ণবং বয়ম্। সমুত্তীর্ণাঃ সহামাত্যাঃ সনাথাঃ স্ম ত্বয়াচ্যুত। ।৫৮।

সঞ্জয় উবাচ।

ধর্মরাজস্য তচ্ছ্রুত্বা প্রীতিযুক্তং বচস্ততঃ। পার্থং প্রোবাচ ধর্মাত্মা গোবিন্দো যদুনন্দনঃ ।৫৯।

পার্থ! ধর্মভৃতাং শ্রেষ্ঠং রাজানং ধর্মসংশ্রিতম্। প্রসাদয় কুরুশ্রেষ্ঠং তদেবাত্র মতং মম ।৬০।

হ্রাত স্ম কৃষ্ণবচনাৎ প্রত্যুচ্চার্য্য যুধিষ্ঠিরম্। বভূব বিমনাঃ পার্থঃ কিঞ্চিৎ কৃত্বেব পাতকম্ ।৬১।

ততোঽব্রবীদ্বাসুদেবঃ প্রহসন্নিব পাণ্ডবম্। কথং নাম ভবেদেতদ্যদি ত্বং পার্থ! ধর্মজম্ ।৬২।

অসিনা তীক্ষ্ণধারেণ হন্যা ধর্মে ব্যবস্থিতম্। ত্বামভ্যুক্ত্বাথ রাজানমেবং কশ্মলমাবিশঃ ।৬৩।

হত্বা তু নৃপতিং পার্থ! অকরিষ্যঃ কিমুত্তরম্। এবং হি দুর্বিদো ধর্মো মন্দপ্রজ্ঞৈর্বিশেষতঃ ।৬৪।

(বিশেষকম্)

ঐনা কা হেনবা থবক্ তোৌখবদগীনি। ঐগী হৈরাল মক্তান ॥৫৪-৫৫॥ গোবিন্দ! নহাক্না ঐঙোন্দম্থ হায়জার। নংনা তোৌরবা ঙাক্তান থাঙভ। ঐবু নংনা উদ্ধার তৌরে। অচ্যুত! নহাক্না ঙাস ঐখোয়বু অরাবা ঈপাক্তুগী থাংগৎপরে ॥৫৬॥ কৃষ্ণ! ঐখোয় ঙাস শুমহৎপুয়ে, পঙথকয়ে। নংগুম্বা পাম্বে অম ফংজবদগী ঐখোয় অনীম্থু আকিবগী মশক্ ফংলবা ঈপাক্ আসবু লান্থোক্চরে ॥৫৭॥ "কৃষ্ণ! নংগী জ্ঞান অমাদ বুদ্ধিনা ইহ ওইরবুনা ঙাস অরাবা ঈপাক্পু লান্থোক্পা ঙম্লে। নংগী নপাম্না ঐখোয় পুম্বা পাত্র মিত্রগা লোয়ননা, চঙজকম্ লৈবা, মপু পানবা হায়বগ্ ওইরবনি" ॥৫৮॥ সঞ্জয়না হায়ঃ- ধর্মাত্মা ওইরবা যদুনন্দন কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগী নীঙাথজরবা রাহৈ আস তারবদা অর্জ্জুনদা মেঃদুনা অসুম্না হায়রকৃই ॥৫৯॥ অর্জ্জুন! ধর্মচেনবগী অখোইবা, কৌরব শাগৈগী অখোইবা, ধর্ম্মগী লীকলম্ কায়দনা নয়াম্বুং নিংথৌবু পেনহল্লু। নংগী অরানবা হায়দোক্চৌ। মাসি ঐগী মতান ॥৬০॥ অর্জ্জুননা কৃষ্ণতনা তাকপা মতুং ইন্না যুধিষ্ঠিরগী মফমদা নীঙাথজবা অখোৎপা রাহৈ থর হায়রগা কারগুম্বা প্রায়শ্চিত লৈত্রবা মহাপাপ অম তৌরুরগুম্না মমায় কাহত্তুনা তুমিন্ন চপ্ লেপ্তুনা লৈখি ॥৬১॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা নোকৃমি নোকাম্ব তৌহুনা অর্জ্জুনদা অসুম্না হায়ঃ -- অর্জ্জুন! নংনা নংগী থৌরবা থাঙ অদুনা ধর্ম্ম চেন্নবা নিংথৌ যুধিষ্ঠিরবু হাৎলম্লবদি করিনো মাগুদা তৌগদবা! হায়য়ু! নয়াম্বুংদা করিম্থ লৈতবা "নং-মা" হায়বা রাহৈ অমনীদং শীজিন্নরুবতদা অদুক নুংঙাইত্রবা কিয়বা নংনা তম্থিরবা কর্ম্ম অদু মক্ হেক্ তৌরম্মবদি করিনো মতম্ অদুদা নঙোন্দা ওইগদবা দশাদো! ধর্ম্মগী তত্ত্ব হায়বসে য়াম্না কুপ্পা। থঙকম্ থোকতনা লৈব্রবনি। জ্ঞান তাদবা মবুদ্ধি থেনবশিং অদুতনথ খিৎ হেল্লি থঙবা! ॥৬২-৬৪॥

স ভবান্ ধর্ম্মভীরুত্বাদশ্রুবৈমেতন্মহত্তমঃ। নরকং ঘোররূপঞ্চ ভ্রাতুর্জ্যেষ্ঠস্য বৈ বধাৎ ॥৬৫॥
স ত্বং ধর্ম্মভৃতাং শ্রেষ্ঠং রাজানং ধর্ম্মসংহিতম্। প্রসাদয় কুরুশ্রেষ্ঠমেতদত্র মতং মম ॥৬৬॥
প্রসাদ্য ভক্ত্যা রাজানং প্রীতে চৈব যুধিষ্ঠিরে। প্রযাবস্তরিতো যোদ্ধুং সূতপুত্ররথং প্রতি ॥৬৭॥
হত্বা তু সমরে কর্ণং ত্বমদ্য নিশিতৈঃ শরৈঃ। বিপুলাং প্রীতিমাধৎস্ব ধর্ম্মপুত্রস্য মানদ। ॥৬৮॥
এতদত্র মহাবাহো। প্রাপ্তকালং মতং মম। এবং কৃতে কৃতঞ্চৈব তব কার্য্যং ভবিষ্যতি ॥৬৯॥
ততোঽর্জ্জুনো মহারাজ। লজ্জয়া বৈ সমন্বিতঃ। ধর্ম্মরাজস্য চরণৌ প্রপদ্য শিরসা নতঃ ॥৭০॥
উবাচ ভরতশ্রেষ্ঠং প্রসীদেতি পুনঃ পুনঃ। ক্ষমস্ব রাজন্! যৎ প্রোক্তং ধর্ম্মকামেণ ॥৭১॥
(যুগ্মকম্)

সঞ্জয় উবাচ।

পাদয়োঃ পতিতং দৃষ্ট্বা ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। ধনঞ্জয়মমিত্রঘ্নং রুদন্তং ভরতর্ষভ। ॥৭২॥
উত্থাপ্য ভ্রাতরং রাজা ধর্ম্মরাজো ধনঞ্জয়ম্। সমালিঙ্গ্য চ সস্নেহং প্ররুরোদ মহীপতিঃ ॥৭৩॥
(যুগ্মকম্)
রুদিত্বা চ চিরং কালং ভ্রাতরৌ সুমহাদ্যুতী। কৃতশৌচৌ মহারাজ। প্রীতিমন্তৌ বভূবতুঃ ॥৭৪॥

অর্জ্জুন। নং নয়াম্বু হাৎলম্ববাদ, নংনা ধর্ম্মবু ককনা কিহুনা কৈদৌনি, মহা অপঙবা অমা ভাইদুনা ভম্থিরবা নুংবত গুমিৎ থানা পাল্লমখৈ ভারম্মদৌনদো ॥৬৫॥ অহুনা অর্জ্জুন! নং চৌজিক্, ধর্ম্মচেনবগী অথোইবা, কৌরব অথোইবা, অচুম্বত চৎলবা নয় মু নিংথৌদা হায়জো। ঐগী মততাদি মাসি নৈ ॥৬৬॥ ভাক্তিগা লোয়ননা হায়জরবা তুংদা মহ ক্লা পেনবিরবদা ঐখোয় অনী কর্ণবু হাৎননবা লাল চঙাস ॥৬৭॥ অকনবা! ঈকায় খুম্নব হৈবা! ঙাস নংনা নংগী খোরবা তেম্না কর্ণগী মথ্াই লৌরগা নয়ামবুং নিংথৌসবু পেনহল্লু ॥৬৮॥ অকনবা! মাসে দেশ কালগী মতুং ইল্লবা ঐগী মতান। মাহুম্ তৌরবতদা থবক্ পূম্বা পাঙথোক্কদৌরিবান ॥৬৯॥ সঞ্জয়না হায়ঃ-- মহারাজ! অদুগী তুংদা অর্জ্জুন আসি ঈকায়বা শুংঙাইতবনা মরু লুকথদুনা মকোক্না যুধিষ্ঠিরগী চরণ শোক্না খুরুম্দুনা অসুম্না হায়রকই মহারাজ! য়াম্বুং নিংথৌ চানাবিয়ু ননাইবু, য়ারৌবীগনু। য়াশক্ ঙাকপা হায়বা ধর্ম্মদুবু কিক্লবদগী হায়হৈদবা কা হেনবা, ব্যবহার খোঙললোল কায়রবা য়াহৈ অমনীদং হায়জক্লবগী ঈয়াল চরণনা ঙাকপিগনি ॥৭০-৭১॥ সঞ্জয়না হায় :- মহারাজ! য়েক্লবা ওম্বা, কল্লবা মনাও অর্জ্জুননা হীক্ল হীক্লা কপ্পুনা ময়াম যুধিষ্ঠিরগী মথোঙবা তুম্দুনা লৈবদু উবদা যুধিষ্ঠির আসি অর্জ্জুনবু চেৎনা কোনথৎ কোনথৎনা হীক্লা হীক্ল কপলম্বদগী খোঙ্লেখোক্ল কপলক্লে ॥৭২-৭৩॥ মহারাজ। যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন মচীনমনাও অনীসি মতম্ কুইনা চেৎনা কোয়দুনা কপখিরদুনা মথোয় অনীগী মথিত্তগী তারকপা পিনা মশা পুনচোৎ চোৎনদুনা

তত আশ্লিষ্য তং প্রেম্ণা মূর্দ্ধ্নি চাঘ্রায় পাণ্ডবঃ। প্রীত্যা পরময়া যুক্তঃ প্রস্ময়ংশ্চাব্রবীজ্জয়ম্ ॥৭৫॥
কর্ণেন মে মহাবাহো। সর্বসৈন্যস্য পশ্যতঃ। কবচঞ্চ ধ্বজশ্চৈব ধনুঃ শক্তির্হয়াঃ শরাঃ ॥৭৬॥
শরৈঃ কৃত্তা মহেষ্বাস। যতমানস্য সংযুগে। সোঽহং জ্ঞাত্বা রণে তস্য কর্ম্ম দৃষ্ট্বা চ ফাল্গুন! ॥৭৭॥
ব্যবসীদামি দুঃখেন ন চ মে জীবিতং প্রিয়ম্। ন চেদদ্য হি তং বীরং নিহনিষ্যসি সংযুগে ॥৭৮॥
প্রাণানেব পরিত্যক্ষ্যে জীবিতার্থো হি কো মম। এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ বিজয়ো ভরতর্ষভ। ॥৭৯॥
(কলাপকম্)

সত্যেন তে শপে রাজন্। প্রসাদেন তথৈব চ। ভীমেন চ নরশ্রেষ্ঠ। যমাভ্যাঞ্চ মহীপতে। ॥৮০॥
যথাদ্য সমরে কর্ণং হনিষ্যামি হতোঽপি বা। মহীতলে পতিষ্যামি সত্যেনায়ুধমালভে ॥৮১॥
(যুগ্মকম্)

এবমাভাষ্য রাজানমব্রবীন্মাধবং বচঃ। অদ্য কর্ণং রণে কৃষ্ণ। সূদয়িষ্যে ন সংশয়ঃ ॥৮২॥
তব বুদ্ধ্যা হি ভদ্রং তে বধস্তস্য দুরাত্মনঃ। এবমুক্তোঽব্রবীৎ পার্থং কেশবো রাজসত্তম! ॥৮৩॥

পাপ ভাপ পূম্বা কোক্লাখঙ্গনা মখোয় অনীমক্ পেন্নখি ॥৭৫॥ অদুগী তুংদা খোইদোক্না পেল্লবা যুধিষ্ঠিরনা মোমোন নোক্নুনা অর্জুনগী মকোক নাল্লগা মকোকপু মনম্নমদুনা অস্নুম্না হায়রকই:- ॥১৫॥ অচনব। অর্জুন। ঐঙ্গু ভাসগী লান্দা য়েক্লবশিংবু অয় লৌগা হায়গনা যাম্না কন্না হোৎনরিবা। অদুবু অদম্ থৌ বতে চৈরক্ অদুদা কর্ণনা চগশিল্লকুনা লান্মী থুবাইগী মমাঙদা ঐগী লায়াংফু রুৎ' 'কবচ, লীক', খাঙ-তা, শংগোল অদুগা তেন্দোংগা লোয়ননা তেন্দ পুম্নমক্ কাপৎখি। নংঙাকী শক্তি অমদি মগৌনাদু উখিবদগী হৌজিক্ ফাওবা ঐগী পু রুং হকচাং অনীমক লোইনা হনখ্রে। অদুস্তা অসিদা ঐনা হিংদুনা লৈবসে কাম্নরে। অদুনা ভাসগী গ্রামদু নংনা কর্ণবু মহ প্রবদ ঐ ভাসমক শোযদনা থরাই থাগে। মরম্দি পুন্দি চুম্ন অসিগুম্বা অবস্থা লৈদুনা হিংনগী কারি কাম্নরি? ভরতশাগেগী অথোইবা যুধিষ্ঠিরনা অম্নুম্না হায়রক্লবদা অর্জুননা অশুম্না খুমখি ॥৭৬-৭৯॥

নিপা অখোইবা য়াম্বুং নিংথৌ!, ধর্ম্ম চেল্লবা অকন্‌বা!
য়াম্বুংগী চরণনা সাক্ষী ওইসনু, য়াম্বুনা ঐঙোন্দা পেনবিবা,
য়াম্বুং ভীমসেন, নকুল সহদেব, পুম্নমকসিনা সাক্ষী লেঙদবা,
ওইসনু ভসিগী নুমিত্ত ঐনা, তুহনগে কর্ণ অকনবা।
খুৎলায় শোক্‌না রাশকচম্নি, খঙবিয়ু রাশকনি লেঙদ্রবা ॥৮০-৮১॥

অর্জুননা অস্নুম্না যুধিষ্ঠিরদা রাশক্লগা কৃষ্ণমোমদা য়েংদুনা অস্নুম্না হায়রকই:-কৃষ্ণ! ঐ ভসি কর্ণবু শোয়দনা হাৎকনি। মাসিদা করিমত চিংনেকম্ লৈদ্রবনি ॥৮২॥ "অদুগা কৃষ্ণ! পাপী কর্ণবু

শক্তোঽসি ভরতশ্রেষ্ঠ! হন্তুং কর্ণং মহাবলম্। এষ চাপি হি মে কামো নিত্যমেব মহারথ! ॥৮৪॥
বধং ভবান্ রণে কর্ণং নিহন্যাদিতি সত্তম!। ভূয়শ্চোবাচ মতিমান্ মাধবো ধর্ম্মনন্দনম্ ॥৮৫॥
যুধিষ্ঠিরেমং বীভৎসুং ত্বং সান্ত্বয়িতুমর্হসি। অনুজ্ঞাতুঞ্চ কর্ণস্য বধায়াদ্য দুরাত্মনঃ ॥৮৬॥
শ্রুত্বা হ্যহমযঞ্চৈব ত্বাং কর্ণশরপীড়িতম্। প্রবৃত্তিং জ্ঞাতুমায়াতাবিহাবাং পাণ্ডুনন্দন! ॥৮৭॥
দিষ্ট্যাসি রাজন্! ন হতো দিষ্ট্যা ন গ্রহণং গতঃ। পরিসান্ত্বয় বীভৎসুং জয়মাশাধি চানঘ! ॥৮৮॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

এহ্যেহি পার্থ! বীভৎসো! মাং পরিষ্বজ পাণ্ডব!। বক্তব্যমুক্তোঽস্মি হিতং ত্বয়া ক্ষান্তঞ্চ তন্ময়া ॥৮৯॥
অহং ত্বামনুজানামি জহি কর্ণং ধনঞ্জয়!। মন্যুঞ্চ মা কৃথাঃ পার্থ! যন্ময়োক্তোঽসি দারুণম্ ॥৯০॥

সঞ্জয় উবাচ।

ততো ধনঞ্জয়ো রাজন্! শিরসা প্রণতস্তদা। পাদৌ জগ্রাহ পাণিভ্যাং ভ্রাতুর্জ্যেষ্ঠস্য মারিষ! ॥৯১॥

হাৎকদৌ ররাসে ৩ কী বুদ্ধিতনা পার্থে ওইহুনা পাণ্ডবোকদৌ রবান। মঙ্গল ওইসনু"। অর্জ্জুননা অস্থুম্না হাযরক্লন্দা ক্রুদ্ধ। অর্জ্জুননা বাযবকই ॥৮৩॥ ভরতশাগেগী অপোইবা অর্জ্জুন! নহাক্ খোইদোক্না কল্ল নর্ণ হৎপাদ ভেম্না মতাক চারবা অমান। নংনা কর্ণবু অমুক্তং হৎসবদিকো হাযহুনা ... মতম্ বুইন্দগী অর্জ্জুন ... ॥৮৪॥ 'অকাবাশগী নমুদা অপোইবা। মতো করম্ তোরে হযবগা ... কর্ণবু হৎকনগে তায়বহন্থু ঐনা অর্জ্জুনত লোরিবান।" অস হাযরগা ... যুধিষ্ঠির ... অস্থুম্না অনুক্ হয়রকই ॥৮৫॥ মহারাজ! অর্জ্জুননু মথরাই অমুক্ত ... কর্ণ হাৎলুরে হাযহুনা অমুক্ত বিদায় যাথ ... পীনাবরে ॥৮৬॥ পাণ্ডুনন্দন! মহারাজ! কর্ণবু হৎলম্দনা ভস ঐগা অর্জ্জুনগা এখোয় অনীনা মহারাজগী সদা ... নরম দ, কর্ণগী খুৎলযনা মহারাজনা যাম্না শাযনা শাক্তুনা লেহোরে হয়ব, পইস ... মাস চুমত্র হাযহুনা হয় অনুক্ত ... শাযহুনা ... ॥৮৭॥ পাপকা শকক মনা অমত য়াওজ্রবা নিংগৌ। "মহারজনা কারম্থু তেদনা ... ঐখোয়গী লাইবকক্কবান। অহুনা লাইনক ফানা মহারাজবু কর্ণনা কাব ভম্ শদবান। অহুনা ... অর্জ্জুনদা যাথ পীবিরে। জয ওইনবা আশীর্ব্বাদ পীনবরে" ॥৮৮॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ-পৃথানন্দন! অর্জ্জুন! লাউ চভ'শল্লকউ। ঐবু কোল্লো লাউ। নংনা ভাও ত্রবাশংদে, ঐগী কায়ননবগীদমক্লান। অহুগা ঐনস্থু নভোন্দা ক্লথীনা হাযথ্রে; মাত্রগীস্থু নংনা ঈয়াম্বদা থোইনা শাউবা ভোজ্রে। নংনা নংগী আকবগী মশক্ কংলবা রাশক্রুগী মহৈনা লোকদোবা তম্থিরবা থবক্তুদগীম্থু ঐবু নংনা কনাবিরে ॥৮৯॥ ধনঞ্জয়! ঐ নভোন্দা য়াথং পীরিবাসিনি। চৎলু নং কর্ণবু হাৎলুরো। পৃথানন্দন! ঈয়াম্বনা শাউখিবা-গুংভাইখিদবদগী থর কয়া নভোন্দা রা অমনী হায়খি; মাহুদা নং শাউবা ভোক্লো, নপুক্লীং মুংশিবা ভৌক্লরহু ॥৯০॥ সঞ্জয়না হায়ঃ ঈকায়থুমনবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ। অসিগী

তমুত্থাপ্য ততো রাজা পরিষ্বজ্য চ পীড়িতম্ মূর্দ্ধ্যুপাঘ্রায় চৈবৈনমিদং পুনরুবাচ হ ।৯২।
ধনঞ্জয় ! মহাবাহো ! মানিতোঽস্মি দৃঢ়ং ত্বয়া । মাহাত্ম্যং বিজয়ঞ্চৈব ভূয়ঃ প্রাপ্নুহি শাশ্বতম্ ।৯৩।

অর্জ্জুন উবাচ ।

অদ্য তং পাপকর্ম্মাণং সানুবন্ধং তথা শরৈঃ । নয়াম্যন্তং সমাসাদ্য রাধেয়ং বলগর্বিতম্ ।৯৪।
যেন ত্বং পীড়িতো বাণৈর্দৃঢ়মায়ম্য কার্ম্মুকম্ । তস্যাদ্য কর্ম্মণঃ ফলং প্রাপ্স্যতি দারুণম্ ।৯৫।
অদ্য ত্বামনুযাস্যামি কর্ণং হত্বা মহীপতে ! । সভাজয়িতুমাক্রন্দাদিতি সত্যং ব্রবীমি তে ।৯৬।
নাহত্বা বিনিবর্ত্তিষ্যে কর্ণমদ্য মহারণাৎ । ইতি সত্যেন তে পাদৌ স্পৃশামি জগতীপতে ! ।৯৭।

সঞ্জয় উবাচ ।

ইতি ব্রুবাণং সুমনাঃ কিরীটিনং যুধিষ্ঠিরঃ প্রাহ বচো বৃহত্তরম্ ।
যশোঽক্ষয়ং জীবিতমীপ্সিতং তে জয়ং সদা বীর্য্যমবিক্ষয়ং তথা ।৯৮।

ভুংদা অর্জ্জুননা মকোক্ নোম্না মথুৎ অনীনা যুধিষ্ঠিরগী মখোঙ অনী শোক্তুনা থুকহ্ন ॥৯১॥ অদুদগী, যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনবু মথুৎ অনীনা তরাম্ তরাম্না কোনথৎলগা অর্জ্জুনগী মশম্ নান্দুনা মনম্ নম্নগা অশুম্না হায়রকই ॥৯২॥ অকনবা, ধনঞ্জয়! হেক্ পোকপদগী নংনা ঐঙোন্দা ভক্তি ব্যবহার কায়দনা সম্মান উত্তুনা লাক্ল। অর্জ্জুন! জগত্ত মুংলরেই-দাবা মংচৎ ফংঙু! জয় ওইয়ু! ॥৯৩॥ অর্জ্জুননা হায় "ঙসিগী নুমত্তা মপাঙ্গল মহৈদা নাপল চাউরব কর্ণবু অউবা মকমদা মাগী খোঙচোয় লাম্মীশিংগা লোয়নননা হাৎকানি!"-॥৯৪॥লীরী কম্না চিংহুনা থের থোরবা তেম্না য়াম্মুংবু চৈনা কম্ন কহনাখবা কর্ণ অদো মানা তৌখিবা থবকতুগী তমাথববা মহৈত্ত ঙাসমক ফংগানি ॥৯৫॥ য়াম্মুং নিংথৌ! য়াম্মুগী পেন্নবগী দমক্ কর্ণবু হাৎলম্মগা ঙসি লালশ হঞ্জিনজরকে। সত্যনা লাক্কী ওইসনু ॥৯৬॥ মহারাজ! ঙসিগী নুমত্তা কর্ণবু হাৎলমদনা হঞ্জিনজরকলরোই। চরণ শোক্তুনা রাশক্চরিবসিনি ॥৯৭॥ সঞ্জয়না হায়ঃ-অর্জ্জুননা অসুম্না হায়রকপদ পেনখ্রবনা যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হায়রকই।

ঈমা কুন্তীগী গর্ভদা, পোক্লবা অর্জ্জুন অকনবা!
লেংজ্রবা মিংচৎ শাংলব পূনশি, ফংহুনা নীঙজবা অপুম্বা
নপাঙ্গল নথৌনা লেঙজ্রবা ফংব ওইযু অকনবা!
ওইসনু নীঙজবা পুম্বা থুংবা, চৎলো কর্ণগা থেংনবা ॥৯৮॥

প্রযাহি বৃদ্ধিঞ্চ দিশন্তু দেবতা যথাঽহমিচ্ছামি তথাস্তু তত্তথা ।
প্রযাহি তূর্ণং জহি কর্ণমাহবে পুরন্দরো বৃত্রমিবাত্মবৃদ্ধয়ে ॥৯১॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
যুধিষ্ঠিরার্জ্জুনসংবাদে দ্বিপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

চৎলো ঈবুঙো নহাকপু, ঙাকসনু স্বর্গগী লাইয়াম্না ।
নয়াম্বগী নীঙবা থুংহনবা, নীঙজবা থুংঙ্‌রো নহাক্না ।
মশাগী চাওখৎনবগী দমক, হাৎখবগুম্ বৃত্রবু ইন্দ্রনা ।
নহাকসু ললবু মিংচৎপু, কংঙকউ কর্ণবু হাত্তুনা ॥৯১॥

মফম্ আসদ শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন সংবাদগী চাময়াঙ্খেনীথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ।

শ্রীমহাভারতম্

ত্রিপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।

য়াঙ্খেহুমদোই শুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণ হাৎপগী মতাংদা কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা ঙাওনবা)

সঞ্জয় উবাচ ।

প্রসাদ্য ধর্ম্মরাজানং প্রহৃষ্টেনান্তরাত্মনা পার্থঃ প্রোবাচ গোবিন্দং সূতপুত্রবধোদ্যতঃ ॥১॥
কল্প্যতাং মে রথো ভূয়ো যুজ্যন্তাঞ্চ হয়োত্তমাঃ । আয়ুধানি চ সর্ব্বাণি সজ্জ্যন্তাং মে মহারথে ॥২॥
উপাবৃত্তাশ্চ তুরগাঃ শিক্ষিতাশ্চাশ্বসাদিভিঃ । রথোপকরণৈঃ সজ্জা উপায়ান্তু ত্বরান্বিতাঃ ॥৩॥
প্রযাহি শীঘ্রং গোবিন্দ ! সূতপুত্রজিঘাংসয়া । এবমুক্তো মহারাজ ! ফাল্গুনেন মহাত্মনা ॥৪॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ ! কর্ণ হাৎকে হায়না থৌরাংলবা অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরবু থেম্‌জিন্‌পেলহল্লগা, য়াম্না হয়াউনা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়রকই ॥১॥ কৃষ্ণ ! রথ শেম্ শাবা য়ারে । শগোল মরি পানশিন্নবা তৌরো । থুৎশু থুৎলায় পুম্বা রথ মথক্ত হাপকৎনবা তৌরো ॥২॥ শগোল তোংবা লাম্মীশিংনা নীঙথিনা তম্বিরবা শগোলশিং অদু কিন্নেৎ লৈতেং পুম্বনা থম্ন শেম্ শাদ্রনা য়োৎরুবা য়াৎং পীয়ো ॥৩॥ "কৃষ্ণ ! অসিদগী কর্ণগী মথরাই লৌনবা থুনা য়াঙনা থোজিন্নবা তৌরো ।" মহারাজ !

উবাচ দারুকং কৃষ্ণঃ কুরু সর্বং যথাব্রবীৎ। অর্জ্জুনো ভরতশ্রেষ্ঠঃ শ্রেষ্ঠঃ সর্বধনুষ্মতাম্ ।৫।
(যুগ্মকম্)

আজ্ঞপ্তস্তথ কৃষ্ণেন দারুকো রাজসত্তম।। যোজয়ামাস সংরথং বৈয়াঘ্রং শক্রতাপনম্ ।৬।

যুক্তং নিবেদয়ামাস পাণ্ডবস্য মহাত্মনঃ। যুক্তন্তু তং রথং দৃষ্ট্বা দারুকেণ মহাত্মনা ।৭।

আপৃচ্ছ্য ধর্মরাজানং ব্রাহ্মণান্ স্বস্তি বাচ্য চ। সুমঙ্গলং স্বস্ত্যয়নমারুরোহ রথোত্তমম্ ।৮।
(বিশেষকম্)

তস্য রাজা মহাপ্রাজ্ঞো ধর্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। আশিষোঽযুঙ্‌ক্ত স ততঃ প্রায়াৎ কর্ণবধং প্রতি ।৯।

তং প্রয়ান্তং মহেষ্বাসং দৃষ্ট্বা ভূতানি ভারত।। নিহতং মেনিরে কর্ণং পাণ্ডবেন মহাত্মনা ।১০।

বভূবুর্বিমলাঃ সর্বাঃ দিশো রাজন। সমন্ততঃ। চাষাশ্চ শতপত্রাশ্চ ক্রৌঞ্চাশ্চৈব জনেশ্বর।।
প্রদক্ষিণমকুর্বন্ত তদা বৈ পাণ্ডুনন্দনম্ ।১১।

বহবঃ পক্ষিণো রাজন। পুংনামানঃ শুভাঃ শিবাঃ। ত্বরয়ন্তোঽর্জ্জুনং যুদ্ধে হৃষ্টরূপা ববাশিরে ।১২।

কঙ্কা গৃধ্রা বকাঃ শ্যেনা বায়সাশ্চ বিশাংপতে। অগ্রতস্তস্য গচ্ছন্তি ভক্ষ্যহেতোর্ভয়ানকাঃ ।১৩।

মহাত্মা অর্জ্জুনন অস্মুমা হায়রন্দা কৃষ্ণনা দারুক সারথী যেতনা হায়রকই :- "দারুক! ভরত শাগৈগী অথোইবা, শীরুং পাযবাশিংগীস্ত অথোইবা অর্জ্জুননা হাযবা পুম্ব লোইন পাঙখোরুব তৌ" ॥৪-৫॥ মহারাজ! কৃষ্ণনা অস্মুমা য়াথ, পীররুবদা সারথী দারুকন, কৈ মউম ইংনায় কায়না য়েৎলবা, য়েরুবগী খম্নোংদা অকিবা মিপাইবা পোকহনবা, অত্তুগুম্বা রথ অত শেম শাবা লোইখ্রে। শেম শাজরে হায়না মহারথী অর্জ্জুনদা খঙহনখি। হৌশিলবা দারুকন ব,নেম্ শাব লোইবত্ উবদা, অর্জ্জুনন যুধিষ্ঠিরদগী য়াথং লৌরগা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংবু স্বস্তিবাচন, আশীর্ব্বাদনাচংবা তৌহন্দুনা অদুগা মঙ্গলগী বস্ম পুম্ব তৌবা লোইরগা মঙ্গলগী মশক্ ওইরব নীঙথজরবা রথ অদুদা তোংখখি ।৬-৮॥ অদুগী তুদ বল্লব অমাদি মহাজ্ঞানী ওইরবা যুধিষ্ঠিরন অর্জ্জুনদ থরাই য়াওনা আশীর্ব্বাদ পীখি। অদুদগী অর্জ্জুননা যুধিষ্ঠিরদ শুকম্মুমগা কর্ণনা হৈর্বব মাযুংগ তাদামদা থৌজনখি ॥৯॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! অর্জ্জুননা কর্ণ তম্মা যাত্রা তেক তৌখোকখিব উবদা ভূতশিংগী মুমিত্তা অর্জ্জুননা কর্ণবু হংৎলেদন হায়না গৌ পুম্বনা অতম্ মখল্লরগ্রে ॥১০॥ মহারাজ! অর্জ্জুনন যত্রা তৌখোরকপ মতমসিদ মাংগৈ পুম্বা পুযশে শেংখ্রে। নোংগৌবী, উহূনী, ভাস্তু খঙ্গোংনচিবা উচেকশিং অসিন তূমিন্ তুমিন পাইরকতুনা অর্জ্জুনবু ১৫ লোইননা কোযরম্মী ॥১১॥ মহারাজ! মতম্ অদুদা, উচক্ লাবা জাং জাংনা অত্তগা মঙ্গল ওইগদবগী খোংহোকত খোংবা লমহুই কয় কয়না অর্জ্জুনগী পুক্লিং পৌগৎপগী মতম ওইনা মথরাই মুংভাইনা খোংহুনা অর্জ্জুনবু লালকমদা থৌভিল্লক্লি ॥১২॥ মহারাজ! অর্জ্জুননা চথোরকপা মতমসিদ, উরেক্, লাঙজা, উমাইবী, খুনুপ্রঙ, কাক্ অসিনচিংবা শা-জা-শদোং পাম্বা উচেক্‌শিং অসিনা মথোয়গী অচাপোৎ

নিকৃত্তানি চ বস্ত্রাণি পাণ্ডবস্য শশংসিরে। বিনাশমরিসৈন্যানাং কর্ণস্য চ বধং প্রতি ॥১৪॥
প্রয়াতস্যাথ পার্থস্য মহান্ স্বেদো ব্যজায়ত। চিন্তা চ বিপুলা জাতা কথমেতদ্ ভবিষ্যতি ॥১৫॥
ততো গাণ্ডীবধন্বানমব্রবীন্মধুসূদনঃ। দৃষ্ট্বা পার্থং তথা যান্তং চিন্তাপরিগতং তদা ॥১৬॥

বাসুদেব উবাচ।

গাণ্ডীবধন্বন্! সংগ্রামে যে ত্বয়া ধনুষা জিতাঃ। ন তেষাং মানুষো জেতা ত্বদন্য ইহ বিদ্যতে ॥১৭॥
দৃষ্টা হি বহবঃ শূরাঃ শক্রতুল্যপরাক্রমাঃ। ত্বাং প্রাপ্য সমরে শূরং যে গতাঃ পরমাং গতিম্ ॥১৮॥
কো হি দ্রোণঞ্চ ভীষ্মঞ্চ ভগদত্তঞ্চ মারিষ!। বিন্দানুবিন্দাবাবন্ত্যৌ কাম্বোজঞ্চ সুদক্ষিণম্ ॥১৯॥
শ্রুতায়ুধং মহাবীর্য্যমচ্যুতায়ুষমেব চ। প্রত্যুদ্গম্য ভবেৎ ক্ষেমী যো ন স্যাত্ত্বমিব প্রভো! ॥২০॥
(যুগ্মকম্)

তব হ্যস্ত্রাণি দিব্যানি লাঘবং বলমেব চ। অসম্মোহশ্চ যুদ্ধেষু বিজ্ঞানস্য চ সন্ততিঃ ॥২১॥
বেধঃ পাতশ্চ লক্ষ্যেষু যোগশ্চৈব তবার্জ্জুন!। ভবান্ দেবান্ সগন্ধর্বান্ নিহন্যাৎ সচরাচরান্ ॥২২॥
(যুগ্মকম)

পৃথিব্যাং হি রণে পার্থ! ন যোদ্ধা ত্বৎসমঃ পুমান্। ধনুর্গ্রহা হি যে কেচিৎ ক্ষত্রিয়া যুদ্ধদুর্ম্মদাঃ ॥২৩॥

কংলনি হায়না য়ায়া সুংহাইনা অর্জ্জুনগী মাভ থা থাহনা তপ্প তপ্পা পাইবা হৌরি ॥১৩॥ অদুগা মখোয় অসিনা অর্জ্জুননা জয় ফংইগদবগী, কর্ণ হাৎকদৌবগী মঙ্গল খুদম্ পুম্বা অর্জ্জুনদা উৎলক্লি ॥১৪॥ অর্জ্জুনস্ম চৎনা চৎনা মশাদ্ধ হুমাং কাংলি। মতৌ করম্বা লাম্লোদা যেক্নবা কর্ণবু হাৎকদগে হায়বগী চিন্তা তৌনা তৌনা হাইকেৎ হাইকেৎ পাখৎতুনা চৎলি ॥১৫॥ গাণ্ডীবধারী অর্জ্জুননা য়ায়া চিন্তা তৌবত্র উবদা কৃষ্ণনা অসুম্না হায়রকই:—॥১৬॥ অর্জ্জুন! নহাক্না গাণ্ডীবগী পাম্বৈতনা অকনবা কয়া কযাবু জয তৌগ্রে। মীশকশিং অদুদি নং নত্তনা কনাগুম্বা অমতনা জয় তৌবা ঙমগদবা নত্তে। মখোয়দুবু ঙমগদবা জগত্ত নং নত্তনা কনা অমত লৈতে ॥১৭॥ ইন্দ্রগী মতৌগুম্ কম্থৌরবা অকনবা কয়া ঐনা উাথ। মখোয়দু লালকম্সিদা নংগী নখুত্তা মপরাই থ দুনা অপোইবা খুভম্ন কংনগ্রে ॥১৮॥ ইকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা অকনবা নংগুম্না বন্ধবা কনানা ভীষ্ম, দ্রোণ, ভগদত্ত, অবন্তিদেশগী বিন্দ অনুবিন্দ কাম্বোজদেশগী সুদক্ষিণ, শ্রুতায়ুধ অদুগা মহাবীর অচুত যুগী মমাঙদা লেপ্লা ঙম্গদপে? মখোয়সিগী মনাক্ত হোচ্চমুরবা কনানা নাদয়েক্তনা হিংদুনা হল্লক্কন? ॥১৯-২০॥ মরমদি অর্জ্জুন! লাইগী খুৎলাই, খুৎলৈথুবা, হকচাংগী শক্তি, লান্দা চেকশিনবা, মরকতুনা-মরক্ত অহাঙবা মতম্ পীদনা য়েক্নবা ঙমনবা হোৎনবা, খুৎচুম্বা, খুথাচুম্ব-কজবা, লালগী লেম্ শাগৎপা গুণ পুম্নমক্ অসি নত্তোন্দা গুনা লৈয়িবনি ॥২১-২২॥ অদুনা অর্জ্জুন! নংগা মান্নবা কনবা লাম্নী অমত জগত্ত লৈত্রবনি। মরম অদুনা স্বর্গগী লাইমক্তগীসু হেন্ন কনবা

আ দেবাস্ত্বৎসমং তেষাং ন পশ্যামি শৃণোমি বা। ব্রহ্মণা চ প্রজাঃ স্রষ্টা গাণ্ডীবঞ্চ মহদ্ধনুঃ ॥২৪॥
(যুগ্মকম্)

যেন ত্বং যুধ্যসে পার্থ। তস্মান্নাস্তি ত্বয়া সমঃ। অবশ্যন্তু ময়া বাচ্যং যৎ পথ্যং তব পাণ্ডব। ॥২৫॥

মাবমংস্থা মহাবাহো! কর্ণমাহবশোভিনম্। কর্ণো হি বলবান্ দৃপ্তঃ কৃতাস্ত্রশ্চ মহারথঃ ॥২৬॥

কৃতী চ চিত্রযোধী চ দেশকালস্য কোবিদঃ। বহুনাত্র কিমুক্তেন সংক্ষেপাচ্ছৃণু পাণ্ডব। ॥২৭॥
(যুগ্মকম্)

ত্বৎসমং ত্বদ্বিশিষ্টং বা মন্যে কর্ণং মহারথম্। পরমং যত্নমাস্থায় ত্বয়া বধ্যো মহাহবে ॥২৮॥

তেজসা বহ্নিসদৃশো বায়ুবেগসমো জবে। অন্তকপ্রতিমঃ কোপে সিংহসংহননো বলী ॥২৯॥

অষ্টরত্নিবাহুর্ব্যূঢ়োরস্কঃ সুদুর্জয়ঃ। অভিমানী চ শূরশ্চ প্রবীরঃ প্রিয়দর্শনঃ ॥৩০॥

সর্ব্বৈর্যোধগুণৈর্যুক্তো মিত্রাণামভয়ঙ্করঃ। সততং পাণ্ডবদ্বেষী ধার্ত্তরাষ্ট্রহিতে রতঃ ॥৩১॥

সর্ব্বৈরবধ্যো রাধেয়ো দেবৈরপি সবাসবৈঃ। ঋতে ত্বামিতি মে বুদ্ধিস্তদদ্য জহি সূতজম ॥৩২॥
(কলাপকম্)

লৈকুং পায়বা ক্ষত্রিয় কয়া কয়া লৈরি। মখোয়গী মতুংদসু নংগা মান্নবা কনবা হৈবা ক্ষত্রিয় অমসু উসু উত্রি তাসু তারি। ব্রহ্মানা লোক পূম্নক্ক অদুগা গাণ্ডীবগা মশামক্তা শেমখিবনি ॥২৩-২৪॥ অদুনা গাণ্ডীব কোবা থুৎলায় অদুনা লাল শোক্লদুনা লৈখে। নংগা মান্নবা অকনবা লান্মী অমত্ত জগৎত লৈতে। অদুবু পাণ্ডুনন্দন। নংগী কান্নবগীদমক ঐগী হায়কম্ খোকপা রা খরঙ্গ্দ ত য়দে ক্কদবনি ॥২৫॥

অকনবা। নংনা লালগী লৈতেং ওইদুনা লৈরিবা কর্ণ হায়বসে, মাবু উশিন্তবদি তৌগনু, মাগ চেক্‌শিন্না শোক্লব তাই। মরমদি কর্ণ হায়বা নিপা অসে য়াম্ম কনবনি, নাপল চাউবা খোয়বান, থুৎলায় মখল মখল তম্লদুনা হৈথ্রবনি, মহারথী অমনি, লান্দা য়াম্মা হৈশিংবনি, লাল্লোং মখল মখল হৈবনি, দেশকালপাত্র মতুং ইন্না লাম্থেংনবা হৈবনি। অদুনা পাণ্ডুনন্দন। য়াম্ম .কাইনা হায়দুনা কান্ন্দ ; শম্পংনা হায়গে তাও ॥২৬-২৭॥ ঐনা খল্লি ; মহারথী কর্ণ হায়বসে নংগা কনবা হৈবদা চপ মান্নে হায়বসু য়াই, বিষয় খরদ নঙোনমক্তদগী হেনত্রা হায়না খল্লি। অদুনা নংগী লৈজবা বিত্তা পুম্বা শীজিন্নদুনা, য়াম্ম চেক্‌শিন্ন মহাকপু হাৎননবা তৌ ॥২৮॥ অর্জ্জুন! বর্ণ হায়বসে তেজদা মৈগুম্বনি শাফুদা নুংশিৎ কুম্বনি, শাউরকপদা যমরাজগুম্বনি, মশাউইনা কনবদা নোংশাগুম্বনি রাংবদা-মরেপ্তা থুদুম অনী শয়বদু নিপামি *। মপাখোম্

---

* টীকা:—থুদুম্ অনী থুবী মতোন অনী তিংখোক্‌না শয়হল্লবদি ময়ান্না খঙনরিবা কূট হায়বদুগা চপ মান্নবা শাংতি অদুনা কর্ণনা রাংবসি কূট নিপামি হায়বনি।

দেবৈরপি হি সংরব্ধৈর্বিভ্রদ্ভির্মাংসশোণিতম্। অশক্যঃ স রথো জেতুং সর্বৈরপি যুযুৎসুভিঃ ।৩৩।
দুরাত্মানং পাপমতং নৃশংসং দুষ্টপ্রজ্ঞং পাণ্ডবেয়েষু নিত্যম্ ।
হীনস্বার্থং পাণ্ডবেয়ৈর্বিরোধে হত্বা কর্ণং নিশ্চিতার্থো ভবাদ্য ।৩৪।
তং সূতপুত্রং রথিনাং বরিষ্ঠং. নিষ্কালিকং কালবশং নয়াদ্য ।
সদাবজানাতি হি পাণ্ডুপুত্রানসৌ দর্পাৎ সূতপুত্রো দুরাত্মা ।৩৫।
আত্মানং মন্যতে বীরং যেন পাপঃ সুযোধনঃ । তমদ্য মূলং পাপানাং জহি সৌতিং ধনঞ্জয় । ।৩৬।
খড়্গজিহ্বং ধনুরাস্যং শরদংষ্ট্রং তরস্বিনম্ । দৃপ্তং পুরুষশার্দ্দূলং জহি কর্ণং ধনঞ্জয় । ।৩৭।
অহং ত্বামনুজানামি বীর্য্যেণ চ বলেন চ । জহি কর্ণং রণে শূরং মাতঙ্গমিব কেশরী ।৩৮।

কন্‌বনি, মথবাক্ কনব‌নি, অমনা পাক্ লাকচবা য়াদবনি, থোয়বনি-নাপল চাউহনি, মতীক মথৌনা মরিললৈবনি. মশক কজবনি, লাম্মী অমগী মশাদা লৈগদবা গুণপুম্বনা তিনবনি। মরূপ মপাংশিংগী, মাগী মীচঙগী মীশিংগী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহন্দবনি। পাণ্ডবশিং নখোয়গী মাঙননবত খনবনি, দুর্য্যোধনগী কননবত শীনবা মীনি। অত্তনা নং নত্তনা ইন্দ্রন চিংব কনাগুম্বা দেবতা অমতনা পাক হাৎপ য়ারোই। অত্তনা অর্জ্জুন। নং ঙসি কর্ণবু হাৎনব তৌ ॥২৯-৩২॥ ঈ নাই শদুম্ন শাবা হক্‌চাং পুরিবা লাইশিংনসু কর্ণগা লাম্থেংননীঙ্ঙনা হোৎনববু মখোয়না মাগী রথমথক্ত জয় তৌবা ঙম্‌দ্রিবনি ॥৩৩॥ অর্জ্জুন। কত্রবা, মবুকচেল তোল্লবা, ফুংশিহৈতবা, পাপকী থবক্ত তৌরবা, পাণ্ডবশিংগী মাঙন তারুবত খল্লবা, পাণ্ডবশিং নখোয়না য়েংথিনবদা মশাগী করিমত কান্নবা লৈতে খঙত্রবা, কর্ণ অসিবু নহাক ঙসি হাৎলু। মাদুত্তদা নখোয়না লৈবাক সিংহাসন শোয়দনা কংগনি ॥৩৪॥ অর্জ্জুন। নংনা ঙসি রথি অথোইবা, মাবু জম্বা লৈত্রবা, সূতকী মচা কর্ণবু যমালয়দা থাদনবা তৌ। মরম্‌দি কর্ণ হায়বসে সুমিৎ চুপ্পা নাপল তৌদুনা পাণ্ডবশিং নখোয়বু ঈউ উশিত্তনা লাক্লিবনি ॥৩৫॥ ধনঞ্জয়। পাপচেল্লবা দুর্য্যোধননা মা লৈবতগী মশাবু কল্লি হায়না খঞ্জরিবা অত্তগুম্বা কর্ণবু অদুগা অসুক্ য়াম্বা থোকত্রিবা তম্‌খিরবা অত্যাচার পূম্নমক্ অসিগী হৌরকফম্ মরু কর্ণ হায়বসিবু হাৎননবা তৌ ॥৩৬॥ অর্জ্জুন।

থাংশাংনা মরৈ ওইরিবা, লীরুংনা কাথোকপ খায়াৎ ওইরিবা,
তেলগী মপৈনা ময়া ওইবা কর্ণ কৌবা ময়ায় কারবা
নোংশাসিবু তৌয়ো হাৎনবা, অকনবা-লাম্নী শাদান্‌বা। ॥৩৭॥

অর্জ্জুন। ঐনা নঙোন্দা ঈশাযক্কা ঊহিল্লি:- নোংশানা শামুবু হাৎপদুগুম্না নংনা থরাই-হক্‌চাং

যস্ত বীর্য্যেণ বীর্য্যং তে ধার্ত্তরাষ্ট্রোঽবমন্যতে। তমদ্য পার্থ! সংগ্রামে কর্ণং বৈকর্ত্তনং জহি ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুনসংবাদে ত্রিপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

অনীমক্কী পাঙ্গল শীজিন্নদুনা কর্ণবু হাৎলো ॥৩৮॥ পৃথানন্দন। মা পৈবতনা দুর্য্যোধননা নংবু উশিত্রিবা, বৈকর্ত্তন কর্ণবু নংনা ওসি লোইখোকউ ॥৩৯॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা কৃষ্ণাঅর্জ্জুন সংবাদদা চামরাঙ্খোহুম্দোই শুবা অধ্যায় লোইরে

শ্রীমহাভারতম্

চতুঃপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ।

য়াঙ্খৈমরিশুবা অধ্যায়।

(কর্ণ হাৎপগী মতাংদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা পাউতাক্ পীরকপা)

—:—

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ পুনরমেয়াত্মা কেশবোঽর্জ্জুনমব্রবীৎ। কৃতসঙ্কল্পমায়স্তং বধে কর্ণস্য ভারত। ॥১॥
অদ্য সপ্তদশাহানি বর্ত্তমানস্য ভারত।। বিনাশস্যাতিঘোরস্য নরবারণবাজিনাম্ ॥২॥
ভূত্বা হি বিপুলা সেনা তাবকানাং পরৈঃ সহ। অন্যোন্যং সমরং প্রাপ্য কিঞ্চিচ্ছেষা বিশাংপতে! ॥৩॥
ভূত্বা হি কৌরবাঃ পার্থ! প্রভূতগজবাজিনঃ। ত্বাং বৈ শত্রুং সমাসাদ্য বিনষ্টা রণমূর্দ্ধনি ॥৪॥
এতে তু পৃথিবীপলাঃ সৃঞ্জয়াশ্চ সমাগতাঃ। ত্বাং সমাসাদ্য দুর্দ্ধর্ষং পাণ্ডবাশ্চ ব্যবস্থিতাঃ ॥৫॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অসিগী তুংদা, অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎলগে হায়না সংকল্প তৌরুনা লালকমলোমদা চত্থোরকপা মতমসিদা মাগী শক্তি অমদি জ্ঞানবু কনা অমতনা লাপ্না কংদবা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা অমুক্ অস্নুমা হাইরকই ॥১॥ ভরতনন্দন। তাইবং মী, শগোল, শামু তুম মাণ্ডননবগী মশক্ ওইরবা লাঞ্জাও অসিনা চথরকলিবসি ওসিগা থানা তরাতরেৎনি শুরেদো ॥২॥ নখোয়গী অমদি কৌরবশিংগী লাপ্মী মপৈ অনী কনা য়াম্না পাক্ চাউরবদো। খজিক্ খজিক্ ভায়শিল্লক্লেদো ॥৩॥ পৃথানন্দন অর্জ্জুন। কৌরব পক্ষগী মশীং লাকওমুত্রবা শগোল শামু অমদি লাপ্মী য়শি কয়া কয়া নথুত তুম্রেদো ॥৪॥ অর্জ্জুন নংগী মখোজ্ঞানা অয়না অর্জ্জুন নংবু

পাঞ্চালৈঃ পাণ্ডবৈর্মৎস্যৈঃ কারূষৈশ্চেদিভিঃ সহ। ত্বয়া গুপ্তৈররিত্রঘ্ন। কৃতঃ শত্রুগণক্ষয়ঃ ।৬।
কো হি শক্তো রণে জেতুং কৌরবাংস্তাত। সঙ্গতান্। অন্যত্র পাণ্ডবান্ যুদ্ধে ত্বয়া গুপ্তান্ মহারথান্ ।৭।
শক্তস্ত্বং হি রণে জেতুং সসুরাসুরমানুষান্। ত্রীল্লোঁকান সমরে যুক্তান্ কিং পুনঃ কৌরবং বলম্ ।৮।
ভগদত্তঞ্চ রাজানং কোঽন্যঃ শক্তস্ত্বয়া বিনা। জেতুং পুরুষশার্দ্দূল। যোঽপি স্যাদ্বাসবোপমঃ ।৯।
তথেমাং বিপুলাং সেনাং গুপ্তাং পার্থ! ত্বয়ানঘ! ন শেকুঃ পার্থিবাঃ সর্ব্বে চক্ষুর্ভিরপি বীক্ষিতুম্ ।১০।
তথৈব সততং পার্থ। রক্ষিতাভ্যাং ত্বয়া রণে। ধৃষ্টদ্যুম্নশিখণ্ডিভ্যাং ভীষ্মদ্রোণৌ নিপাতিতৌ ।১১।
কো হি শক্তো রণে পার্থ। ভারতানাং মহারথৌ ভীষ্মদ্রোণৌ যুধা জেতুং শক্রতুল্যপরাক্রমৌ ।১২।
কো হি শান্তনবং ভীষ্মং দ্রোণং বৈকর্ত্তনং কৃপম্। দ্রৌণিঞ্চ সৌমদত্তিঞ্চ কৃতবর্ম্মাণমেব চ ।১৩।
সৈন্ধবং মদ্ররাজানং রাজানঞ্চ সুযোধনম্। বীরান্ কৃতাস্ত্রান্ সমরে সর্বানেবনিবর্ত্তিনঃ ।১৪।
অক্ষৌহিণীপতীনুগ্রান্ সংহতান্ যুদ্ধদুর্ম্মদান্। ত্বামৃতে পুরুষব্যাঘ্র। জেতুং শক্তঃ পুমানিহ ।১৫।
(বিশেষকম্)

মীচঙ ওইনা কজহনা স্বঞ্জয় অমাদ পাণ্ডব লান্মীশিংগী মশীংনা হো জাক্কি কৌরব পক্ষগী লান্মীশিংগী মশীদগী হেল্লপ তৌনা লৈরেদো ॥৫॥ য়েক্লবা ওম্বা। নংনা ঙাকলো ওইনা লৈবতগী পাণ্ডব-পাঞ্চাল-মৎস্য-কারুষ, চোদগী লান্মীশংনা য়েক্লব পক্ষগী লান্মীশিংবু অম্বাম্বা হাৎপা ঙম্লিরবনি ॥৬॥ অকনবা। নংনা শেন্নরিবা মহারথী পাণ্ডবশিং অসি নংতনা কনানা অপুক্ য়াম্বা কৌরব লান্মীশিংবু জয় তৌবা ঙম্গদগে ? ॥৭॥ অর্জুন। নংনবু তৌগে খল্লবদি মী লাই হিংচাবনা থল্লবা মরোল অহুম্বু জয় তৌবা ঙম্গদৌবিবনি। কৌরব লান্মী খরশিংসিগীদ কারি অমুক্ হায়গনি ॥৮॥

ইন্দ্রগ মান্নন কল্লবা, ভগদত্তবু মায়থীহন্‌বা
মহাক্ নৎতন কনানা, ঙম্গনি হায়য়ু অকনবা! ॥৯॥
নংনা চ্যেকশিন্ন ঙাকালবা, পাণ্ডব তেঙ্গোল চাউরবা
য়েক্লবশিংনা কুইনমক্ত', ওম্ব নত্তে হঙ্গৎন য়েংবা ॥১০॥

অর্জুন। নংন ঙাক শেন্দুনা লৈবতগী শিখণ্ডীনা ভীষ্মবু অমুগ ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণবু হাৎপ ঙম্লক্খিবনি ॥১১॥ অম্ন নত্রবদবু পৃথানন্দন। মহারথী ওইরবা, ইন্দ্রগা মান্ননা মরিল মথৌনা মপাঙ্গল লৈরবা ভীষ্মদ্রোণ অনীবু জগত্ত কনানা লালফম্‌দা তুহনবা ঙম্গদগে ? ॥১২॥ নিপা অথোইবা অর্জুন। শান্তনুগী মচা অথোইবা ভীষ্ম, দ্রোণ, কর্ণ, কৃষ্ণ, অশ্বত্থামা, ভূরিশ্রবা, কৃতবর্ম্মা, জয়দ্রথ, শল্য, দুর্য্যোধন, হায়রিবা মথোয়সে কল্লবা, খুংল'য়দা ওন্থোক্লা চ্যেকশিন্ন হৈরবা, অথোইবা কন্না করাগী মপু, অকিথগী মশক কংবা লাম্মী, অমুগা লান্মা লাক্ক কানবা ঙম্দবা মীওই মক্তনি। মথোয়

শ্রেণ্যশ্চ বহুলাঃ ক্ষীণাঃ প্রদীর্ণাশ্বরথদ্বিপাঃ। নানাজনপদাশ্চোগ্রাঃ ক্ষত্রিয়াণামমর্ষিণাম্ ।১৬।
গোবাস-দাসমীয়ানাং বসাতীনাঞ্চ ভারত।। প্রাচ্যানাং বাটধানানাং ভোজানাঞ্চাভিমানিনাম্ ।১৭।
উদীর্ণস্বগজা সেনা ব্রহ্মক্ষত্রস্য ভারত।। ত্বাং সমাসাদ্য নিধনং গতা ভীমঞ্চ ভারত।।১৮।

(যুগ্মকম্)

উগ্রাশ্চ ভীমকর্মাণস্তুষারা যবনাঃ খশাঃ। দার্বাভিসারা দরদাঃ শকা রমঠ-তঙ্গনাঃ ।১৯।
অন্ধ্রকাশ্চ পুলিন্দাশ্চ কিরাতাশ্চোগ্রবিক্রমাঃ। ম্লেচ্ছাশ্চ পার্বতীয়াশ্চ সাগরানূপবাসিনঃ।
সংরম্ভিণো যুদ্ধশৌণ্ডা বলিনো দণ্ডপাণয়ঃ ।২০।
এতে সুযোধনস্যার্থে সংরব্ধাঃ কুরুভিঃ সহ। ন শক্যা যুধি নির্জেতুং ত্বদন্যেন পরন্তপ! ।২১।

(বিশেষকম্)

ধার্ত্তরাষ্ট্রমুদগ্রং হি ব্যূঢ়ং দৃষ্ট্বা মহদ্বলম্। যদি ত্বং ন ভবেস্ত্রাতা প্রতীয়াৎ কো নু মানবঃ ।২২।
তৎ সাগরমিবোদ্ধূতং রজসা সংবৃতং বলম্। বিদার্য্য পাণ্ডবৈঃ ক্রুদ্ধৈস্ত্বয়া হতং বিভো! ।২৩।

অসি নহাক্ নত্তবা করম্বা মীশক্ অমনা অয় তৌগদৌ ঽবদো? ॥১৩ ১৫॥ অতে পা অতে প্রা দেশ কয়া কয়াগী বল্লবা, শাউগল্লবা, মারিল কৌরবা ক্ষত্রিয় কয় কয মথরাই অ'থ্র মখোয়গী শগোল শামু রথ পুম্ব উং ওইনা মাঙখ্রে ॥১৬॥ ভরতনন্দন! গোবাস, দাসমীয় বসাতি, প্রাচ্য বাটধান, অমুগা থোয়ররা ভোজদেশগী ব্রহ্মণ ক্ষত্রিয় অাতি অনীমক্তা লোম্বা কয়া কয়না মশীং লাকওমদনা ভীষ্ম অর্জ্জুন নখোয অনীগী খুৎতা ভুমখ্রে। নখোযগী মশা চপা লায়কানবদা শাখিররা শগোল শামুশিং অতম্ব অংম্ ভুমখ্রবনি ॥১৭ ১৮॥ যেরুবর নৈতংতম্বা অর্জ্জুন! মেংবদা আকর-ভমখিবগী মুত্তি পুরব, আকবগী মশক্ ওইরব থবক্ত ওম্বা থোইদন শাউগল্লব, লান্দা ময়ায় কারবা, কম্ভৌরবা ম্লেচ্ছক্ চৈতুপ পায়ব, তুষার, যবন, খশা, দর্বাভিসার, দরদ, শক রমঠ, তঙ্গন, অন্ধ্রক, পুলিন্দ, কিরাত দেশশংসী অমগা অকিবগী মশক্ ফনা কল্লবা, চীঙলমদমগী অমগা সমুদ্র মপান্দা তাবা ম্লেচ্ছশিংনা কৌরব লাশ্মীশিংগা লোয়ননা দুর্য্যোধনগীদমক্ লালকমদা অকিবা ফনা চোংথোকখিবনি। মখোয়শিং লোইনা অয় তৌরবদা নং নত্তনা কনানা ভম্মগদগে? ॥১৯ ২১॥

অর্জ্জুন! দুর্য্যোধনগী পাকচাউরবা লাশ্মীমপৈ অমুনা ব্যূহগী মওংদা লেপ্তুনা লৈবমু উবদা নহাক্না মতম্ অমদা পাণ্ডব লাশ্মীশিংবু ভাকশেল্লুনা লৈরমুরবাদ কনানা অতুমম্বা অকিবগী মশক্ কংলবা যেরুবগী তেঙ্গোল অমদা চঙশিনবা ওম্মগদগে? নং লৈবতনা পাণ্ডব লাশ্মীশিংনা যেরুবশিংগী বেহরোমদা ফুজিনবা ওমখিবনি ॥২২॥ মতীক মঙণ চাউরবা অর্জ্জুন! অর্জ্জুন নংনা ভাকুনা লৈরিকো হায়রবদুগী রাথন্দা অকিবা লৈতনা পাণ্ডব লাশ্মীশিংনা, ঈথক্ হৌরবা, উফুমা

মাগধানামধিপতির্জয়ৎসেনো মহাবলঃ । অস্ত সপ্তৈব চাহানি হতঃ সংখ্যেঽভিমন্যুনা ।২৪।

ততো দশ সহস্রাণি গজানাং ভীমকর্ম্মণাম্ । জঘান গদয়া ভীমস্তস্য বাজুঃ পরিচ্ছদম্ ।২৫।

ততোঽন্যেঽভিহতা নাগা যথাস্য শতশো বলাৎ । তদেবং সমরে পার্থ । বর্ত্তমানে মহাভয়ে ।২৬।

ভীমসেনং সমাসাদ্য হ্যাশু পাণ্ডব । কৌরবাঃ । সবাজিরথমাতঙ্গা মৃত্যুলোকমিতো গতাঃ ।২৭।

তথা সেনামুখে তত্র নিহতে পার্থ । পাণ্ডবৈঃ । ভীষ্মঃ প্রাস্থজতুগ্রাণি শরজালানি মারিষ ।২৮।

স চেদিকাশিপাঞ্চালান্ করূষান্ মৎস্যকেকয়ান্ । শরৈঃ প্রচ্ছাদ্য নিধনমনয়ৎ পুরমাস্ত্রবিৎ ।২৯।

তস্য চাপচ্যুতৈর্বাণৈঃ পরদেহাবদারণৈঃ । পূর্ণমাকাশমভবদ্রুক্মপুঙ্খৈরজিহ্মগৈঃ ।৩০।

হস্ত্যশ্বরথসহস্রাণি একৈকেনৈব মুষ্টিনা । লক্ষং নরদ্বিপান্ হত্বা সমেতান্ স মহাবলান্ ।৩১।

গত্বা দশম্যা তে গত্বা অঘ্নদাজিরথদ্বিপান্ । হিত্বা নব গতীভূষ্টাঃ স বাণানাচবেহভাজৎ ।৩২।

দিনানি দশ ভীষ্মেণ নিঘ্নতা তাবকং বলম্ । শূন্যাঃ কৃতা রথোপস্থা হতাশ্চ গজবাজিনঃ ।৩৩।

কৃপথ্রবা পাক । উববা কৌরব লাম্মী মপৈ অহুবু থিনগাইহুনা চঙশিন্দুনা মখোয়বু তুম্না হাৎপা ভমখিবনি ॥২৩॥ মগধ দেশগী লাম্মীশিংগী লুচংবা জয়ৎসেন হাযবহুবু অভিমন্যুনা হাৎখিবসি ভুসিগা থানা তরেৎনি শুরেদো ॥২৪॥ অদুগা ভীমসেননা মতম্ অদুদা গদাতনা জয়ৎসেনগী খেভমী লম্মীশংবু অদুগা অকিবফংনা কল্লবা শাম্নু লাশং তরাবু হাৎখিদো ॥২৫॥ পৃথানন্দন । অকনগী মশক্ ফজনা লাঞ্জাও অদুদা নযান্মু কল্লবা ভীমসেননা গদাতনা শাম্নু চাম-চাম, রথ চাম চামবু অমুক অমুক্তা উফ্‌পা ওইহনাখি ॥২৬॥ পাণ্ডুনন্দন । কৌরব লাম্মী লিশিং লিশিংনা ভীম অর্জ্জুন নখোয অনীগী নখুত্তা মথরাই থাথাহুনা যমালয় যেখ্রে ॥২৭॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা অকনবা । ভীষ্মগী লাঞ্জাওদা হাকুঙ্ক পাণ্ডব লাম্মীশংনা কৌরব তেঙ্গোলগী মমাঙগংবা শকক্ মখৈ তুম হাৎখবা মতম্ অদুদ ভীষ্মনা তেন্তনা নোঙচুবগুম্ পাণ্ডব তেঙ্গোল মথক্ত হেথাখ ॥২৮॥ খুংলায়পূম্ব হৈবা ভীষ্মন চেদি, কাশী, পাঞ্চাল, করূষ মৎস্য অদুগা কেকয় দেশগী লাম্মীশংবু তেন্তনা কূপাশিন্দুনা হাংখি ॥২৯॥ মতম্ অদুদা মহাক্কী লীকদগী পাইথোরকপা মীপূম্নমক্কী থম্মেয হকচাং থিনবাৎপ ঙম্ব, সনানা ঙেম্মৈ পানবা, চুমজ্রিং চুম্লবা তেন লিশিং লিশিংনা নোংমদোন মকোয় অসি পূনকুপ কূপহন্‌খিদো ॥৩০॥ মরম্দি মহাক্কা অমুক্‌মুক্ত তেন থুদাপ অমমম্ তেঙ্গা থোং থোংতনা কাপ শন্নকূপহুনা মী, শগোল শাম্নু মথল মথাবু হাৎলগা রথ লিশিং লিশিংবু উং ওইনা মাঙহন্‌বা ঙম্‌খি ॥৩১॥ মহাক্কা দোষ নৈবা খোঙচৎ খোঙথাং মাপলবু থাদোক্‌না তরাশুবা খোঙচত্তা তেন কাপখি । মাহুদা নখোয়গী পক্ষগী শগোল শাম্নু রথ কয়াকয়া মশীং লাকৃতমদনা উংওইনা মাঙাখি ॥৩২॥ মতো অম্মুম্না অকনবা ভীষ্মনা তুমিৎ তরানি চুপ্প পাণ্ডব মখোয়গীতেঙ্গোলগী রথী পূম্নমক্কী মন্নুংগী অকোয়বা মপৈ অমদি ভীষ্মনা

দর্পয়িত্বাত্মনো রূপং রুদ্রোপেন্দ্রসমং যুধি । পাণ্ডবানামনীকানি নিগৃহ্যাসৌ ব্যপাতয়ৎ ।৩৪।
বিনিঘ্নন্ পৃথিবীপালাংশ্চেদিপাঞ্চালকেকয়ান্ । অদহৎ পাণ্ডবীং সেনাং রথাশ্বগজসঙ্কুলাম্ ।৩৫।
মজ্জন্তং প্লবে মন্দমুজ্জিহীর্ষুঃ সুযোধনম্ । তথা চরন্তং সমরে তপন্তমিব ভাস্করম্ ।৩৬।
পদাতিকোটিসাহস্রাঃ প্রবরায়ুধপাণয়ঃ । ন শেকুঃ সৃঞ্জয়া দ্রষ্টুং তথৈবান্যে মহীক্ষিতঃ ।৩৭।
(যুগ্মকম্)

বিচরন্তং তথা তুহৎ সংগ্রামে জিতকাশিনম্ । সর্বোদ্যোগেন মহতা পাণ্ডবাঃ সমভিদ্রবন্ ।৩৮।
স তু বিদ্রাব্য সমরে পাণ্ডবান্ সৃঞ্জয়ানপি । এক এব রণে ভীষ্ম একবীরত্বমাগতঃ ।৩৯।
তং শিখণ্ডী সমাসাদ্য ত্বয়া গুপ্তো মহাব্রতম্ । জঘান পুরুষব্যাঘ্রং শরৈঃ সন্নতপর্বভিঃ ।৪০।
স এব পতিতঃ শেতে শরতল্পে পিতামহঃ । ত্বাং প্রাপ্য পুরুষব্যাঘ্রং বৃত্রঃ প্রাপ্যেব বাসবম্ ।৪১।
দ্রোণঃ পঞ্চ দিনান্যুগ্রো বিধম্য রিপুবাহিনীম্ । কৃত্বা ব্যূহমভেদ্যঞ্চ পাতয়িত্বা মহারথান্ ।৪২।
জয়দ্রথস্য সমরে কৃত্বা রক্ষাং মহারথঃ । অন্তকপ্রতিমশ্চোগ্রো রাত্রিযুদ্ধেঽদহৎ প্রজাঃ ।৪৩।
(যুগ্মকম্)

অদুম্ হাত্তুনা লোইখ্রবনি। অদুগা লোয়ন লোয়ননা শগোল শামুস্থ তংখাই অম হন্না অদুম্ মূৎখ্রবনি ॥৩৩॥ মতম্ অদুদা ভীষ্মনা থাজৈশেংবা বিষ্ণু-রুদ্রমক্কী মূর্তপুদুনা পাণ্ডব লান্মীশিংবু মতুন তারগা তৌখি ॥৩৪॥ মতৌ অসুম্না ভীষ্মনা চেদি, পাঞ্চাল, অদুগা কেকয় দেশগী অকনবা ক্ষত্রিয়শিংবু হাৎলগা শগোল শামু রথ কয়াকয়ানা পীক থল্লবা পাণ্ডব লান্মী মৈপেং মাঙহনখি ॥৩৫॥ মবুকচেল কল্লবা দুর্যোধন অসি চি-পোঙ য়াওদনা অরাবগী ঈপাক লুপ্তুনা লৈরুরগনি। মাবু অরাব থুদোং থীবা ঈপাক অদুদগী লান্বিগে হায়না ভীষ্মনা চপয়ুনা খনখ। জগৎ পুম্ববু চাকথেকপা ওম্বা সূর্যদেবগী তেজ পুরবা ভীষ্মনা লালকম্ অসিদা চংগং হন্দ চত্তুনা পাণ্ডব লান্মীশিংবু নৈতহ্নবদা, থৌর থৌরবা খুৎলায় পায়রবা সৃঞ্জয় খোঙমী লান্মী কয়া কয়ানা অদুগা পাণ্ডব পক্ষগী লান্মী নিংথৌ কয়া কয়ানা ভীষ্মরোমদ হংগৎনমক্ যেংবা ঙম্খিদবনি ॥৩৬ ৩৭॥ লান্দা জয় তৌবতনা মাগী লৈতে ওইরবা, কল্লবা ভীষ্মনা মতৌ অসুম্না লালকম্দা মাগী য়েক্কবশিংবু হাৎ হাৎতুনা চংৎ হন্দা চৎপা হৌরকলবদা পাণ্ডব লান্মী শংনা মঙোল্লোমদা য়াম্না ঈচংথৌনা ফুজিনখি ॥৩৮॥ মতম্ অদুদা ভীষ্ম মথনতনা পাণ্ডব অমদি সৃঞ্জয় লান্মীশংবু নৈখায়রকপা মতম্ অসিদা মহাক্ অসি জগত্ত মপা লৈতনা কনবা মীশক অমনি হায়না শীঙথানখি ॥৩৯॥ অদুবু অর্জুন। অকক্না নহাক্না ঙাকশেন্দুনা লৈবিবদগী শিখণ্ডীনা থৌর থৌরবা তেম্না নিপা অথোইবা ভীষ্মদা চৈনা শীপীদুনা থাবা ঙম্খিবনি ॥৪০॥ মতম্ অদুদা, বৃত্রাসুরনা ইন্দ্রগী মথুৎতা তুখিবদুগুম্না ভীষ্মনা অকনবা নহাক্কী নখুৎতা তুখি ॥৪১॥ অদুগী তুংদা, অকিবগী মশক্ কংলবা দ্রোণনা তুমিৎ মঙানি চুপ্প মাগী য়েক্কব লান্মী কয়াবু হাৎতুনা; অমনা চঙবা ঙম্দবা বেহু শাত্তুনা, মহারথী কয়া কয়াবু হাৎলগা জয়দ্রথবু নখুৎতগী কনগে, হায়দুনা দ্রোণনা অহিংগী লান্দুনা

দৃষ্ট্বা যোধান্ শরৈর্বীরো ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। ধৃষ্টদ্যুম্নং সমাসাদ্য স গতঃ পরমাং গতিম্ ।৪৪।
হর্ষিং চাপ্ত জবান্ যুদ্ধে সূতপুত্রমুখান্ রথান্। নবারয়িষ্যৎ সংগ্রামে যদ্য দ্রোণো ধনঞ্জয় ।৪৫।
জবতা তু বলং সর্বং ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য বারিতম্। ততো দ্রোণো হতো যুদ্ধে পার্থতেন ধনঞ্জয় ।৪৬।
এবং বা কো রণে কুর্য্যাত্ত্বদন্যঃ ক্ষত্রিয়ো যুধি। যাদৃশং তে কৃতং পার্থ। জয়দ্রথবধং প্রতি ।৪৭।
এবং বা কো রণে কুর্য্যাত্ত্বদন্যঃ ক্ষত্রিয়ো যুধি। যাদৃশং তে কৃতং পার্থ। জয়দ্রথবধং প্রতি ।৪৭।
নিবার্য্য সেনাং মহতীং হত্বা শূরাংশ্চ পার্থিবান্। নিহতঃ সৈন্ধবো রাজা ত্বয়াস্ত্রবলতেজসা ।৪৮।
আশ্চর্য্যং সিন্ধুরাজস্য বধং জানন্তি পার্থিবাঃ। অনাশ্চর্য্যং হি তত্ত্বত্তঃ হি পার্থ। মহারথঃ ।৪৯।
ত্বাং হি প্রাপ্য রণে ক্ষত্রমেকাহাদিতি ভারত।। নশ্যমানমহং যুক্তং মন্যেয়মিতি মে মতিঃ ।৫০।
সেয়ং পার্থ। চমূর্ঘোরা ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য সংযুগে। হতসর্বস্ববীরা হি ভীষ্মদ্রোণৌ যদা হতৌ ।৫১।
শীর্ণপ্রবরযোধাদ্য হতবাজিরথদ্বিপা। হীনা সূর্য্যেন্দুনক্ষত্রৈর্দ্যৌর্বিবাভাতি ভারতী ।৫২।
বিধ্বস্তা হি রণে পার্থ। সেনেয়ং ভীমবিক্রমা। আসুরীব পুরা সেনা শক্রস্যেব পরাক্রমৈঃ ।৫৩।
তেষাং হতাবশিষ্টাস্তু সন্তি পঞ্চ মহারথাঃ। অশ্বত্থামা কৃতবর্ম্মা কর্ণো মদ্রাধিপঃ কৃপঃ ।৫৪।

যমরাজগী মতৌঙম্মা পাণ্ডব নখোয়গী লাম্মী লিশিং লিশিংবু হাংখিদো ॥৪২-৪৩॥ কল্লবা মতীক মঙ্গল চাউরবা দ্রোণাচার্য্যনা তেনতনা পাণ্ডবপক্ষগী লাম্মীশিংবু হাংলগা অদুগী তুংদা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মখুৎতা নোংগাখি ॥৪৪॥ মাদুগী তুমিৎতা অর্জ্জুন নহাক্না কর্ণনচিংব ঙাকুখোকলমুদ্রবদি দ্রোণদি মাদুগী তুমিৎতা শিরম্মোইদৌবনি ॥৪৫॥ অদুবু অর্জ্জুন। নহাক্না দুর্য্যোধনগী লাম্মী মপৈবু ঙাকখোকতুনা থম্বদুদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণবু হাৎপা ঙমজখিবনি ॥৪৬॥ অসিগী মথক্তা, পৃথানন্দন! জয়দ্রথ তুবগী তুমিৎ অদুদা নহাক্না তৌখিবদুঙম্মা জগৎকী ক্ষত্রিয় কনানা অদুম্মা তৌরমগদগে? ॥৪৭॥ নংনা নংগী নশা নথনতগী শক্তি অমদি তেজনা য়েক্নব কয়াবু থিংদুনা ঙাকখোকতুনা থম্লগা জয়দ্রথবু তুহনখিবনি ॥৪৮॥ অর্জ্জুন। লাম্মী নিথৌ কয়ানা নংনা জয়দ্রথবু হাৎখিবদু য়াম্না ঙরখি। অদুবু অর্জ্জুন নঙোন্দদি মাদু অদুক য়াম্না ঙক্কম্ থোকপা থৌদোক অম ওইদে। মরম্দি নহাক্ খ্বাইদগী মীথোই মীহেন্দুনা লৈরবা মহারথী মীশক্ অমনি ॥৪৯॥ ভরতনন্দন! নংনবু শাউরবদি অদুক য়াম্বা ক্ষত্রিয়শিং অসে নোংমগী মনুংদা তুম্গদৌরিবনি ॥৫০॥

পৃথানন্দন। ভীষ্ম দ্রোণ অনীনা হেক্ তুখিবদগী দুর্য্যোধনগী অকিবা কংনা পাক্ চাউরবা লাম্মী তেজোল মপৈগী অমত ওইবা লাল অমদি অকনবমথৈ মুৎথ্রে হায়রবা অদুম্ মরারবনি ॥৫১॥ অদুগী তুংদগু অথোই অথোইবা লাম্মী কয়া শগোল শামু রথ কয়া কয়া মুৎথ্রে। অদুনা হৌজিক্তি কৌরব লাম্মী মপৈ অসি পাক্ চাউরবগু তুমিৎ-থা অনী য়াওরবা পাকচাউরবা নোংমদোন মকোয়গী মতৌঙমত মঙাররে ॥৫২॥ অর্জ্জুন। মমাংদা ইন্দ্রগী মথৌনাদগী হিংচাবশিংগী লাম্মী মপৈনা তুমশিন্নকপদুঙম্মা কৌরবলাম্মী অয়াম্বা নখুবাক্ত তুমথ্রে ॥৫৩॥ শিখিবা তুখিবদগী লেমহৌরিবা

তাংস্ত্বমদ্য নরব্যাঘ্র! হত্বা পঞ্চ মহারথান্। হতামিত্রঃ প্রযচ্ছোর্ব্বীং রাজ্ঞে সদ্বীপপত্তনাম্ ॥৫৫॥
সাকাশজলপাতালাং সপর্ব্বতমহাবনাম্। প্রাপ্নোত্বমিতবীর্য্যশ্রীরদ্য পার্থো বসুন্ধরাম্ ॥৫৬॥
এতাং পুরা বিষ্ণুরিব হত্বা দৈতেয়দানবান্। প্রযচ্ছ মেদিনীং রাজ্ঞে শক্রায়েব যথা হরিঃ ॥৫৭॥
অদ্য মোদন্তু পাঞ্চালা নিহতেষ্বারিষু ত্বয়া। বিষ্ণুনা নিহতেষ্বাজৌ দানবেষ্বিব দেবতাঃ ॥৫৮॥
যদি বা দ্বিপদাং শ্রেষ্ঠং দ্রোণং মানয়তো গুরুম্। অশ্বত্থাম্নি কৃপা তেঽস্তি কৃপে চাচার্য্যগৌরবাৎ ॥৫৯॥
অত্যন্তাপচিতান্ বন্ধূন্ মানয়ন্ মাতৃবান্ধবান্। কৃতবর্ম্মাণমাসাদ্য ন নেষ্যাসি যমক্ষয়ম্ ॥৬০॥
ভ্রাতরং মাতুরাসাদ্য শল্যং মদ্রজনাধিপম্। যদি ত্বমরবিন্দাক্ষ! দয়াবান্ ন জিঘাংসসি ॥৬১॥
ইমং পাপমতিং ক্ষুদ্রমত্যন্তং পাণ্ডবান্ প্রতি। কর্ণমদ্য নরশ্রেষ্ঠ! জহ্যাশু নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥৬২॥
(কলাপকম্)

এতত্তে সুকৃতং কর্ম্ম নাত্র কিঞ্চন যুজ্যতে। বয়মপ্যনুজানীমো নাত্র দোষোঽস্তি কশ্চন ॥৬৩॥

কৌরব লান্মীগী অকনবা মহারথী হায়ববু অশ্বত্থামা, কৃতবর্ম্মা, কর্ণ, শল্য, কৃপ মঙা অসিত মঙায়হৌরে ॥৫৪॥ অদুনা নিপা অথোইবা। মহারথী মঙা অসিবু হাৎলগা, য়েরুক্তিংখং লৈত্রবা নয়াম্বুং যুধিষ্ঠিরদা পাকচাউরবা লম্ মপুম অসিগী শিংহাসণ দান তৌ ॥৫৫॥ ধর্ম্মচেল্লবা, কল্লবা, সম্পত্তি পুম্নমকনা তিল্লবা যুধিষ্ঠিরনা চীঙমান তুরেল বন্ উপাল কয়ানা থল্লবা পৃথ্বীসিগী মপু ওইজরসনু ॥৫৬॥ মমাঙৈদা বিষ্ণুনা দৈত্যদানব পুম্নমকপু হাৎলগা পৃথ্বীপুম্বা ইন্দ্রদা পিথোকখিবহৌগুম্ন অকনবা নহাকনু য়েকনবশিংসিবু হাৎলগা যুধিষ্ঠিরদা পৃথিবী অসি দান তৌ ॥৫৭॥ বিষ্ণুনা লালকয়দা দানবাশিংবু হাৎলগা দেবতাশিংবু হরাও নুংঙাইহনবগুম্না নহাকনু য়েকনবশিংসিবু হাৎলগা পাণ্ডব পক্ষগী লান্মীশিংসিবু অমুক্ত হরাওহল্লু ॥৫৮॥ থম্মালমীংত্তা তাবা। অকনবা। নিপা অথোইবা গুরু দ্রোণগী মমায় য়েংহুনা মাগী মচা অশ্বত্থামাবু নুংশিবিহুনা হৌজিক কাওবা হাৎপিত্রবসু, গুরুনি হায়হুনা কৃপাচার্য্যবু হৌজিক্কাও থাকপিরবসু, শাগৈ নাইত্ত মরূপ মপাংশিংগী সম্বন্ধনা কনখিহুনা কৃতবর্ম্মাবু নংনা হৌজিক্ কাওবা হাত্তনা থম্নবসু, অদুগা নমা মাদ্রীগা পোকমিন্নবা মামনি হায়হুনা শল্যবু নংনা হৌজিক্ কাওবা হাত্তনা থম্নবসু অদুগা হাৎনিংত্রবসু চহী মতম্ কয়াদগী নখোয়গী কৎতনবত শীল্লক্লিবা, পাণ্ডবশিং নখোয়গী অমত ওইব য়েরুবা, পূকচেল পীক্রবা কর্ণবুদি ঙসিগী নুমিৎত থোরবা তেলমক্ত শীজিন্নহুনা হাৎননবা তৌ ॥৫৯-৬২॥ অর্জ্জুন নত্তোঙ্গদি মাসিনা খ্বাইদগী অকব কর্ম্ম অম ওইগদৌরিবনি। অহুনা তৌগদৌরিবা থবক্ অসিদা চিংনবা অমদি বিচার অম থক্ তৌরনু। থবক্ অসে, ঐখোয়নসু য়ারি, তৌ হায়রি, অহুনা নত্তোঙ্গা দোষ অমতসু লৈরয়োই ॥৬৩॥ পাপ য়াওত্রবা। অর্জ্জুনা অহুতৈ কত্রবা দুর্য্যোধননা নখোয় মচাশিংগা লোয়ননা কুন্তী দেবীবু চাগী শঙ্গা লৈহন্নগা থৈ থাদোকে হোৎনখিবা অদুগা চোৎখ

দহনে যৎ সপুত্রায়া নিশি মাতুস্তথানঘ। । দ্যূতার্থে যচ্চ যুষ্মাসু প্রাবর্ত্তত সুযোধনঃ।
তস্য সর্বস্য দুষ্টাত্মা কর্ণো বৈ মূলমিত্যুত ।৬৪।
কর্ণাদ্ধি মন্যতে ত্রাণং নিত্যমেব সুযোধনঃ। ততো মামপি সংরব্ধো নিগ্রহীতুং প্রচক্রমে ।৬৫।
স্থিরা বুদ্ধির্নরেন্দ্রস্য ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য মানদ। । কর্ণঃ পার্থান্ রণে সর্বান্ বিজেষ্যতি ন সংশয়ঃ ।৬৬।
কর্ণমাশ্রিত্য কৌন্তেয়। ধার্ত্তরাষ্ট্রেণ বিগ্রহঃ। রোচিতো ভবতা সার্দ্ধং জানতাপি বলং তব ।৬৭।
কর্ণোঽপি ভাষতে নিত্যমহং পার্থান্ সমাগতান্। বাসুদেবঞ্চ দাশার্হং বিজেষ্যামি মহারণে ।৬৮।
প্রোৎসাহয়ন্ দুরাত্মানং ধার্ত্তরাষ্ট্রং সুদুর্ম্মতিঃ। সমিতৌ গর্জতে কর্ণস্তমস্য জহি ভারত। ।৬৯।
যচ্চ যুষ্মাসু পাপং বৈ ধার্ত্তরাষ্ট্রঃ প্রযুক্তবান্। তত্র সর্বত্র দুষ্টাত্মা কর্ণঃ পাপমতির্মুখম্ ।৭০।
যচ্চ তদ্ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য ক্রূরৈঃ ষড়্ভির্মহারথৈঃ। অপশ্যং নিহতং বীরং সৌভদ্রমৃষভেক্ষণম্ ।৭১।
দ্রোণদ্রৌণিকৃপান্ বীরান্ কর্ষয়ন্তং নরর্ষভান্। নির্মনুষ্যাংশ্চ মাতঙ্গান্ বিরথাংশ্চ মহারথান্। ৭২।
ব্যশ্বারোহাংশ্চ তুরগান্ পত্তীন্ ব্যায়ুধজীবিতান্। কুর্বন্তমৃষভস্কন্ধং কুরুবৃষ্ণিযশস্করম্ ।৭৩।

শংন্নখিবা পূন্নমক্ অসি তৌখিবগী মরুদি কর্ণনি ॥৬৪॥ দুর্য্যোধননা তৌজিক্ খল্লিবসি অকিবা খুদোংথীবা পূন্নমতগী মহাবপু কর্ণতনা কনবিগনি অসিনি ; অদুতনা, ঐ কাওবু দুর্য্যোধননা কাগদবগী পুনগদবগী হোৎনখিবতনি ॥৬৫॥ ঈকায় খুম্নব হৈবা অর্জ্জুন। কর্ণ মথন্তনা পাণ্ডব লাম্মী পুন্নমক্সিবু তম্খিগনি হায়বসি দুর্য্যোধননা হৌজিক্ কাওবা অদুম্ মখল্লিবনি। মাসিদা কাম্নমত চিংনকম্ লৈত্রবনি ।৬৬॥ কুন্তীনন্দন। নংগী বিন্তা নথৌনা পূম্বসি খণ্ডন খণ্ডনা দুর্য্যোধননা নংগা থেংননি হায়না খল্লিবসে কর্ণ লৈরিকো হায়বদু খল্লবদগীনি ॥৬৭॥ অদুগা কর্ণ মশানসু মতম্ অয়াম্বদা "পাণ্ডবশিংবু, পাণ্ডব লাম্মী পুন্নমকপু অদুগা দশার্হবংশগী মহারথী কৃষ্ণবু হাৎকনি" অম্নম্ হায়দুনা তাক্ লৈরিবনি ॥৬৮॥ কত্রবা, চয়োল হৈরবা কর্ণ হায়বসিনা দুর্য্যোধনগী মবুক্কিং থোগৎনবা পেম্নবা রাজসভা ময়ায়দা নখোয়বু তংদুনা চৈখিবনি। অদুনা ভরতনন্দন। কায়দে কুইথদুনা. কর্ণ হাৎনবা তো ॥৬৯॥ শম্ন হায়রবদা পাপী দুর্য্যোধননা নখোয়দা হেক্ তৌখিবা কত্রবা তম্খিরবা থবক্ পুন্নমক্ অদুগী হৌরককম মরুদি কর্ণ হায়বসিতননি খঙ্ঙু ॥৭০॥ মরূপ। অর্জ্জুন।

শন্নাবগী মতৌতম্, মীৎতা কোয়রাও নরবা
শন্নাওতম্ মরেং কল্লবা, কুরু বৃষ্ণিগী মিংচৎ চাউহনবা
অভিমন্যু কৌবা মহাক্না, দ্রোণ অশ্বত্থামা অকনবা
কৃপাচার্য্যবু তম্দুনা শগোল শাম্ন রথ অয়াম্বা
নৈহৎতুনা রথ রাওহনখিদবা, শগোল শাম্ন রথী অয়াম্বা

বিধমন্তমনীকানি ব্যথয়ন্তং মহারথান্। মনুষ্যবাজিমাতঙ্গান্ প্রহিণ্বন্তং যমক্ষয়ম্ ।৭৪।
শরৈঃ সৌভদ্রমায়ান্তং দহন্তমরিবাহিনীম্। অস্মে দহন্তি গাত্রাণি সখে। সত্যেন তে শপে ।৭৫।
(কুলকম্)

যত্ত্রাপি চ দুষ্টাত্মা কর্ণোঽভ্যদ্রুহ্যত প্রভো।। অশক্নুবংশ্চাভিমন্যোঃ পার্থ। স্থাতুং রণেঽগ্রতঃ ।৭৬।
সৌভদ্রশরনির্ভিন্নো বিসংজ্ঞঃ শোণিতোক্ষিতঃ।
নিশ্বসন্ ক্রোধসংদীপ্তো বিমুখঃ সায়কার্দ্দিতঃ ।৭৭।
অপযানকৃতোৎসাহো নিরুৎসাহশ্চ জীবিতে। স্থিতঃ স বিহ্বলঃ সংখ্যে প্রহারজনিতশ্রমঃ ।৭৮।
(বিশেষকম্)

অথ দ্রোণস্য সমরে তৎকালসদৃশং তদা। শ্রুত্বা কর্ণো বচঃ ক্রূরং ততশ্ছিচ্ছেদ কার্ম্মুকম্ ।৭৯।
ততশ্ছিন্নায়ুধং তেন রণে পঞ্চ মহারথাঃ। তস্মৈব নিকৃতিপ্রজ্ঞাঃ প্রাহনন্ শরবৃষ্টিভিঃ ।৮০।
তস্মিন্ বিনিহতে বীরে সর্বেষাং দুঃখমাবিশৎ। প্রাহসৎ স তু দুষ্টাত্মা কর্ণঃ স চ সুযোধনঃ ।৮১।
যচ্চ কর্ণোঽব্রবীৎ কৃষ্ণাং সভায়াং পরুষং বচঃ। প্রমুখে পাণ্ডবেয়ানাং কুরূণাঞ্চ নৃশংসবৎ ।৮২।
বিনষ্টাঃ পাণ্ডবাঃ কৃষ্ণে। শাশ্বতং নরকং গতাঃ। পতিমন্যং পৃথুশ্রোণি। বৃণীষ্ব মৃদুভাষিণি। ।৮৩।

মীকৃপত লোইন হাৎখিদো, তাঙ্গাসিদা দুর্য্যোধননচিংবা
অকনবা রথী তরুমা, অভিমন্যুবু হাৎখিবা
মাদু নীঙশিংঙ্বদা, হকচাং পুম্বসে হৌজিকসু চাক্লি।

ঐনা নংগী নকমদা হায়রিবা পুম্বসে অচুম্বমক্তনি, ঐ রাগকচুনা হায়রিগনি অর্জ্জুন। ॥৭১-৭৫॥ মতীক মগুণ চাউরবা অর্জ্জুন। অভিমন্যুগী তেম থাবদা মগা ঈনা পুন্নুপ লুপ্পবা কর্ণ অসি অজ্ঞান তাদদুনা অভিমন্যুগী মমাঙদা লেপ্পা ঙমখিদ্রদুনা সুংশামপী থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা মমায় লৈরবনি। মথ্বাইত হিংনবা চেল্লগে হায়না খন্দুনা মক্‌ম্ মরাং খঙদনা ঙহাক্তং চপ লেপ্তুনা লৈরুরবা কর্ণান ॥৭৬-৭৮॥ অদুবু দ্রোণগী অথীবা রাহৈ তাবদগী অমুক্ মমায় ঙনশিল্লক্তুনা মহাক্ন অভিমন্যুগী লীরুং ককৃথৎখি ॥৭৯॥ কর্ণনা অভিমন্যুগী লীরুং ককৃথৎপিগ্রবদা মহারথী মখোয় মঙানা পুল্লপ হোৎদুনা, মীনা থীনা ঙাঙনগনি হায়বগী অকিবা চিংনবা পুম্বা লৈতনা, অভিমন্যুগী মথক্তা তেম্না নোংচুবগুম্ হৈথখি ॥৮০॥ মতৌ অসুম্না অকন্বা অদুনা তুখিবদু উবদা অউবা মী পুম্নমক্কী থম্মোয়দা সুংঙাইতবা শাউনিংবা পোকখি। অদুবু কত্রবা দুর্য্যোধনগা কর্ণগা মখোয় অনীতদি কাক্ কাক্ নোকখি ॥৮১॥ অদুগা অর্জ্জুন। মমাঙৈদা চৌবয় সভাদা কৌরব পাণ্ডব পুম্নমক্কী মাঙদা কর্ণনা তম্থিরবা সুংশি হৈত্রবা অমগুম হায়খিবদু অসিনি "হৈ। দ্রুপদগী মচানুপী। নপুরোইবনি হায়রিবা পাণ্ডবশিংসে শিরখনি, নরক তারবনি খঙ্ঙ্। অদুনা তীঙদা য়াঙদা কজবী। য়াঙাং কজবী। লৈরিবা ময়ামসিদগী নংনা পাম্ব নপুরোইবা অম থগো। মীৎকী পা খোয়তক্ তৌবী। নংদি হৌজিক্ মীনায় ওইরবনি। অদুনা মহারাজ

এষা ত্বং ধৃতরাষ্ট্রস্য দাসীভূতা নিবেশনম্ । প্রবিশারালপক্ষ্মাক্ষি । ন সন্তি পতয়স্তব ।৮৪।

পাণ্ডবাঃ প্রভবস্তাস্ত ন তে কৃষ্ণে । কথঞ্চন । দাসভার্য্যাসি পাঞ্চালি । স্বয়ং দাসীতি শোভনে । ।৮৫।

অদ্য দুর্য্যোধনো হ্যেকঃ পৃথিব্যাং নৃপতিঃ স্মৃতঃ । সর্বে তস্য মহীপালা যোগক্ষেমমুপাসতে ।৮৬।

পশ্যেদানীং যথা ভদ্রে । বিনষ্টান্ পাণ্ডবান্ সমম্ ।

অন্যোন্যং সমুদীক্ষন্তে ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য তেজসা ।৮৭।

ব্যক্তং ষণ্ডতিলা হ্যেতে নিরয়ে চ নিমজ্জিতাঃ । প্রেষ্যবমপি রাজেন্দ্রমুপযাস্যন্তি কৌরবম্ ।৮৮।

ইত্যুক্তবানধর্ম্মজ্ঞস্তদা পরমদুর্ম্মতিঃ পাপঃ পাপং বচঃ কর্ণঃ শুশ্রুতস্তব ভারত । ।৮৯।

(কুলকম্)

অস্য পাপস্য তদ্বাক্যং সুবর্ণবিকৃতাঃ শরাঃ । শময়ন্তু শিলাধৌতাস্তবাস্ত্রা জীবিতচ্ছিদঃ ।৯০।

যানি চান্যানি দুষ্টাত্মা পাপানি কৃতবাংস্ত্বয়ি । তান্যদ্য জীবিতঞ্চাস্য শময়ন্তু শরাস্তব ।৯১।

গাণ্ডীবপ্রহিতান্ ঘোরানস্য গাত্রৈঃ স্পৃশন্ শরান্ । কর্ণঃ স্মরতু দুষ্টাত্মা বচনং দ্রোণভীষ্ময়োঃ ।৯২।

সুবর্ণপুঙ্খা নারাচাঃ শত্রুঘ্না বৈদ্যুতপ্রভাঃ । ত্বয়াস্তাস্তস্য মর্ম্মাণি ভিত্ত্বা পাস্যন্তি শোণিতম্ ।৯৩।

ধৃতরাষ্ট্রগী অন্তঃপুর মনুংদা চঙখ্রো । নংগী নপুরোয়বশিংদি লৈত্রগুদ্রনি থঙউ । মরমদি নপুরোইবশিং অসিগী মনুংদা কনাগুম্ব অমগী অধিকার নঙোন্দা লৈত্রবনি । নংদি ঐখোয়গী ঈথা পোল্লবিনি । পাঞ্চাল নিংথৌগী মচানুপী । নিংথিজবী । নংদি মীনায়শিংগী লোয়নবী ওইরবনি । নণামকপু মীনায়নুবী অম ওইরবনি । ঙসিদগী হৌনা, পৃথ্বী পুম্বগী নিংথৌ হায়রবদু দুর্য্যোধন হায়রবসিতনা । ওইরবনি । অতৈপুম্বা মাগী মীনায় মীশল মক্ত ওইরবনি । য়েংউ, নীঙথিজবী । নপুরোয়বনি হায়রিবশিংসে লোইনা আশবগা পাংথক ওইরবনি । অহুনা মখোয়শিংসে মমীৎ মনা ঈথক থক্লা দুর্য্যোধন লোমদা য়েংহুনা লৈরিবসিনি । অহুনা মখোয় অ স নপুংসক ওম্না ওইহুনা তুমিল্লা তাহুনা লৈরবসিনি । অদুগা মখোয়না লৈরিবসে পাপকী নরকত চুপ চুপ লুপ্তুনা লৈরিবনি । মখোয় অসে ঙহাক্ত ঙায়রে নিংথৌ দুর্য্যোধনগী মীনায় ওইহুনা সেবা লাংবা তৌগদবা" । ভরতনন্দন । অর্জ্জুন । তো, মতৌ অসুম্না সভা ময়ায়দা কত্রবা, পাপকী পূকচেল চেল্লবা কর্ণনা নখোয়দা অসুম্না হায়খিদে ।।৮২ ৮৯।। অহুনা ঙসি নংগী মখৌ শঙলবা খোরবা তেলশিং অহুনা, পাপী কর্ণগী মচীনমরৈ অসিগা লোয়নরবা মঙক অসি ককৃউ ।।৯০।। অর্জ্জুন । কত্রবা কর্ণনা নখোয়গী নথক্তা চহী মতম কুইনা তৌরকৃলিবা অত্যাচার অসিগী লমন্ খুমহুনা মাগী পুনশিবু ঙসি লোয়হল্লু ।।৯১।। ঙসিদি কর্ণ অসে নংগী; গাণ্ডীবদগী পাইথোরকপা তেল মহামগী চৈনা হেক কংবদা মঙোন্দা মমাঙৈদা ভীষ্ম-দ্রোণনা হায়খিবশিংদো নিংশিংজরকসনু ।।৯২।। সনানা তেম্নেপনবা নোংথাংগী মতৌগুম লংলবা, য়েরুবা হাৎঙবা. নংগী তেল মহায়া কর্ণগী মশাগী ঈ চুপ্লসনু ।।৯৩।।

উগ্রায়ুধভুজনির্মুক্তা মর্ম্ম ভিত্ত্বা মহাশরাঃ। অস্য কর্ণঃ মহাবেগাঃ প্রেষয়ন্ত যমক্ষয়ম্॥৯৪॥
অদ্য হাহাকৃতো দীনা বিষণ্ণাস্ত্বজ্জরার্দ্দিতম্। প্রপতন্তং রথাৎ কর্ণং পশ্যন্ত বসুধাধিপাঃ॥৯৫॥
অদ্য শোণিতসংমগ্নং শয়ানং পতিতং ভুবি। অপবিদ্ধায়ুধং কর্ণং দীনাঃ পশ্যন্ত বান্ধবাঃ॥৯৬॥
হস্তিকক্ষ্যো মহানস্য ভল্লেনোম্মথিতস্ত্বয়া। প্রকম্পমানঃ পততু ভূমাবাধিরথের্ধ্বজঃ॥৯৭॥
ত্বয়া শরশতৈশ্ছিন্নং রথং হেমবিভূষিতম্। হতযোধামুৎসৃজ্য ভীতঃ শল্যঃ পলায়তাম্॥৯৮॥
ততঃ সুযোধনো দৃষ্ট্বা হতমাধিরথিং ত্বয়া। নিরাশো জীবিতে ত্বদ্য রাজ্যে চৈব ভবত্বরিঃ॥৯৯॥
এষ বৈ তাবকান্ পার্থ! কর্ণো হন্তি স্ম সায়কৈঃ। শতক্রতুসমো বীর্য্যে শঙ্করপ্রতিমোঽপি বা॥১০০॥
এতে দ্রবন্তি পাঞ্চালা বধ্যমানাঃ শিতৈঃ শরৈঃ। কর্ণেন ভরতশ্রেষ্ঠ! পাণ্ডবানুজ্জিহীর্ষবঃ॥১০১॥
পাঞ্চালান্ দ্রৌপদেয়াংশ্চ ধৃষ্টদ্যুম্নশিখণ্ডিনৌ। ধৃষ্টদ্যুম্নতনূজাংশ্চ শতানীকঞ্চ নাকুলিম্॥১০২॥
নকুলং সহদেবঞ্চ দুর্ম্মুখং জনমেজয়ম্। সুধর্ম্মাণং সাত্যকিঞ্চ বিদ্ধি কর্ণবশং গতান্॥১০৩॥
(যুগ্মকম্)
অভ্যাহতানাং কর্ণেন পাঞ্চালানামসৌ রণে। শ্রূয়তে নিনদো ঘোরস্ত্বদ্বন্ধূনাং পরন্তপ! ॥১০৪॥

ঙসি নংগী থৌরবা, অকিবগী মশক্ ওইরবা; শাফু কল্লবা তেলশিংঙ্গুনা কর্ণগী লালফুরিৎ অদু খিনগাইদুনা মহাবপু যমালয়দা য়ৌহল্লু॥৯৪॥ ঙসিদি নংগী তেম্না পানবদা রথদগী তুথরকপা কর্ণবু কৌরব লাম্নী নিংথৌ ময়াম্না মায়থোং লাংশিন্না, য়াম্না রানা উজরসনু॥৯৫॥ ঙসি নংগী তেম্না পানবদা ঈইংনাইইং শারবা কর্ণনা লালকম্‌দা লালকম্ লৈমায়থক্ত থরো থরো ওনবদু অদুগা থুংলায় থাদোক্ত্না তুবদু মাগী শাগে নাতৈ মরূপ মপাংনা উজহৌরসনু॥৯৬॥ নংগী তামচীন শাবা তেম্না থাবদা, মহাকী শামুথৌরী য়েকপা কিরাল অদুতেক্ত্না লৈমায়থক্তা তাপ্রসনু॥৯৭॥ অর্জ্জুন! নংনা নংগী থৌর থৌরবা তেল চাম চামনা সনাতনা লৈতেংলবা, কর্ণ রথ অদুবু শিংঙ্গপ শানা থুদেক্রগা মাগী লাম্মীশিংবু শগোলশিংবু হাত্তোকখিবদু উবদা মাগী সারথি শল্যসু লালকম্ থাদোক্ত্না হৌদুনা চেনপ্রসনু॥৯৮॥ অর্জ্জুন! নংনা ঙসি কর্ণবু হাৎখিবদু উবদা লৈপাকপাম্বা দুর্য্যোধননা মাগী মপুনসি অমদি রাজসিংহাসন অনীমক্ত নিরাশা (নীঙবা কায়বা) ওইপ্রসনু॥৯৯॥ পৃথানন্দন! আত য়েংঙ্! মপাঙ্গন্দা ইন্দ্র অমদি রুদ্রমক্তা মাম্নবা কর্ণ হায়ব অসিনা থৌর থৌরবা থুংলায়না নখোয়গী পাণ্ডব লাম্মীশিংবু তুম্ন মাঙনমবা হোৎনরক্লি॥১০০॥ ভরতনন্দন! অর্জ্জুন! কর্ণনা মাগী থৌর থৌরবা তেম্না পাণ্ডব লাম্মীশিংবু মৈরক্লিদি হায়ববু কল্লবা পাঞ্চাল লাম্মীশিংনা পাণ্ডব লাম্মীশিংবু কনগে হায়বগীদমক্ মপাঙ্গল মথৌনাগ লোয়মনা কর্ণ তম্ন ফুজিন্নরি॥১০১॥ অর্জ্জুন! পাঞ্চালশিং, দ্রৌপদীগী মচাশিং, ধৃষ্টদ্যুম্ন, শিখণ্ডী, ধৃষ্টদ্যুম্নগী মচাশিং, নকুলগী মচা শতানীক, নকুল, সহদেব, দুর্ম্মুখ, জনমেজয়, সুধর্ম্ম অদুগা সাত্যকি পুম্নমক্ অসে কর্ণগী মখা পোনব্রে॥১০২-১০৩॥ য়েক্লব ওয় অর্জ্জুন! কর্ণনা কম্ন কম্না থাজিন্নকপসিদা চৈনা থাঙবা

ন হ্যেব ভীতাঃ পাঞ্চালা কথঞ্চিৎ স্যুঃ পরাঙ্মুখাঃ। ন হি মৃত্যুং মহেষাসা গণয়ন্তি মহারণে ॥১০৪॥
য একঃ পাণ্ডবীং সেনাং শরৌঘৈঃ সমবেষ্টয়ৎ। তং সমাসাদ্য পাঞ্চালা ভীষ্মং নাসন্ পরাঙ্মুখাঃ ॥১০৫॥
তথা জলন্তমস্ত্রাগ্নিং গুরুং সর্বধনুষ্মতাম্। নির্দহন্তঞ্চ সমরে দুর্দ্ধর্ষং দ্রোণমোজসা ॥১০৬॥
তে নিত্যমুদিতা জেতুং যুধে শত্রুমরিন্দম!। ন জাত্বাধিরথের্ভীতাঃ পাঞ্চালাঃ স্যু পরাঙ্মুখাঃ ॥১০৭॥
তেষামাপততাং শূরঃ পাঞ্চালানাং তরস্বিনাম্। আদত্তেঽসূন্ শরৈঃ কর্ণঃ পতঙ্গানা মিবানলঃ ॥১০৮॥
তাংস্তথাভিমুখান্ বীরান্ মিত্রার্থে ত্যক্তজীবিতান্। ক্ষয়ং নয়তি রাধেয়ঃ পাঞ্চালান্ শতশো রণে ॥১০৯॥
তত্ত্বারত। মহেষ্বাসানগাধে মজ্জতোঽপ্লবে। কর্ণার্ণবে প্লবো ভূত্বা পাঞ্চালাংস্ত্রাতুমর্হসি ॥১১০॥
অস্ত্রং হি রামাৎ কর্ণেন ভার্গবাদৃষিসত্তমাৎ। যদুপাত্তং মহাঘোরং তস্য রূপমুদীর্যতে ॥১১১॥
তাপনং সর্বসৈন্যানাং ঘোররূপং সুদারুণম্। সমাবৃত্য মহাসেনাং জলিতং স্বেন তেজসা ॥১১২॥
এতে চরন্তি সংগ্রামে কর্ণ চাপচ্যুতাঃশরাঃ। ভ্রমরাণামিব ব্রাতাস্তাপয়ন্তঃ স্ম তাবকান্ ॥১১৪॥

ঙম্‌দহনা নংগী মরূপ মপাং শাগৈ নাতৈ পাঞ্চালাশংনা লাউথোংনরকপগী ইানন্ অসে য়াম্না হৌনা তারি ॥১০৪॥ অদুবু পাঞ্চালশিং আসদি কিহনা নীওহন্নহনা থক্ চেনবি লাকপিয়োই মরমদি পাঞ্চাল লাম্মী মহারথীাশং অসিদি শিববু করিস্থ লৈতনা থাল্লি ॥১০৫॥ মহাক্কী তেলগী লাংতনা পাণ্ডব তেঙ্গোলবু পুমকুপ্ কুপথ্রবা অহুগুম্বা ভীষ্মমক্কী মাঙদগী চেনবিখিত্রবা পাঞ্চাল লাম্মী মক্তনি ॥১০৬॥ লীকং তেল পায়বা লাম্মীশিংগী গুরু ওইরবা দ্রোণাচার্য্যনা মাগী থুংলায়গী মৈনা জগৎ পুম্নবু চাকথেক্লগে হায়বগী মতাগুম্ পাণ্ডব লাম্মীশিংবু চাকথেকহল্লরুবা অগুম্বাওবদা চেনবা চৈথিত্রবা পাঞ্চাল লাম্মী মক্তনি ॥১০৭॥ য়েক্লবা ভম্বা! পাঞ্চালশিং অসে য়েক্লববু ঙমাখনি জয় তৌথিন হায়বগী আশা ইথা থাদোক্তনা মুমৎ চুপ্পা ইমুত শুংডাইহনা চৈগি। অহনা মথোয় অসিনা কর্ণদগী মমায় ওন্দুনা চেনগদবা মীতা অমত নত্রে ॥১০৮॥ পাঞ্চাল লাম্মীশিং অসিনা কোজেং হারৌ মপৈ মপেগুম্বা কর্ণ তম্বা পাইশিল্লরুবদা কল্লবা কর্ণনা মথোয় মপৈ মপৈগী মথ্বাই লৌরি ॥১০৯॥ শাগৈ নাতৈ মরূপ মপাংগীদমক্তি হায়হনা মথ্বাই পম্মুরনা চেক্লিল্লক্লিবা পাঞ্চালশিং চামচামগী মথ্বাইবু কর্ণনা থুদক্ থুদক্ত লৌরি ॥১১০॥ মরম্ অহনা ভরতনন্দন অর্জ্জুন! অকনবা পাঞ্চাল লাম্মীশিং অসে হি পোঙ্ লৈত্রবা, লৈথাকংবা ডম্জ্রবা লূরবা কর্ণগী মশক্ লৌরবা ঈপাক্তা লুপত্রে। অহনা অর্জ্জুন! নংনা মথোয়গী পোঙ্-হি ওইহনা মথোয়গী মথ্বাই কয়বা তৌ ॥১১১॥ ঋষি অথোইবা পরশুরামদগী তমখিনা অকিবগী মশক ওইরবা, কর্ণনা কংখিবা খুৎলায় অসে হৌজিক্ পুমঙাল ডান্দুনা লৈরি ॥১১২॥ অকিবা মূর্ত্তি পুরবা, তোঙমদবা থবক্ তৌরবা ভার্গবাস্ত্র হায়ব কর্ণগী খুৎলায় অসিনা পাণ্ডব লাম্মী পুম্নবু কুপশিনখিহনা লাম্মী পুম্নমক্কী থম্মোয়দা মিপাইবা পোকহল্লি ॥১১৩॥ খোইম্ মপৈ মপৈ পাইথোরকপগুম্বা, কর্ণগী লীকংবগী

এতে দ্রবন্তি পাঞ্চালা দিক্ষু সর্বাস্থ ভারত।। কর্ণাস্ত্রং সমরে প্রাপ্য ছুনিবার্য্যমনাবৃতিঃ ।১১৫।
এক ভীমো বৃচক্রোধো বৃতঃ পার্থ। সমন্ততঃ। সৃঞ্জয়ৈর্যোধয়ন্ কর্ণং পীড্যতে নিশিতৈঃ শরৈঃ ।১১৬।
পাণ্ডবান্ সৃঞ্জয়াংশ্চৈব পাঞ্চালাংশ্চৈব ভারত।। হন্যাদুপেক্ষিতঃ কর্ণো রোগো দেহমিবাগতঃ ।১১৭।
নান্যং ত্বত্তো হি পশ্যামি যোধং যৌধিষ্ঠিরে বলে যঃ সমাসাদ্য রাধেয়ং স্বস্তিমানাব্রজেদ্গৃহান্ ।১১৮।
তমদ্য নিশিতৈর্বাণৈর্বিনিহত্য নরর্ষভ।। যথাপ্রতিজ্ঞং পার্থ। ত্বং কৃত্বা কীর্ত্তিমবাপ্নুহিঃ ।১১৯।
ত্বং হি শক্তো রণে জেতুং সকর্ণানপি কৌরবান্। নান্যো যুধি যুধাং শ্রেষ্ঠ। সত্যমেতদ্ব্রবীমি তে ।১২০।
এতৎ কৃত্বা মহৎ কর্ম্ম হত্বা কর্ণং মহারথম্। কৃতার্থঃ সফলঃ পার্থ। সুখী ভব নরোত্তম। ।১২১।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
অর্জ্জুনং প্রতি কৃষ্ণোপদেশে চতুঃপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

পাইথোরকপা তেজ ময়াম অসিনা নখোয়গী লাম্মী মপৈসিবু মিপাইহল্লি, অরাবা খাওহৈদবা চৈনা শীরি। ॥১১৪॥ ভরত শাগেগী সুংঙাইননবগী মশক্ ওইরবা! তপস্বী পরশুরামগী খাওহেল্লবা খুৎলায় অসিগী পাম্বৈনা কর্ণনা পাঞ্চালশিংবু নৈরকপসিদা মখোয় পুম্বা খুৎলায় অসিগী মচীন্দা (ৎয়াপ্ত) তাপ্রে। মখোয় পুম্বা থাওবা ওমদনা হায়দোক্লরি ॥১১৫॥ পৃথানন্দন, অর্জ্জুন! থোইদোক্লা শাউরবা ভীমসেন অসি, সৃঞ্জয় লাম্মীশিংনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা কর্ণগা কন্না থেংনরি। কর্ণসু মাগী থৌর থৌরবা তেন্না নয়াম্মুং ভীমসেনদা অকনবা চৈনা শীরক্লি ॥১১৬॥ ভরতনন্দন অর্জ্জুন! মংনা কর্ণবু থৌশাদনা থম্লবদি, হকচাংদা পাল্লরবা, থোওইনা তৌবিল্লবা লায়নানা হকচাং পুম্ববু অশ্লম্ অহম্ মাঙহল্লকপথুগুম্না বর্ণ অসিনা সৃঞ্জয় পাণ্ডব পাঞ্চাল লানমীশিংবু তুম্না মাঙহনবনা হানঙ্গগনি ॥১১৭॥ অর্জ্জুন! পাণ্ডব তেজেল অসিগী মনুংদা, কর্ণগী নাক্ত চগুগুরগা হিংনা হল্লকদবসি মহাক্ নৎতনা অতৈ কনা অমত উবা ফংদে ॥১১৮॥ মরম্ অদুনা অকনবা! নংগী থৌর থৌরবা খুৎলায়না কর্ণবু ওসি হাৎলগা, নংগী রাশক্ থংহনা অমাঙ অতা লৈল্লবা মিংচৎ ফংননবা তৌরো ॥১১৯॥ লাম্মী অথোইবা! অকনবা অর্জ্জুন! কর্ণগা লোয়ননা কৌরবলাম্মী পুম্ববু জয় তৌবসি নংতনা ওম্গনি কনা অমতনা ওম্মরোই। ঐনা ওসি হায়ব্রিবসি অচুম্বনি ॥১২০॥ অদুনা, নিপা অথোইবা, পৃথানন্দন! মহারথী কর্ণবু হাৎপা হায়বা, অমনা ওম্মরোইদোবা থবক্ অসি পাঙথোক্তুনা অকনবা ওইনা পোকপগী মহৈ য়ানবা, সুংঙাইবা ফংবা হায়বতু থোরবা তৌরো ॥১২১॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বগী মনুংদা "অর্জ্জুনং প্রতি কর্ণোপদেশে" কৌবা চামরাঙথৈমরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ

চাময়াখৈমঙাশুবা অধ্যায়

(অর্জ্জুননা মশাবু থাগচ্চবা)

সঞ্জয় উবাচ।

স কেশবস্য বীভৎসুঃ শ্রুত্বা ভারত। ভাষিতম্।
বিশোকঃ সম্প্রহৃষ্টশ্চ ক্ষণেন সমপদ্যত ॥১॥

ততো জ্যামভিমৃজ্যাশু ব্যাক্ষিপন্ গাণ্ডিবং ধনুঃ। দধ্রে কর্ণবিনাশায় কেশবঞ্চাভ্যভাষত ॥২॥

ত্বয়া নাথেন গোবিন্দ। ধ্রুব এব জয়ো মম। প্রসন্নো যস্য মেঽদ্য ত্বং লোকে ভূতভবিষ্যবিৎ ॥৩॥

ত্বৎসহায়ো হ্যহং কৃষ্ণ। ত্রিলোঁকান্ বৈ সমাগতান্। প্রাপয়েয়ং পরং লোকং কিমু কর্ণং মহাহবে ॥৪॥

পশ্যামি দ্রবতীং সেনাং পাঞ্চালানাং জনার্দ্দন!। পশ্যামি কর্ণং সমরে বিচরন্তমভীতবৎ ॥৫॥

ভার্গবাস্ত্রঞ্চ পশ্যামি বিচরন্তং সমন্ততঃ। সৃষ্টং কর্ণেন বার্ষ্ণেয়। শক্রেণেব মহাশনিম্ ॥৬॥

অযং খলু স সংগ্রামো যত্র কর্ণং ময়া হতম্। কথয়িষ্যন্তি ভূতানি যাবদ্ভূমির্ধরিষ্যতি ॥৭॥

অদ্য কৃষ্ণ। বিকর্ণং মে কর্ণং নেষ্যন্তি মৃত্যবে। গাণ্ডীবমুক্তাঃ ক্ষিণ্বন্তো মম হস্তপ্রচোদিতাঃ ॥৮॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! কৃষ্ণগী ৱাসি তাবদা অর্জ্জুন অসি থোইদোক্না নুংঙাইখি, মীকুপ অমগী মনুংদা অৱাবা পূম্বা কোকথরে॥১॥ মতম্ অদুদা অর্জ্জুননা গাণ্ডীবগী লীৱীবু শূৎশূৎ নান্দুনা, লীরুংবু খুত্থমচেৎনা পায়দুনা কর্ণবু হাৎলগে হায়না থন্দুনা কৃষ্ণদা অস্মু হায়রকই॥২॥ কৃষ্ণ! নহাক্না লালকম্ আসদা ঐগী অহল্লমন্ শকতুনা লৈরি। ঐগী অৱাৎ অপা পূম্বা মেঙ্থন খোমজিন্দুনা লৈরি ভূৎ-ভবিষ্যৎ-বর্ত্তমান উরবা নহাক্না ঐঙোন্দা পেনবিদুনা লৈরি। অদুনা ঐনা শোয়দনা তৌগনি॥৩॥ কৃষ্ণ! নহাক্না সহায় ওইদুনা লৈরিবা ঐনা মৱোল অহুম্মকপু শোয়দনা জয় তৌবঃ ঙমগনি। কর্ণ মাগী ৱাদি থম্মু থমখো॥৪॥ জনার্দ্দন! পাঞ্চাল লান্মীপুম্বা কায়দুনা চেন্নরিবা অদুগা কর্ণনা অকিবা লৈতনা নীঙভায়দনা লাল্লক্লা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরিবাসস্থ ঐ উরে॥৫॥ বৃষ্ণিনন্দন! ভার্গবাস্ত্র হারবা, কর্ণনা শীজিন্নরক্লিবা খুৎলায় অসিনা লালকম্গী মায়কৈগে পূম্বদা পূমলং লংনা পাইরিবসিস্থ ঐ উরে॥৬॥ কর্ণবু হাৎননবগী লালগী মতম্ অদো হৌজিক্ত লাক্লি। ঐনা কর্ণবু হাৎখিবগী ৱারীদু তাইবং মীওইবনা লৈরিব মখৈ হয়েং অা-ভুংকাওবা শরুশোয়হৌরপদবনি॥৭॥ কর্ণ ঙসি ঐনা ঐগী খুৎত পায়রিবা গাণ্ডীবদগী

অদ্য রাজা ধৃতরাষ্ট্রঃ স্বাং বুদ্ধিমবমংস্যতে। দুর্যোধনমরাজ্যার্হং যয়া রাজ্যেঽভ্যষেচয়ৎ ॥৯॥

অদ্য রাজ্যাৎ সুখাচ্চৈব শ্রিয়ো রাষ্ট্রাত্তথা পুরাৎ। পুত্রেভ্যশ্চ মহাবাহো। ধৃতরাষ্ট্রো বিযোক্ষ্যতে ॥১০॥

অদ্য দুর্যোধনো রাজ্যাজ্জীবিতাচ্চ নিরাশকঃ। ভবিষ্যতি হতে কর্ণে কৃষ্ণ! সত্যং ব্রবীমি তে ॥১১॥

অদ্য দৃষ্ট্বা ময়া কর্ণং শরৈর্বিশকলীকৃতম্।

পুরা দেবাসুরে যুদ্ধে বৃত্রং বলভিদা যথা। স্মরতাং তব বাক্যানি শমং প্রতি জনেশ্বরঃ ॥১২॥

অদ্যাসৌ সৌবলঃ কৃষ্ণ। গ্লহান্ জানাতু বৈ শরান্।
দুরোদরঞ্চ গাণ্ডীবং মণ্ডলঞ্চ রথং মম ॥১৩॥

অদ্য কুন্তীসুতস্যাহং দৃঢ়ং রাজ্ঞঃ প্রজাগরম্। ব্যপনেষ্যামি গোবিন্দ। হত্বা কর্ণং শিতৈঃ শরৈঃ ॥১৪॥

অদ্য কুন্তীসুতো রাজা হতে সূতসুতে ময়া। সুপ্রহৃষ্টমনাঃ প্রীতশ্চিরং সুখমবাপ্স্যতি ॥১৫॥

অদ্য চাহমনাধৃষ্যং কেশবাপ্রতিমং শরম্। উৎস্রক্ষ্যামীহ যঃ কর্ণং জীবিতাদ্‌ভ্রংশয়িষ্যতি ॥১৬॥

যস্যৈতদ্ধি ব্রতং মহ্যং বধে কিল দুরাত্মনঃ। পাদৌ ন ধাবয়ে তাবদ্যাবদ্ধন্যাং ন ফাল্গুনম্ ॥১৭॥

মৃষা কৃত্বা ব্রতং তস্য পাপস্য মধুসূদন। পাতয়িষ্যে রথাৎ কায়ং শরৈঃ সন্নতপর্বভিঃ ॥১৮॥

(যুগ্মকম্)

কাপরোকখিবা বিকর্ণ কৌবা তেল অদুনা কর্ণবু যমালয়দা থাখিগনি ॥৮॥ ধৃতরাষ্ট্রনা মাগী মতীক চাদ্রবা মচা পঙলবা দুর্যোধনদা নিংথৌ খুতম্ শিন্নগে হায়না থনখিবা বুদ্ধিতবু মশা মথন্তনা ধিক্কার তৌজবক্লনি ॥৯॥ অকাবা। কৃষ্ণ ঙসিদি ধৃতরাষ্ট্র তঃবা নিপাসে নিংথৌ ওইবগী লুংঙাইবা, লম্বুম, শৈশাক, কোম্বু, মচামশুংগা লৌমন্নবা পুন্নমক আসদগী নাম্থাকখ্রগদবনি ॥১০॥ কৃষ্ণ! ঙসি কর্ণ হাৎখ্রবা তুদা দুর্যোধন অসে শৈশাক সিংহাসনগা মথাইগা অনীসমক্তবু কনবদা নিরাশ ওইখ্রগদবনি নীঙবা পুম্ব কায়খ্রগদবনি ॥১১॥ অমত্তগী লাইরিংচাবগী লান্দা ইন্দ্রনা বজ্রন বৃত্রাসুরবু মতুপ মতুপ কক্থৎখিবদুগুমনা ঐনা কর্ণবু মচেৎ মচেৎ পোক্ক কক্থৎখিবদু উবদা, অদু ডনতাক্লা শান্তি তৌননব, সন্ধি তৌননবা, মথোযদা হায়বিখিবা রাশিংদো মরাইনা নীঙাশ জরকলগানি ॥১২॥ কৃষ্ণ। ঙসিদি ঐগী তেন্দশিং অসিনা চৌনরগী পোঙ্থ, গাণ্ডীবনা চৌবম শাম্নবা মীশক শদ্ধগা ঐগী রথনা চৌনরগী থাক্তেশংখা লাইফুম্নি হায়বদা শকুনিনা মমীৎথীংনা উজ-থদক্ত রানি ॥১৩॥ গোবিন্দ। ঙসি ঐনা ঐগী যৌরবা তেন্ন কর্ণগী মথাই লৌরগা, অহিংকরা তুম্মক্তবদগী, যুধিষ্ঠিরগী অন্নাবা পূম্বদো ঙসিদগী কোক্লগনি ॥১৪॥ ঐনা ঙসিবু কর্ণ হাৎলবাদি ম্রাম্বুং যুধিষ্ঠিরসে ঙসিদগী হয়াউ লুংঙাইব কন্থুনা পুনশি লেনখ্রগদবনি ॥১৫॥ কেশব! কর্ণগী মথাই চুম্লগদৌবা পুংলায় অদো ঙস শোয়দনা ঐনা কর্ণদা কাপকনি ॥১৬॥ মধুসূদন! অর্জুন ঐবু হাৎকে হায়দুনা কজ্রবা কর্ণ অসিগী অসিঙবা ব্রত-রাশক অমা লৈরি, মাদুদি "ঐ অর্জুনবু

যোঽসৌ রণে নরং নান্যং পৃথিব্যামভিমন্যতে। তস্যাদ্য সূতপুত্রস্য ভূমিঃ পাস্যতি শোণিতম্ ।১৯।
অপতিঃ হ্যসি কৃষ্ণেতি সূতপুত্রো যদব্রবীৎ। ধৃতরাষ্ট্রমতে কর্ণঃ শ্লাঘমানঃ স্বকান্ গুণান্ ।২০।
অনৃতং তৎ করিষ্যন্তি মামকা নিশিতাঃ শরাঃ। আশীবিষা ইব ক্রুদ্ধাস্তস্য পাস্যন্তি শোণিতম্ ।২১।

(যুগ্মকম্)

ময়া হস্তবতা মুক্তা নারাচা বৈদ্যুতত্বিষঃ। গাণ্ডীবসৃষ্টা দাস্যন্তি কর্ণস্য পরমাং গতিম্ ।২২।
তস্য হন্তাস্মি রাধেয়ং পাঞ্চালীং যত্তদাব্রবীৎ। সভামধ্যে বচঃ রূক্ষং কুৎসয়ন্ পাণ্ডবান্ প্রতি ।২৩।
যে বৈ ষণ্ডতিলাস্তত্র ভবিতারোঽদ্য তে তিলাঃ। হতে বৈকর্ত্তনে কর্ণে সূতপুত্রে দুরাত্মনি ।২৪।
অহং বঃ পাণ্ডুপুত্রেভ্যস্ত্রাস্যামীতি যদব্রবীৎ। ধৃতরাষ্ট্রসুতান কর্ণঃ শ্লাঘমানোঽত্মনো গুণান্ ।২৫।
অনৃতং তৎ করিষ্যন্তি মামকা নিশিতাঃ শরাঃ। হন্তাহং পাণ্ডবান্ সর্বান সপুত্রানিতি যোঽব্রবীৎ ।২৬।
তমদ্য কর্ণং হন্তাস্মি মিষতাং সর্বধন্বিনাম্। যস্য বীর্যে সমাশ্বস্য ধার্ত্তরাষ্ট্রো মহামনাঃ ।২৭।
অবামন্যত দুর্বুদ্ধির্নিত্যমস্মান্ দুরাত্মবান্ তমদ্য কর্ণং রাধেয়ং হন্তাস্মি মধুসূদন। ।২৮।

(কলাপকম্)

হাত্রিবমখৈ খোঙখুৎ অসি হায়থরোক্ট।" মাগী অসিগুম্বা রাশক্ অসিবু থুগাইদুনা থোর থোরবা শুংজাইনা মতৃকপু মাগী রথ মথক্তগী ভসি লালফম্ লৈমায়থক্ত তুথহনাখগে ॥১৭-১৮॥ জগৎ অসিদা মাগী লাম্বা অম লৈত্রে হায়না খঞ্জরক্লিবা পাপী অসিগী মশাগী ঈসে পৃথ্বীমাতানা ভসি মথাক্ট হাওনা চুপকদৌরি ॥১৯॥ সূতকী মচা কর্ণনা অহুঙৈ ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথংলোদুনা চৌবর সভাদ মশাগী গুণ থাগচ্চদুনা "দ্রৌপদী! নংদি নপুরেইব লৈত্রবী হায়নদু ওইরবনি।" অস্মুম্না হায়খিবদো থোৎবা তেম্তনা অরেম্বা তাহনগে। শাউরবা লিলগী মতে গুম্রবা ঐগী তেলাশিংনা ভসিদি কর্ণগী মশাগী ঈ থুজোক্ থুজোক্ চুপকনি ॥২০-২১॥ থুংনৈ থূরবা ঐনা কাপথারকন্না, নোংখাংগী মতৌগুম্রবা ঐগী তেলাশিংনা গাণ্ডীবদগী পাইথোরক্লনা কর্ণবু অকব গডিদা নোংগ-হন্থিগনি ॥২২॥ চৌবর সভাদ মহাক্না পাণ্ডবশিং ঐথোয়বু উশিথোঁওইদন দ্রৌপদীদা অথীবা তাহৈদবা রাডাক্ত হায়খিবহুগী অনুতাপ অদো মহাক্ ভসি তৌজরান ॥২৩॥ পাণ্ডবশিং ঐথোয়বু মখোয়দুনা নপুংসকনি হায়খিবদো ভসি মখোয় মশামক নপুংসক ওইহল্লগদবনি ॥২৪॥ কর্ণনা মমাহৈদো, মাগী মতীক মগুণ থাগচ্চদুনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংদা "দুর্যোধন! ঐনা নংবু পাণ্ডবশিংগী মথুৎতগী শোয়দনা কনবিগনি, রাক্নু" অস্মুম্না হায়খিব মাগী রাহৈদো ভসি ঐনা অরেম্বদা তাহনগনি। "পাণ্ডবশিংবু মখোয়গী মচাশিংগা লোয়নননা হাৎকনি" অস্মুম্ নাপল তৌনা হায়খিবা অকনবা কর্ণবু ঐনা ভসি লান্মী পুম্নমক্কী মমাঙদা হাৎকনি। অদুগা মধুসূদন! মহাক্কী মথক্ত অশাপুম্বা থম্দুনা ফত্রবা দুর্যোধননা ঐথোয়বু উশিৎতবা, কর্ণ মহাকপু ঐনা

অদ্য কর্ণে হতে কৃষ্ণ! ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ সরাজকাঃ। বিদ্রবন্তু দিশো ভীতাঃ সিংহত্রস্তা মৃগা ইব ॥২৯॥
অদ্য দুর্য্যোধনো রাজ্যমাত্মানঞ্চানুশোচতাম্। হতে কর্ণে ময়া সংখ্যে সপুত্রে সসুহৃজ্জনে ॥৩০॥
অদ্য কর্ণ হতং দৃষ্ট্বা ধার্ত্তরাষ্ট্রোঽত্যমর্ষণঃ। জানাতু মাং রণে কৃষ্ণ! প্রবরং সর্ব্বধন্বিনাম্ ॥৩১॥
সপুত্রপৌত্রং সামাত্যং সভৃত্যঞ্চ নিরাশ্রয়ম্। অদ্য রাজ্যে করিষ্যামি ধৃতরাষ্ট্রং জনেশ্বরম্ ॥৩২॥
অদ্য কর্ণস্য চক্রাঙ্গাঃ ক্রব্যাদাশ্চ পৃথগ্‌বিধাঃ। শরৈশ্ছিন্নানি গাত্রাণি বিহরিষ্যন্তি কেশব! ॥৩৩॥
অদ্য রাধাসুতস্যাহং সংগ্রামে মধুসূদন!। শিরশ্ছেৎস্যামি কর্ণস্য মিষতাং সর্ব্বধন্বিনাম্ ॥৩৪॥
অদ্য তীক্ষ্ণৈর্বিপাঠৈশ্চ ক্ষুরৈশ্চ মধুসূদন!। রণে ছেৎস্যামি গাত্রাণি রাধেয়স্য দুরাত্মনঃ ॥৩৫॥
অদ্য রাজা মহৎ কৃচ্ছ্রং সন্ত্যক্ষ্যতি যুধিষ্ঠিরঃ। সন্তাপং মানসং বীরশ্চিরং সংভৃতমাত্মনঃ ॥৩৬॥
অদ্য কেশব! রাধেয়মহং হত্বা সবান্ধবম্। নন্দয়িষ্যামি রাজানং ধর্ম্মপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৩৭॥
অদ্যাহমনুগান্ কৃষ্ণ! কর্ণস্য কৃপণান্ যুধি। হন্তা জ্বলনসঙ্কাশৈঃ শরৈঃ সর্পবিষোপমৈঃ ॥৩৮॥
অদ্যাহং হেমকবচৈর্গাঙ্গ্য পত্রৈর্নরাধিপৈঃ। সংস্তরিষ্যামি গোবিন্দ! বসুধাং বসুধাধিপৈঃ ॥৩৯॥

ভাস শোয়দনা হাৎকনি ॥২৫-২৮॥ কৃষ্ণ! ভসি ঐগী ঈথুংত কর্ণন হেক্ শাখিবগা নোংশাবু কিবদগী শত্রী শভাই মপৈ মপৈনা চেম্নবগুম্ দুর্য্যোধনগা লোয়ননা ধৃতরাষ্ট্রগী মচামশূ পুম্নমক মায়গৈ মরি কাংন' চেম্নখ্রসনু ॥২৯॥ ভাস ঐনা মাগী শাগৈনাতৈ মরূপ মপাংগা লোয়নন, কর্ণবু হেক্ হাৎপদা দুর্য্যোধন আস মাগী লৈপাক সিংহাসনগীত নৎতনা মশামক্তী মরমদসু অরাবন চি নবগী ঈপাক্ত লূপখ্রসনু ॥৩০॥

কৃষ্ণ! কর্ণবু ঐনা হেক্ হাংখিবত্থু উবদা থোক্টদোক্লা শাউগল্লবা, নাপগ চাউরবা দুর্য্যোধননা অর্জ্জুন ঐ অসি জগৎত খ্বাঙ্দগী হেন্না কল্লবা, লৌরুং পাববা মীশক্ অম ওইরবোরে হায়রবসি খঙজখ্রসনু ॥৩১॥ ভসিগী নুমিত্তা অর্জ্জুন ঐনা, পৃথিবীগী নিংথৌশিংগী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্রবু মচামশূলৈত্রবা মরূপমপাং শাগৈ নাতৈ লৈত্রবা, চভজকম্ লৈত্রবা মীশক্ অম ওইহল্লগনি ॥৩২॥ কেশব! ভসিগী নুমৎত উরোক্ লাওজানচিংবা শাহিং চাবা উচেকশিংনা, ঐগী তেন্দগী ঈহং নাইহং শারবা, কর্ণগী আশবা মশাবু চীকথৎ চীকথত্তুনা, ছেং ছেক্তুনা চাখোকখ্রগদবনি ॥৩৩॥ মধুসূদন। ভসিদি অর্জ্জুন ঐনা অকল্ অথৌ লাম্মীশংগী মমাঙদা রাধাগী মচা কর্ণগী মতক্ ককনি ॥৩৪॥ মধুসূদন! ভসিদি ঐনা কর্ণগী হকচাং কয়াৎ পুম্বা ক্ষুরমচীনশাবা, য়োপাক শাবা, থোয় থৌরবা থুংলায়মক্তনা কক্ কক্তুনা থাদগে ॥৩৫॥ ভসিদি রাজা, মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা মতম্ কুইনা থাভলক্লবা অরাবা কোক্ষায় কাউথোকখিদ্রনা থোয়না নুংঙাইবিরনি। থম্মোয়গী অরাবা পুম্বা মাঙখ্রগনি ॥৩৬॥ কেশব! ভসিদি মচামশূ শাগৈ নাতৈগা লোয়ননা হাৎলগা ধর্ম্মরাজ রাজা যুধিষ্ঠিরবু নুংঙাইহল্লগে ॥৩৭॥ কৃষ্ণ! ভসি ঐনা মৈগা হূগা মান্নবা মরাই কল্লবা তেনশিংনা কর্ণগী থোঙলোয় মনাইমশল পুম্বা, অমত থাক্তনা হাৎকনি ॥৩৮॥ গোবিন্দ! ভসি ঐনা, সনাপুগী লৈত্তেং কয়ানা থল্লবা

অত্যাভিমন্যোঃ শত্রুণাং সর্বেষাং মধুসূদন । । প্রমথিষ্যামি গাত্রাণি শিরাংসি চ শিতৈঃ শরৈঃ ॥৪০

অত্য নির্দ্ধার্ত্তরাষ্ট্রাঞ্চ ভ্রাত্রে দাস্যামি মেদিনীম্ । নিরর্জ্জুনাং বা পৃথিবীং কেশবানুচরিষ্যসি ॥৪১॥

অত্যাহমনৃণঃ কৃষ্ণ ! ভবিষ্যামি ধনুর্ভৃতাম্ । কোপস্য চ কুরূণাঞ্চ শরাণাং গাণ্ডিবস্য চ ॥৪২॥

অত্য দুঃখমহং মোক্ষ্যে ত্রয়োদশসমার্জিতম্ । হত্বা কর্ণং রণে কৃষ্ণ । শম্বরং মঘবানিব ॥৪৩॥

অত্য কর্ণে হতে যুদ্ধে সোমকানাং মহারথাঃ । কৃতং কার্য্যঞ্চ মন্যন্তাং মিত্রকাম্যোপ্সবো যুধি ॥৪৪॥

ন জানে চ কথং প্রীতিঃ শৈনেয়স্যাত্ম মাধব । । ভবিষ্যতি হতে কর্ণে ময়ি চাপি জয়াধিকে ॥৪৫॥

অহং হত্বা রণে কর্ণং পুত্রঞ্চাস্য মহারথম্ । প্রীতং দাস্যামি ভীমস্য যময়োঃ সাত্যকস্য চ ॥৪৬॥

ধৃষ্টদ্যুম্নশিখণ্ডিভ্যাং পাঞ্চালানাঞ্চ মাধব । । অত্যানৃণ্যং গমিষ্যামি হত্বা কর্ণং মহাহবে ॥৪৭॥

অত্য পশ্যন্তু সংগ্রামে ধনঞ্জয়মমর্ষণম্ । যুধ্যন্তং কৌরবান্ সংখ্যে পাতয়ন্তঞ্চ সূতজম্ ।

ভবৎসকাশে বক্ষ্যে চ পুনরেবাত্মসংস্তবম্ ॥৪৮॥

ধনুর্বেদে মৎসমো নাস্তি লোকে পরাক্রমে বা মম কোঽস্তি তুল্যঃ ।

কো বাপ্যন্যো মৎসমোঽস্তি ক্ষমায়াং তথা ক্রোধে সদৃশোঽন্যো ন মেঽস্তি ॥৪৯॥

লালফুরৎ মপে মপেনা, তেল মপে মপেনা, নিংথো লাম্মীশংগী মশাতনা লালকম্ লৈমায়থক্ আস পূমথল থলহনগান ॥৩৯॥ মধুসূদন ! ভাস ঐনা, ইচ। অভিমন্যুগী য়েক্লব মথৈগী মওক্ ককৃথত্তুনা লৈমায়থক্ত তাহনগনি ॥৪০॥ কেশব ! ভসি ঐনা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিং লৈত্রবা, পাকচাউরবা লৈপাক্ অসে য়াম্মুং যুধিষ্ঠিরদ। কৎকে ॥৪১॥ কৃষ্ণ ! ভসিদি পাণ্ডব কৌরব লাম্মীশিংগী মকম্দা, ঐগী অশাউবা হায়বদুগী মকম্দা অদুগা গাণ্ডীব লৗরুংাসগী মক্মদা ঐনা তোল্লিবা লমনাশিংসে কোক্লগান ॥৪২॥ কৃষ্ণ ! ইন্দ্রনা শম্বরাসুরবু হাৎলগা অরাবা নুংঙাইতবা পূম্বদগী কোকাখবদুগুম্না ভসি ঐস্মু কর্ণবু হাৎলগা চগী তরাহুমদোইচুপ্পা রারুবদু কোক্লগনি ॥৪৩॥ ঐনা ভসি লান্দা কর্ণবু হাৎলবাদ মরুপ ওইবগী মথৌ পাওথোকপা পাম্নবা সোমকবংশগী মহারথী'শংনা ঐবু মথৌ পাঙথোক্লবা মীশক্ অমা ওইরে হায়না খনগ্রসনু ॥৪৪॥ মাধব ! ভাস কর্ণবু হাৎপ্রবদি অদুগা ঐস্মু ঐগী অমত ওইব য়েক্লববু হাৎলবদি, সাত্যকনা কয়ামুক্ নুংঙাইখিগদবা মাদুদি খঙবা ঙম্দে ॥৪৫॥ ভসি ঐনা কর্ণবু অদুগা মাগী মচা মহারথীবু হাৎলগা ভীম নকুল সহদেব অমদি সাত্যকিবু পেলহনগে ॥৪৬॥ মাধব ! ঐ ভসি কর্ণবু হাৎলগা ধৃষ্টদ্যুম্নগী, শিখণ্ডী অমদি পাঞ্চালশিংগী মকম্দা তোল্লিবা লমন্ অসি কোক্লগে ॥৪৭॥ ভসি ঐনা কৌরব পক্ষগী অকনবশিংগত শোক্লদুনা মথোয়গী মমাঙমক্তদা কর্ণবু হাৎপদো অউবখিবিক্লা মমীৎ থীৎনা উজহৌরসনু । কৃষ্ণ ! ঐ অসে কনানো হায়বদো নঙোন্দা চপ্ চানা পরিচয় অমুক্ত পীখিগে । ॥৪৮॥ ধনুর্বেদদা জগত্ত ঐগা মাম্নবা কনা অমত লৈত্রবনি । পাজন্দা থৌনাদা বিদ্যাদা ঐগা মাম্নবা কনা লৈ? মীগী অরানবা

অহং ধনুষ্মানসুরান্ সুরাংশ্চ সর্বাণি ভূতানি চ সঙ্গতানি।
স্ববাহুবীর্য্যাদ্‌গময়ে পরাভবং মৎপৌরুষং বিদ্ধি পরং পরেভ্যঃ ॥৫০॥
শরার্চ্চিষা গাণ্ডিবেনাহমেকঃ সর্বান্ কুরূন্ বাহ্লিকাংশ্চাভিপত্য।
হিমাত্যয়ে কক্ষগতো যথাগ্নিস্তথা দহেয়ং সগণান্ প্রসহ্য ॥৫১॥
পাণৌ পৃষৎকা লিখিতা মমৈতে ধনুশ্চ দিব্যং বিততং সবাণম্।
পাদৌ চ মে সরথৌ সধ্বজৌ চ ন মাদৃশং যুদ্ধগতং জয়ন্তি ॥৫২॥
ইত্যেবমুক্ত্বাচ্যুতমেকবীরঃ ক্ষিপ্রং বিপুষ্পঃ ক্ষতজোপমাক্ষঃ।
ভীমং মুমুক্ষুঃ সমরে প্রয়াতঃ কর্ণস্য কায়াচ্চ শিরো জিহীর্ষুঃ ॥৫৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
অর্জ্জুনাত্মশ্লাঘায়াং পঞ্চপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

ভাকাপহৈবদা, শাউরকপদা অকিবকংনা থবক্ তৌরকপদা জগত্ত ঐগা মাপ্পবা কনা অমত লৈতে ॥৪৯॥ কৃষ্ণ! ঐনা তৌগেবু শরপ্রবাদ ঈথুৎত জীরুসমতং পায়রগা, পান্থোমগী পাঙ্গন্তনা লাইহিচাবা পুন্নমকপু খুদক্ত মাথথীব পীবা ভমগনি। মতুনা ঐগী লিপা থোকপা ঈতীকসে অতৈ অতোপ্পদগী ইহেন হেন্দুনা লৈরিবনি হাযবসি থওভু ॥৫০॥ ঐ ইথমনা গাণ্ডীব অমদ ঐগী তেলগী শক্তিনা কৌরব লাম্মী পুন্নমবপু অমুগ বাহ্লীক [illegible] মীপুম্ শীংনা চেনা পীরগা বসন্তগী মতমদা লৈম্মনা কংলবা নাপী মপৈ মপৈ চাব [illegible] মখোযগী [illegible] লোয়নন খুদক্ত তুমহনবা ভমগনি ॥৫১॥ [illegible] অাসদা জীকা তেলগী মমিবু, অমগা থোঙবাদ কিরাল অমদ রথী [illegible] মানব [illegible] মকু যেল মুবসে. অতুনা সেরুবাশন ঐগুম্ব মী অমনুদি তরাই তরাইন জগ [illegible] মপা লৈতন নম্মবা যেরন ঙম্বা, মমীৎ ঈ কারবা অর্জ্জুননা মতৌ অম [illegible] হায়রগা লাপকম্ ঙহুদা, কর্ণগী মথুত্তগী ভীমবু কন্নগ, কর্ণগী মচক্ অমু কবলগে হাযনা চপয্ না খন্দুন লাক্কমলামদা যাত্রা তৌরক্রে ॥৫৩॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামন শ্রীব্যাসন শেংব সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "অর্জ্জুনাত্মশ্লাঘা" কৌবা চামযাঙ্খোমগা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

ষট্পঞ্চাশত্তমোহধ্যায়ঃ ।

চাময়াখৈতরুকুশুবা অধ্যায়

(ভীমগা বিশোক্ সারথিগা ভাওনরকপা মতাং)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

সমাগমে পাণ্ডবসৃঞ্জয়ানাং মহাভয়ে মামকানামগাধে ।
ধনঞ্জয়ে তাত । রণায় যাতে কথমভবদ্যুদ্ধমথো ন্ত কীদৃক্ ॥১॥

সঞ্জয় উবাচ ।

তেষামনীকানি বৃহদ্ধ্বজানি রণে সমৃদ্ধানি সমাগতানি ।
গর্জন্তি ভেরীনিনদোন্মুখানি মেঘৈর্যথা মেঘগণাস্তপান্তে ॥২॥
মহাগজাভ্রাকুলমস্ত্রতোয় বাদিত্রনেমীতলশব্দবচ্চ ।
হিরণ্যচিত্রায়ুধবিদ্যুদুগ্রং শরাসিনারাচমহাস্ত্রধারম্ ॥৩॥
তদ্ভীমবেগং রুধিরৌঘবচ্চ খড্গাকুলং ক্ষত্রিয়জীবঘাতি ।
অনার্তবং ক্রূরমনিষ্টবর্ষং বভূব তৎ সংহরণং প্রজানাম্ ॥৪॥ (যুগ্মকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ই:—হে ঙ সঞ্জয়। ঈথোয়গী লান্মী মথ মা, মপান্নাইজ্রবা কৌরব পাণ্ডবাশিংগী লংজাও ঈপাক্কী লান্থনগে হায়রাদিমক্ শিনাথদ থোয়গী লান্মীশিংনা কারক্রি তৌথবগে হায়বসু ॥১॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ। ওয়াংপানা লাইথ্রবদা নোংগী মপৈ মপৈনা ভবা খোংবা হৌরকপগুম্না পৰ্ক অনীথক্কী লান্মীশিংনা লাইথোংবা হৌনরকুলে লান্মীশিং অতুগী মবক্কা চাউব্র চাউরব। পুং, বাজা বা লবা শিরাল, অকবগী মশক্ ওইরবা খুংলায় মথঙ মথঙ লৈরম্মি ॥২॥ অহৌদাগী প্রলয়গী মতম্দা মতম্ নাইদনা নোংনুং ত রকপগুম্না। আতুগা মতুনা তাইবং মী-শা উচেক মপৈ মপৈ শিনরকপগুম্ন, লান্মী মপৈ মপৈ লৈমাযথক্তা তাইথুনরকলে। চাউব চাউরব শাম্না নোং মতুম্ অমমম্গুম্না লালকম্-নোংমদোম্বক অতুদা কোয়চৎ চৎলক্লি। ঈশিং মরী অমমম্ চুথরকপগুম্না তেল মরীমরীনা যেক্কবশিংগী মথক্তা হৈথরক্লি। পুংশেল যন্ত্রগী, রথচাকাগী, খুথাওগা তেনগা থেংনবগী মখোল্লা নোংথাং কৃষ্ণগী ভংবগী মখোল ওইরি। নোংথাংনা কুকেং কাকেং তৌবগুম্না খুংলায়শিং অতুনা তঙুপ তরেংনা অমুকমুক্ ভাম্থোরক্লি। ঈশিং মরী অমমম্না কম্না কম্না

একং রথং সংপরিবার্য্য মৃত্যুং নয়ন্ত্যনেকে চ রথাঃ সমেতাঃ।
একস্তথৈকং রথিনং রথাগ্র্যাস্তথা রথশ্চাপি রথাননেকান্ ॥৫॥
তথা সসূতং সহয়ঞ্চ কঞ্চিৎ কশ্চিদ্রথী মৃত্যুবশং নিনায়।
নিনায় চাপ্যেকগজেন কশ্চিদ্রথান্ বহূন্ মৃত্যুবশং তথাশ্বান্ ॥৬॥
রথান্ সসূতান্ সহয়ান্ গজাংশ্চ সর্বানরীন্ মৃত্যুবশং শরৌঘৈঃ।
নিন্যে হয়াংশ্চৈব তথা সসাদীন্ পদাতিসংঘাংশ্চ তথৈব পার্থঃ ॥৭॥
কৃপঃ শিখণ্ডী চ রণে সমেতৌ দুর্য্যোধনং সাত্যকিরভ্যগচ্ছৎ।
শ্রুতশ্রবা দ্রোণসুতেন সার্দ্ধং যুধামন্যুশ্চিত্রসেনেন চাপি ॥৮॥
কর্ণস্য পুত্রন্তু রথী সুষেণং সমাগতঃ সৃঞ্জয়শ্চোত্তমৌজাঃ।
গান্ধাররাজং সহদেবঃ ক্ষুধার্ত্তো মহর্ষভং সিংহ ইবাভ্যধাবৎ ॥৯॥
শতানীকো নাকুলিঃ কর্ণপুত্রং যুবা প্রধানং বৃষসেনং শরৌঘৈঃ।
সমার্পয়ৎ কর্ণপুত্রশ্চ শূরঃ পাঞ্চালেয়ং শরবর্ষৈরনেকৈঃ ॥১০॥

তারবৃপগুম্‌ থাঙ-তা তেন্নচিংবা খুৎলায়শিংনা লালকম লৈমায়থক্ অহুদা প্রোপ প্রোপ তারক্লি। মাহ্রমক্তনা লালকম্ অহু, অকিবগী মশক্ ওইরবা-তমথিরবা, ঈগী ঈচেনতনা থল্লবা, থাঙতাতনা থল্লবা, জীব ময়াম্না মাঙতাক্লনবগী মশক অম পুখ্রে ॥৩ ৪॥ রথী অমাম্বনা অমত ওইনা তিন্নহুনা রথী অমতবু কোয়থৎ থৎতুনা হাৎলে। অহুগা কনাগুম্ব মবিল মথৌনা লৈবা রথী লাম্মী অমনা রথী অমবু অহুগা রথী কয়া কয়না মহারথী অমবু তাম্ন তাম্ন হাৎলি ॥৫॥ কনাগুম্বা রথী অমনা শগোল্ সারথিগা কোম্নরা রথী অমগী মথ্বাক্ত লৌর। কনাগুম্বা মবিল্ মপৌনা লৈবা শামু অমতগী মথক্ত তোংহুনা মশীং লাক্‌ঙমদবা রথ কয়া কযাবু শগোল্ কযা কয়াবু খুদক্ত মাঙহল্লি ॥৬॥ আসোমদা অর্জ্জুননা চঙশিনখহুনা কৌরব পক্ষগী রথীশিংবু শগোল সারথিগা লোয়ননা শগোল শামুশিংবু মখোয় মখোযগী মথক্ত তোংলিবা লাম্মীশিংগা লোয়ননা হাৎতুনা খোঙমী কয়া কয়াবুস্থ খুদক খুদক্ত যমালয়দা থা'র ॥৭॥ অমরোম্‌দা কৃপগা শিখণ্ডীগা মাম্নোক্লখি। সাত্যকিনা দুর্য্যোধন তম্না ফূজিনখি। শ্রুতশ্রবাগা অশ্বত্থামাগা পানখি। যুধামন্যুগা চিত্রসেনগা থেংনখি ॥৮॥ অমরোমদা রথমথক্ত তোংবা সৃঞ্জয়বংশগী উত্তমৌজানা কর্ণগী মচানা লোয়ননা চঙশিল্লকপা সুষেণ তম্না ফূজিনখি। অহংগা লাম্নবা নোংশানা শঞ্জাও অমগী মায়গৈদা হোচ্চিনবগুম্ সহদেবনা শকুনি তম্না ফূজিনখি ॥৯॥ অমরোম্‌দা কর্ণগী মচা পাথং শতানীকনা থৌর থৌরবা তেজগী মপৈনা কর্ণগী মচা অহল বৃষসেনদা কল্লবা চৈনাখোল পীরকলি। কল্লবা বৃষসেনন্তু

রথর্ষভঃ কৃতবর্ম্মাণমাচ্ছান্মাদ্রীপুত্রো নকুলশ্চিত্রযোধী।
পাঞ্চালানামধিপো যাজ্ঞসেনিঃ সেনাপতিং কর্ণমার্চ্ছৎ সসৈন্যম্ ॥১১॥
দুঃশাসনো ভারত। ভারতী চ সংশপ্তকানাং পৃতনা সমৃদ্ধা।
ভীমং রণে শস্ত্রভৃতাং বরিষ্ঠং ভীমং সমার্চ্ছত্তমসহ্যবেগম্ ॥১২॥
কর্ণাত্মজং তত্র জঘান শূরস্তথাচ্ছিনচ্চোত্তমৌজাঃ প্রসহ্য।
তস্যোত্তমাঙ্গং নিপপাত ভূমৌ নিনাদয়দ্‌গাং নিনদেন খঞ্চ ॥১৩॥
সুষেণশীর্ষং পতিতং পৃথিব্যাং বিলোক্য কর্ণোঽথ তদার্ত্তরূপঃ।
ক্রোধাদ্ধয়াংস্তস্য রথং ধ্বজঞ্চ বাণৈঃ সুধারৈর্নিশিতৈরকৃন্তৎ ॥১৪॥
স ভুত্তমৌজা নিশিতৈঃ পৃষৎকৈর্বিব্যাধ খড়্গেন চ ভাস্বরেণ।
পার্ষ্ণিং হয়াংশ্চৈব কৃপস্য হত্বা শিখণ্ডীবাহং স ততোঽধ্যরোহৎ ॥১৫॥
কৃপস্তু দৃষ্ট্বা বিরথং রথস্থো নৈচ্ছচ্ছরৈর্যোদ্ধুমিতুং শিখণ্ডী।
তং দ্রৌণিরাবার্য্য রথং কৃপস্য সমুজ্জহ্রে পঙ্কগতাং যথা গাম্ ॥১৬॥
হিরণ্যবর্ম্মা নিশিতৈঃ পৃষৎকৈস্তবাত্মজানামনিলাত্মজো বৈ।
অতাপয়ৎ সৈন্যমতীব ভীমঃ কালে শুচৌ মধ্যগতো যথার্কঃ ॥১৭॥

তেল মপৈ মপৈ কাপশিল্লক্তুনা শতানীকদা কয় কয়া চৈনা পীরকলি ॥১০॥ অমরোমদা মাদ্রীগী মচা, লানশো'য় মখল মখল হৈরবা নকুলনা কৃতবর্ম্মাদা কয় কয়া থাজিল্লকই। পাঞ্চাল সেনাপতি ধৃষ্টদ্যুম্ননা কৌরব সেনাপতি কর্ণদা কয় কয়া চৈনা পীবা হৌরক্লি ॥১১॥ ভরতনন্দন! মহারাজ। অমরোমদা দুঃশাসননা, খুৎশু খুৎলাঙ্গনা থয়া য়াওরবা কৌরব লান্মী পূম্বনা অতুগা খুৎলায় তোঙান তোঙানবা পায়রবা সংশপ্তক লান্মী মপৈনা, অমনা নমথেকপা য়াত্রবা ভীম তয়া চঙশিনখ্রি ॥১২॥ অতুগী তুংদা অকনবা উত্তমৌজানা কর্ণগী মচা সুষেণদা কয় কয়া থাজিন্দুন। শুহাক লৈরগা মাগী মগুক্ অহু ককৃথৎখি। মহ কী মগুক্লা থকথা অনীমকপু পূমনিন নিলহল্লম্লগা লৈমায়থক্তা তুমিয়া তাখি ॥১৩॥ সুষেণগী কোক্ অহুনা লৈমায়থক্ত তাবন্থ উবদা কর্ণসি অরা-সুংঙাইতবগা লোয়নননা, অশাউবনা মৈহৌথিহুনা থোয় থোরবা তেল মনম্ মনম্ কাপাশিল্লক্তুনা উত্তমৌজাগী শগোল রথ কিয়ালবু অমুত্তদা ককথৎখি ॥১৪॥ অতুবু উত্তমৌজানা কর্ণদা হয় হয়া কাপ্লহু'দি লেপত্রি মতম্ অহুদা কৃপনা মযক্ত হোচ্ছিল্লক্লি। উত্তমৌজানা লংলবা থোরবা থ ঙশাং অমনা কৃপগী সারথি শৈশিনবু অহুগা শগোল মরিত্তবু হাৎলগা শিখণ্ডীগী রথদা চোংথৎখি ॥১৫॥ অমরোমদা রথমথক্ত লৈরিবা শিখণ্ডীনা, রথ য়াওত্রবা কৃপাচার্য্যবু উবদা মতোন্দা অমুক হয়া কাপনিঙত্রে। মতম্ অসিদা অশ্বত্থামানা শিখণ্ডীবু থিংহুনা লৈখোমদা পূথরবা শম্বীগী মতৌগুম্লগা কৃপাচার্য্যগী রথ অহুদু উহ্নায় তৌখি ॥১৬॥ মহারাজ! সনাতনা পূমহৈ ওইনা শারবা লালফুংহিৎ লীৎপা,

অথ ত্বিদানীং তুমুলে বিমর্দ্দে দ্বিষদ্ভিরেকো বহুভিঃ সমাবৃতঃ ।
মহারণে সারথিমিত্যুবাচ ভীমশ্চমূং বাহয় ধার্ত্তরাষ্ট্রীম্ ॥১৮॥
ত্বং সারথে ! যাহি জবেন বাহৈর্নয়াম্যেতান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ যমায় ।
সঞ্চোদিতো ভীমসেনেন চৈবং স সারথিঃ পুত্রবলং ত্বদীয়ম্ ॥১৯॥
প্রায়াত্ততঃ সত্বরমুগ্রবেগো যতো ভীমস্তদ্বলং গন্তুমৈচ্ছৎ ।
ততোঽপরে নাগরথাশ্বপত্তিভিঃ প্রত্যুদ্যযুস্তং কুরবঃ সমন্তাৎ ॥২০॥ (যুগ্মকম্)
ভীমস্য বাহাগ্র্যমুদারবেগং সমন্ততো বাণগণৈর্নিজঘ্নুঃ ।
ততঃ শরানাপততো মহাত্মা চিচ্ছেদ বাণৈস্তপনীয়পুঙ্খৈঃ ॥২১॥
তে বৈ নিপেতুস্তপনীয়পুঙ্খা দ্বিধা ত্রিধা ভীমশরৈর্নিকৃত্তাঃ ।
ততো রাজন্ ! নাগরথাশ্বযূনাং ভীমাহতানাং বরবাজমধ্যে ॥২২॥
ঘোরো নিনাদঃ প্রবভৌ নরেন্দ্র ! বজ্রাহতানামিব পর্বতানাম্ ।
তে বধ্যমানাশ্চ নরেন্দ্রমুখ্যা নির্ভিন্না স্ম ভীমশরপ্রবেকৈঃ ॥২৩॥

তুশিংবী মতানিপা ভীমসেননা ভেগ জাৎ জাৎনক্কী কাপশিল্লকুনা, নোংমদোন মকোয়দা মথন্তা খোকপা, চক্লবা নুমিংকুম্না মহারাজগী মচা ঈবুঙোশিংবু মীপুম্ মীংনা চাকংবকপা তৌরক্লে ॥১৭॥ অদুগী তুংদা অকবা-তুজুৎ পোক্লবা লম্ব্রাও অমনা অমুম্না চথরক্লবদা ভীমসেন অসম য়েক্লবা মথাম্না কোয়শনথ্রবগুদা মাগী সারথিদা অসুম্না হায়রকই:- "সারথি ! নহাক ঐবু কৌরবলাম্মী মপৈ মরক্ অসিদা থুনা থাওনা পুশিল্লু ।" ॥১৮॥ "সারথি ! নহাক হৌজিক্ শগোলশিংগী পাম্বৈনা ঐবু থুনা য়ুথনা পুশিল্লু । ভাস ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিং খর যৈলিগাস লোইখোক্লগে ।" অসুম্না য়াথং পীরক্লবদা থাকবগী মশক্ ওইরবা শায়ুনা মহক্কী ওইরবা ভীমসেননা চঙশিন্নীডালবা কৌরব লাম্মী মপৈ অদোমদা সারথিনা রথ অদুবু খোজনাখি । মাদু উবদা কৌরব লাম্মী পূন্নমক মাগী মাগী শগোল শামু রথ অমদ খোঙমীশংগা লায়ননা ভীম তম্না ফুজিন্নরকই ॥১৯-২০॥ কৌরব লাম্মীশং অদুনা ভীমগী শফু কল্লবা য়াওলবা শগোলশিং অদুদা কয় কয়া থারকই । মতম্ অদুদা কল্লবা ভীমসেননা তেন্না তেম্মে খোনপ ল্লবা তেল মপৈ মপৈনা মখোয় খুদংমক্তা কয় কয়া থাহনা মখোযগী তেলশিং অদুবু কক্থংখি ॥২১॥ মতম্ অদুদা সনানা তেম্মে পানবা তেলশিং অদু ভীমগী তেন্না পানবদা মতেক্ অনানী অহুম্হুম্ খোক্লা তেক্লুনা তাই । মহারাজ ! বজ্রনা থারবা চীজাওগী মতোগুম্না, ভীমগী খুংলায়না থারবা শগোল শামু রথীশং অদুগী অরাঅনাগী খোঙ্জেম্মা অদুক্ য়াম্বা লাম্মীশিং অদু পুম্নমক নিনথ্রে । মতম্ অদুদা মশা পানবা, পাইবা-ওয়রবা উচেকশিংনা মপৈ মপৈ ওইনা উজাও অমতগী মথক্তা পাইথরকপা অদুগুম্না কৌরব পক্কী

ভীমং সমন্তাৎ সমরেঽভ্যরোহন্ বৃক্ষং শকুন্তা ইব জাতপক্ষাঃ ।
ততোঽভিযাতে তব সৈন্যে স ভীমঃ প্রাদুশ্চক্রে বেগমনন্তবেগঃ ।২৪।
যথান্তকালে ক্ষপয়ন্ দিধক্ষুর্ভূতান্তকৃৎ কাল ইবাত্তদণ্ডঃ ।
তস্যাতিবেগস্য রণেঽতিবেগং নাশক্নুবন্ বারয়িতুং ত্বদীয়াঃ ।২৫।
ব্যাত্তাননস্যাপততো যথৈব কালস্য কালে হরতঃ প্রজা বৈ ।
ততো বলং ভারত ! ভারতানাং প্রদহ্যমানং সমরে মহাত্মন্ ।২৬।
ভীতং দিশোঽকীর্যত ভীমনুন্নং মহানিলেনাভ্রগণো যথৈব ।
ততো ধীমান্ সারথিমব্রবীদ্বলী স ভীমসেনঃ পুনরেব হৃষ্টঃ ।২৭। (কুলকম্)
সূতাভিজানীহি স্বকান্ পরান্ বা রথান্ ধ্বজাংশ্চাপততঃ সমেতান্ ।
যুধ্যন্ হ্যহং নাভিজানামি কিঞ্চিন্মা সৈন্যং স্বং ছাদয়িষ্যে পৃষৎকৈঃ ।২৮।
অরীন্ বিশোকাভিনিরীক্ষ্য সর্বতো রথান্ ধ্বজাগ্রাণি তুনোমি বৈ ভৃশম্ ।
রাজাতুরো নাগমদ্যৎ কিরীটী বহূনি দুঃখান্যভিযাতোঽস্মি সূত ! ।২৯।

নিংথৌ লাম্মী পূন্নমক্না মথল মথা অয়াম্বা থুংলায়বু কাপশিন থাজিন থাজিন্না ভীমগী মথক্তা আক্রমণ তৌশিল্লকই । মতৌ অসুম্না কৌরব লাম্মী ময়াম অতুনা ক্রক্ ক্রক্ ইঙ্গিন্না আক্রমণ তৌশিল্লক্লবত্তদা, প্রলয়গী মতমদা জগৎপু মাঙহনগে খল্লবা, জগৎপুম্বু চাকথেল্লগে হায়না খল্লবা, মখুত্ত দণ্ড পায়রবা কাল কৌবা লাইগী মতৌগুম্লবা ভীমসেন অসি থোইনতুম হেন্না ময়াম্ব কায়কই । মহারাজ ! প্রলয়গী মতমদা ময়া কাথোক্লবা, মমীৎ লাউথোক্লবা, জগৎপুম্ব তুমহল্লগে খল্লবা, যমরাজগী ম তৌগুম্না ভীমসেননা শাফু কম্না যুক্তিল্লকপাসিদা, কৌরব লাম্মী পুম্বা খাঙহুনা লেপ্তুনা লৈবা ঙম্মকত্রে । মহারাজ ! ভরতনন্দন ! অতুদগীদি কল্লবা নুংশিৎ ইপোম অমনা নোং মতুম্ মপৈবু পাইথোকহনখিবা মাঙহনখিবত্তগুম্না কৌরব লাম্মী পূন্নমক অসি মায়গৈ পুম্বদা পুমচাই চাইনা চেন্থোক্লখি । মরমদি মখোয় অসি ভীমগী তেজনা পুমচাক চাকথেল্লক্লে । কিবনা নিংদোল চেনগুম্ চেনগানখ্রে । অতুদগীদি শিংলবা বল্লবা ভীমসেননা মহাক্কী সারথিদা অসুম্না হায়রকই ॥২২-২৭॥ সারথি ! রথ অমদি কিরালগী মপৈনা থল্লবা লাম্মী ঐঙোল্লোমদা লাক্লিবসে ঐখোয়রোমগী লাম্মীশিংলা নত্রগা য়েক্লবাশিংগী রা নং অমুক্ত মুম্না য়েংউ । লাল্ অসিনা কনমনখিবসিদা ঐ মকম মরাং করিমত খঙখিদ্রে । নত্রবদি ঐখোয়গী লাম্মীশিংদা ঐনা পঙকাপ কাপশিল্লুহনা তোক্লরনি ॥২৮॥ অহুনা, বিশোক ! মায়গৈ পুম্বদা য়েক্লবাশিংগী রথ কিরালমক্ত ওইনা উথিবসিদা ঐ তৌকম্ খঙঙকত্রে । য়াম্মুং মহারাজ যুধিষ্ঠিরস্তু য়াম্না শাথিনা শোকতুনা লৈখ্রে । অমরোমদা

এতদ্দুঃখং সারথে! ধর্ম্মরাজো যন্মাং হিত্বা যাতবান্ শত্রুমধ্যে।
নৈনং জীবং নৈব জানাম্যজীবং বীভৎসুং বা তন্মমাস্ত্যতিদুঃখম্ ॥৩০॥
সোঽহং দ্বিষৎসৈন্যমুদগ্রকল্পং বিনাশয়িষ্যে পরমপ্রতীতঃ।
এবং নিহত্যাজিমধ্যে সমেতং প্রীতো ভবিষ্যামি সহ ত্বয়াদ্য ॥৩১॥
সর্ব্বাংস্তূণান্ সায়কানামবেক্ষ্য কিং শিষ্টং স্যাৎ সায়কানাং রথে মে।
কা বা জাতিঃ কিং প্রমাণঞ্চ তেষাং জ্ঞাত্বা ব্যক্তং তন্মমাচক্ষ্ব সূত! ॥৩২॥

বিশোক উবাচ।

ষণ্মার্গণানাময়ুতানি বীর! ক্ষুরাশ্চ ভল্লাশ্চ তথাযুতাখ্যাঃ।
নারাচানাং দ্বে সহস্রে চ বীর! ত্রীণ্যেব চ প্রদরাণাং স্ম পার্থ!।
অস্ত্যায়ুধং পাণ্ডবেয়াবশিষ্টং ন যদ্বহেচ্ছকটং ষড়্গবীয়ম্ ॥৩৩॥
এতদ্বিদ্বন্! মুঞ্চ সহস্রশোঽপি গদাসিবাহুপ্রবিণঞ্চ তেঽস্তি।
প্রাসাশ্চ খড়্গাঃ শক্তয়স্তোমরাশ্চ মা ভৈষীস্ত্বং সংক্ষয়াদায়ুধানাম্ ॥৩৪॥

অর্জ্জুনস্তু মশক্ উখিব্রে। অজুনা বিশোক! সারথি! ঐ য়াম্না নুংঙাইত্রে ॥২৯॥ সারথি! ঐনা য়াম্না নুংঙাইতবগী মরমদি মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা ঐবু থাদোক্লমতুনা মথন্তু লুরবা লাল্লক হোৎচনব্রে অসিনি। য়াম্মুং যুধিষ্ঠিরস্তু অর্জ্জুনস্তু অনাতুবু লৈরিব্রা নত্রগা থরাই থাগ্রবর হায়বতু ঐ কারিমত্ত খঙবা ঙমখিব্রে। আসমজুনা ঐগী অরাবা নুংঙাইতবা অম ওইব্রে ॥৩০॥ করে, অমবু ওইরবস্তু অমবু ওইরবস্তু ঐদি য়াম্না নুংঙাইনা, নীঙশায়দনা য়েক্লবশিংসিবু তুম্না হাৎলমখিগনি। অস্তুম্না য়েক্লবশিংবু লোইনা হাৎলগা নংগা ঐগা শকৃয়েংনতুনা নুংঙাইনা পোথামিন্নখিনি ॥৩১॥ সারথি! ঐগী তেন্দোংশিং অতুগা তেলশিং লৈরম্বতুদগী কয়া য়াম্না হৌজিক্ লৈহৌরি। নংনা অমুক্ত করিগুম্বা উপায় অমনা চপ চবা মাশং অতু খঙনবা হোৎনৌ, অতুগা নং ঐভোন্দা মাথৈঙ্গশেংনা তম্মু। ॥৩২॥ বিশোকনা হায়ঃ— অকনবা! পৃথানন্দন! হৌজিক্ কাওবদা তেল লিশিং হুম্ফ্, ক্ষুরমচীন শাবা তেল লিশিং তরা, তামচীন শাবা খুৎলায় লিশিং তরা, য়েণ্ডুম্ মচীন শাবা লিশিং অনী থিন্নবা খুৎলায় লিশিং অহুম্ লৈরি। অতুনা পাণ্ডুনন্দন! হৌজিক্ লৈরিবা খুৎলায়শিং অসি (মাল) গাড়ী তরুক্না হোনবদা ৱারপ্ খোক্লনি। অতুনা হায়রিবা খুৎলায়শিং অসি অকনবা নহাক্কী হৌজিক্ লৈরি ॥৩৩॥ অতুনা অসুক্ য়াম্বা খুৎলায়শিং অসি লৈনা লৈনা অকনবা নহাক্না করিগীদমক্ অমুমুক্না খুৎলায় লিশিং লিশিং কাপথোকক্লিবনো? অসিগী মথক্তা থাঙ-তা গদা কয়া কয়া লৈরি। তা হুরতা, থিরতাঃ. য়োচ্ছুক কয়া কয়া লৈরি।

ভীম উবাচ ।

সূতাশ্চেমং পশ্য ভীমপ্রমুক্তৈঃ সংছিন্দন্তিঃ পার্থিবানাশুবেগৈঃ ।
ছন্নং বাণৈরাহবং ঘোররূপং নষ্টাদিত্যং মৃত্যুলোকেন তুল্যম্ ॥৩৫॥
অদ্যৈতদ্বৈ বিদিতং পার্থিবানাং ভবিষ্যতি আকুমারঞ্চ সূত ! ।
নিমগ্নো বা সমরে ভীমসেনো হ্যেকঃ কুরূন্ বা সমরে ব্যজৈষীৎ ॥৩৬॥
সর্ব্বে সংখ্যে কুরবো নিষ্পতন্তু মাং বা লোকাঃ কীর্ত্তয়ন্ত্বাকুমারম্ ।
সর্ব্বানেকস্তানহং পাতয়িষ্যে তে বা সর্ব্বে ভীমসেনং তুদন্তু ॥৩৭॥
আশাস্তারঃ কর্ম্ম চাপ্যুত্তমং যে তন্মে দেবাঃ কেবলং সাধয়ন্তু ।
আয়াত্বিহাদ্যার্জ্জুনঃ শত্রুঘাতী শক্রস্তূর্ণং যজ্ঞ ইবোপহূতঃ ॥৩৮॥
ঈক্ষস্বৈতাং ভারতীং দীর্য্যমাণামেতে কস্মাদ্বিদ্রবন্তে নরেন্দ্রাঃ ।
ব্যক্তং ধীমান্ সব্যসাচী নরাগ্র্যঃ সৈন্যং হ্যেতচ্ছাদয়ত্যাশু বাণৈঃ ॥৩৯॥
পশ্য ধ্বজাংশ্চ দ্রবতো বিশোক ! নাগান্ হয়ান্ পত্তিসংঘাংশ্চ সংখ্যে ।
রথান্ বিকীর্ণান্ শরশক্তিতাড়িতান্ পশ্যস্বৈতান্ রথিনশ্চৈব সূত ॥৪০॥

অদুনা অকনবা ' কারমত চিংনাবগনু কি বগনু ॥৩৪॥ ভীমনা হায়ঃ-- সারথি ! করে, অদু ওইরবদি, যাম্না নুঙ ইরে। যেংঙু নং। ভীম ঐন কাপথোকখিবা, শাফু কল্লবা, অকনবা ক্ষত্রিয় পুম্বগী মাওন তাকনবগী মশক ওইরবা তেল মযম্ আসনা য়েক্লবশিংবু ঈনগী মতৌগুম্না পুমকুপ কুপহনথ্রগে। লালকম্ আস যমপুরগী মতৌগুম্না পুম্মম্ মমখ্রগনি। নুংমৎ মশক্ উথ্ররোই ॥৩৫॥ সারথি ! ঙসিগী নুমিৎত জগৎকী অকনবা ক্ষত্রিয়শিংনা হেক্ পোকপদগী ঙাস কাওবদা আসমদি খঙহৌ তাগৌরসনু মাঙ্খদ ভীম মথন্তনা কৌরব লান্মী শবু হাৎখি নত্রগা অকনবা লালুকমদা থরাই থাগ্রে হায়বর্সি ॥৩৬॥ কৌরব লান্মী পুম্বা অমত ওইনা ভীম ঐগী ইথক্ত ফুজিল্লকসনু। নত্রগা অঙাং ওইরিবৈদগী ঙসি ফাওবদা ভীম ঐস বল্লী কন্দে হায়বস্তু জগৎনা খঙহৌরসনু। ঐ ইথন্তনা লৌরিবা কৌরব লান্মী পুখসে লোইখোক্কে। নত্রগা মখোয় মযামাসগী মখুত্ত ঐ তুখ্রগে ॥৩৭॥ অকবা অচুম্বা লান্দবা থবক্ত ঈনাশিনবারবা লাইশিংনা ঐনা তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি পাঙথোকহনবিসনু। যজ্ঞদা আবাহন তৌখ্রিবা ইন্দ্রনা থুনা য়াঙনা যজ্ঞ মন্দিরদা থুংলবগুম্না য়েক্লবা হাৎণবা অর্জ্জুনসু মফম্ অসিদা থুনা য়াঙনা লাকপা ওইরসনু ॥৩৮॥ সারথি ! য়েংঙুনে হে ! কৌরব পক্ষগী লান্মী নিংথৌসে পুমচাই চাইনা কায়দুনা চেন্নারবসি করিগীনো ? ঐনা অহুম্ খনবদা, ঈনাও অকনবা অর্জ্জুননা মখোয়গী মথক্ত তেন্না পুমযোম্ য়োমশিল্লকুনা আক্রমণ তৌশিল্লক্রমাল্লে হায়না খল্লি ॥৩৯॥ বিশোক ! য়েংঙু ! তেল ময়াম্না, তা মপৈ মপৈনা কদোম্

আপূর্য্যতে কৌরবী চাপ্যভীক্ষ্ণং সেনা হ্যসৌ সুভৃশং হন্যমানা।
ধনঞ্জয়স্যাশনিতুল্যবেগৈর্গ্রস্তা শরৈঃ কাঞ্চনবর্হিবাজৈঃ ॥৪১॥
এতে দ্রবন্তি স্ম রথাশ্বনাগাঃ পদাতিসংঘানবমর্দ্দয়ন্তঃ।
সংমুহ্যমানাঃ কৌরবাঃ সর্ব এব দ্রবন্তি নাগা ইবা দাবভীতাঃ।
হাহাকৃতাশ্চৈব রণে বিশোক। মুঞ্চন্তি নাদান্ বিপুলান্ গজেন্দ্রাঃ ॥৪২॥

বিশোক উবাচ।

কিং ভীম। নৈনং ত্বমিহাশৃণোষি বিস্ফার্য্যতো গাণ্ডিবস্যাতিঘোষম্।
ক্রুদ্ধেন পার্থেন বিকৃষ্যতেঽস্য কচ্চিন্নেমৌ তব কর্ণেহ বিনষ্টৌ ॥৪৩॥
সর্বে কামাঃ পাণ্ডব। তে সমৃদ্ধাঃ কপির্হ্যসো দৃশ্যতে হস্তিসৈন্যে।
নীলাদ্ঘনাদ্বিদ্যুতমুচ্চরন্তীং তথা পশ্য বিস্ফুরন্তীং ধনুর্জ্জ্যাম্ ॥৪৪॥
কপির্হ্যসৌ দৃশ্যতে সর্বতো বৈ ধ্বজাগ্রমারুহ্য ধনঞ্জয়স্য।
বিত্রাসয়ন্ দ্বিষৎসংঘান্ বিমর্দ্দে বিভেম্যস্মাদাত্মনৈবাভিবীক্ষ্য ॥৪৫॥

কন্দোমদগীনো হান্নবা খুঙদনা পাইশিল্লক্নুনা কৌরব পঙ্কগী শগোল শামু রণী কয়া কযা হাইদোক্ চেস্থোক্ররক্লি। সারথি! য়েংঙু। রথ বথীশিংসিনা মচোই মচোই তোঙান তোঙান্না মায়গৈ মরি কাংনা চেন্নরি ॥৪০॥ বজ্রগা মান্নরবা, অর্জ্জুনগী সনানা অহুগা রাহোং মতুনা তেন্না তেন্মৈ পাল্লবা থৌয় থৌরবা তেল মপৈনা পানবদা চৈনা খাঙবা ওমদহুনা কৌরব লান্মীশিংসে অকি অথংবগী মুংশাথীবগী খোল্লাউনা লাউর লাউবহুন' চেন্নবি ॥৪১॥ বিশোক। কৌবব পঙ্গী শগোল শামুশিংনা মখোয়গী পঙ্কগী খোঙমী লান্মীশি' কযা কযাবু নেৎখায় থেংগাইরমহনা চেস্থোরগল্লি। চাকশিল্লকপা লৈম্মেবু কিবদগী শামু ময়ান্না চেস্থোরকপহুঙুম্না কৌরব লান্মী পুন্নমক তৌকম্ খুঙদনা হা হাকার লাউহুনা চেস্থোররক্লি। চাউর চাউরবা শামু ও-ও খো হুনা উপা পাখংনা চেন্নরি ॥৪২॥ বিশোকনা হায়ঃ-- পাণ্ডব য়ায়মবা। লীরীবু নাকোং মরু ফ না চিংহুনা কাপথোরকপা অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবগী মখোল আসবু খকৃতা লাবত্রত্রা? অকনবা নহাক্কী নাকোং অনীংদি পাল্লিদনকো। য়েংঙু ননাও অর্জ্জুনসে শাউবনা মৈ হৌহুনা মহাক্কী গাণ্ডীববু কন্ন কন্না চিংলি ॥৪৩॥ পাণ্ডুনন্দন! অকনবা নহাক্কী আশাপুম্বা থুংলগনি। য়েংঙু! শমূশং অসিগী মরুভগী ফিবালগী মতোল্দা তোংবা চ ভরবা য়োংগী মূর্তিসে তোমথিল ওইনা উবল্লে। মুববা নোংগী মরক্তগী হাইদোরকপা নোংথাংগী মরী অমগুম্ লৈরিবা গাণ্ডীবগী লীরী অসে অকনবা নহাকপু খক্ উত্রবরা? ॥৪৪॥ অর্জ্জুনগী কিয়াল মতোল্দা লৈরিবা য়োংগী মূর্ত্তিসি মাগৈ পুম্বদগী য়েংশিল্লকপশিংগী মমিত্তা তশেং তশেংনা উব কংলি। য়োং অসিগী মূর্ত্তিনা য়েক্লবশিংগী থম্মৈ য়দা অকিবা-মিপাইবা পোকহল্লি। অকনবা। নংগী সারথিস্নু ওইরবা বিশোক কৌবা ঐমকপু [ঐখোয়রোমগী মীচঙ ওইবিরিবা

বিভ্রাজতে চাতিমাত্রং কিরীটং বিচিত্রমেতচ্চ ধনঞ্জয়স্য ।
দিবাকরাবভো মণিরেষ দিব্যো বিভ্রাজতে চৈব কিরীটসংস্থঃ ॥৪৬॥
পার্শ্বে ভীমং পাণ্ডরাভ্রপ্রকাশং পশ্যস্ব শঙ্খং দেবদত্তং সুঘোষম্ ।
অভীষুহস্তস্য জনার্দ্দনস্য বিগাহমানস্য চমুং পরেষাম্ ॥৪৭॥
রবিপ্রভং বজ্রনাভং ক্ষুরান্তং পার্শ্বে স্থিতং পশ্য জনার্দ্দনস্য ।
চক্রং যশোবর্দ্ধনং কেশবস্য সদার্চ্চিতং যদুভিঃ পশ্য বীর ! ॥৪৮॥
মহাদ্বিপানাং সরলদ্রুমোপমাঃ করা নিকৃত্তাঃ প্রপতন্ত্যমী ক্ষুরৈঃ ।
কিরীটিনা তে চ পুনঃ সসাদিনঃ শরৈঃ প্রভিন্নাঃ কুলিশৈর্গিরীন্দ্রাঃ ॥৪৯॥
তথৈব কৃষ্ণস্য চ পাঞ্চজন্যং মহার্হমেতং দ্বিজরাজবর্ণম্ ।
কৌন্তেয় ! পশ্যোরসি কৌস্তুভঞ্চ জাজ্বল্যমানং বিজয়াং স্রজঞ্চ ॥৫০॥

য়োং অসগী মাওং উবগা থোইনা কিরি ॥৪৫॥ অর্জ্জুনগী কোকথক্ত লৈরিবা লুহুপ অসিদা থেংলিবা মণি অসিনা নুমিৎকী মতৌগুম্ পুমলং লংনা চাক্লি, ডা'লে ॥৪৬॥ পাণ্ডবশিংগী মরাম্ব। মথাই কনবা তকনবা।

শগোল চুম্নী পামরিবা,   নকুবগী থম্মোয় নীকহনবা
নওওগী নাঙ লৈরব,   মজনা-অকিবা পোক্লবা
মতৌবা লৈচিনজম্ ডৌববা,   মবা লৈম্নবা মখোল পুরিবা
দেবদত্ত কোয়া অচৌবা,   অর্জুনগী মোইবুংসে ঘেংঙ্গবা। ॥৪৭॥
শেঙ্গুনে নহাকপু ঙকনবা।   রবিবংশবু লৈমহনবা
কৃষ্ণগী মিংচৎ চাইহনবা,   মামৎক্রন্ পুমলং লংলবা
মযোম্না নত্রগুম নরবা,   মচাম্না নরগুম থেরবা
কৃষ্ণগী নাঙ খননবা,   সুদর্শন চক্রসে য়েঙ্গুবা। ॥৪৮॥
রাং চারিবা চমাঙ্গং চুয়বা,   ভৈপাখ্রীগুম্বা শামু নাতোনশিংসিনা
ক্ষুর মচান শারবা,   অর্জ্জুনগী লেম্না পানবদা
লৈমায়থক্ত মঙৎ মঙৎ তারি।   ইন্দ্রনা চিন চাউজাও শোইবগুম্
অর্জ্জুননা অতোংব লাম্নাগা লোয়ননা,   থেববা তেন্না শামুশিং শোথরি ॥৪৯॥
কুন্তী সতীগী মপারি।   অকনবা নহাকপু য়েঙ্গুনে।
মমল্ য়াম্লবা নীঙথবা,   খাগী মশেক্লুম তোকনরবা
পাঞ্চজন্যবু কৌরবা.   কৃষ্ণগী মোইবুংসে য়েংঙ্গুবা।
কৃষ্ণ মাগী ওকশমদা,   বিজয়া কৌবা মালানা হায়রি।
শংবাম্নবা থবাক্ থকসিদা   ওয়াল্লি কৌস্তুভ মণিনা ॥৫০॥

এবং রথাগ্র্যঃ সমুপৈতি পার্থো বিদ্রাবয়ন্ সৈন্যমিদং পরেষাম্।
সিতাশ্ববর্ণৈরসিতপ্রযুক্তৈর্হয়ৈর্মহার্হৈ রথিনাং বরিষ্ঠঃ ॥৫১॥
রথান্ হয়ান্ পত্তিগণাংশ্চ সায়কৈর্বিদারিতান্ পশ্য পতত্যমী যথা।
তবানুজেনামররাজতেজসা মহাবনানীব সুপর্ণবায়ুনা ॥৫২॥
চতুঃশতান্ পশ্য রথানিমান্ হতান্ সবাজিসূতান্ সমরে কিরীটিনা।
মহেষুভিঃ সপ্ত শতানি দন্তিনাং পদাতিসাদীংশ্চ হতাননেকশঃ ॥৫৩॥
অয়ং সমভ্যেতি তবান্তিকং বলী নিঘ্নন্ কুরূংশ্চিত্র ইব গ্রহোঽর্জ্জুনঃ।
সমৃদ্ধকামোঽসি হতাস্তবাহিতা বলং তবায়ুশ্চ চিরায় বর্দ্ধতাম্ ॥৫৪॥

ভীম উবাচ।

দদানি তে গ্রামবরাংশ্চতুর্দ্দশ প্রিয়াখ্যানে সারথে। সুপ্রসন্নঃ।
দাসীশতঞ্চাপি রথাংশ্চ বিংশতিং যদর্জ্জুনং বেদয়সে বিশোক। ॥৫৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ভীমবিশোকসংবাদে ষট্পঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

অদুনাদি শোয়ন্নবনি অকনবা। ননাও নিপা অকনবা অর্জ্জুন হায়বা অসিনা কৃষ্ণনা থৌরিবা, ভৌরবা শগোল মন্নিনা চিংলিবা রথ অসিগী মথক্ত তোংহনা মমাঙদা লৈরম্বা য়েক্লবশিংবু নৈহৎ নৈহৎলমহনা অসোমদা লাক্লিবসি অমুক্ত য়েংবীয়ু ॥৫১॥ পাণ্ডব মায়মবা! য়েংবিযুনে অমুক্ত। ইন্দ্রগুম্ তেজ লৈরবা, ননাও ইবুঙো অকনবা, অর্জ্জুন কৌবা অসিনা তেন্তনা য়েক্লবশিংগী শগোল শামু রথ খোঙমীশিংবু নৈথেক্লক্লি। ময়াম অসিনা, গরুড়গী মশানা ফুবদা উপাল রাপম থল্লবা বননা হাইথুরকপগুম তুথরক্লি ॥৫২॥ অর্জ্জুননা অসোমদা লাকপাসিদা লম্বীদা শগোল সারথিগা কোম্ননা রথ চামরি তুমহনখ্রে। শামু চাত্রেৎপু মশীং লাকঙমদবা খোঙমীশিংবু অদুগা শাদোং তোংবা লাম্মীশিং কয়া কয়াবু হাৎলমহনা লাক্লি ॥৫৩॥ অঙকপগী মশক ওইরবা গ্রহ অমনা নোংমদোম্বক্ত তোংগুম কল্লবা অর্জ্জুননা কৌবন লাম্মী পুম্ব। নৈহৎলমহনা অকনবা নংগী ননাক্ত লাক্লি। অদুনা অকনবা! হৌজক্তি অকনবা নংগী ননীঙ থুংলে। অদুগা য়েক্লবা পুম্নমকপুম্ন তুম্না হাৎলবগুম্বনি। অদুনা অকনবা নহাক্কী পাঙ্গল বৃদ্ধি পুনশি পুম্নমক চাউখৎপা ওইরসনু ॥৫৪॥ ভীমসেননা হায়ঃ— বিশোক! সারথি! নংনা ওসি অর্জ্জুন লাকপগী নুংঙাইবা পাউ অসে তম্বরিবসিদা ঐ মাম্না পেল্লে। ঐখু পেলহল্লিবসিগী মনা ওইনা ঐনা নঙোন্দা খুঙ্গং তরামরি, মীনাম্নুবী চাম, রথ কুন পীগনি ॥৫৫॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "ভীম বিশোক সংবাদ" গী চাম মাঙ্খৈতরুক শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।

চাময়াখৈতরেৎশুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা শকুনি চেনবা মত্তাং)

সঞ্জয় উবাচ ।

শ্রুত্বা চ রথনির্ঘোষং সিংহনাদঞ্চ সংযুগে ।
অর্জ্জুনঃ প্রাহ গোবিন্দং শীঘ্রং চোদয় বাজিনঃ ॥১॥
অর্জ্জুনস্য বচঃ শ্রুত্বা গোবিন্দোঽর্জ্জুনমব্রবীৎ ।
এষ গচ্ছামি সুক্ষিপ্রং যত্র ভীমো ব্যবস্থিতঃ ॥২॥
তং যান্তমশ্বৈর্হিমশঙ্খবর্ণৈঃ সুবর্ণমুক্তামণিজালনদ্ধৈঃ ।
জম্ভং জিঘাংসুং প্রগৃহীতবজ্রং জয়ায় দেবেন্দ্রমিবোগ্রমন্যুম্ ॥৩॥
রথাশ্বমাতঙ্গপদাতিসংঘা বাণস্বনৈর্নেমিখুরস্বনৈশ্চ ।
সংনাদয়ন্তো বসুধাং দিশশ্চ ক্রুদ্ধা নৃসিংহা জয়মভ্যুদীয়ুঃ ॥৪॥ (যুগ্মকম)
তেষাঞ্চ পার্থস্য চ মারিষাসীদ্দেহাসুপাপক্ষপণং সুযুদ্ধম্ ।
ত্রৈলোক্যহেতোরসুরৈর্যথাসীদ্দেবস্য বিষ্ণোর্জয়তাং বরস্য ॥৫॥
তৈরস্তমুচ্চাবচমায়ুধং তদেকঃ প্রচিচ্ছেদ কিরীটমালী ।
ক্ষুরার্দ্ধচন্দ্রৈর্নিশিতৈশ্চ ভল্লৈঃ শিরাংসি তেষাং বহুধা চ বাহূন ॥৬॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। লালকম্ অহুদা য়েক্কবশিংগী রথগী অমদি সিংহনাদ লাউবগী মখোল তাবদা হায়রকই :-"কৃষ্ণ! সারথি! শগোল থৌজিল্লু" ॥১॥ অর্জ্জুনগী ৱা তাবদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়রকই :—"ঐ, ভীমনা লৈরিবা অসোমদা রথ অসি থৌজিনগে" ॥২॥ মমাঙৈদা ইন্দ্রনা মথুঙ্গা বজ্র পায়হুনা জম্ভাসুরবু হাৎকে হায়দুনা মঙোল্লোমদা চঙশিনখিবগুম্না থোইদোক্না শাউরবা অর্জ্জুননা উন্গী অমাদ মোইবুংগী মতৌগুম্ ঙৌরবা শগোলশিং অদুগী পাখৈনা লালকমদা থুনা য়াঙনা তকশিল্লকপা মতমহুদা শাউরবা কৌরব পক্ষগী লাম্মী অকনবশিংনা তেলগী রথগী চাকাগী অহুগা শগোলগী মখোঙনা লৈমায়থক্ত থাবগী মখোস্তনা লালকম্ অহু পুমানিন নিনহন্দুনা অর্জ্জুনবু থিংগদবগী মঙোল্লোমদা ফুজিল্লকই ॥৩-৪॥ ইকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ! মমাঙৈদা মরোল অহুমদা লৈরিবা হিংচাবশিংগা বিষ্ণুগা থেংনখিবহুগুম্না অর্জ্জুননা কৌরব লাম্মীশিংগা, মীকুপ্তা থরাই ককচাং পাপ পুম্বা মাঙননবগী মশক্ ওইরবা কল্লবা লাল্লাও অম থেংনখি ॥৫॥ কৌরব লাম্মীশিং অহুনা মথল মথা অরাম্বা খুৎলায় অমুকমুক্ত কাপশিল লংশিল্লক্লবা মতমহুদা অর্জ্জুননা ক্ষুর মচীনশাবা, থামচেৎ শাবা, থৌরবা তামচীন শাবা খুৎলায়না

ছত্রাণি বালব্যজনানি কেতূনশ্বান্ রথান্ পত্তিগণান্ দ্বিপাংশ্চ।
তে গেতুরুর্ব্যাং বহুধা বিরূপা বাতপ্রভগ্নানি যথা বনানি॥৭॥
সুবর্ণজালাবতভামহাগজাঃ সবৈজয়ন্তীধ্বজযোধকল্পিতাঃ।
সুবর্ণপুঙ্খৈরিষুভিঃ সমাচিতাশ্চকাশিরে প্রজ্বলিতা যথাচলাঃ॥৮॥
বিদার্য্য নাগাশ্বরথান্ ধনঞ্জয়ঃ শরোত্তমৈর্বাসববজ্রসন্নিভৈঃ।
দ্রুতং যযৌ কর্ণজিঘাংসয়া তথা যথা মরুত্বান্ বলভেদনে পুরা॥৯॥
ততঃ স পুরুষব্যাঘ্রস্তব সৈন্যমরিন্দমঃ। প্রবিবেশ মহাবাহুর্মকরঃ সাগরং যথা॥১০॥
তং দৃষ্ট্বা তাবকা রাজন্! রথপত্তিসমন্বিতাঃ। গজাশ্বসাদিবহুলাঃ পাণ্ডবং সমুপাদ্রবন্॥১১॥
তেষামাপততাং পার্থমারাবঃ সুমহানভূৎ। সাগরস্যেব ক্ষুব্ধস্য যথা স্যাৎ সলিলস্বনঃ॥১২॥
তে তং পুরুষব্যাঘ্রং ব্যাঘ্রা ইব মহারথাঃ। অভ্যদ্রবন্ত সংগ্রামে ত্যক্ত্বা প্রাণকৃতং ভয়ম্॥১৩॥
তেষামাপততাং তত্র শরবর্ষাণি মুঞ্চতাম্। অর্জ্জুনো ব্যধমৎ সৈন্যং মহাবাতো ঘনানিব॥১৪॥

মখোয়গী থুংলায়শিং অতুবু অতুপা মঙক্ পাম্বোমশিং অতুবু ককককক্‌না থাদখি॥৬॥ অর্জ্জুননা য়েরুবশিংগী ছত্র, চামর, ফিরাল, শগোল, রথ, খোঙমী অতুগা শামু মপৈ মপৈবু অমকমুক্তা কপ্‌শিল্লক্রে। মতম অদুদা নুংশিৎনা হুমদোক্লবা বনগী মতৌগুম্না মখোয় পুম্মক্ কেৎ কেৎ হাইদুনা থাডক্রে॥৭॥ অদুগী তুদা সনা মরাতনা মগী মংকল নাইনা শাবা ঝালরনা লৈতেংবা, লালগী পোৎলোই সম্পোৎ ফিরাল মচা মচা লৈতেংলবা, অতুগা লাম্নীশিনা ইকোয় কোয়না ডাব্‌শেল্লবা শামুশিং অদু, অর্জুনগী সনাগী লেল্লা তেম্ন পানবা তেল মরাম্না সুং যুংহনা মশা পুমকুপ ফুপাশনাখিবহ্রদা মখোয় অমমম। সনাগী চংবা শাকক্না পুমলাং লংলবা চাদতুম্ অমমমগী মতৌগুমখি॥৮॥ মমাংদা ইন্দ্রনা বলাসুর হোৎনা থাবর হাংকে চায়বগীদমক চণ্ডশিল্লকপত্রগুম্না অর্জ্জুননা ইন্দ্রগী বজ্রগুম্না লেক্ক বল্লর থুংলায়নডুন চে রবপক্ষগী শগোল শামু রথী কয়া কথাবু নৈথাই খিনপাইরমতনা কর্ণবু হাংদুনা হাৎবগীদমক্ লাগ্ৰকম্ মথাংদা চণ্ডশিল্লক্রে॥৯॥ অদুগী তুদা ওাকিতোনা সমুদ্র দীপ কচংনা চাংনরিবগুম্ অদোম্‌গী অখোইবা, মপাম্বোম কল্লবা, য়েরুনা ডম্বা অজ্জুর্ননা কৌরব লাম্‌নীমবগী চণ্ডশিং ॥১০॥ মত বাক্ত। শগোল শামু রথী খোঙমীশিংনা থল্লবা অতুগা শামু তোংবা শগোল তোগা দেশ্মী কয়া রথানা থুরকহাওদনা লৈরবা কৌরব তেঙ্গোল মরক্ অদুদা অর্জ্জুননা চণ্ডশিনখিবহু উবদা কৌরব লাম্না অপুম্বা মাংগৈ কাংনা চেংগ্নে॥১১॥ অর্জ্জুননা চণ্ডশিল্লকপা মতমসিদা সমুদ্রনা ঈরাওথোলগা লোয়নন্না ঈথক ঈপোম চৌরকপহুগুম্না কৌরব লাম্নীশিংনা লাউনরকপদা খোঙ্গেল অগনা মাযগৈ মরি পুমনিন নিনখি॥১২॥ কৌরব পক্ষগী কল্লবা মহারথীশিং অতুনা মথ্‌ৱাই পাম্মুদনা কৈগী মতৌগুম্ থোরবা, নিপা অখোইবা অর্জ্জুনলোমদা ফুজিম্নখি॥১৩॥ মখোয় ময়াম্না অতৎ অথম্ লৈতনা তেনতনা নোংচুবগুম্ কাপশিল্লক্‌না চণ্ডশিল্লকপা মতমসিদা, কল্লবা নুংশিৎ ইপোম অমনা নোং মতুম্ মথাম্বু হুমদোকখিবহুগুম্না অর্জ্জননা মখোয় চণ্ডশিল্লক্রিবা

তেঽর্জ্জুনং সহিতা ভূত্বা রথবংশৈঃ প্রহারিণঃ। অভিযায় মহেষ্বাসা বিব্যধুর্নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥১৫॥
ততোঽর্জ্জুনঃ সহস্রাণি রথবারণবাজিনাম্। প্রেষয়ামাস বিশিখৈর্যমস্য সদনং প্রতি ॥১৬॥
তে বধ্যমানাঃ সমরে পার্থচাপচ্যুতৈঃ শরৈঃ। তত্র তত্র স্ম লীয়ন্তে ভয়ে জাতে মহারথাঃ ॥১৭॥
তেষাং চতুঃশতান্ বীরান্ যতমানান্ মহারথান্। অর্জ্জুনো নিশিতৈর্বাণৈরনয়দ্যমসাদনম্ ॥১৮॥
তে বধ্যমানাঃ সমরে নানালিঙ্গৈঃ শিতৈঃ শরৈঃ। অর্জ্জুনং সমভিত্যজ্য দুদ্রুবুর্বৈ দিশো দশ ॥১৯॥
তেষাং শব্দো মহানাসীদ্দ্রবতাং বাহিনীমুখে। মহোঘস্যেব জলধের্গিরিমাসাদ্য দীর্য্যতঃ ॥২০॥
তাং তু সেনাং ভৃশং ত্রস্তাং দ্রাবয়িত্বার্জ্জুনঃ শরৈঃ। প্রায়াদভিমুখঃ পার্থঃ সূতানীকায় মারিষ। ॥২১॥
তস্য শব্দো মহানাসীৎ পরানভিমুখস্য বৈ। গরুড়স্যেব পততঃ পন্নগার্থে যথা পুরা ॥২২॥
তং তু শব্দমভিশ্রুত্য ভীমসেনো মহাবলঃ। বভূব পরমপ্রীতঃ পার্থদর্শনলালসঃ ॥২৩॥
শ্রুত্বৈব পার্থমায়ান্তং ভীমসেনঃ প্রতাপবান্। ত্যক্ত্বা প্রাণান্ মহারাজ। সেনাং তব মমর্দ্দ হ ॥২৪॥
স বায়ুবীর্য্যপ্রতিমো বায়ুবেগসমো জবে। বায়ুবদ্ব্যচরদ্ভীমো বায়ুপুত্রঃ প্রতাপবান্ ॥২৫॥

মাংপকবু কোইনা থুনক্কা মাঙহনখি ॥১৪॥ অদুগী তুদা বল্লবা মহ রথী মপৈ অমনা অমুক্ত ওইনা ফুজিল্লকত্না খোর খৌরবা তেক্সা অর্জ্জুনগী মশা পুম্বা পুমকোর কোয়শিন্না কাপশিনবা হৌরক্লে ॥১৫॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা কৌরব তেনকনা মখোয়গী রথ শগোল শামু সাবথি লিশিং লিশিংবু যমগী য়ুমদা থাদরাক্লে ॥১৬॥ মহারথী অর্জ্জুনগী থুগাইহনবগী চৈনাখোল কংবদা কৌরব লান্মীশিং অদু শিন বিবদগী মখোয়না কৈদৌ কৈরম্বা চঙমদ্রবদা মব কুবক লমখুনা লাংখি ॥১৭॥ মতৌ অদুম্না শারবনিংবা অর্জ্জুননা মহ রথী খেরবা তেক্তুনা মহারথীশিং অদুগী মনুংদা, অর্জ্জুনবু হেৎপা হেৎনরম্বা বল্লনা মহ রথী চামবি যমগী য়ুমদা থাখি ॥১৮॥ থুদম মথল মখা অযশ্বা যেক্লবা হেৎকনা অর্জ্জুনগী লেজ্জি ফুহৎলি অদুনা পকদা অর্জ্জুনবু থাদোক্লগা মরাক মরি কংনা চেল্লক্লি ॥১৯॥ সমুদ্র ঈপাক্কী রা চাউরা চাউরবা ঈংরা চীঙখোংদা যুজিনবা মতমদা হৌবা মখোল অদুগুম্না চেন্থ্রক্লিবা, লাউন খোৎনরক্লিবা লান্মীশিং অদুগী খোঞ্জেল্লা লাংফম্ অদু পূমান নিনখি ॥২০॥ ইকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ। পৃথাগী মচা অর্জ্জুননা মাগী তেক্সা অবিবা পোকপ্রবা লান্মীশিং অদুবু থোকচকহন বর্তন হৈবা অদোমদা সূতপুত্র ফুজিল্লকই ॥২১॥ মমাঙদা গরুড়না লিক্লাওশিংবু কাগদবগী পাইথরকপহুম্না অদুগা পাইথরকপা মতমদা থোকখিবা শব্দগুম্না অর্জ্জুননা কর্ণ তম্না ফুজিল্লকপা মতমসিদা অকিবগী মশক ওইরবা খোঞ্জেল অদু থোকখি। মীয়াম অদু পুমনমক নিংখি ॥২২॥ অসোমদা অর্জ্জুনবু উননীঙদুনা লৈরম্বা ভীমসেননসু মখোল অদু তাবদা থোইদোক্না নুংঙাইখি ॥২৩॥ মহারাজ! অর্জ্জুন লাক্লে হায়বদু তাবা ঊবদা বল্লবা ভীমনা থোইদোক্না পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা, থরাক্ত পাম্নদনা মহারাজগী কৌরবলান্মীশিং হায়দগী বম্না হৈবা হৌরক্লে ॥২৪॥ মপাঙ্গল নুংশিৎকুম্না, শাফুদা নুংশিৎকুম্বা, নুংশিৎকী মচানিপা

তেনার্দ্দ্যমানা রাজেন্দ্র। সেনা তব বিশাংপতে।। ব্যভ্রম্যত মহারাজ! ভিন্না নৌরিব সাগরে ॥২৬॥
তাং তু সেনাং তদা ভীমো দর্শয়ন্ পাণিলাঘবম্। শরৈরবচকর্ত্তোগ্রৈঃ প্রেষয়িষ্যন্ যমক্ষয়ম্ ॥২৭॥
তত্র ভারত। ভীমস্য বলং দৃষ্ট্বাতিমানুষম্। ব্যত্রস্যন্ত রণে যোধাঃ কালস্যেব যুগক্ষয়ে ॥২৮॥
তথার্দ্দিতান্ ভীমবলান্ ভীমসেনেন ভারত!। দৃষ্ট্বা দুর্য্যোধনো রাজা ইদং বচনমব্রবীৎ ॥২৯॥
সৈনিকাংশ্চ মহেষ্বাসান্ যোধাংশ্চ ভরতর্ষভ।। সমাদিশদ্রণে সর্বান্ হত ভীমমিতি স্ম হ ॥৩০॥
(যুগ্মকম্)

অস্মিন্ হতে হতং মন্যে পাণ্ডুসৈন্যমশেষতঃ। প্রতিগৃহ্য চ তামাজ্ঞাং তব পুত্রস্য পার্থিবাঃ ॥৩১॥
ভীমং প্রচ্ছাদয়ামাসুঃ শরবর্ষৈঃ সমন্ততঃ। গজাশ্চ বহুলা রাজন্! নরাশ্চ জয়গৃদ্ধিনঃ ॥৩২॥
রথা হয়াশ্চ রাজেন্দ্র। পরিবব্রুর্বৃকোদরম্। স তৈঃ পরিবৃতঃ শূরৈঃ শুরো রাজন্। সমন্ততঃ ॥৩৩॥
শুশুভে ভরতশ্রেষ্ঠ। নক্ষত্রৈরিব চন্দ্রমাঃ। পরিবেশী যথা সোমঃ পরিপূর্ণো বিরাজতে ॥৩৪॥
স ররাজ তথা সংখ্যে দর্শনীয়ো নরোত্তমঃ। নির্বিশেষং মহারাজ। যথা হি বিজয়স্তথা ॥৩৫॥
(কুলকম্)

ভীমসেননা, মুংশৎ নোংৗলগী মতৌগুম্না লালকম্ অতদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈখি ॥২৫॥ নি থৌ অথোইবা মহারাজ! ভীমসেননা নৈহৎলকপাসদা মহারাজগী কৌরব লাম্মী অপুম্বা ঈপাক্ ঈয়াথদ কায়রবা হিগা মতৌগুমগ্রে ॥২৬॥ ভীমসেননা মাগী মখুৎথুবগী শক্তি অহু উক্তুনা মাগী মাঙদা লৈরম্বমথৈ লোইনা যমালথদা থাগ্রগে হায়না খন্দুনা অকিবগী মশক্ ওইরবা তেত্তনা য়েক্লবা লাম্মীশিংদুগী মঙক মপামেম কক্ কক্তুনা থাদাখ ॥২৭॥ ভরতনন্দন, মহারাজ। মতম্ অসিদা কৌরব তেন্জোলগী অথোইবা লাম্মীশিং অহুনা, প্রলয় মতমগী কদ্রগী শক্তিগুম্বা ভীমসেনগী শক্তি অহু উবদা থোইদোক্ত ভক্লাখ। ভীমগী তাইবং মীনা ভমদবা শক্তিগী থবক্ অহু উবদা কিবনা থক্ থক্ নীক্লখি ॥২৮॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা! মহারাজ। ভীমনা মতৌ অসুম্না অকিবা ফংনা কল্লবা লাম্মীশিংবু হাৎখ্রে হায়বত্ত উবদা নিংথৌ দুর্য্যোধননা অকল অকনবা নিংথৌ লাম্মীশিংদা "হৌজিকমক্ ভীমবু হাৎননবা তৌ" অসুম হায়না য়াথং পীখোকখ্রে ॥২৯ ৩০॥ "মরমদি ভীমবু মশিগ্রবদি পাণ্ডব অতৈম্ব লোইনা শিরবনি হায়না ঐনা খল্লি।" অসুম্ হায়না য়াথং পীরক্লবদা মায়কৈ পুম্বদগী নিংথৌ লাম্মী পুম্নমক্ হোৎচল্লক্তুনা, অকোয়বদগী অতৎ অথম্ লৈতনা কাপশিল্লক্তুনা ভীমগী মশা পুম্ব তেন্না পুমথোম থোমহনখরে। শগোল তোংবা শাম্ব তোংবা লাম্মী মমাম্ অহুগা থোঙমী ময়াম্ ফুজিম্মরক্তুনা ভীমবু পুমকোয় কোয়রম্মে। মহারাজ! মমাম্ অহুনা পুমকোয় কোয়শিনখিবগুদা ভীমসেন অসি নোংমদোম্বক্কা থোকপা মশীং লাকভমদবা থারানমিচাক্ মমঙ্কা ভাস্তোইবা থাগী মতৌগুম্না থোইনা নীংথিজখি। ভাংথক্ নাইক্লবা মকোয়না মপুং ফারবা থাজগী মতৌগুম্না শাওং শাদা ফজরবা, রাংচাউরবা ভীম অসি য়েংবদা থোইদোক্লা নীঙখিজৈ। মহারাজ!

ততস্তে পার্থিবাঃ সর্ব্বে শরবৃষ্টীঃ সমাসৃজন্। ক্রোধরক্তেক্ষণাঃ ক্রুরা হন্তুকামা বৃকোদরম্ ॥৩৬॥
তাং বিদার্য্য মহাসেনাং শরৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ। নিশ্চক্রাম রণাদ্ভীমো মৎস্যো জালাদিবাম্ভসি ॥৩৭॥
হত্বা দশ সহস্রাণিগজানামনিবর্ত্তিনাম্। নৃণাং শতসহস্রে দ্বে দ্বে শতে চৈব ভারত! ॥৩৮॥
পঞ্চ চাশ্বসহস্রাণি রথানাং শতমেব চ। হত্বা প্রাস্যন্দয়দ্ভীমো নদীং শোণিতবাহিনীম্ ॥৩৯॥
(যুগ্মকম্)

শোণিতোদাং রথাবর্ত্তাং হাস্তগ্রাহসমাকুলাম্। নবমীনাশ্বনক্রাস্তাং কেশশৈবলশাদ্বলাম্ ॥৪০॥
সংছিন্নভুজনাগেন্দ্রাং বহুরত্নাপহারিণীম্। উরুগ্রাহাং মজ্জপঙ্কাং শীর্ষোপলসমাবৃতাম্ ॥৪১॥
ধনুঃকাশবনাং ভীমাং গদাপরিঘপন্নগাম্। হংসচ্ছত্রধ্বজাপেতামুষ্ণীষবরফেনিলাম্ ॥৪২॥
হারপদ্মাকরাঞ্চৈব ভূমিরেণূর্ম্মিমালিনীম্। আর্য্যাবৃত্তবতাং সংখ্যে সুতরাং ভীরু দুস্তরাম্ ॥৪৩॥

মায়গৈ অমরোমদা অর্জ্জুনস্থ য়েক্নবা লাম্মীশিংনা পুমকোয় কোয়শিনথিন্না খোইদোক্না নীঙথিজখি ॥৩১-৩৫॥ শাউবনা মমীত্ত ঈ কারবা অকন্দবা কৌরব লাম্মী নিংথৌ ভীমগী অকোয়বদা লেপ্তুনা অতৎ অথম্ লৈতনা তেন্না নোংচুবগুম্ ভীমগী মথক্ত হৈথর'ক্ল ॥৩৬॥ ওহাক্ লৈরগা চাউরবা ভানা ঈন্ মনু'দগী ইনবু খদং চিংখৎশন্নগা চোংথোকখিবগুম্না ভীম অসি অত্থক্ য়াম্ম য়েক্নবা লাম্মী শং অপবু হাইদেক্ নমথেক্নমগনা মথোয় মরক্তগী লাস্থোকখয়ে ॥৩৭॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! মতম আসদা ভীম মথন্তুনা মনাক্ত লৈবা শামু লিশিং তরা, খোঙমী লখা অনীগ চনী, শগোল লিশিং মঙা, রথী চামা হাৎনা লাল্কম্ অত্তদা ঈরৈ বল্লবা ঈগী তুরেল অমা চেন্থহনখি ॥৩৮-৩৯॥ নিপা অথোইবা ভীমসেননা, মীকুপ অমগী মনুংদ, সনা লুপা লীকোল কয়া কয়া তাউথহনখিবা অকিবগী মশক্ ওইরবী, চৈশি লবা মরিল লৈরবা লাম্মীশিংনা'দ লায়না লাস্থোকপা ঙম্নবী, কিগনবা পাঙদবশিংনদি লানবা ঙম্মরোইদোবী প্রেতলোক (যমপুর) তাম্না চেন্থখিবী ঈগী তুরেল অমা থোকহনখি। তুরেল অত্থগী ঈশিংনা ঈনা ওইরি। চাইগৎ তোংখৎলকপা ইপোম্ অমমম্না রথীশিং অত্থনা ওইরে। চাউর চাউরবা মুরবা জলজন্তুনা শামু শংগী তাউথরিবা মশা অত্থনা ওইরি। লাম্মীশিংগী আশবা মশানা ঙা জাৎ জাৎ ওইনা তাউথরি। শগোলশিংনা কুম্ভীর অমমম্ ওইরি। লাম্মীশিংগী ক্রক্ ক্রক্ ইন্নববা কোককী মুরবা শমশিং অত্থনা ইশ চরাং ওইরি ॥৪০॥ চাউশাংলবা পাম্বোম্ অককপশিংনা লিল ওইরি। কৈগলমবশিং অত্থনা ঙা ওইরি, লুতোং শদোংশিং অত্থনা পীং পীং লাউনা লৈথোম্ থোক্লবী তূরেল ওইরি। কোক মরাম্ অত্থনা লুকেৎ লুকেৎ তাউরিবত্থনা নুংগুম অমমম্ ওইরি। তেলশিংনা অত্থগা থাঙ তেলশিংগী মতেকশিংনা য়ু য়ুংজনা তাউথরিবত্থনা ঈগী তুরেল অত্থগী মপান্দা হৌবা কৌবী শীংনাং ওইরি। গদা থাঙনচিংহুনা চুম্নগী লিলগী মশক্লি। ভৌরবা ফিরান্না লুকেৎ লুকেৎ তাউরিবত্থনা ভাম্নু কাংঙ অমমমগী মশক্লি। কোয়েৎ লুহুপশিং অত্থনা কোজোল ওইরি। সনানা শাবা লৈতেংশিং অত্থনা থম্বাল অমমম্ ওইরি। মৈথু উফুম্না তুরেল অত্থগী মথক্ত ক্রং ক্রং লাউনা ইথক্ হৌরি। লোংনা উপ্ন তাউথরিবা লাম্মীশিং

যোধগ্রাহবতীং সংখ্যে বহন্তীং পিতৃসাদনম্। ক্ষণেন পুরুষব্যাঘ্রঃ প্রাবর্ত্তয়ত নিম্নগাম্ ॥৪৪॥
যথা বৈতরণীমুগ্রাং দুস্তরামকৃতাত্মভিঃ। তথা দুস্তরণীং ঘোরাং ভীরূণাং ভয়বর্দ্ধিনীম্ ॥৪৫॥
(কুলকম্)

যতো যতঃ পাণ্ডবেয়ঃ প্রবিষ্টো রথসত্তমঃ। ততস্ততোঽপাতয়ত যোধান্ শতসহস্রশঃ ॥৪৬॥
এবং দৃষ্ট্বা কৃতং কর্ম্ম ভীমসেনেন সংযুগে। দুর্য্যোধনো মহারাজ! শকুনিং বাক্যমব্রবীৎ ॥৪৭॥

জয় মাতুল! সংগ্রামে ভীমসেনং মহাবলম্। অস্মিন্ জিতে জিতং মন্যে পাণ্ডবেয়ং মহাবলম্ ॥৪৮॥

ততঃ প্রায়ান্মহারাজ! সৌবলেয়ঃ প্রতাপবান্। রণায় মহতে শক্তো ভ্রাতৃভিঃ পরিবারিতঃ ॥৪৯॥

স সমাসাদ্য সংগ্রামে ভীমং ভীমপরাক্রমম্। বারয়ামাস তং বীরো বেলেব মকরালয়ম্ ॥৫০॥
অভ্যবর্ত্তত তং ভীমো বার্য্যমাণঃ শিতৈঃ শরৈঃ। শকুনিস্তস্য রাজেন্দ্র! বামপার্শ্বে স্তনান্তরে।
প্রেষয়ামাস নারাচান্ রুক্মপুঙ্খান্ শিলাশিতান্ ॥৫১॥

বর্ম্ম ভিত্ত্বা তু তে ঘোরাঃ পাণ্ডবস্য মহাত্মনঃ। ন্যমজ্জন্ত মহারাজ! কঙ্কবর্হিণবাসসঃ ॥৫২॥
সোঽতিবিদ্ধো রণে ভীমঃ শরং রুক্মবিভূষিতম্। প্রেষয়ামাস সহসা সৌবলং প্রতি ভারত! ॥৫৩॥
তমায়ান্তং শরং ঘোরং শকুনিঃ শত্রুতাপনঃ। চিচ্ছেদ সপ্তধা রাজন্! কৃতহস্তো মহাবলঃ ॥৫৪॥

অচুনা ভা জাৎ জাৎ ওইরি। অচুম্বী ঈগী বৈতরণী তুরেল অদো পুন্না চেন্দবা লাল্লকমদগী চেনবা পাণ্ডবশিংনদি লানবা ভমদে। ঈগী তুরেল অসিনা কিগনবশিংগী মকমদা অকিবগী মশক্ পুরি ॥৪১-৪৫॥ রথী অথোক্টবা ভীমনা চখিণ্ড চণ্ডখিবা মকমদা লাম্নী চাম চাম, লিশিং লিশিং মীকুপ্ মীকুপ্পা তুই ॥৪৬॥ মহারাজ। লালকমদা ভীমসেননা তৌগ্রিবা থবক্ অদু উবদা দুর্য্যোধননা শকুনিদা অসুম্না হায়খি ॥৪৭॥ মামা! কল্লবা ভীম অসিবু লান্দা জয় তৌনবা অমুক্ত তোৎনবিয়ু মহাকসিদুত জয় তৌরবদি পাণ্ডবশিংগী পাকচাউরবা লান্নী নৈপে অসিবু জয় তৌরবগা অদ্মানি হায়নি হায়না ঐনা খল্লি ॥৪৮॥ মহারাজ! দুর্য্যোধনগী রাসি ভাবদা মতৌক্ মঙ্গণ চাউরবা, লাঙ্গাও শোক্ত ভস্বা শকুনিনা মনাওশিং অমদা খোঙলোয়শিংগা লোয়নদা ভীম তম্না চেনশিনখি ॥৪৯॥ শকুনিনা ফুজিনখিদুনা, সমুদ্রগী ইথকপু তোর্ববান্না ভাকথোকপা থিংবদুগুম্না ভীমনা চঙশিন্নবপন্নবু কৈগাক্ কৈনা থিংদুনা হমখি ॥৫০॥ মহারাজ! শকুনিনা দৌর থৌরবা তেম্না ভীমলোমদা কাপশিল্লকপা মতমসিদা ভীমসেনস্যু মতাক্কী মায়োক্ য়াখি। মতম অদুদা শকুনিনা ভীমগী ওয় থংবা নাকথংদা য়োথৌনা মথৌশংলবা সনানা তেম্না পানবা, য়েত্তুম মচীম শাবা তেলমক্ত কাপশিন্নখ হৌরকই ॥৫১॥ মহারাজ! মতম অদুদা উরোক মতু-রাহোং মতুনা তেম্মে পানবা থৌরবা হেক্কশিং অচুনা পাইশিনখিদুনা ভীমসেনগী লাকফুরিৎ অদু থিনগাইরমদুনা হকচাং মনুং থুম্না চঙশিনখি ॥৫২॥ ভরতনন্দন! ভীমসেন অসি শকুনিগী তেম্না শাথিনা পানখিবদুদা থোইনা শাউখিদুনা শকুনি তম্না থৌরবা তেল অমা লীরী কন্না চিংদুনা কাপলকই ॥৫৩॥ মহারাজ! অকিবগী মশক কংলবা তেল অচুনা শকুনি তম্না পাইশিল্লকবদা, মখুৎ লোয়রবা মপাঙ্গল থোইনা

তস্মিন্নিপতিতে ভূমৌ ভীমঃ ক্রুদ্ধো বিশাংপতে।। ধনুশ্চিচ্ছেদ ভল্লেন সৌবলস্য হসন্নিব।৫৫।
তদপাস্য ধনুশ্ছিন্নং সৌবলেয়ঃ প্রতাপবান্। অন্যদাদায় বেগেন ধনুর্ভল্লাংশ্চ ষোড়শ।৫৬।
তৈস্তস্য তু মহারাজ। ভল্লৈঃ সন্নতপর্বভিঃ। দ্বাভ্যাং স সারথিং হ্যচ্ছদ্ভীমং সপ্তভিরেব চ।৫৭।
(যুগ্মকম্)

ধ্বজমেকেন চিচ্ছেদ ছত্রং দ্বাভ্যাং বিশাংপতে।। চতুর্ভিশ্চতুরো বাহান্ বিব্যাধ সুবলাত্মজঃ।৫৮।
ততঃ ক্রুদ্ধো মহারাজ। ভীমসেনঃ প্রতাপবান্। শক্তিং চিক্ষেপ সমরে রুক্মদণ্ডাময়স্ময়ীম্।৫৯।
সা ভীমভুজনির্ম্মুক্তা নাগজিহ্বেব চঞ্চলা। নিপপাত রথে তূর্ণং সৌবলস্য মহাত্মনঃ।৬০।
ততস্তামেব সংগৃহ্য শক্তিং কনকভূষণাম্। ভীমসেনায় চিক্ষেপ ক্রুদ্ধরূপো বিশাংপতে।৬১।
সা নির্ভিদ্য ভুজং সব্যং পাণ্ডবস্য মহাত্মনঃ। নিপপাত তদা ভূমৌ যথা বিদ্যুন্নভশ্চ্যুতা।৬২।
অথোৎক্রুষ্টং মহারাজ। ধার্ত্তরাষ্ট্রৈঃ সমন্ততঃ। ন তু তং মমৃষে ভীমঃ সিংহনাদং তরস্বিনাম্।৬৩।

হন্নবা, তেক্নবু অরাবা পাউম্বা শকুনিনা তা মচীন শাবা তেল অমনা ভীমগী তেল অহৎনবু মতুপ শাবং থোক্লা কককুনা থাদখি ॥৫৪॥ মহারাজ! তেল অতোনা মতুপ কয়া থোক্লা তেকতুনা তদু উাদা ভামনা শাইন শউনা লোকতুনা তা মচীন শাবা তেল অমা কাপশিল্লকতুনা শকুনিগী মথংতা পায়াবা নাকৈ অহু মরাক থগাদা কপখৎখি ॥৫৫॥ মহারাজ! মতীক মগুণ চাউরবা শকুনিনা অতেকপা চাক লৌথোকখিহনা অতোপ্পা তীকং অমগা তা মচীন শাবা তেল তর তাকা পায়খৎতুনা কাপলকা! মতমদা তেলশিং অহুগী মতুংদা অমনা ভীমগী সারথীদা, তরেৎনা তৌদা কয়া থাখি ॥৫৬॥ মহারাজ! শকুনিগী তেলশিং অহুগী মতুংদা অমনা ভীমগী ফিরালদু অমনা রথ মথক্ত থালবা ছত্রু ককখৎখি অমগা মরিনা ভীমগী শগোলশিং অহুদা কয়া থাখি ॥৫৮॥ মহারাজ! অমদগী ভীম অসি লোইনা শউখিহনা মথোক লনা হংশবা যোথোকতনা পুমৈচে ওইনা শাবা তা অমা পায়খৎতুনা শকুনি তম্মা লংশিল্লকই ॥৫৯॥ অহুগী ভুংদা মথা হংহো কারবা লিলগী মতৌগুম্বা থক থক নাক্রবা, ভীমনা লশিনকপা তা অদুনা পাইশিল্লকতুনা শকুনিগী রথগী মথক্তা তাগদবগী পাইশিল্লকই ॥৬০॥ মহারাজ! মতম অদুদা থোইদোক্লা শাউরবা শকুনি অসিনা ভীমনা লশিল্লকপা তা অদু মথায় খিঙ্গাডদা তাপ কারগা ভীমসেনদা থুনা য়াওনা অমুক লংশিল্লকই ॥৬১॥ নোংমদোংগী পাইথ হাংখরকপা নোংথক মরী অমগুম্বা তা অদুনা পাইশিল্লকতুনা ভীমসেনগী পাংখোম মকদগী কাওদংখিহনা লৈমায়থক্ত চপ যুনা তাখি ॥৬২॥ মহারাজ! মাদু উবদা কৌরব লাম্মী পুম্নমক্না খু ভাইথনখিহনা সিংহনাদ লাউনখি। মথোয়গী করেম্নবগী খোল্লাউ অদু তাবদা ভীম অসি থাওহনা তৈবা

অভ্যদ্রবচ্চ ধনুঃ সজ্যং ত্বরমাণো মহাবলঃ। মুহুর্ত্তাদিব রাজেন্দ্র! ছাদয়ামাস সায়কৈঃ।৬৪।
সৌবলস্তু বলং সংখ্যে ত্যক্তাত্মানং মহাবলঃ। তস্যাশ্বাংশ্চতুরো হত্বা সূতঞ্চৈব বিশাংপতে!।৬৫।
ধ্বজং চিচ্ছেদ ভল্লেন ত্বরমাণঃ পরাক্রমী। হতাশ্বং রথমুৎসৃজ্য ত্বরমাণো নরোত্তমঃ।৬৬।
তস্থৌ বিস্ফারয়ংশ্চাপং ক্রোধরক্তেক্ষণঃ শ্বসন্। শরৈশ্চ বহুধা রাজন্! ভীমমাচ্ছ্ৎ সমন্ততঃ।৬৭।
(কলাপকম্)

প্রতিহত্য তু বেগেন ভীমসেনঃ প্রতাপবান্। ধনুশ্চিচ্ছেদ সংক্রুদ্ধো বিব্যাধ চ শিতৈঃ শরৈঃ।৬৮।
সোঽতিবিদ্ধো বলবতা শত্রুণা শত্রুকর্ষণঃ। নিপপাত ততো ভূমৌ কিঞ্চিৎপ্রাণো নরাধিপ।।৬৯।
ততস্তং বিহ্বলং জ্ঞাত্বা পুত্রস্তব বিশাংপতে!। অপোবাহ রথেনাজৌ ভীমসেনস্য পশ্যতঃ।৭০।
রথস্থে তু নরব্যাঘ্রে ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ পরাঙ্মুখাঃ। প্রদুদ্রুবুর্দিশো ভীতা ভীমাজ্জাতে মহাভয়ে।৭১।
সৌবলে নির্জ্জিতে রাজন্। ভীমসেনেন ধন্বিনা। ভয়েন মহতাবিষ্টঃ পুত্রো দুর্য্যোধনস্তব।৭২।

ভগ্নকক্রে॥৬৩॥ নিপা অথোইবা মহারাজ! অদুদগী, মপালৈতনা কল্লবা ভীমসেননা থুনায়াওনা লীগী য়াওবা লীরুং অমা পায়খৎতুনা, মথয়াই পাম্মুদনা, শিরবস্থদুমণ্ডাইরে হায়না থনখিহ্নুনা, থুৎলায় মনম্ মনম্ কাপশিল্লকতুনা শকুনিগী লাম্মী মপৈদু তেনতনা পুমকুপ কুপশিলহনখরে। চাওদম্নীত্তায় লৈতনা কল্লবা মরিল মথৌনা লৈরবা ভীমসেননা য়াম্না থুনা য়াওনা তৌহ্নুনা শকুনিগী শগোল মরিদুগা সারথিগা পুন্নপ হাৎলগা তা মচীন শাবা তেল অম কাপশিল্লকতুনা শকুনিগী রথগী কিরাল অদু কক্থৎখি। মহারাজ! শগোলগা সারথিগা হাৎখরবদুদা নিপা অথোইবা শকুনি অসি মাগী রথদগী কল হেক চোংথহুনা, শাউবনা মমীৎ অনীদু ঈ কাহ্নুনা সুংশামপী ফুইনা হোন্দুনা লীরুং অম লীয়ী হাপতুনা লৈমায়থক্ত চপ হেক লেপ্পি। অতদগী তেন্দোংদগী তেল মনম মনম ছৎতুনা ভীমদা তৎতনা কাপশিল্লকতুনা ভীমদা অকনবা চৈনা পীরক্লে॥৬৫-৬৭॥ মতম অসিদা মতীক মগুণ চাউরবা কল্লবা ভীমসেননা থোইদোক্না শাউখিহ্নুনা থুদকত শকুনিগী লীরুং অদু ককথৎখি। অদুদগী অমুক থৌর থৌরবা তেম্না শকুনিদা থাজিনখি ॥৬৮॥ মহারাজ! কল্লবা ভীমনা কয় কম্না থাজিল্লকপদুদা য়েক্লব ভমগনবা শকুনি অসি লৈমায় থক্ত তুথখি॥৬৯॥ মহারাজ! শকুনিনা তুথখিহ্নুনা জ্ঞান তাখিদবদু উবদা দুর্য্যোধননা প্রপ্রপ চঙশিল্লকতুনা শকুনিবু মাগী রথদা হাপকৎতুনা, ভীমগী মমাঙমকতদগী পুথোকখি॥৭০॥ শকুনিনা জ্ঞান তাদনা রথ মথকত লৈখিবদুদা, দুর্য্যোধনগী মনাওশিং অদু কিমংখরহুনা মায়গৈ মরি কাংনা চেন্নকলে॥৭১॥ মহারাজ! লীরুং পায়বা, রথী ভীমসেননা শকুনিবু জয় তৌথরবদা মহারাজগী নচা ইবুঙো দুর্য্যোধননা ভীমবু কিমনখরহনা মাগী মাম শকুনিতদি কনগে হায়হুনা মাবু রথ মথক্ত হাপকৎলগা য়াওলবা শগোলগী পাইনা লাপ্না পুথোকখি। ভরতনন্দন! অময়োমদা

অপায়াজ্জবনৈরশ্বৈঃ সাপেক্ষো মাতুলং প্রতি। পরাঙ্মুখং তু রাজানং দৃষ্ট্বা সৈন্যানি ভারত ।।৭৩।
বিপ্রজগ্মুঃ সমুৎসৃজ্য দ্বৈরথানি সমন্ততঃ। তান্ দৃষ্ট্বা বিদ্রুতান্ সর্ব্বান্ ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ পরাঙ্মুখান্ ।৭৪।
জবেনাভ্যপতদ্ভীমঃ কিরন্ শরশতান্ বহূন্। তে বধ্যমানা ভীমেন ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ পরাঙ্মুখাঃ ।৭৫।
কর্ণমাসাদ্য সমরে স্থিতা রাজন্! সমন্ততঃ। স হি তেষাং মহাবীর্য্যো দ্বীপোঽভূৎ সুমহাবলঃ ।৭৬।
(কুলকম্)

ভিন্ননৌকা যথা রাজন্! দ্বীপমাসাদ্য নির্বৃতাঃ। ভবন্তি পুরুষব্যাঘ্র! নাবিকাঃ কালপর্য্যয়ে ।৭৭।
তথা কর্ণং সমাসাদ্য তাবকা ভরতর্ষভ।। সমাশ্বস্তাঃ স্থিতা রাজন্! সংপ্রহৃষ্টাঃ পরস্পরম্।
সমাজগ্মুশ্চ যুদ্ধায় মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্ত্তনম্ ।৭৮। (যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সৌবলেয়াপযানে সপ্তপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

কৌরব লান্মী পুন্নমক অহনা, লিংখৌনা মথায় ওনখিবহ্ন ঊবদা মাগী মাগী মপাগা থেংনরবা লাল অহু তোকত্তুনা মায়গৈ মরি কাংনা চেন্নবা হৌরকলে। অদুদগী ভীমনা থৌর থৌরবা তেলমক্ত অতৎ অথম লৈতনা কাপ কাপত্তুনা মথোয়গী মতুংদা তান্নরকই। ভীমনা তান্নরকপসিদা কৌরব লান্মী পুন্নমক অহনা কর্ণরোমদা চেনশিল্লকত্তুনা মাগী অকোয়বনা লেপত্তুনা লৈখি। মতম্ অদুদা লাল্লাও ঈপাক্ত ইরাক্লরবা কৌরব লান্মীশিংহুগী পোঙ-হিদি কল্লবা হৈরবা কর্ণ হায়বসিতনা ওইবিখি ॥৭২-৭৬॥ নিপা অথোইবা মহারাজ! ঈয়ায়দা হিনা কায়প্রবদা নব্রগা লুপপ্রবদা অদুগা লাইগী নোংলমদগী ইথৎ অম থেংনরুবদা তোংওস্নিবা মাত্রিকশিং অহনা মপুক্লিংদা ঈংথবা পোথাবা কংবহুওয়া কৌরব লান্মীশিং অহনা কর্ণবু কংবদা থোইদোক্না মপুক্লিংদা ইংথবা-পোথাবা কংখি। অদুগুমাদি শিখিবতনা পোৎথাবা ওইগনি হায়না খন্দুনা মথোয়হু লালগী অমুক শেম শাজ্লনা লৈখি ॥৭৭-৭৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "সৌবলেয়াপযান" মী চামন্নাখৈতরেৎ ওবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ।

চাময়াখৈনিপালশুবা অধ্যায়

(অকনবা লাঙ্গাও)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

ততো ভগ্নেষু সৈন্যেষু ভীমসেনেন সংযুগে। দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ কিন্নু সৌবলো বাপি সঞ্জয় ॥১॥
কর্ণো বা জয়তাং শ্রেষ্ঠো যোধা বা মামকা যুধি। কৃপো বা কৃতবর্ম্মা বা দ্রৌণির্দুঃশাসনোঽপি বা ॥২॥
অত্যদ্ভুতমহং মন্যে পাণ্ডবেয়স্য বিক্রমম্। যদেকঃ সমরে সর্বান্ যোধয়ামাস মামকান্ ॥৩॥
যথাপ্রতিজ্ঞং যোধানাং রাধেয়ঃ কৃতবানপি। কুরূণামথ সর্বেষাং কর্ণঃ শত্রুনিসূদনঃ।
শর্ম্ম বর্ম্ম প্রতিষ্ঠা চ জীবিতাশা চ সঞ্জয়। ॥৪॥
তৎ প্রভগ্নং বলং দৃষ্ট্বা কৌন্তেয়েনামিতৌজসা। রাধেয়ো বাপ্যাধিরথিঃ কর্ণঃ কিমকরোদ্‌যুধি ॥৫॥
পুত্রা বা মম দুর্দ্ধর্ষা রাজানো বা মহারথাঃ। এতন্মে সর্বমাচক্ষ্ব কুশলো হ্যসি সঞ্জয়! ॥৬॥
অপরাহ্ণে মহারাজ! সূতপুত্রঃ প্রতাপবান্। জঘান সোমকান্ সর্বান্ ভীমসেনস্য পশ্যতঃ ॥৭॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— সঞ্জয়। ভীমসেননা কৌরব তেঙ্গোলবু থুগাইপ্রবদা দুর্য্যোধন অদুগা শকুনিনা করি কার তৌখিবগে? ॥১॥ লাল ভমগনবগী অথোইবা কর্ণনা, ঐখোয়গী পক্ষগী লাম্মী কনা কনানা, কৃপাচার্য্য, কৃতবর্ম্মা, অশ্বত্থামা অদুগা দুঃশাসন মকুম্ন করি করি তৌখি, করি করি ভাংনখি? ॥২॥ সঞ্জয়! ভীমগী পাঙ্গল অসে অঙকপা অমনি হায়না ঐনা খল্লি। মরমদি কনাস্থ কনাস্থ য়াওদনা মহাক মথন্তনা কৌরব লাম্মী ময়ামগা থেংনখি ॥৩॥ কর্ণনা মাগী রাশক্ মতুং ইন্না থবকস্থ তৌখ্রে। সঞ্জয়! য়েরুববু লাকহৎপা ভম্বা কর্ণহৃদি কৌরব লাম্মী পুম্নবকী সুংভাইনকমগী মশক্তি, কৌরব পক্ষ মপূম অমগী লালফুরং অমগী মশক্তি। থ্বাইবু ভাকপিহৈবনি ॥৪॥ চাংদম্নীডভায় লৈত্রবা তেজনা মহাকী ওইবা ভীমনা কৌরব তেঙ্গোলবু ছায়ক্কায় শানা থুগাইখিবসি উবদা রাধানন্দন, অধিরথগী মচা অকনবা কর্ণনা করি করি থবক্ পাঙ্খংখি ॥৫॥ ঐগী ঈচাশিং অদুগা লাকভমফাভমদ্রবা কৌরব পক্ষগী লাম্মী নিংথৌশিংনা করি করি তৌখি? সঞ্জয়! অসি পুম্বসি অমত্ত য়াত্তনা তম্মু। নংদি পাউদম্বদা য়াম্ন মরেক চুম্বা নিপা অমনি ॥৬॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! নুমিৎ য়ুংলবা মতুংদা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা কর্ণনা ভীমসেনগী

ভীমোঽপ্যাহিতজঃ সৈন্যং ধার্ত্তরাষ্ট্রং ব্যপোথয়ৎ। অথ কর্ণোঽব্রবীচ্ছল্যং পাঞ্চালান্ প্রাপয়স্ব মাম্ ।৮।
দ্রাব্যমাণং বলং দৃষ্ট্বা ভীমসেনেন ধীমতা। যন্তারমব্রবীৎ কর্ণঃ পাঞ্চালানেব মাং বহ ।৯।
মদ্ররাজস্ততঃ শল্যঃ শ্বেতানশ্বান্ মনোজবান্। প্রাহিণোচ্চেদিপাঞ্চালান্ কারূষাংশ্চ মহাবলঃ ।১০।
প্রবিশ্য চ মহৎ সৈন্যং শল্যঃ পরবলার্দ্দনঃ। ন্যয়চ্ছত্তুরগান্ হৃষ্টো যত্র যত্রৈচ্ছদগ্রণীঃ ।১১।
তং রথং মেঘসঙ্কাশং বৈয়াঘ্রপরিবারণম্। সংদৃশ্য পাণ্ডুপাঞ্চালাস্ত্রস্তা হ্যাসন বিশাংপতে। ।১২।
ততো রথস্য নিনদঃ প্রাদুরাসীন্মহারণে। পর্জ্জন্যসমনির্ঘোষঃ পর্বতস্যেব দীর্য্যতঃ ।১৩।
ততঃ শরশতৈস্তীক্ষ্ণৈঃ কর্ণ আকর্ণনিঃসৃতৈঃ। জঘান পাণ্ডববলং শতশোঽথ সহস্রশঃ ।১৪।
তং তথা সমরে কর্ম্ম কুর্ব্বাণমপরাজিতম্। পরিবব্রুর্মহেষ্বাসাঃ পাণ্ডবানাং মহারথাঃ ।১৫।
তং শিখণ্ডী চ ভীমশ্চ ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ পার্ষতঃ। নকুলঃ সহদেবশ্চ দ্রৌপদেয়াশ্চ সাত্যকিঃ ।১৬।

মাঙমন্তদা সোমক লান্মী পুম্নমক হাৎথি ॥৭॥ অদুগা মতম অসিদা অকনবা ভীমসেননা কৌরব লান্মী তয়াক্লবু হাৎখি। মতম অদুদা কর্ণনা মাগী সারথি ওইরিব শল্যদা অসুম হায়খিঃ— "অকনবা! শল্য! ঐবু পাঞ্চাল মরক্তা থুনা য়াঙনা পুশিনহল্লু" ॥৮॥ শিংলবা কল্লবা ভীমসেননা কৌরব লান্মী পুম্নবু তুম্না হাৎলকবা তৌরবগা মতমসিদা কর্ণনা মাগী সারথি শল্যদা "ঐবু পাঞ্চাল লান্মী পৈরিবা অসোমদা পুশিনবিয়ু" অসুম্না হায়খিবনি ॥৯॥ অদুগী তুংদা মদ্রদেশগী নিংথৌ, কর্ণগী সারথি ওইরিবা শল্যনা পুক্কি গী মতৌগুম য়াঙলবা ঙৌরবা শগোলশিং অদুবু চেদি, পাঞ্চাল অমসুং কারূষগী লান্মীশিংনা লৈরিবা মফম অদোমদা প্রথম থৌজিনখি ॥১০॥ উবদা য়েক্লবশিংনা মিপাইনকম ওইবা সারথি শল্যনা রথ অদুবু পাণ্ডব মরক্তা থৌজিনখিদুনা কর্ণনা য়ৌনিং য়ৌনিংবা মফম খিবক্তা শগোলশিং অদু য়াম্না হৈশিংনা থৌজিনখি ॥১১॥ মহারাজ! অনৌবা নোংগী মচুগুম শংবাম্নবা কৈ মউম্না ঈকোয় কোয়শিল্লবা, কর্ণগী রথ অদু উবদা পাণ্ডব লান্মী পাঞ্চাল লান্মী পুম্নমক কিবনা থক্ থক্ নীক্লখি ॥১২॥ অদুগী তুংদা লানকম অদুদা নোংখোংবগী মতৌগুম্ লুম্নবা লেম্নবা, কায়দুনা নীঙথায়রবা চীংদুম্না তারকপগী মখোলগুম্বা, অকিবগী মশক ফংলবা রথগী মখোল অদু ময়াম্না তাৎরকলে ॥১৩॥ অদুদগী হৌরাক কৈরগা কর্ণনা মাগী লীরীগী নাকোং মরু য়েনা চিংদুনা থোক থৌরবা তেলগী মপৈবু অমুকমুক্ত কাপথোরক্লনা পাণ্ডব লান্মী চাম চামবু-লিশিং লিশিংবু খুজিং ওইনা হাৎপ হৌরক্লে ॥১৪॥ কনানসু তরাইনা মায়থীবা পীবা ঙমক্তিবা কর্ণনা পাণ্ডব লান্মীশিংবু উবদা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবা মহারথীশিংনা ফূজিল্লক্লনা কর্ণগী অকোয়বদা লেপ্লরে ॥১৫॥ শিখণ্ডী, ভীমসেন, পৃষৎনন্দন ধৃষ্টদ্যুম্ন, নকুল, সহদেব, দ্রৌপদীগী মচাশিং, অদুনা সাত্যকি মখোয় অসিনা তেন্না নোংচুপগুম্ হৈথদুনা কর্ণবু হ্যৎকদবগী ইকোয় কোয়শিল্লরে। মতম অদুদা নিপা অথোইবা, কল্লবা সাত্যকিনা থৌরবা তেল কুম্না কর্ণগী লেংজুম-শরু তাইনকম অদুদা

পরিবব্রুর্বিষাংসস্তো রাধেয়ং শরবৃষ্টিভিঃ। সাত্যকিস্তু তদা কর্ণং বিংশত্যা নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥১৭॥
অতাড়য়দ্রণে শূরো জত্রুদেশে নরোত্তম। শিখণ্ডী পঞ্চবিংশত্যা ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ সপ্তভিঃ ॥১৮॥
দ্রৌপদেয়াশ্চতুঃষষ্ট্যা সহদেবশ্চ সপ্তভিঃ। নকুলশ্চ শতেনাজৌ কর্ণং বিব্যাধ সায়কৈঃ ॥১৯॥

(কলাপকম্)

ভীমসেনস্তু রাধেয়ং নবত্যা নতপর্বণাম। বিব্যাধ সমরে ক্রুদ্ধো জত্রুদেশে মহাবলঃ ॥২০॥
অথ প্রহস্যাধিরথির্ব্যাক্ষিপন্ ধনুরুত্তমম্। মুমোচ নিশিতান্ বাণান্ পীড়য়ন্ সুমহাবলঃ ॥২১॥
তান্ প্রত্যবিধ্যদ্রাধেয়ঃ পঞ্চভিঃ পঞ্চভিঃ শরৈঃ। সাত্যকেস্তু ধনুশ্ছিত্বা ধ্বজঞ্চ ভরতর্ষভ। ॥২২॥
তথৈব নবভির্বাণৈরাজঘান স্তনান্তরে। ভীমসেনং ততঃ ক্রুদ্ধো বিব্যাধ ত্রিংশতা শরৈঃ ॥২৩॥

(যুগ্মকম্)

সহদেবস্য ভল্লেন ধ্বজং চিচ্ছেদ মারিষ। । সারথিঞ্চ ত্রিভির্বাণৈরাজঘান পরন্তপঃ ॥২৪॥
বিরথান্ দ্রৌপদেয়াংশ্চ চকার ভরতর্ষভ। । অক্ষোনিমেষমাত্রেণ তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥২৫॥
বিমুখীকৃত্যতান্ শূরান্ শরৈঃ সন্নতপর্বভিঃ। পাঞ্চালানহনচ্ছূরশ্চেদীনাঞ্চ মহারথান্ ॥২৬॥
তে বধ্যমানাঃ সমরে চেদিমৎস্যা বিশাংপতে।। কর্ণমেকমভিদ্রুত্য শরসংঘৈঃ সমার্পয়ন্।
তান্ জঘান শিতৈর্বাণৈঃ সূতপুত্রো মহারথঃ ॥২৭॥

কয়া থাখি। শিখণ্ডীনা তেল কুমণ্ডা, ধৃষ্টদ্যুম্ননা তরেৎ, দ্রৌপদীগী মচাশিংনা কুন্দ্রমরি, সহদেবনা তরেৎ, নকুলনা তেল চাম ছুৎতুনা কর্ণদা কয় কয়া থাখি ॥১৬-১৯॥ অহুগা থোইনা কল্লবা ভীমনা মচীন তুয়বা-থোরবা তেল মরিকুতরাথক্ ছুংতুনা কর্ণগী লেংবান্দা কয় থাজিনখি ॥২০॥ মতম অদুদা কল্লবা কর্ণনা নোকনোকতুনা, য়েক্লবগী লান্মীশিংবু নৈহৎলগে হায়না খন্দুনা লীয়ীবু কয় কয়া চিংদুনা থোর থোরবা তেলমক্ত ছুৎ ছুৎতুনা কাপথোরক্লে ॥২১॥ ভরত শাগেগী অথোইবা মহারাজ। থোইনা শাউথ্রবা কর্ণনা হাযরিবা মীশকাশিংগী মীপুম খুদিংদা তেল মঙা-মঙাবু শাথিনা পালহনখি। মহাক্না সাত্যকিগী লীরু'গ-কিয়ালগা ককতুনা তেল মাপন্না অমুক মাগী মথবাক্ত কয় থাজিনখি। তেল কুন্থ্রানা ভীমদা থাখি ॥২২-২৩॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ। য়েক্লবা ভল্লা কর্ণনা ভা-মচীল শাবা তেল অমনা সহদেবগী কিয়াল অদু কক্থৎখি। তেল অহুম্না মাগী সারথিদা কয়া থাখি ॥২৭॥ ভরত শাগেগী অথোইবা মহারাজ!

কর্ণনা মীকুপ অমগী মতুংদা দ্রৌপদী মচাশিং অদুবু রথ য়াওদবা থোঙমী লান্মী লোইনা ওইহনখি। মাসমক থোইনা অঙকপা থবক অম ওইনা থোকখি ॥২৫॥ মতৌ অমুম্না কর্ণনা থোর থোরবা তেন্না অকনবশিং অসিবু মমায় ওন্দুনা চেলহনগ্রগা পাঞ্চাল অমদি চেদিগী মহারথীশিংনা লৈরিবা অদোমদা ওলশিন্নকু্না অকনবশিং অসিদা কয় কয়া থাদুনা নৈনা হৌরক্লে ॥২৬॥ মহারাজ! চেদি অমদি মৎস্যদেশগী অকনবা লান্মীশিং অদুনা তেলগী কাপবা চৈনা কংন কংনা, মথোক্নগী

এতদত্যদ্ভুতং কর্ণ দৃষ্টবানস্মি ভারত ! । যদেকঃ সমরে শূরান্ সূতপুত্রঃ প্রতাপবান্ ॥২৮॥
যতমানান্ পরং শক্ত্যা যোধয়ংস্তাংশ্চ ধন্বিনঃ । পাণ্ডবেয়ান্ মহারাজ ! শরৈর্বারিতবান্ রণে ॥২৯॥
(যুগ্মকম্)

তত্র ভারত ! কর্ণস্য লাঘবেন মহাত্মনঃ । তুতুষুর্দেবতাঃ সর্বাঃ সিদ্ধাশ্চ সহ চারণৈঃ ॥৩০॥
অপূজয়ন্ মহেষাস ধার্তরাষ্ট্রা নরোত্তম ! । কর্ণং রথবরশ্রেষ্ঠং শ্রেষ্ঠং সর্বধনুষ্মতাম্ ॥৩১॥
ততঃ কর্ণো মহারাজ ! দদাহ রিপুবাহিনীম্ । কক্ষমিদ্ধো যথা বহ্নির্নিদাঘে জ্বলিতো মহান্ ॥৩২॥
তে বধ্যমানাঃ কর্ণেন পাণ্ডবেয়াস্ততস্ততঃ । প্রাদ্রবন্ত রণে ভীতাঃ কর্ণং দৃষ্ট্বা মহারথম্ ॥৩৩॥
তত্রাক্রন্দো মহানাসীৎ পাঞ্চালানাং মহারণে । বধ্যতাং সায়কৈস্তীক্ষ্ণৈঃ কর্ণচাপবরচ্যুতৈঃ ॥৩৪॥
তেন শব্দেন বিত্রস্তা পাণ্ডবানাং মহাচমূঃ । কর্ণমেকং রণে যোধং মেনিরে তত্র শাত্রবাঃ ॥৩৫॥
তত্রাদ্ভুতং পুনশ্চক্রে রাধেয়ঃ শত্রুকর্ষণঃ । যদেনং পাণ্ডবাঃ সর্বে ন শেকুরভিবীক্ষিতুম্ ॥৩৬॥
যথৌঘঃ পর্বতশ্রেষ্ঠমাসাদ্যাভিপ্রদীর্য্যতে । তথা তৎ পাণ্ডবং সৈন্যং কর্ণমাসাদ্য দীর্য্যতে ॥৩৭॥

মরক্তগী অয়াম্ববু হাৎখি হাৎখিন। মরোল মরোল মপৈ মপৈ হোচ্ছিল্লক্‌না কর্ণদ। অতৎ অথম্ লৈতনা কাপশিল লংশিল্লকলি। মহারথী কর্ণস্ম মখোয়না তৌরিবদুদ। থোইনা থৌশাকদনা থৌর থৌরবা তেলমক্তনা মখোয়বু হাৎপা হোৎক্লে ॥২৭॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! ঐনা লালকম্‌দা উখিবা অঙকপা হায়রবু পাণ্ডব পক্ষগী কল্লবা লাম্মীশিং অদুনা পূল্লপা হোদুনা মাগী মাগী লৈজবা শক্তিনা কর্ণবু জয় তৌগে হায়দুনা হোৎনজখিবদু কর্ণ মথন্তনা মখোয় ময়াম্বু খিংদুনা, মখোয়গী মায়োক য়াদুনা লৈখি অসিনি ॥২৮-২৯॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! মরিল লৈরবা কর্ণগী মথূং থ্‌বদু উবদা, নোংমদোম্বক্তা কুম্মৈ য়েংলিবা লাইয়াম্না, সিদ্ধচারণ গন্ধর্ব্বশিংনা থোইদোক্না পেনখি ॥৩০॥ অদুগা মহারাজ। কৌরব পক্ষগী অকনবা রথী মহারথী, খোঙমী লাম্মী পুম্নমক্না থোঙ্গ্রেল অমত ওইনা কর্ণবু থাগৎনখি ॥৩১॥ মহারাজ ! কালেম্বাগী চাক্লবা শারবা, অকিবগী মশক্ ওইরবা লৈম্নেনা বনগী কংলবা নাপী শীঙ্‌বী মপৈবু চাকথেক্লকপদু ওম্না কর্ণনা পাণ্ডব লাম্মীশিংবু চাকথেকপা হৌরক্লে ॥৩২॥ কর্ণনা অম্মুন্না হাচ্ছিল্লকপসি উবদা পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মী পুম্ব কিবনা থক্ থক্ নীকতুনা মায়গৈমরি কাংন চেম্নরে ॥৩৩॥ মতৌ অম্মুন্না লাঞ্জাও অদুদা কর্ণগী লীরুংদগী পাইথোরকপা থৌর থৌরবা তেলশিং অদুনা পানবদা চৈনা খাঙবা ঙমদদুনা পাঞ্চাল লাম্মীশিং অসি হাহাকার লাউনরক্লি ॥৩৪॥ লাউনরকপা মখোল অসি তাবদা পাণ্ডব লাম্মী খুদিংমক কিবনা থক্ থক্ নীক্লরক্লে। য়েক্লবশিংনা মতম্ অসিদা কর্ণবু জগত্তা অনীগুদ্রবা অকনবা অমনি হায়না খনপ্রে ॥৩৫॥ অদুদগী অমুক্ কর্ণনা অঙকপগী মশক্ ওইরবা থবক্ অম তৌথোরক্লি। মাদুদা পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মী কনা অমত্তনা কর্ণরোমদা হক্সৎনা য়েংবা ঙমখিদ্রে ॥৩৬॥ পাণ্ডব লাম্মী মপৈ মপৈ

কর্ণোঽপি সমরে রাজন্ ! বিধূমোঽগ্নিরিব জ্বলন্ । দহংস্তস্থৌ মহাবাহুঃ পাণ্ডবানাং মহাচমূম্ ॥৩৮॥
শিরাংসি চ মহারাজ ! কর্ণাংশ্চৈব সকুণ্ডলান্ । বাহূংশ্চ বীরো বীরাণাং চিচ্ছেদ লঘু চেষুভিঃ ॥৩৯॥
হস্তিদন্তৎসরূন্ খড়্গান্ ধ্বজান্ শক্তীর্হয়ান্ গজান্ । রথাংশ্চ বিবিধান্ রাজন্ ! পতাকা ব্যজনানি চ ॥৪০॥
অক্ষঞ্চ যুগযোক্ত্রাণি চক্রাণি বিবিধানি চ । চিচ্ছেদ বহুধা কর্ণো যোধব্রতমনুষ্ঠিতঃ ॥৪১॥
(যুগ্মকম্)
তত্র ভারত ! কর্ণেন নিহতৈর্গজবাজিভিঃ । অগম্যরূপা পৃথিবী মাংসশোণিতকর্দ্দমা ॥৪২॥
বিষমঞ্চ সমঞ্চৈব হতৈরশ্বপদাতিভিঃ । রথৈশ্চ কুঞ্জরৈশ্চৈব ন প্রাজ্ঞায়ত কিঞ্চন ॥৪৩॥
নাপি স্বে ন পরে যোধাঃ প্রাজ্ঞায়ন্ত পরস্পরম্ । ঘোরে শরান্ধকারে তু কর্ণাস্ত্রে চ বিজৃম্ভিতে ॥৪৪॥
রাধেয়চাপনির্মুক্তৈঃ শরৈঃ কাঞ্চনভূষণৈঃ । সংছাদিতা মহারাজ ! পাণ্ডবানাং মহারথাঃ ॥৪৫॥
তে পাণ্ডবেয়াঃ সমরে রাধেয়েন পুনঃ পুনঃ । অভজ্যন্ত তদা রাজন্ ! যতমানা মহারথাঃ ॥৪৬॥

হোৎচিল্লকপড়, ইথক্ ইপোম ইরে কয়ানা চীঙমায় -চীঙখোং য়েরিগা রারা লাউনা কায়ঠুনা পুমচাই চাইনা হাইদোকখিবহুগুম্না কর্ণগী মনাক্ হেক্ য়ৌবগা মায়গৈ ফাংনা কায়নখি ॥৩৭॥ মহারাজ ! মতৌ অসুম্না কর্ণ অসি মৈখু থাংদ্রবা মৈবুল অমগী মতৌগুম্না লাল্কম্ ময়ায় অঠুদা কোয়চৎ চৎনা য়েক্নবা লান্মীশিংবু তুমহনবা হৌরক্লে ॥৩৮॥ মহারাজ ! অঠুগী তুংদা কর্ণনা থৌর থৌরবা তেম্বনা য়েক্নব পক্ষগী অকনবা লান্মীশিংগী মণ্ডকশিং অঠুবু, অঠুগা কুণ্ডল নাইন্ন লৈতেংলবা মনাকোংশিং অঠুবু অঠুগা তান্নচিংবা খুজীনাচিন লৈতেংলবা পাম্বোমশিং অঠুস্তু অমুমুক্ত কক্-ককৃতুনা থাদয়ক্লে ॥৩৯॥ মতম অঠুদা কর্ণনা অকনবা লান্মী অমনা তৌবা হৌনবা নিয়ম অঠু ইকায় কায়দনা, শামু ময়ানা মখোক পানবা থাঙশাং, ফিরাল, তা, শগোল, শামু, মখল মখা অয়াম্বা রথ, কিয়ালমচা, কাঙহাই-চামর, রথগী মরু ওইবা মচাং, চাকাগা কাজিন্নবা থৌরী, চাকা-চক্র, মখল মখল পূম্নমক্ অসি মশীং লাকণ্ডমদনা ককৃথৎপা হৌরক্লে ॥৪০-৪১॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! কর্ণনা মতৌ অসুম্না হাৎচিল্লকপা শগোল শামু তাইবং মীশিংগী মশা অঠুনা অঠুগা মখোয়গী ঈ-নাই-লু তোং অঠুনা লাল্কম্ লৈমায় পীৎ পীৎ লাউনা লৈখোম থোকখ্রে ॥৪২॥ লৈমায়রথক্ত ভারকপা মী শগোল শামু রথ মপৈ মক্তনা লালকম লৈমায় অঠুদা অকুৎ অতোংগী খেন্নবা কয়িমতা ঙাংলখিদ্রে ॥৪৩॥ অকিবগী মশক্ ওইরবা তেলমক্তনা পুম্মক মকথ্রবঠুদা অঠুগা কর্ণগী খুৎলায়না মথং মথং হেনগৎলকপঠুদা লান্মী পুম্বা কদায়না মীগী মীচঙনো, কদায়না মখোয়গীনো! হায়বা অমত খঙবা লৈখিদ্রে ॥৪৪॥ মহারাজ ! কর্ণনা কাপখোকখিবা সনাহৎলবা থৌরবা তেলমক্তনা য়েক্নবা লান্মী খুদংমকী মশা অঠু পূময়োম য়োমখ্রে ॥৪৫॥ মহারাজ ! মতম অঠুদা, অয় তৌরগে হায়না মনীঙথ্রবা কর্ণনা পাণ্ডব পক্ষগী মহারথীশিংবু হন্না হন্না মায়থীবা

মৃগসংঘান্ যথা ক্রুদ্ধঃ সিংহো দ্রাবয়তে বনে । পাঞ্চালানাং রথশ্রেষ্ঠান্ দ্রাবয়চ্ছাত্রবাংস্তথা ॥৪৭॥
কর্ণস্তু সমরে যোধাংস্তত্র তত্র মহাযশাঃ । কালয়ামাস পাণ্ডূনাং যথা পশুগণান্ বৃকঃ ॥৪৮॥
দৃষ্ট্বা তু পাণ্ডবীং সেনাং ধার্ত্তরাষ্ট্রাঃ পরাঙ্মুখীম্ । অভিজগ্মুর্মহেষ্বাসা রুবন্তো ভৈরবান্ রবান্ ॥৪৯॥
দুর্য্যোধনো হি রাজেন্দ্র ! মুদা পরময়া যুতঃ । বাদয়ামাস সংহৃষ্টো নানাবাদ্যানি সর্ব্বশঃ ॥৫০॥
পাঞ্চালাপি মহেষ্বাসা ভগ্নাস্তত্র নরোত্তমাঃ । ন্যবর্ত্তন্ত যথাশূরং মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্ত্তনম্ ॥৫১॥
তান্ নিবৃত্তান্ রণে শূরান্ রাধেয়ঃ শত্রুতাপনঃ । অনেকশো মহারাজ ! বভঞ্জ পুরুষর্ষভঃ ॥৫২॥
তত্র ভারত ! কর্ণেন পাঞ্চালা বিংশতী রথাঃ । নিহতাঃ সায়কৈর্যোধাশ্চেদয়শ্চ পরঃশতাঃ ॥৫৩॥
কৃত্বা শূন্যান্ রথোপস্থান্ বাজিপৃষ্ঠাংশ্চ ভারত ! । নির্মনুষ্যান্ গজস্কন্ধান্ পাদাতাংশ্চৈব বিদ্রুতান্ ॥৫৪॥
আদিত্য ইব মধ্যাহ্নে দুর্নিরীক্ষ্যঃ পরন্তপঃ । কালান্তকবপুঃ শূরঃ সূতপুত্রো ব্যরাজত ॥৫৫॥
(যুগ্মকম্)
এবমেতন্মহারাজ ! নরবাজিরথদ্বিপান্ । হত্বা তস্থৌ মহেষ্বাসঃ কর্ণোঽরিগণসূদনঃ ॥৫৬॥

কংহন্দুনা মমায় ওন্দুনা চেন্‌লহনখি ॥৪৬॥ বনগী মনুংদা শাউরবা নোংশানা শজী শত্তাইশিংবু নৈরকপত্তুগুম্না কর্ণনা পাঞ্চালদেশগী অথোই অথোইবা লান্মীশিংবু অদুগা অতোপ অতোপ্পা য়েক্কবশিংবু নৈবা হোৌরক্লে ॥৪৭॥ কৈজাও অমনা বনদা মাগী য়েক্কবশিংবু নৈরকপত্তুগুম্না, মিংচৎ চাউরবা কর্ণনা লালফমগী মফম খুদিং পুমম্নোমোত্তুনা পাঞ্চাল লান্মীশিংবু নৈব হোৌরক্লে ॥৪৮॥ দুর্য্যোধন মনাওশিংনা মবুক্কিং থোগৎপগা লোয়ননা, পাণ্ডবশিংবু লাউর লাউরত্তুনা তাম্নবা হোৌরকলে ॥৪৯॥ নিংথৌ অথোইবা ! মতম অসিদা দুর্য্যোধননা থোইদোক্না নুংঙাইখিত্তুনা মাগী লান্মীশিংবু পুং শেন্‌ যন্ত্র পুম্নমক্ য়ৈহন্ থীওহনখি ॥৫০॥ মতম অদুদা লীরুং অচৌবা পায়বা, পাণ্ডব পক্ষগী অকনবা লান্মীশিংত্তুনা মশাগী থৌনা ফবগী নিয়ম মতুং ইন্না অদুগা লালগী ধর্ম্মগী তত্ত্ববু মুন্না খঙত্তুনা শিবতনা পোত্থাক্‌ফম্নি হায়না খন্দুনা কর্ণ তম্না ফুজিনরকলি, চেন্নবশিংত্তসু মমায় ওক্তিন্নরক্লি ॥৫১॥ মহারাজ ! মতম অসিদা নিপা অথোইবা, য়েক্কববু মিপাইহনবগুম্না কর্ণনা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবশিংবু হন্না হন্না হায়থীব পীত্তুনা মমায় ওন্দুনা চেন্‌লহল্লি ॥২৫॥ ভরতনন্দন ! মতম অসিদা কর্ণনা তেন্তুনা পাঞ্চাল লান্মী রথী কুনবু অদুগা চেদি দেশগী লান্মীশিংবু চামরোমদগী হেন্ন হাৎখি ॥৫৩॥ ভরতনন্দন মহারাজ ! অসিগী তুংদা কল্লবা, য়েক্কববু অরাবপীভস্বা কর্ণনা রথদা তোংলিবা, শগোল মথক্ত তোংলিবা অদুগা শামু মথক্ত তোংলিবা লান্মীশিংবু লোইনা হাত্তুনা রথ শগোল শামুশিং অদুবু ইহাউ হাওহনখি । অদুগা খোঙমী লান্মী লিশিং লিশিংবু হাত্তুনা লালকম্ অদুদা কর্ণ অসি নুমিৎ চপ য়ুংবগী শারবা নুমিৎকী মতোউগুম্না তেজ পুথগা লোয়ননা থোইদোক্না ঙান্দুনা অকিব কংনা লৈখি ॥৫৪-৫৫॥ মহারাজ ! মহাধনুর্দ্ধারী কর্ণ অসি মতৌ অসুম্না পাণ্ডব পক্ষগী

যথা ভুজগশান্ হত্বা কালজিত্তোমহাবলঃ । তথা স সোমকান্ হত্বা তস্থাবেকো মহারথঃ ॥৫৭॥
তত্রাদ্ভুতমপশ্যাম পাঞ্চালানাং পরাক্রমম্ । বধ্যমানাপি যৎ কর্ণং নাজহু রণমূর্দ্ধনি ॥৫৮॥
রাজা দুঃশাসনশ্চৈব কৃপঃ শারদ্বতস্তথা অশ্বত্থামা কৃতবর্ম্মা শকুনিশ্চ মহাবলঃ ॥৫৯॥
ন্যহনন্ পাণ্ডবীং সেনাং শতশোঽথ সহস্রশঃ । কর্ণপুত্রৌ তু রাজেন্দ্র ! ভ্রাতরৌ সত্যবিক্রমৌ ॥৬০॥
নিজঘ্নাতে বলং ক্রুদ্ধৌ পাণ্ডবানামিতস্ততঃ । তত্র যুদ্ধং মহচ্চাসীৎ ক্রূরং বিশসনং মহৎ ॥৬১॥

(বিশেষকম্)

তথৈব পাণ্ডবাঃ শূরা ধৃষ্টদ্যুম্নশিখণ্ডিনৌ । দ্রৌপদেয়াশ্চ সংক্রুদ্ধা অভ্যঘ্নংস্তাবকং বলম্ ॥৬২॥
এবমেষ ক্ষয়ো বৃত্তঃ পাণ্ডবানামিতস্ততঃ । তাবকানামপি রণে ভীমং প্রাপ্য মহাবলম্ ॥৬৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে অষ্টপঞ্চাশত্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

শগোল শামু রথী খোঙমী কয়া কয়া হাৎলবা মতুংদা লালকম্ ময়ায় অহুদা পাবিনবা অম য়াওদনা চপ লেপতুনা লৈখি ॥৫৬॥ প্রলয়গী মতমদা মহাবলী রুদ্রনা জীব পানবা পুম্বা সংহার তৌরবা তুংদা অক্লিব কংনা চপ লেপতুনা লৈবম্বগুমা কর্ণ অসিস্থ মথক্তনা সোমক লাম্মী পুম্নমকপু সংহায় তৌরগা চপ লেপ্তুনা লালকম অহুদা লৈখি ॥৫৭॥ মাসিদা, মহারাজ ! ঐখোয়না অঙকপ কংদা উখিব হায়বদু পাঞ্চাল লাম্মীশিং অদো কন য়াম্না হাৎখ্রে শিঙ্খ্রেদি হায়ববু মখোয় থরহু কর্ণদু থাদোক্তনা, চেন্দনা লৈরি ॥৫৮॥ নিংথৌ অখোইবা ! অসোমদনা দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, শরদ্বানগী মচা কৃপ, অশ্বত্থমা, কৃতবর্ম্মা, অদুগা কল্লবা শকুনি মখোয়সিনস্থ পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মীশিংবু চাম-চাম লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইবা হাৎখি। থাজেশেংনা কল্লবা কর্ণগী মচা অনীনস্থ পাণ্ডব লাম্মী কয়া কয়াবু হাৎখ্রে। মতৌ অসুম্না ওম্ফোক্না থীনা তমথিরবা, মহাহিংসাগী মশক ওইরবা লাল্লাও অম থোকখ্রে ॥৫৯-৬১॥ মহারাজ ! অসোমদা পাণ্ডব পক্ষগী কল্লবা পাণ্ডবশিং, ধৃষ্টদ্যুম্ন, শিখণ্ডী অদুগা দ্রৌপদীগী মচাশিংনস্থ খোইদোক্না অশাউবগা লোয়নননা কৌরব লাম্মী ময়াম্বু অকং অকং তায় তায়া হাৎখি ॥৬২॥ মহারাজ ! মতৌ অসুম্না মায়ৈগে ময়িদা পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মী অয়াম্বা [illegible]কলে। অদুগা অসোমদস্থ কৌরব পক্ষগী লাম্মী অয়াম্বা ভীমসেনগী মথুত্ত তুমখ্রে ॥৬৩॥

মথম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধকী চাময়াঙ্খেনিপান তবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

ঊনষষ্টিতমোঽধ্যায়ঃ

চামন্নাথৈমপালশুবা অধ্যায়

(অকনবা লাঞ্জাওগী মতাং মথং)

——:-০-:——

সঞ্জয় উবাচ।

অর্জ্জুনস্তু মহারাজ! হত্বা সৈন্যং চতুর্বিধম্। সূতপুত্রঞ্চ সংরব্ধং দৃষ্ট্বা চৈব মহারণে ॥১॥

শোণিতোদাং নদীং কৃত্বা মাংসমজ্জাস্থিপঙ্কিলাম্। মনুষ্যশীর্ষপাষাণাং হস্ত্যশ্বকৃতরোধসম্ ॥২॥

শূরাস্থিচয়সঙ্কীর্ণাং কাকগৃধ্রানুনাদিতাম্। ছত্রহংসপ্লবোপেতাং বীরবৃক্ষাপহারিণীম্ ॥৩॥

হারপদ্মোৎপলবতীমুষ্ণীষবরফেনিলাম্। ধনুঃশরধ্বজোপেতাং নরক্ষুদ্রকপালিনীম্ ॥৪॥

চর্ম্মবর্ম্মপ্লবোপেতাং রথোড়ুপসমাকুলাম্। জয়ৈষিণাঞ্চ সুতরাং ভীরূণাঞ্চ সুদুস্তরাম্ ॥৫॥

তাং নদীং পারয়িত্বা তু বীভৎসুঃ পরবীরহা। বাসুদেবমিদং বাক্যমব্রবীৎ পুরুষর্ষভঃ ॥৬॥ (কুলকম্)

সঞ্জয়না হায়:— মহারাজ। অসোমন্না য়েক্লবঙবা অকনবা অর্জ্জুননন্তু লাঞ্জাও লালকম ময়ায়দুদা কর্ণবু উবদা অশাউবনা মৈহৌশিন্নুনা কৌরব পক্ষগী শগোল শামু রথ খোঙমীনা শাবা চতুরঙ্গ কৌরব লান্মী তেঙ্গোলবু হাচ্চিল্লক্‌না ঈতগী ইরৈ কল্লবা তুরেল অম চেম্থহল্লবা মতুংদা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়রকই :— য়েংঙু কৃষ্ণ। চেল্লিবা তুরেল অসিগী ঈশিংনা ঈতনা ওইখ্রে। তোর্ব্বান অনীমক্ত শরু শয়াং শক্লমতনা লৈখোম পীৎ পীৎ খোকলে। মী মকোক অমময়া নুংদুম মচা অমমম্ ওইনা তাউথরি। শগোল শামুগী অশিবা মশাতনা লৈমায় ওইনা মায়গৈ অনীমক্তা হাইগৎলকলি। অকনবশিংগী মরূশিংনা কোশিংগী মতৌগুম্না য়ুংনা ফৈনা তাউথরি। তোর্ব্বান অনীমক্তা কাক্‌ লাঙজাশিংনা লারু লারা খোংলি। ঙৌরবা ছত্র কিয়াল মচেৎ মচেৎনা ঙৌরবা কাংগুগী মতৌগুম্না তাউরি। উপান্বী অমমমগী মতৌগুম্না লৈরন্বা অকনবশিংবু টরৈ কল্লণী তুরেল অসিনা মরু মরা য়াওনা ফুক্‌ ফুক্‌না তাউথহনখ্রি। সনা মণি মুক্তানা শায়বা লৈতেং কয়া কয়ানা থম্বালগী মতৌগুম্না ঈয়ায়দা হৌরি। লুহুপ কোয়েৎনা কোক্লোল অমমমগী মতৌগুম্না তাউরি। লীরুং তেল মতেকশিংনা ঈগী তুরেল অসিদা ঙা মচা অমমম্ ওইরি। চূক্লোয় লালকুখিৎ অমময়া ঈরৈ-ঈপোম অমমম্ ওইরি। রথ অমময়া হি মচা অমমম্ ওইনা

অর্জ্জুন উবাচ।

এষ কেতু রণে ! সূতপুত্রস্য দৃশ্যতে। ভীমসেনাদয়শ্চৈতে যোধয়ন্তি মহারথান্ ।৭।
এতে দ্রবন্তি পাঞ্চালাঃ কর্ণত্রস্তা জনার্দ্দন ! । এষ দুর্য্যোধনো রাজা শ্বেতচ্ছত্রেণ রাজতে ।৮।
কর্ণেন ভগ্নান্ পাঞ্চালান্ দ্রাবয়ন্ বহু শোভতে। কৃপশ্চ কৃতবর্ম্মা চ দ্রৌণিশ্চৈব মহারথঃ ।৯।
এতে রক্ষন্তি রাজানং সূতপুত্রেণ রক্ষিতাঃ। অবধ্যমানাস্তেঽস্মাভিঃ পাতয়িষ্যন্তি সোমকান্ ।১০।
(যুগ্মকম্)
এষ শল্যো রথোপস্থে রশ্মিসঞ্চারকোবিদঃ। সূতপুত্ররথং কৃষ্ণ ! বাহয়ন্ বহু শোভতে ।১১।
তত্র মে বুদ্ধিরুৎপন্না বাহয়াত্র মহারথম্। নাহত্বা সমরে কর্ণং নিবর্ত্তিষ্যে কথঞ্চন ।১২।
রাধেয়োঽপ্যন্যথা পার্থান্ সৃঞ্জয়াংশ্চ মহারথান্। নিঃশেষান্ সমরে কুর্য্যাৎ পশ্যতাং নো জনার্দ্দন ! ।১৩।
ততঃ প্রায়াদ্রথেনাশু কেশবস্তব বাহিনীম্। কর্ণং প্রতি মহেষ্বাসং দ্বৈরথে সব্যসাচিনা ।১৪।
প্রযাতশ্চ মহাবাহুঃ পাণ্ডবানুজ্ঞয়া হরিঃ। আশ্বাসয়ন্ রথেনৈব পাণ্ডুসৈন্যানি সর্ব্বশঃ ।১৫।

তাউথাব। ঈচেল আসদা লাম্মী লুচিংবা কথা কয়া লোংনা উপ্না তাউথরি। মরিল লৈবা জয় ওইনিংবশিংনদি অসিগুম্বা তুরেল অদুবু লায়না লাম্থোকখি। কিগনবা পাণ্ডবশিংদি তুরেল অদুগী মশক উবদা হন্দোক্নৈ ॥১-৬॥ অর্জ্জুননা হায় :- কৃষ্ণ ! কর্ণগী রথগী ফিরাল অসে মথেক লানা উরে। মহাক ভীমসেননচিংবা অকনবা মহারথীশিংগা কন্না থেংনরি ॥৭॥ জনার্দ্দন ! কর্ণবু কিনা পঞ্চালশিং অসে চেন্নরে। অদুগা আদা দুর্য্যোধন অসিনা মথক্তা ঙৌরবা পেগী মথাদা লালকম অসিদা থোইনা নীঙথিজরি ॥৮॥ কর্ণনা মচোই মচোই কায়হল্লব পাঞ্চাল লান্মীশিং অসিবু নৈথাইদুনা দুর্য্যোধন অসি লালকমসিদা অকনবা শান্নুনা থোইদোক্না নীঙথিজনা ঙাক্তোইরি। কর্ণনা ঙাকৃশেল্লিবা কৃপ, কৃতবর্ম্মা অমদি মহারথী অশ্বত্থামা মখোয় অসন অমুক দুর্য্যোধনবু ঙাকশেন্দুনা থায়। কৃষ্ণ ! ঐখোয়না মখোয় অসিনা অমুক দুর্য্যোধনবু ঙাকশেন্দুনা থম্ম। কৃষ্ণ ! ঐখোয়না মখোয় অসিবু থিংহৌজ্রবদি মখোয়না সোমক লান্মীশিং আসবু তুম্ম হাৎখিগদৌরি ॥৯-১০॥ কৃষ্ণ ! শগোল চুপ্পী পায়বা হৈরবা, শগোলথৌবা হৈরবা শল্য অসিনা কর্ণগী রথ মনুংদা ফমদুনা থোইদোক্না নীঙথিজরি ॥১১॥ কেশব ! কর্ণরোমদা রথ আস চুমজিং থৌজিল্লু। ঙসিগী নুমিত্ত ঐ কর্ণবু হাত্তনা লাক্নুংদা হল্লিল্লোই ॥১২॥ জনার্দ্দন ! খুংলৈ থুজ্রবদি ঐখোয় মাঙমক্তদা কর্ণনা পাণ্ডবশিং অমদি সঞ্জয়শিংবু লোইথোক্খিব তারে ॥১৩॥ মহারাজ ! অর্জ্জুনগী রাসি তাবদা কৃষ্ণনা রথ অদু কৌরব লান্মী মপৈ তম্ম চুমজিং থৌজিনখি। আসোমদা কর্ণনু অর্জ্জুনগা মুথামুখি ওইনা শোক্নীঙদুনা য়াম্না থৌরাংনা লৈরম্মি ॥১৪॥ কল্লবা কৃষ্ণনা পাণ্ডবলান্মী ময়ামগী মাঙদা মখোয়বু পেলহন্নগে মথুক্কিং থৌগংকে হায়রগীদমক্

রথঘোষঃ স সংগ্রামে পাণ্ডবেয়স্য সংযতো। বাসবাশনিতুল্যস্য মহোঘস্যেব মারিষ! ॥১৬॥
মহতা রথঘোষেণ পাণ্ডবঃ সত্যবিক্রমঃ। অভ্যয়াদপ্রমেয়াত্মা নির্জ্জয়ংস্তব বাহিনীম্ ॥১৭॥
তমায়ান্তং সমীক্ষ্যৈব শ্বেতাশ্বং কৃষ্ণসারথিম্। মদ্ররাজোঽব্রবীৎ কর্ণং কেতুং দৃষ্ট্বা মহাত্মনঃ ॥১৮॥
অয়ং স রথ আয়াতি শ্বেতাশ্বঃ কৃষ্ণসারথিঃ। নিঘ্নন্নমিত্রান্ সমরে যং কর্ণ! পরিপৃচ্ছসি ॥১৯॥
এষ তিষ্ঠতি কৌন্তেয়ঃ সংস্পৃশন্ গাণ্ডিবং ধনুঃ। তং হনিষ্যসি চেদদ্য তন্নঃ শ্রেয়ো ভবিষ্যতি ॥২০॥
ত্বামভিপ্রেপ্সুরায়াতি কর্ণ! নিঘ্নন্ বরান্ বরান্। অসহমানো রাধেয়! তং যাহি প্রতি ভারত্তম্ ॥২১॥
এষা বিদীর্য্যতে সেনা ধার্ত্তরাষ্ট্রী সমন্ততঃ। অর্জ্জুনস্য ভয়াত্তূর্ণং নিঘ্নতঃ শাত্রবান্ বহুন্ ॥২২॥
বর্জ্জয়ন্ সর্বসৈন্যানি ত্বরতে হি ধনঞ্জয়ঃ। ত্বদর্থমিতি মন্যেঽহং যথাস্যোদীর্য্যতে বপুঃ ॥২৩॥
নহ্যবস্থাস্যতে পার্থো যুযুৎসুঃ কেনচিৎ সহ। ত্বাম্ঋতে ক্রোধদীপ্তো হি পীড্যমানে বৃকোদরে ॥২৪॥
বিরথং ধর্ম্মরাজঞ্চ দৃষ্ট্বা সুদৃঢ়বিক্ষতম্। শিখণ্ডিনং সাত্যকিঞ্চ ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ পার্ষতম্ ॥২৫॥

রথঅদুবু মরামদা উৎনা উৎনা, অর্জ্জুনগী রাথং মতুংইন্না রথঅদু প্রপ্রপ থোজিল্লকই। ॥১৫॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ! লালকমদা থৌজিল্লকলিবা অর্জ্জুনগী রথগী শব্দ অদু ইন্দ্রগী বজ্রগী মতৌগুম্ন অদুগা ঈশিং নম্খায়রবপগী ঈয়াওখোলগী মতৌগুম্না লূম্ন গুংঙবই ॥১৬॥ মহারাজ! কয় মুক্ কনবগে হায়বা থঙকম্ থোক্তবা; থাঙ্গৈশেংনা কন্বা হৈবদু ওইরিবা অর্জ্জুননা রথগী শব্দহুমক্তনা কৌরব লাম্মীপুম্ববু শমজিফাংনা হাইদোক চেম্থোক তন্দুনা কর্ণ তম্ম চুমথ্রিং ফূজিল্লকই ॥১৭॥ আসোমদশু কর্ণগী সারথি শল্যনা অর্জ্জুনগী ফিরাল উবদুদা কৃষ্ণসারথি অর্জ্জুন লাক্লে হায়বদু খঙলদুনা মহারথী বর্ণদা অসুম্না হায়রকই ॥১৮॥ কর্ণ! অকনবা! নহাক্না তত্তনা থিরম্বা ওাইরম্বা অর্জ্জুন অদো ভৌরবা শগোম্নচিংবা রথদা কৃষ্ণনা সারথি ওইদুনা খেন্নবশিংবু তকথাদুনা নহাবপু তম্ম চুমথ্রিং লাক্লে।॥১৯॥ অর্জ্জুন অসে মথুত্ত গাণ্ডীববু খুদুম চেৎনা পায়দুনা লৈরি! কর্ণ! ওসি নংনা মহাকসিবু হাৎলবদি ঐখোয় খ্বাইগী মঙ্গল ওইগনি ॥২০॥ কর্ণ! অর্জ্জুন আসে নংগী ননাক্ত ময়োমগে হায়দুনা কৌরব পক্ষগী অকন অকনবা কয়াবু হাৎহাৎতুনা চঙশিল্লকলি। মহাক আসে অতৈনা পাবলাকপ য়াব নত্তেদো। অদুনা রাধানন্দন! নংস্তু মঙোল্লোমদা চঙশিন্নব তৌ ॥২১॥ অর্জ্জুন অসিনা নংবু তাম্নরকপদা অকনবা কয়াবু মশীং লাকওম্দনা হাৎলকলি। মহাকী মশক উবতদ', য়েঙু! কৌরব লাম্মীশিংসে ক্ষায়নদুনা চেল্লি ॥২২॥ অর্জ্জুননা ওসি শোক্নরকলিবা লাঞ্জেক্ল মতা অসিনা ঐনা করি খঙবথে হায়ববু মহাক্না লাক্লিবসে নংঙোত্তদনি। মরমদি মহাক্না অতৈ লাম্মীশিংপা থোইন পূক্লিং চঙনা থেংনরমদনা নংঙে ত্তদা চঙশিল্লকম্ তৌরি ॥২৩॥ ভীমসেননা শাথিনা নোক্তনা লৈথিবলিনা থোইনা শাউরবা অর্জ্জুন অসিনা নহাক নত্তনা ওসি বনা অমতগা শোক্নমোইদৌরি ॥২৪॥ যুধিষ্ঠিরবু রথ য়াওহন্দদুনা ঈহং নাইহং শাহনথিবদু উবদা, অদুগা

দ্রৌপদেয়ান্ যুধামন্যুমুত্তমৌজসমেব চ । নকুলং সহদেবঞ্চ ভ্রাতরৌ দ্বৌ সমীক্ষ্য চ ॥২৬॥
সহৈকরথঃ পার্থস্ত্বামভ্যেতি পরন্তপঃ । ক্রোধরক্তেক্ষণঃ ক্রুদ্ধো জিঘাংসুঃ সর্বপার্থিবান্ ॥২৭॥
(বিশেষকম্)

ত্বরিতোঽভিপতত্যস্মাংস্ত্যক্ত্বা সৈন্যান্যসংশয়ম্ । তং কর্ণ ! প্রতিযাহ্যেনং নাস্ত্যন্যো হি ধনুর্দ্ধরঃ ॥২৮॥
ন তং পশ্যামি লোকেঽস্মিংস্ত্বত্তো হ্যন্যং ধনুর্দ্ধরম্ । অর্জ্জুনং সমরে ক্রুদ্ধং যো বেলামিব ধারয়েৎ ॥২৯॥
ন চাস্য রক্ষাং পশ্যামি পার্শ্বতো ন চ পৃষ্ঠতঃ । এক এবাভিযাতি ত্বাং পশ্য সাফল্যমাত্মনঃ ॥৩০॥
ত্বং হি কৃষ্ণৌ রণে শক্তঃ সংসাধয়িতুমাহবে । তবৈষ ভারো রাধেয় ! প্রত্যুদ্যাহি ধনঞ্জয়ম্ ॥৩১॥
সমানো হ্যসি ভীষ্মেণ দ্রোণদ্রৌণিকৃপৈরপি । সব্যসাচিনমায়ান্তং নিবারয় মহারণে ॥৩২॥
লেলিহানং যথা সর্পং গর্জ্জন্তমৃষভং যথা । বনস্থিতং যথা ব্যাঘ্রং জহি কর্ণ ! ধনঞ্জয়ম্ ॥৩৩॥
এতে দ্রবন্তি সমরে ধার্ত্তরাষ্ট্রা মহারথাঃ । অর্জ্জুনস্য ভয়াত্তূর্ণং নিরপেক্ষা নরাধিপাঃ ॥৩৪॥
দ্রবতামথ তেষান্তু নান্যোঽস্তি যুধি মানবঃ । ভয়হা যো ভবেদ্বীরস্ত্বামৃতে সূতনন্দন ! ॥৩৫॥

মহাক্কী তেম্না পানবদা শিখণ্ডী, সাত্যকি, পৃষ্তানন্দন ধৃষ্টদ্যুম্ন, দ্রৌপদীগী মচাশিং যুধামন্যু, উত্তমৌজা, নকুল সহদেব মখোয় অসিনা ঈনা পূম্লূপ লুপ্তনা লৈখিবসি উবদা শাউবনা মমীত্ত ঈ কায়বা য়েক্লবগুম্বা অর্জ্জুন আসে কৌরব পক্ষগী লাম্মী নিংথৌ পুম্নমক্পূ তুম্ন হাৎলগা নঙোল্লাম্দা চঙশিল্লক্লি ॥২৫-২৭॥ কর্ণ। অর্জ্জুন অসে লাম্মী অতৈ অতৈবু হন্দোক্লম্মগা ঐখোয় অনী তম্না থুন য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। অদুনা নহাক্পূ চুমজ্রিং অর্জ্জুন তম্না ফুজিল্লু। ময়ম্দি নগাক্ নত্তনা অর্জ্জুনগী মাঙদা লেপকদবসে কনা অমত য়াওদ্রে ॥২৮॥ ঈপাক্কী ঈথক্লা ফুজিল্লকপ গুম্ ফুজিল্লক্লিবা অর্জ্জুন অসিগী মায়োক্ য়ানবসি নহাক্ নত্তনা জগৎ অসিদা কনা অমত উদ্রে ॥২৯॥ মহ কী নাক্-য়েৎ তুংমাঙদা কনা অমত মাবু শোক্লবা য়াওদে। মথন্ত নঙোল্লেম্দা লাক্লি। অদুনা নহাক্ ঙসি মাবু ঙম্লবা উপাযদো মৃম্নখস্বো ॥৩০॥ রাধানন্দন! নংতনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনী সিবু হাংপ ঙমগনি। অদুগা মসিগী ভার অসি নথক্ত নন্দুনা লৈরবনি। অদুনা থুন য়াঙনা অর্জ্জুন তম্না চঙশিন্নব তৌ ॥৩১॥

কর্ণ। নংদি ভীষ্মগা মান্ননা, দ্রোণ অশ্বত্থামাগ মান্ননা কনবনি।
কৃপাচার্যগস্থ মান্নন কন্‌বনি, অদুনা চঙশিল্লু অর্জ্জুন তম্না ॥৩২॥
ময়া কাথোক্প লিলগুম্বা, ঙংদুনা হোঙ্চিল্লকপা শঙ্গাওগুম্বা
বনদা লৈবা কৈগুম্বা, অর্জ্জুনসিবু হাৎলু অকনবা। ॥৩৩॥
কৌরব পক্ষগী অকনবাশিংসে, অর্জ্জুনগী মশক্ উবদা
শাগৈনাতৈ মরূপ মপাং, হন্দোকলম্দুনা চেম্নরি ॥৩৪॥

চেল্লিবশিং অসিবু থেম্জিনগদবা অদুগা মখোয়গী অকিবা কোক্হনগদবদি নহাক নত্তনা অমৎমিদা

এতে ত্বাং কুরবঃ সর্ব্বে দ্বীপমাসাদ্য সংযুগে । বিষ্ঠিতাঃ পুরুষব্যাঘ্র । ত্বত্তঃ শরণকাঙ্ক্ষিণঃ ।৩৬।
বৈদেহাম্বষ্ঠকাম্বোজাস্তথা নগ্নজিতস্তথা । গান্ধারাশ্চ যয়া ধৃত্যা স্থিতাঃ সংখ্যে সুদুর্জ্জয়াঃ ।
তাং ধৃতিং কুরু রাধেয় । ততঃ প্রত্যেহি পাণ্ডবম্ ।৩৭।
বাসুদেবঞ্চ বাষ্ণের্য়ং প্রীয়মাণং কিরীটিনা । প্রত্যুদ্‌যাহি মহাবাহো । পৌরুষে মহতি স্থিতঃ ।৩৮।

কর্ণ উবাচ

প্রকৃতিস্থোঽসি মে শল্য । ইদানীং সম্মতস্তথা । প্রতিভাসি মহাবাহো । বিভীশ্চৈব ধনঞ্জয়াৎ ।৩৯।
পশ্য বাহ্বোর্বলং মেঽদ্য শিক্ষিতস্য চ পশ্য মে । একোঽদ্য নিহনিষ্যামি পাণ্ডবানাং মহাচমূম্ ।৪০।
কৃষ্ণৌ চ পুরুষব্যাঘ্রৌ তৎ সত্যং প্রব্রবীমি তে । নাহত্বা যুধি তৌ বীরৌ ব্যপযাস্যে কথঞ্চন ।৪১।
শিষ্যে বা নিহতস্তাভ্যামনিত্যো হি রণে জয় । কৃতার্থোঽদ্য ভবিষ্যামি হত্বা বাপ্যথবা হতঃ ।৪২।

শল্য উবাচ ।

অজয্যমেনং প্রবদন্তি যুদ্ধে মহারথাঃ । রথপ্রবীরম্ ।
একাকিনং কিমু কৃষ্ণাভিগুপ্তং বিজেতুমেনং ক ইহোৎসহেত ।৪৩।

ঙসি কনা অম ক্ত লৈত্রে ॥৩৫॥ নিপা অথোইবা । কৌরব লান্মীশিং অসিনা লাঙ্গাও ঈপাকসিদা ঈরাক্লদুনা নহাক্পু ঈথৎ অমগী মতোঙ্গুম্না য়েংদুনা নঙোন্তদা মীকম থমদুনা মশামশাবু হিংননবগী আশা তৌদুনা লৈরি ॥৩৬॥ রাধানন্দন ! নহাক্না নংগী নপাঙ্গল নথৌনা অমদি তপথবগী গুণনা অমনা ঙক্ষক্ৰবা বৈদেহ, অম্বষ্ঠ, কাম্বোজ, নগ্নজিৎ অমদি গান্ধারশিংবু লান্দা তৌথি। অদুগুম্বা বিদ্যা, অমদি তপথবগী গুণ অদুনা পাম্বে ওইদুনা অর্জ্জুনবু হাৎননবা চঙশিল্লু ॥৩৭॥ অকনবা ! বৃষিনন্দন কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগা বিদ্যা অমদি পাঙ্গল্দা মতম লৈবথিবিক্তা পেন্দুনন্ত লৈরি। অদুনা নহাক মহাপুরুষ অম ওইনা নিপাথোক্লা অর্জ্জুন তম্না চঙশিল্লু ॥৩৮॥ কর্ণনা হায়ঃ-অকনবা, মদ্ররাজ। হৌজিক নহাক্ ভাব তারে। ঐগী কননবত হায়বিরি হায়বস্থ খঙজরে। অদুগা অকনবা নহাকস্থ অর্জ্জুনবু করিমত কিবিদ্রে হায়বসিস্থ খঙজরে॥৩৯॥ ঙসি অকনবা নহাক্না ঐগী পাম্বোমগী পাঙ্গলবুস্থ মঙ্গেং ময়েংবিয়ু, ঈতীক ইথৌনাস্থ উবিয়ু। ঐ ঙসি ঈথন্তনা পাণ্ডব লান্মীশিংবু লোইথোকে ॥৪০॥ নিপা অথোইবনি হায়রিবা কৃষ্ণবু অদুগা অর্জ্জুনবুস্থ ঙসি হাৎকনি। মাসি ঐনা থাজ্ঞেশেংনা হায়রবনি। লান্দা অনীসিবু হাত্রিবমখৈ ঐ ঙসি লাঙ্গুংদা হঙ্গিনগ্রোই ॥৪১॥ নত্রে হায়রগা নিপা অনীসিগী মথুক্তা ঙসি থরাই থাগ্রগে। মরমদি লান্দা জয়ওইবা হায়বসে অমেপ্লবা অকক্লবা অমা লৈব পোৎ নত্তে। অদুনা, ঐ ঙসি মখোয় অনিসিবু হাৎলগা নত্রগা মখোয় অনীগী মথুক্ত থরাইসি থঞ্জগা পোকপগী মহৈ য়ানগ্রগে ॥৪২॥ কর্ণগী য়াসি তাবদা শল্যনা হায়রকই:-কর্ণ। মহারথীশিংনা অর্জ্জুনবু জগত্তা থ্বাই অথোইবা লান্মী অমনি

কর্ণ উবাচ।

নৈতাদৃশো জাতু বভূব লোকে রথোত্তমো যাবদুপশ্রুতং নঃ।
তমীদৃশং প্রতিযোৎস্যামি পার্থং মহাহবে পশ্য চ পৌরুষং মে ॥৪৪॥
রণে চরত্যেষ রথপ্রবীরঃ সিতৈর্হয়ৈঃ কৌরবরাজপুত্রঃ।
স বাদ্য মাং নেষ্যতি কৃচ্ছ্রমেতৎ কর্ণস্যান্তাদেস্তদন্তাঃ স্থ সর্বে ॥৪৫॥
অস্বেদিনৌ রাজপুত্রস্য হস্তাববেপমানৌ জাতকিণৌ বৃহন্তৌ।
দৃঢ়ায়ুধঃ কৃতিমান্ ক্ষিপ্রহস্তো ন পাণ্ডবেয়েন সমোঽস্তি যোধঃ ॥৪৬॥
গৃহ্ণাত্যনেকানপি কঙ্কপত্রানেকং যথা তান্ প্রহিণোতি চাশু।
তে ক্রোশমাত্রে নিপতন্ত্যমোঘাঃ কস্তেন যোধোঽস্তি সমঃ পৃথিব্যাম্ ॥৪৭॥
অতোষয়ৎ খাণ্ডবে যো হুতাশং কৃষ্ণদ্বিতীয়োঽতিরথস্তরস্বী।
লেভে চক্রং যত্র কৃষ্ণো মহাত্মা ধনুর্গাণ্ডীবং পাণ্ডবঃ সব্যসাচী ॥৪৮॥
শ্বেতাশ্বযুক্তঞ্চ সুঘোষমুগ্রং রথং মহাবাহুরদীনসত্ত্বঃ।
মহেষুধী চাক্ষয়ে দিব্যরূপে শস্ত্রাণি দিব্যানি চ হব্যবাহাৎ ॥৪৯॥

হায়না শীঙখানয়িবনি। অদুগী মথক্তা মহাকপু কৃষ্ণনা রথ খোনথোনা ঙাকশেল্লি। অদুনদি অমুক করি হায়গনি। অদুনদি কর্ণ। জগৎ অসিদা অর্জ্জুনবু ঙমগদবসি কনাননো? ॥৪৩॥ কর্ণনা হায়ঃ-চুপ্সি শল্য! অকনবা! ঐথোয়না অসুম্ তাবদসু মহাক্নুবা অকনবা মহারথী অমদি জগত্তা লৈত্রে হায়নৈ। মাগুম্বা অম লাক্লরোই; অদুবু অকনবা! শল্য! ঙসি ঐ অর্জ্জুন অহুগা থেংনগে। ঐগী ঈপাঙ্গল ঈথোনাবু তুক্ ময়েংবিযু ॥৪৪॥ রণি অথোবা অর্জ্জুন হায়বসে অঙৌবা শগোল চিংলবা রথমথক্ত লালফম্‌দা কোয়চৎ চৎলি। মহাক্না ঙসি ঐঙোন্দা ঐগী অরোইবা সুমিৎ পীগদৌরিব্রা খণ্ডব্রে। অদুগা শল্য! কর্ণ ঐগী অরোইবা সুমিত্তা কৌরব লাম্মী নথোয় খ্বাইগী অরোইবা সুমিৎসু নকশিল্লক্লবনি ॥৪৫॥ অর্জ্জুনগী মখুবাক্ অনীমক্ করিগুম্বদা লালকম্‌দা হমাং শোদে। করিগুম্ব মতম্‌দা নীক্তে, লীকং তেল শীজিন্নবদা মখুৎ অনীমক্ হৈরবনি, (হয়রবনি) অদুগা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোক্ল খুদুম চেৎপা, লান্দা হৈশিংবা; মখুৎথুবা-য়াঙবা নিপা অমনি। অর্জ্জুনগুম্বা লাম্মী অমত্ত জগত্তা লৈত্রবনি-মাদু ঐ খঙিঙ ॥৪৬॥ অর্জ্জুন হায়বসি তেল খুদাপ্‌ অমবু তেল অমতগুম্না অমুক্তদা থেঙ্গা থোংহুনা কাপঙশি। অদুগা মহাক্কী তেলশিং অদো অশোয়বা হায়বা লৈতনা য়ুথক্ অমলাপ্ল লৈবা য়েক্লবদসু শোয়দনা পাল্লি। অদুনা অর্জ্জুমগা মান্নবা কনবা হৈবা লাম্মী অম পৃথিবীসিদা কনা য়াওবগে? ॥৪৭॥ অতিরথী ওইরবা কল্লবা অর্জ্জুননা কৃষ্ণগা লোয়নননা খাণ্ডব বনবু মৈথাহুনা অগ্নিদেববু পেলহনখি। মাহুদা মহাত্মা ওইরবা কৃষ্ণনা সুদর্শন চক্র, সব্যসাচী অর্জ্জুননা গাণ্ডীব লীক্লং কংথিবনি ॥৪৮॥ অদুগুম্বসু নত্তনা থোদোক অদুদা কল্লবা অর্জ্জুননা পেনবিরবা অগ্নি দেবগী মকম্‌দগী অঙৌবা

ততেন্দ্রলোকে নিজঘান দৈত্যানসংখ্যেয়ান্ কালকেয়াংশ্চ সর্ব্বান্ ।
লেভে শঙ্খং দেবদত্তং স্ম তত্র কো নাম তেনাভ্যধিকঃ পৃথিব্যাম্ ॥৫০॥
মহাদেবং তোষয়ামাস যো বৈ সাক্ষাৎ সুযুদ্ধেন মহানুভাবঃ ।
লেভে ততঃ পাশুপতং সুঘোরং ত্রৈলোক্যসংহারকরং মহাস্ত্রম্ ॥৫১॥
পৃথক্ পৃথগ্‌লোকপালাঃ সমেত্য দদুর্হ্যস্ত্রাণ্যপ্রমেয়াণি যস্মৈ ।
যৈস্তান্ জঘানাশু রণে নৃসিংহঃ স কালকঞ্জানসুরান্ সমেতান্ ॥৫২॥
তথা বিরাটস্য পুরে সমেতান্ সর্বানস্মানেকরথেন জিত্বা ।
জহার তদ্‌গোধননাজিমধ্যে বস্ত্রাণি চাদত্ত মহারথেভ্যঃ ॥৫৩॥
তমীদৃশং বীর্য্যগুণোপপন্নং কৃষ্ণদ্বিতীয়ং পরমং নৃপাণাম্ ।
সমাহবয়ন সাহসমুত্তমং বৈ জানে স্বয়ং সর্বলোকস্য শল্য ! ॥৫৪॥
অনন্তবীর্য্যেণ চ কেশবেন নারায়ণেনাপ্রতিমেন গুপ্তঃ ।
বর্ষাযুতৈর্যস্য গুণা ন শক্যা বক্তুং সমেতৈরপি সর্বলোকৈঃ ॥৫৫॥
মহাত্মনঃ শঙ্খচক্রাসিপাণের্বিষ্ণোর্জিষ্ণোর্বসুদেবাত্মজস্য ।
ভয়ঞ্চ মে জায়তেঽসাধ্বসঞ্চ দৃষ্ট্বা কৃষ্ণাবেকরথে সমেতৌ ॥৫৬॥ (যুগ্মকম্)

শগোলমরিনা চিংবা ; অ'কবগী মশক্ ফ্‌লবা বথ, অমগা, ককপা য়াদবা তেন্দোং অনীগা ; অহুগা লাইগী থুৎলায় কয়াসু ফংখি ॥৪৯॥ মমাঙৈদা অর্জ্জুনঃ দেবলোকত্ত কালকেয় কৌবা হি'চাব ময়াম্ব হাৎখি। মাহুদা মতাক্না দেবদত্ত কৌবা মোইবুং আস ফংখিবনি। পৃথিবী অসিগী মগু'দা মঙোন্দগী হেনগদবাস কনানো ? ॥৫০॥ মতীক মগুণ চাউরবা অর্জ্জুন অসিনা মহ দেবমক্না থেংনহুনা মহাদেববু পেলহনখি। মহাদেবগী মক্ষমদগী মরোল অহুম্বু জয় তৌবা য়াবা পাশুপত থুংলায়বু নহাক্ন ফংখ ॥৫১॥ ইন্দ্রন'চংবা মায়গে লোকপা (লোকপাল) লাই পুম্নমক্ন খগুকম্ থোক্তুবা শাক্ত পুরবা থুৎলায় কয়াকয়াবু মঙোন্দা পীখবনি। থুংলাযাশিং অদুমক্না অর্জ্জুননা লালকম্‌দা হেক লাক্লিবা থোয়কৃলিবা কালকঞ্জ কৌবা হিংচাবা ময়াম্বু হাৎখি ॥৫২॥ মমাঙৈদা ঐখোয়না বিরাট লৈপাক্না শলথোম্বা চৎলুই। মতম অদুদা অর্জ্জুন মথন্তনা ঐখোয় পুম্নমকপু ভমহুনা শল ময়াম অহু মুন্দুনা লৌহৌই। মহাক্ন ঐখোয় ময়ামগী ফিরোল পুম্নমকপু মুন্দুনা লৌহৌই। ॥৫৩॥ মদ্ররাজ! শল্য! অসি য়ৌনা মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা, কৃষ্ণমক্না রথ অমতদা তোংমিম্নরবা অর্জ্জুন হায়বিব সিমকপু কর্ণ ঐনা লালকম্‌দা কৌথোক্তুনা শীঙনরি। অহুনদি শল্য! মরোল অহুমদা ঐগী ঈ রল ঈথৌনা অসিসু পান্দম্‌নিঙায় লৈত্রবনি ॥৫৪॥ মরোল ভরামরিগী মী পুম্নমক্না তিম্নহুনা চহি লিশিং লিশিং মগুণ শক্লবসু লোইবা লৈত্রবা, মহাত্মা ওইরবা, শঙ্খচক্র গদা থাঙশাং পায়বা, বিষ্ণুসু কৌবা জিষ্ণুসু কৌবা ; বসুদেবগী মচা ওইনা পোক্লবা, মপান্নাইজ্রবা শক্তিনা মহাক্নী ওইরবা পান্দমনীঙাই লৈত্রবা নারায়ণ কৃষ্ণনা

অতীব পার্থো যুধি কার্ম্মুকিভ্যো নারায়ণশ্চাপ্রতি চক্রযুদ্ধে।
এবংবিধৌ পাণ্ডববাসুদেবৌ চলেৎ স্বদেশাদ্ধিমবান্ ন কৃষ্ণৌ ॥৫৭॥
উভৌ হি শূরৌ কৃতিনৌ দৃঢ়াস্ত্রৌ মহারথৌ সংহননোপপন্নৌ।
এতাদৃশৌ ফাল্গুনবাসুদেবৌ কোঽন্যঃ প্রতীয়ান্মদৃতে তু শল্য। ॥৫৮॥
মনোরথো যস্তু মমাদ্য তস্য মদ্রেশ। যুদ্ধং প্রতি পাণ্ডবস্য।
নৈবং চিরাদাশু ভবিষ্যতীদমত্যদ্ভুতং চিত্রমতুল্যরূপম্ ॥৫৯॥
এতাবহং বা যুধি পাতয়িষ্যে মাং বাপি কৃষ্ণৌ নিহনিষ্যতোঽদ্য।
ইতি ব্রুবন্ শল্যমমিত্রহন্তা কর্ণো রণে মেঘ ইবোন্ননাদ ॥৬০॥
অভ্যেত্য পুত্রেণ তবাভিনন্দিতঃ সমেত্য চোবাচ কুরুপ্রবীরম্।
কৃপঞ্চ ভোজঞ্চ মহাভুজাবুভৌ তথৈব গান্ধারপতিং সহানুজম্ ॥৬১॥
গুরোঃ সুতঞ্চাবরজং তথাত্মনঃ পদাতিনোঽথ দ্বিপসাদিনশ্চ তান্।
নিরুন্ধতাভিদ্রবতাচ্যুতার্জ্জুনৌ শ্রমেণ সংযোজয়তাশু সর্বশঃ ॥৬২॥ (যুগ্মকম্)
যথা ভবদ্ভির্ভৃশবিক্ষতাবুভৌ সুখেন হন্যামহমদ্য ভূমিপাঃ।।
তথেতি চোক্ত্বা ত্বরিতাঃ স্ম তেঽর্জ্জুনং জিঘাংসবো বীরতমাঃ সমভ্যয়ুঃ ॥৬৩॥

অর্জ্জুন মাগী ওাকৃশেনবা অম ওইন লৈদ্রি। অতুনা কৃষ্ণ:-অর্জ্জুন অনী অসিনা কর্ণগী ঐগী থম্মোয়দা অকিবসু পোকহল্লি। অমুকসু অকিবা লৈতব্া-ঈথোনাসু খওহৌদনা থম্মোয় অসিদা পোকলি ॥৫৫-৫৬॥ অর্জ্জুন হায়বসি লৈরুং পায়বা অতৈ অতৈদগী মানা মহেল্লবনি। কৃষ্ণসু চক্রগী লান্দা মহাক্রা মহেল্লবনি। মরম্ অতুনা, হিমালয়বু মাগী মকম্‌দগী থৈদোকহনখিবদি ওম্‌খিবা য়াই। অতুগা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীবু লালকম্‌দগী হন্দোকহনখিবদি ওইথোক্তবনি ॥৫৭॥ মদ্ররাজ! মখোয় অনীসিতনা অকনবনি, লান্দা হৈশিংবনি খুত্থম্ চেৎপনি, মহারথীনি, মশা মক্কং থাবনি। মরম্ অতনা কর্ণ ঐ নত্তনা কনানা অসিগুম্বা মখোয় অনী অসিগী মমাঙদা লেপ্পা ঙমগনি? ॥৫৮॥ মরম্ অতুনা মদ্ররাজ! ঐনা অসুম থনবদা, অর্জ্জুনগা কর্ণ ঐগা ঐখোয় অনীগী ওসি শোক্লগদৌরিবা লাল্ অসে থোইদোক্লা ওকলবা, চাংদমনীওায় লৈত্রবা, অতুগা অসিগুম্বা অম অমমুক থোক্লরোইদৌবা লাল অম থোকদৌরি হায়না থল্লি ॥৫৯॥ "অতুগী তুংদা ঐনা ওসিগী সুমিৎতা অর্জ্জুনবু হাৎপা অম, নত্রগা অর্জ্জুননা ঐবু "হাৎখিবা অম"। অসুম্বা কর্ণনা রা থরদং শল্যদা হায়রগা নোংগী মতৌগুম্বা ঙংলকই ॥৬০॥ মহারাজ! মতম অসিদা নচাঈবুত্মো দুর্য্যোধননা চওওক্তনা লৈশি লৈথোল্লরবদা কর্ণনা চওশিল্লক্তনা কুরুশাগেগী অথোইবা দুর্য্যোধন, অকনবা কৃপাচার্য্য, কৃতবর্ম্মা. মচাশিংগা লোয়নরবা শকুনি, অশ্বথামা, মশামকী মনাও অতোনবা, থোওমীশিং, শগোল-শামু তোংবা লান্মীশিং মখোয় অসিদা অসুম্না হায়কই "মরাম পূর্ম্মক্কী মায়পৈ মসিদগী কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্তা চওশিনদুনা মখোয় অনীবু কোয়শিনবিয়ু অদুগা য়ারিমথৈ মখোয় অনীসিবু মশা চোকথহনবিয়ু ॥৬১-৬২॥" 'অকনবা লিংথৌ লান্মীশা। অমাম্বা মখোয় অনীসিবু চোকথহল্লবদি হায় থর মশাসি ঈহং নাইহং শাহল্লবদি মখোয় অনীবু

শরৈশ্চ জঘ্নুর্যুধি তং মহারথা ধনঞ্জয়ং কর্ণনিদেশকারিণঃ ।
নদীনদং ভূরিজলো মহার্ণবো যথা তথা তান্ সমরেঽর্জ্জুনোঽগ্রসৎ ॥৬৪॥
ন সন্দধানো ন তথা শরোত্তমান্ প্রমুঞ্চমানো রিপুভিঃ প্রদৃশ্যতে ।
ধনঞ্জয়াস্তৈস্তু শরৈর্বিদারিতা হতা নিপেতুর্নরবাজিকুঞ্জরাঃ ॥৬৫॥
শরার্চ্চিষং গাণ্ডিবচারুমণ্ডলং যুগান্তসূর্য্যপ্রতিমানতেজসম্ ।
ন কৌরবাঃ শেকুদীক্ষিতুং জয়ং যথা রবিং ব্যাধিতচক্ষুষো জনাঃ ॥৬৬॥
শরোত্তমান্ স প্রহিতান্ মহারথৈশ্চিচ্ছেদ পার্থঃ প্রহসন্ শরৌঘৈঃ ।
ভূয়শ্চ তানহনদ্বাণসংঘান্ গাণ্ডীবধন্বায়তপূর্ণমণ্ডলঃ ॥৬৭॥
যথোগ্ররশ্মিঃ শুচিশুক্রমধ্যগঃ সুখং বিবস্বান্ হরতে জলৌঘান্ ।
তথার্জ্জুনো বাণগণান্ নিরস্য দদাহ সেনাং তব পার্থিবেন্দ্র ! ॥৬৮॥

লান্মীশিংনা মায়গে পুম্বদগী ভীমনা দুঃশাসনগী ঈ থকপন্দু মরেক লান উনখি। মখোয়পুম্বনা "মাস মী নত্তে হিংচাবান।" —হায়না লম উরল উরগন মায়গৈ পুম্বদা চেন্নখি ॥৬১॥ ভীমসেনগী অশঙ্বা অঙকপা ওইখোম্ববা পনক তগু উংদা তঙুগ দুঃশাসনগী ঈবু থকচিনখিবদু উবদা কৌরব লান্মীশিং অতুগা ভীমবু হিংচবমায় হায়না কল্লপিদুনা কর্ণগী মনাও চিত্রসেনগা লোয়নন কিবনা থকংক লৈত্তুনা চেন্নখি ॥৬২॥ মতম অসদা লেপ্পো মচা যুধামন্যুনা মাগী মাগী লান্মীখোঙলোয়শিংগা লোয়নন্না চেল্লবা চিত্রসেনগী মতুং প্রপ্রপ ইন্নরকই। যুধামন্যুনা তুংলোমদগী থেবরবা-শাঙলবা তেল তরেৎন চিত্রসেনদা কপ্পী ॥৬৩॥ মতম অদুদা মখোঙ লোত্তুনা কল্লা চেলশিল্লকপা, মরৈ হাংগেৎলুন, অশাউবনদু হেন্না মমুক হু কারবা লিপ্পাও অমনা মাগী হু অহু কাপ্পশিন্দুনা চীক্লগে হায়বগ মখাঙম লোচিল্লগা ওঙম চিত্রসেননা ওনশিল্লক্লুনা খোয়ং তেল অহুমনা যুধামন্যুদা, তরুক মগী সারথদ কপ্পখি ॥৬৪॥ অদুগী তুংদা কল্লবা যুধামন্যুনা মাগী লাক্রগী পৈরীবু নাকো তক কনা চিংদুন সনন তেন্না পানবা কররব উচেক মতুনা তেন্নৈপানবা থোরবা তেল অম মলাচুন্ন কাপ্পশিল্লক্লুনা চিত্রসেনগী মতক ককখি ॥৬৫॥ মনাও চিত্রসেনবু হাৎখিবাস উংদা থোইন শাক্লরব কর্ণ অসং লিপা খোকপা শক্তি উত্তুনা পাণ্ডব লান্মীশিংবু লৈবা হোৎলকই। মতম অদুদ নকুলন কর্ণ তন্না চেলশিল্লকই ॥৬৬॥ অসো-

ব্যাঘ্রাবহং পাণ্ডবানামনীকং প্রত্যুদ্যাতো নকুলেনাসিতৌজাঃ ।৬৬।
তামোহপি হত্বা তত্রৈব দুঃশাসনমমর্ষণম্ ।
পুরয়িত্বাঞ্জলিং ভূয়ো রুধিরস্যোগ্রনিস্বনঃ ।
শৃন্বতাং লোকবীরাণামিদং বচনমব্রবীৎ ।৬৭।
এষ তে রুধিরং কণ্ঠাৎ পিবামি পুরুষাধম । ।
ব্রূহীদানীং সুসংহৃষ্টঃ পুনর্গৌরিতি গৌরিতি ।৬৮।
যে তদাস্মান্ প্রনৃত্যন্তি পুনর্গৌরিতি গৌরিতি ।
তান্ বয়ং প্রতিনৃত্যামঃ পুনর্গৌরিতি গৌরিতি ।৬৯।
প্রমাণকোট্যাং শয়নং কালকূটস্য ভোজনম ।
দংশনঞ্চাহিভিঃ কৃষ্ণৈর্দাহশ্চ জতুবেশ্মনি ।৭০।
দ্যূতেন রাজ্যহরণমরণ্যে বসতিশ্চ যা
দ্রৌপদ্যাঃ কেশপক্ষস্য গ্রহণঞ্চ সুদারুণম্ ।৭১।
ইষ্বস্ত্রাণি চ সংগ্রামেষ্বশানি চ বেশ্মনি ।
বিরাটভবনে যশ্চ ক্লেশোহস্মাকং পৃথগ্বিধঃ ।৭২।
শকুনের্ধার্তরাষ্ট্রস্য রাধেয়স্য চ মন্ত্রিতে ।
অনুভূতানি দুঃখানি তেষাং হেতুস্ত্বমেব হি ।৭৩। (কলাপকম্)
দুঃখান্যেতানি জানীমো ন সুখানি কদাচন ।

অসোমদগী অকিবকংনা ঙংলবা ভীমসেননা তুমিচুপ্প অশাউবতনা মাশঙ্গাং দুঃশাসনবু হাত্ন্না ঈ খুজোক অমমুক থক্লগা অতাবা অউবা লাল্মীশিং তান-তানা শিংনা লৈরবা দুঃশাসনদা অস্থম্না অমুক হায়রকই :—॥৬৭॥ মহাপাপী । তোল্লবা । কলকমিহৌচাউবা । ঙসিদি ঐনা নংগী নথবাক্তগী, নঙকশমদগী ঈ কোথোক্ত্না থকপিরবনি । অহুভৈ চৌবরসভাদা, হয়াঙ্ঙ ভুয়াম্বনা ময়য় কাজংশদুনা ঐবু " শম্মি শম্ম ! " হায়না ময়াম মমঙদা হায়খিবদো অমুক্তংতগা হায়রকখোদনা তাসি । ॥ ৬৮ ॥ মতম অদুদা ঐখোয় ঈচিন্নাওশিংবু শল । ইরোম্ন" হান্না জগোই শা শাহনা লঙনখিবা চৈখিবা করেমখিব মখোয় অহুবুস্ত্র ঐনা ঙস শল ! শল । হুঈ ! হায়হনা জগোই শাগে ॥ ৬৯ ॥ প্রামার্ণকোটি কৌবা লমদা অহিং লেনখিবা কালকূট—চুপীজখিবা, মহুপুরবা লিলনা চীকহনখিবা, চাগীশঙমৈথাখিবা, মীনশ্চৌবরনা ঈরৈবাকমুনথা, বনচৎহনবা, দ্রৌপদীগী মশমলাক্ত্না চিংখিবা, অভোপঅতোপ্প লানকমদা খুৎলায় ভয়োকভয়োকপা শীজিনখিবা, মমদা-লমদা অরাব কয়া থাওখিবা বিরাটকী কোম্মুংদা মীনায় শাহনা অরাব কয়া কংখবা, শকুনি কর্ণ দুর্যোধনগী মন্ত্রণাদগী ঐখোয়না ওমথৈ নাইদনা অরাবা কংখিবা — অসি পুরমক অসি পাপী নংতনা খোকহনখিবনি । ॥৭০ — ৭৩॥

ধৃতরাষ্ট্রস্য দৌরাত্ম্যাৎ সপুত্রস্য সদা বয়ম্ ॥৭৪॥
ইত্যুক্ত্বা বচনং রাজন্! জয়ং প্রাপ্য বৃকোদরঃ
পুনরাহ মহারাজ! স্ময়ংস্তৌ কেশবার্জ্জুনৌ ॥৭৫॥
অসৃগ্‌দিগ্ধো বিস্রবল্লোহিতাক্তঃ ক্রুদ্ধোঽত্যর্থং ভীমসেনস্তরস্বী।
দুঃশাসনে যদ্রণে সংশ্রুতং মে তদ্বৈ সত্যং কৃতমদ্যেহ বীরৌ। ॥৭৬॥
(যুগ্মকম্)
অত্রৈব দাস্যাম্যপরং দ্বিতীয়ং দুর্য্যোধনং যজ্ঞপশুং বিশস্য।
শিরো মৃদিত্বা চ পদা দুরাত্মনঃ শান্তিং লপ্স্যে কৌরবাণাং সমক্ষম্ ॥৭৭॥
এতাবদুক্ত্বা বচনং প্রহৃষ্টো ননাদ চোচ্চৈ রুধিরার্দ্রগাত্রঃ।
ননর্দ্দ চৈবাতিবলো মহাত্মা বৃত্রং নিহত্যেব সহস্রনেত্রঃ ॥৭৮॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি।
দুঃশাসনবধে একষষ্টিতমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

"মচাশিংগা অমত ওইশিনখিদুনা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা পীবা অৱাবা কয়া কয়া ঐখোয়না খাঙলবান। পোকপদগী ওাস কাওবা মুংঙাইবা মরিক অমত কংজবা ওমাল্ল" ॥৭৪॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! ভীমনা মতৌ অসুম্না মাহুগী মুমিৎকী লান্দা জয় ওইৱনা, মৈমৈ ন নোক্ক নোক্কা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্কী থম হাপরকই। মতম অসিদা ভীম অস মাগী মশাপুম্বা ঈনা পুমতে তৈ। দুঃশাসনগী ঈ থকউবগী মমাংগী ঈ ওরোমোরো শিন্থর। অশাউবনা মশামক ঈ তৈরি। আসঙ্গুম্বা ভীমনা কৃষ্ণ অর্জ্জুনদা কারি হায়রক্পগে হায়নবু:— "অকনবা! কৃষ্ণ! অর্জ্জুন! মেংঙ, দুঃশাসনগী মথমদা ঐনা মমাংদৌদা তৌখিবা রাশক অদো ওাস শুংলবনি।" ॥৭৫—৭৬॥ "হৌজিক ঐগী রাংলবা রাশক হায়ববু দুর্য্যোধনগীত মওাইরে। শা অমাদ বালিদান তৌদুনা রণদেবতা লানগী লাইরেম্বীদা কৎলে। অনীশুবা শা দুর্য্যোধন কোদা অমসিংগা বলিদান তৌরগা রণদেবীবু পেনহনখিগনি। লালকম মমায়দা, কৌরব লাম্বীশিংগী মমাঙদা, পাপী দুর্য্যোধনগী মকোক্ক খোংপাকসিনা চয়া চয়া কাওয়গা নিংবথুংবগী, রাশক ওাকপগী মুংঙাই—শান্তি অদু মপুং ফাওগে" ॥৭৭॥ মহারাজ! কল্লবা, মরিল লৈরবা, মশাক্ক ঈনা পুমলে তৈরবা, ভীমসেননা য়াম্না হরাউনা রাহৈশিং থরসি হায়রগা সিংহনাদ লাউখি। ইন্দ্রনা বৃত্রাসুরবু হাৎলগা লউথিবা খোল্লাউ অদুগুম্না ভীমনা দুঃশাসনবু হাৎলগা লাউখি ॥৭৮॥

মকখ অসদা শ্রীমহাভারতনা লাখ লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "দুঃশাসনবধ" দা হুমফুমাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে॥

দ্বিষষ্টিতমোহধ্যায়ঃ।

সঞ্জয় উবাচ।

দুঃশাসনে তু নিহতে পুত্রাস্তব মহারথাঃ। মহাক্রোধবিষা বীরাঃ সমরেষ্বপলায়িনঃ।
দশ রাজন্! মহাবীর্য্যা ভীমং প্রাচ্ছাদয়ন্ শরৈঃ ॥১॥
নিষঙ্গী কবচী পাশী দণ্ডধারো ধনুর্গ্রহঃ। অলোলুপঃ সহঃ ষণ্ডো বাতবেগসুবর্চ্চসৌ ॥২॥
এতে সমেত্য সহিতা ভ্রাতৃব্যসনকর্ষিতাঃ। ভীমসেনং মহাবাহুং মার্গণৈঃ সমবারয়ন্ ॥৩॥
স বার্য্যমাণো বিশিখৈঃ সমন্তাত্তৈর্মহারথৈঃ। ভীমঃ ক্রোধাগ্নিরক্তাক্ষঃ ক্রুদ্ধঃ কাল ইবাবভৌ ॥৪॥
তাংস্তু ভল্লৈর্মহাবেগৈর্দশভির্দশ ভারতান্। রুক্মাঙ্গদান্ রুক্মপুঙ্খৈঃ পার্থো নিন্যে যমক্ষয়ম্ ॥৫॥
হতেষু তেষু বীরেষু প্রদুদ্রাব বলং তব। পশ্যতঃ সূতপুত্রস্য পাণ্ডবস্য ভয়ার্দিতম্ ॥৬॥
ততঃ কর্ণং মহারাজ! প্রবিবেশ মহদ্ভয়ম্। দৃষ্ট্বা ভীমস্য বিক্রান্তমন্তকস্য প্রজাস্বিব ॥৭॥
তস্য ত্বাকারভাবজ্ঞঃ শল্যঃ সমিতিশোভনঃ। উবাচ বচনং কর্ণং প্রাপ্তকালমরিন্দমম্ ॥৮॥

সঞ্জয়ে কলে ;— মহারাজ! দুঃশাসনক হত্যা কৰাত আপোনাৰ পুত্ৰবিলাক, অত্যন্ত ক্ৰোধী, শ্ৰেষ্ঠ বীৰ, সমৰত নপলোৱা মহাবীৰ্য্যশালী দশ জনে ভীমক শৰেৰে ঢাকি পেলালে ॥১॥ সেই দহজন নিষঙ্গী, কবচী, পাশী, দণ্ডধাৰ, ... সহ, ষণ্ড, বাতবেগ, সুবৰ্চ্চা আদিকৰি তেওঁলোক আছিল ॥২॥
সেই সকল ভাইৰ মৃত্যুত ... ভীমক ... অঁৰাই ধৰি কাঁড়েৰে আবৰি পেলালে ॥৩॥ মহাৰথীসকলে কাঁড়েৰে চাৰিওফালৰ পৰা আগচি ধৰাত ক্ৰোধত ৰঙা চকু কৰি ভীম কালৰ নিচিনা হৈ পৰিল ॥৪॥
অৰ্জ্জুন দৰে ভীমসেনে সোণৰ পাখি থকা ভল্লেৰে সোণৰ অঙ্গদ পিন্ধা দহজন ভৰতবংশী মহাৰথীক যমালয়লৈ পঠালে ॥৫॥ মহাৰাজ! সেই বীৰসকল মৰাত আপোনাৰ সৈন্য ভয়তে কৰ্ণ আৰু ভীমৰ আগৰ পৰা পলাবলৈ ধৰিলে ॥৬॥ মহাৰাজ! প্ৰজাক সংহাৰ কৰোঁতা যমৰ দৰে ভীমৰ বিক্ৰম দেখি কৰ্ণৰ মনত ভয় সোমাল ॥৭॥
তেতিয়া যুদ্ধত শোভা পোৱা শল্যই কৰ্ণৰ মনৰ ভাব বুজি সময় উপযোগী কথা কৰ্ণক কলে

তা যথাৰ্থাং কুরু রাধেয়। নৈতদ্যুপপদ্যতে। এতে দ্রবন্তি রাজানো ভীমসেনভয়ার্দ্দিতাঃ ॥৯॥
দুর্য্যোধনস্তচ্চ সম্মূঢ়ো ভ্রাতৃব্যসনকর্ষিতঃ। দুঃশাসনস্য রুধিরে পীয়মানে মহাত্মনা ॥১০॥
ব্যাপন্নচেতসশ্চৈব শোকোপহতমন্তব। দুর্য্যোধনমুপাসন্তে পরিবার্য্য সমন্ততঃ।
কৃপপ্রভৃতয়ঃ কর্ণ। হতশেষাশ্চ সোদরাঃ ॥১১॥ পাণ্ডবা লব্ধলক্ষ্যাশ্চ ধনঞ্জয়পুরোগমাঃ।
ত্বামেবাভিমুখাঃ শূরা যুদ্ধায় সমুপস্থিতাঃ ॥১২॥ স ত্বং পুরুষশার্দ্দূল। পৌরুষে মহতি স্থিতঃ।
ক্ষত্রধর্ম্মং পুরস্কৃত্য প্রত্যুদ্যাহি ধনঞ্জয়ম্ ॥১৩॥ ভারো হি ধার্ত্তরাষ্ট্রেণ ত্বয়ি সর্বঃ সমর্পিতঃ।
অনুবহ মহাবাহো। যথাশক্তি যথাবলম্। জয়ে স্যাদ্বিপুলা কীর্ত্তিৰ্ধ্রুবঃ স্বর্গঃ পরাজয়ে ॥১৪॥
বৃষসেনশ্চ রাধেয়। সংক্রুদ্ধস্তনয়স্তব। ত্বয়িং মোহং সমাপন্নে পাণ্ডবানভিধাবতি ॥১৫॥
হৃদি চাবশ্যকং ভাবং চক্রে যুদ্ধায় সুস্থিরম্ ॥১৬॥
ততঃ ক্রুদ্ধো বৃষসেনোঽভ্যধাবদবাস্থিতঃ স্বরথে পাণ্ডবং তম্।
বৃকোদরং কালমিবাত্তদণ্ডং গদাহস্তং পোথয়ন্তং ত্বদীয়ান্ ॥১৭॥
অথাভ্যধাবন্নকুলঃ প্রবীরো রোষাদমিত্রং প্রতুদন্ পৃষৎকৈঃ।

হায়রকই ॥৮॥ রাধা নন্দন। কিগনু চিংনগনু। অকনবা নংগুম্ব 'নপানা কিবা হৌনদে। কৌরব পক্ষগী নিংথৌ-লাম্মী পুন্নমকসে কিবনা চেন্নরে ॥৯॥ কল্লবা ভীমনা মনাও দুঃশাসনগী ঈ থক্‌খিবহ উবদা দুর্য্যোধনসু মনাও কায়নবগী রাবনা তৌকম খখ্রদনা লৈরে ॥১০॥
কর্ণ। কৃপনাচংবা অকনবাশিংগী অতুগা হাৎখিবগী লেমহৌরবা মচীনমনাও খরাসগী মপুন্নাদা অাকিবা চিংনবা লোইনা পোকখ্রে। অশাউববুম্ব অরাবা-অকবনা নমহৎখ্রে। অ'সগুম্বা অথম্বা থৌর সকাওবদা মখোযনা দুর্য্যোধনগী অকে যবদা কমডুনা সেবা তৌরা, মবুক্লিং ঈথহান্ন ॥১১॥ অ'সগ মথক্তা কর্ণ। অর্জ্জুননা'চংবা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবাশিংনা নংগা থেংনগদবগী নভোক্লোমদা চণ্ডাশল্লকাখ। ॥১২॥ অদুনা নিপা অখোইবা। নারল অমদি নিপাখোকপা ফুদোকতুনা ক্ষাত্রধর্ম্মবু মা ওইননা থমডুনা অর্জ্জুনত্তম্না চণ্ডাশল্লু ॥১৩॥ অকনবা! মতুংগী লালগী ভার পুম্বা দুর্য্যোধননা অকনবা নংগী নথক্তা শিজিন্নহুনা থমখ্রে। অদুনা নথক্তা লৌরবা ভার অমদি দাগ্নিত্ব অহ পাণ্ডখোক্লবা তৌ। জয় ওহ্রগনা মুংলয়োইদৌবা মিংচৎ অদুগা রেক্লবগী মথক্তা মাম্নথীবা কংলগনা লেণ্ডরবা স্বর্গগী খুভম শোয়দনা কংলগনি ॥১৪॥ রাধানন্দন। নংস্থ তৌকম খড়দনা লৈবগুম উরি। নচা অকনবা বৃষসেন অাসে নংগী নভো উবদা অশাউবগা লোয়ননা পাণ্ডব লাম্মীশিং-লোলমদা কু'জনখ্রে ॥১৫॥ তেজ কল্লবা শল্যগী রাসি তাবদা কর্ণ অসি করিগুম্বা হীয়মদা চিংনবা তৌদনা অর্জ্জুনগা থেংনমগে হায়না মপুক্লীংদা চপ লেপখ্রে ॥১৬॥ মহারাজ। মহারাজ। মতম অাসদা মথুত্ত অচৌবা গদা পায়রিবা, পাণ্ডুগী মচা ভীমসেন অাসি দণ্ডধারী যমগী মতৌগুম্না

কর্ণস্য পুত্রং সমরে প্রহৃষ্টৌ জিষ্ণুর্জিঘাংসুর্মঘবেব জম্ভম্ ।১৮।
ততো ধ্বজং স্ফাটিকবিন্দুচিত্রং চিচ্ছেদ বীরো নকুলঃ ক্ষুরেণ ।
কর্ণাত্মজস্যেষ্বসনঞ্চ চিত্রং ভল্লেন জাম্বুনদপট্টনদ্ধম্ ।১৯।
অথান্যদাদায় ধনুঃ সুশীঘ্রং কর্ণাত্মজঃ পাণ্ডবমভ্যবিধ্যৎ ।
দিব্যৈর্মহাস্ত্রৈর্নকুলং মহাস্ত্রো দুঃশাসনস্যাপচিতিং বিধাসুঃ ।২০।
ততঃ স ক্রুদ্ধো নকুলো মহাত্মা শরৈর্মহোল্কাপ্রতিমৈরবিধ্যৎ ।
দিব্যৈরস্ত্রৈরভ্যবর্ষচ্চ সোহপি কর্ণস্য পুত্রো নকুলং কৃতাস্ত্রঃ ।২১।
শরাভিঘাতাচ্চ রুষা চ রাজন্ । স্বয়া চ ভাসাস্ত্রসমীরণাচ্চ ।
জজ্বাল কর্ণস্য সুতোহতিমাত্রমিদ্ধো যথাজ্যাহুতিভির্হুতাশঃ ।২২।
কর্ণস্য পুত্রো নকুলস্য রাজন্ । সর্বানশ্বানক্ষিণোদুত্তমাস্ত্রৈঃ ।
বনায়ুজান্ সুকুমারস্য শুভ্রানলঙ্কৃতান্ জাতরূপেণ চিত্রান্ ।২৩।
ততো হতাশ্বাদবরুহ্য যানাদাদায় চর্মামলরুক্মচন্দ্রম্ ।

মহারাজগী কৌরব লাম্মীশিংবু নৈহৎলি। মাড়ু উবদা বৃষসেন হায়বা অকনবা অসি খোইটে শাউখতুনা, মহাক্কী রণদা তোংথতুনা ভীমতম্না প্রপ্রপ খোঁজিল্লকই ॥১৭॥ মতম আদদা ওইবতনা মশিঙ্গাং ওইরবা ইন্দ্রনা জম্ভাসুরংবু হাৎকদবগী চেনাশিল্লকপদুগুম্না কল্লবা নকুল অশাউবগা হয়াউবগা লোয়ননা, বৃষসেন তম্না তেল কাপাশিন কাপাশিম্ম ফুজিল্লকই ॥ অদুগী তুংদা কল্লবা নকুলনা ক্ষুর মচীনশাবা খোরবা তেল অমনা বৃষসেনগী লীক্লাই মথোং মরীক মরীক্লা থাম্নবা ফজরবা র চাউরবা ফিরাল অদু ককথংখি। অদুগী তামচীনশাবা অমা কাপাশিল্লকতুনা বৃষসেনগী সনরুপ্প ফনা মরুংদা য়েংলবা-য়োগ্লবা লীরুং অদু ককথংখি। অদুগী তুংদা অচৌবা থুংলায় পায়রবা বৃষসেননা অতেপ্প লীরুং অমা পায়থংতুনা দুঃশাসন হাৎখিবদুগী লমন থুমগে হায়না মবুক্লীদা খনখিতুনা, ওক্লবা খোরবা থুংলায় মপৈ মপৈম্না পাণ্ডুনন্দন নকুলদা কম্ম কম্ম থারকলে।

অদুগী তুংদা, মহাত্মা ওইরবা মরিল লৈরবা নকুলনা খোইদোক্ল শাউখিতুনা অময়া শাং লংলবা সঙাইশেলগুম্না তেল মপৈ মপৈনা বৃষসেনবু নৈব হৌরকলে খুংলায় পুম্বা হৈরবা, ... লোয়রবা বৃষসেনস্থু অচম্ব নত্তবা, থরাইগা মাম্নদবা তেলমক্তা বৃষসেনদা কাপশিনবা হৌরকই ॥২১॥ মহারাজ! ঘীনা হোম তৌরবা মুংলিমুংলি চাকপা কুণ্ডগী মৈনা নৈচাক হেনগৎলকপদু... বৃষসেন অসি হায় শাউবগী মথক্তা, নকুলগী তেম্না পানবদা অমুক হেন্না শাউখতুনা মম ... ই কাহনা কম্ম কম্মা কাপশিল্লকই ॥২২॥ মহারাজ! অদুদগী তুংদা বৃষসেননা মথল মথা ... তেল কাপশিল্লকতুনা বনায়ু দেশদা পোকপা, তৌরোকতৌরবা, সনা লুপা মণিমুক্তানা ... লৈতেংনা মশাপুম্বা তোপ্লবা, নকুলগী শগোল মরিবু হাপ্রে ॥২৩॥ শগোল মাং অদু হাৎত্র

আকাশকাশমশিং গৃহীত্বা পোপ্লুযমানঃ খগবচ্চচার ।২৪।
ততোহন্তরীক্ষে সুবরাশ্বনাগাংশ্চিচ্ছেদ মার্গান্ বিচরন্রাজন্ ।
তেপ্রাপতন্নসিনা গাং বিশস্তা যথাশ্বমেধে পশবঃ শমিত্রা ॥২৫॥
দ্বিসাহস্রা বিদিতা যুদ্ধশৌণ্ডা নানাদেশ্যাঃ সুভৃতাঃ সত্যসন্ধাঃ ।
একেন শীঘ্রং নকুলেন কৃত্তাঃ সারঙ্গী নেবোত্তমচন্দনাক্তে ॥২৬॥
তমাপতন্তং নকুলং জবেন কর্ণস্য পুত্রঃ সহসাভিপত্য ।
রণে জিঘাংসন নিশিতৈরনেকৈঃ নমন্ততঃ সায়কৈঃ প্রত্যবিধ্যৎ ॥২৭।
স তুদ্যমানো নকুলঃ পৃষৎকৈবব্যাধ বীরং স চুকোপ বিদ্ধঃ
মহাভয়ে রক্ষ্যমাণো মহাত্মা ভ্রাত্রা ভীমেনাকরোত্তত্র ভীমম্ ॥২৮॥
তং কর্ণপুত্রো বিধমন্তমেকং নরাশ্বমাতঙ্গরথপ্রবেকান ।
ক্রীড়ন্তমষ্টাদশভিঃ পৃষৎকৈর্বিব্যাধ বীরং নকুলং সরোষঃ ॥২৯॥
স তেন বিদ্ধোঽতিভৃশং তরস্বী মহাহবে বৃষসেনেন রাজন্ । ।

কুল অসি শগোল য়াওব্রগা রথ অদুদগী চোংথনা, সনানা হৎলনা থাগী ময়েক খোক্রবা [illegible] অমগা পাকাশগী মচুগুম্ন লংলবা খোরদা, থাওশাং অমা পয়খত্তুনা মরু খীডলবা [illegible]চক অমনা লৈমায়ণক্তা চোং চোহুনা চংপগুম, লানকম অগুদা থাগী বাক তৌদুনা, [illegible] কায়চৎ চৎতুনা লৈ ॥২৪॥ মতম অসিদা নকুলনা মাগী খোরবা থাঙ অহুনা [illegible] গোল শাগু খোঙমী কয়াবু চোংশিন চোংশিন্দুনা ককপা হৌরকলে। মতম [illegible] [illegible]দা বলিগী থাঙ পাখবা শা ককপা নিপা, ফক্রবা যজ্ঞগী শাশিংনা মতক [illegible] [illegible] মরোল মরোল তুথরকপগুম নকুলগী থাংনা ককপদা মতক য়াওব্রেব শগোল [illegible] [illegible] লালকম লৈমায়ণক্তা মরোল মরোল তুথরকপা হৌরে ॥২৫॥ মনম ফুংশিবা, মচি [illegible] [illegible]গদবগী মীনা চন্দন পান্থীশংবু ককপগুমা নকুলনা মাগী খোরবা থাঙ অহুনা [illegible] [illegible] বলবা কাওরবা, লান্দা ময়ায় কারবা, থাগী অচাশেল (তলব) চাউন চাউন কংলগা, দেশ দেশ তোঙাল তোঙানবদগী লাকপা, রাশকচেৎলবা; মরিল লৈরবা খোঙমী লিশিং অনীগু হাৎখি ॥২৬॥ নকুলনা শাফু বম্না ফুণ্ডল্লকপা মতমদা বৃষসেন অাস নকুলবু হাৎলগে হায়না চপ য়ুংনা থনখিদুনা, মকম অদুদা প্রপ্রশ তোচ্চিল্লকতুনা নকুলগী মশা পুম্বা তেম্না পুমমোম খোমশিনতংপ্রে ॥২৭॥ বৃষসেননা কয়া থারবপতুদা নকুল অাস শাখিনা চৈমা কংথমা খোকনা হেম্না শাউখি। ময়াম্ব অকনবা ভীমনা ঙাকশেন্দুনা লৈংদুনা নকুলনা অাকিবগী মশক ওইরবা থবক তৌখি ॥২৮॥ কন্নবা নকুলনা মতম অদুদা মংত্তুনা কৌরব পক্ষগী মরু মরু ওইবা শগোল, শাগু খোঙমীশিংবু হাৎতুনা লালকম অদুদা নীঙাইবা লৈতনা অগোইশাবগুম শোরুককপদু উবদা বৃষসেননা য়াম্না শাউখিদুনা খোরবা তেল তরানিপাম নকুলদা থাখি ॥২৯॥ হৌরাজ! লাঙ্গাও অদুদা

ক্রুদ্ধোঽভ্যধাবৎ সমরে জিঘাংসুঃ কর্ণাত্মজং পাণ্ডুসুতো নৃবীরঃ ॥৩০॥
বিতত্য পক্ষৌ সহসাপতন্তং শ্যেনং যথৈবামিষলুব্ধমাজৌ।
অবাকিরদ্বৃষসেনস্ততস্তং শিতৈঃ শরৈর্নকুলমুদারবীর্য্যম্ ॥৩১॥
স তান্ মোঘাংস্তস্য কুর্ব্বন্ শরৌঘাংশ্চচার মার্গান্ নকুলশ্চিত্ররূপান্।
অথাস্য তূর্ণং চরতো নরেন্দ্র। খড়্গেন চিত্রং নকুলস্য তস্য।৩২।
মহেষুভির্ব্যধমৎ কর্ণপুত্রো মহারণে চর্ম্ম সহস্রতারম্।
তস্যায়সং নিশিতং তীক্ষ্ণধারমসিং বিকোষং গুরুভারসাহম্।৩৩॥
দ্বিষচ্ছরীরাপহরং সুঘোরমাধুন্বতঃ ক্ষুরপ্রৈঃ ॥৩৪॥

(বিশেষকম্)

পুনশ্চ পীতৈর্নিশিতৈঃ পৃষৎকৈঃ স্তনান্তরে গাঢ়মথাভ্যবিধ্যৎ।
কৃত্বা চ তদ্দুষ্করমার্য্যজুষ্টং নরৈরশক্যৈঃ কর্ম্ম রণে মহাত্মা ॥৩৫॥
যযৌ রথং ভীমসেনস্য রাজন্। শরাভিতপ্তো নকুলস্ত্বরাবান্।

বৃষসেন অসি শাখিনা শোকাখত্রবা জান তাদমা লৌরিভৈদা নকুলনা মাবু হাৎনগে হায়মা চপ য়ুংনা খর্নাখত্রনা মচৈল্লোনদা প্রঞ্জপ হেটিল্লকই ॥৩০॥ খুম্বখভনা মশা অনী কপোকত্রন পাইশিল্লকপত্রঞ্জমা কল্লবা নকুলনা ফুঞ্জল্লকলবা মঙমালদ বৃষসেননা মাগা লৈজবা পাজন নটৈ ফুদোকত্রনা অতৎ অথম লৈতনা নকুলদা তেপ কাপাশিল্লকই ॥৩১॥ মহারাজ! মতম অদুদা নকুলনা খাঙ চুঙোয়ঙনা, বৃষসেননা কাপলকলিবা তেপ ময়াম অদুবু লোইনা অয়েম্বদা তাহল্লগা খাঙগী খোঙকম গতি মখল মখল উৎত্রনা কোয়চৎ চৎত্রনা লৈ। নকুলনা মতৌ অয়ুমা হঙৎহঙ চৎত্রনা লৌরিভৈসিদা বৃষসেননা মনম মনম কাপাশিল্লকত্রনা নকুলগী চুঙোয় অদুবু শিংঙপ শানা খুদেকখি। কল্লবা বৃষসেননা খোয়বা ক্ষুর মচীনশাবা তেল তরুক নকুলগী খোথোতবা শায়বা, ময়া পাযবা খোযবা খাঙথুমদগী শৎতোল্লবা, তোঙমদবা খবক কয়া তোঞ্জবা, য়েক্লবা কয়া কথ্রবা, লিলঞ্জমা মতুকল্লবা, লংলবা খাঙশাং অদু ককৎখি ॥৩২–৩৪॥ বৃষসেননা ঈচুম্ব ওযা তেপ মপৈ অমমুক কাপশিল্লকত্রনা নকুলগী খজিদা কয়া খাখি। মহারাজ! মরিল লৈরবা নকুল অসি, লালকমদা অতোয়া অমনা তোঙমল্লা খবক কয়া তৌরগা, বৃষসেনগী চৈনা শাখিন কংলবা ভুদা য়ায়া থুৎনৈল থুনা ভীমসেনগী রথ মখক্তা কাখৎখি। মাগী মশাগী রথগী শগোলশিং অদুদি লৈখিদ্রবনা, অর্জ্জুনগী মাঙমক্তা বৃষসেনগী তেপগী চৈনা শাখিনা কংলবা নকুল অসি; নোংশানা চীৎখক চোংখৎখিবঞ্জমা ভীমসেনগী রথ মখক্তা চোংখৎখিবনি।

স ভীমসেনস্য রথং হতাশ্বো মাদ্রীসুতঃ কর্ণসুতাভিতপ্তঃ ।৩৬।
আপুপ্লুবে সিংহ ইবাচলাগ্রং সংপ্রেক্ষমাণস্য ধনঞ্জয়স্য ।
ততঃ ক্রুদ্ধো বৃষসেনো মহাত্মা ববর্ষ তাবিষুজালেন বীরঃ ।৩৭।
মহারথাবেকরথে সমেতৌ শরৈঃ প্রভিন্দন্নিব পাণ্ডবেয়ৌ ।
তস্মিন্ রথে বিহতে পাণ্ডবস্য ক্ষিপ্রঞ্চ খড়্গে বিশিখৈর্নিকৃত্তে ।৩৮।
অথাব্রবীন্মারুতিঃ ফাল্গুনস্তু পশ্যস্বৈনং নকুলং পীড্যমানম্ ।
অয়ঞ্চ নো বাধতি কর্ণপুত্রস্তস্মাত্তবান্ প্রত্যুপযাতু কর্ণিম্ ।৩৯।

(কুলকম্)

স তন্নিশম্যৈব বচঃ কিরীটী রথং সমাসাদ্য বৃকোদরস্য ।
কপিধ্বজং কেশবসংগৃহীতং প্রৈষীত্ত্বরো বৃষসেনায় বাহম্ ।৪০।
নকুলমথ বিদিত্বা ছিন্নবাণাসনাসিং
বিরথমভিশারার্ত্তং কর্ণপুত্রাস্ত্রভগ্নম্ ।

মতম অসিদা মহারথী ভীমসেন অমদি মনাও নকুল অনীসি রথ অমতদা তোংমিন্নখিদুনা বৃষসেনগা থেংনাখ। বল্লবা মরিক্ল কৈরবা বৃষসেন অসিনা খোর খোরবা তেলমকুনা অক্কনবা নচুক্ক পুময়োম য়োমশিনহনাখ। বৃষসেননা অচানবদা নকুলগী রথ অচুগা খাওশাং অচুগা কপ্রবচুদা ভীমসেননা অর্জ্জুনদা অমুম্না হায়রকই—"অর্জ্জুন! য়েংউ! বৃষসেননা নকুলবু থক্মা নৈহৎলে। মহাক হৌজিক ঐগী রথদা আশ্রয় লৌরি। অদুনা অর্জ্জুন! নহাক চেনা য়াওনা চংশিল্লু" ।৩৫।—৩৯। ভীমগী য়াসি তাবদা অর্জ্জুনগী মশক ওইরবা মূর্ত্তি পুদুন অর্জ্জুননা ভীমগী রথ মনাক তরুমত্তদগী, কৃষ্ণনা শারথী ওইরিবা রথ অদু বৃষসেনলোমদা চোংখিনখি ।৪০। মহারাজ! বৃষসেননা নকুলগী লৈক্কং অসি থাওশাংবু কককথৎখিবা অচুগা খাঙ্গু শিংগুম শানা থাদেক্লুনা নকুলবু নৈহৎখিবত্থ উবদা ভীমসেনগী শিনবা অমাদ য়াথংমচুং মখুৎ মখুত্তা মতিক চারবা থুংলাক্ত পায়বা, য়েক্লবগী মায়য়োক য়াবা ওস্বা, দ্রুপদনিংথৌগী শিংগী মচুংদা অথোইবা মচা মঙাগা, সাত্যকিগা দ্রৌপদীগী মচা মঙাগা অকনবা তরামাথোই অসিনা অমময়া লিলগা মাঙ্কনা মতুপূরবা খোর খোরবা তেল মকত্তনা কৌরব পক্ষগী শগোল শাম্মু খোঙমী লাম্মী কয়া কয়াবু নৈহৎতুনা বৃষসেন ওস্তা কুজিল্লকই। মথোয়গী ফিরালাশং অদুনা সুংশিৎ মরকতা কেৎ কেৎ হায় হুম্না থোইনা নীওখিজে। মাদু উবদা পাণ্ডব পক্ষগী

পবনধুতপতাকা হ্লাদিনো বল্গিতাশ্বা
বরপুরুষনিযুক্তাস্তে রথাঃ শীঘ্রমীয়ুঃ ॥৪১॥
দ্রুপদসুতবরিষ্ঠাঃ পঞ্চ শৈনেয়ষষ্ঠা
দ্রুপদদুহিতৃপুত্রাঃ পঞ্চ চামিত্রসাহাঃ।
দ্বিরদরথনারশ্বান্ সূদয়ন্তস্ত্বদীয়ান্
ভুজগপতিনিকাশৈর্মার্গণৈরাত্তশস্ত্রাঃ ॥৪২॥ (যুগ্মকম্)
অথ তব রথমুখ্যাস্তান্ প্রতীয়ুর্বরেণ্যা
হৃদিকসুতকৃপৌ চ দ্রৌণির্দুর্য্যোধনৌ চ।
শকুনিসুতবৃকৌ চ ক্রাথদেবাবৃধৌ চ
দ্বিরদজলদঘোষৈঃ স্যন্দনৈঃ কার্ম্মুকৈশ্চ ॥৪৩॥
নরবররথবর্য্যাংস্তান দশৈকঞ্চাবীরান
নৃবর! শরবরাগ্রৈস্তাড়য়ন্তোঽভ্যরুন্ধন।
নবজলদসবর্ণৈর্হস্তিভিস্তানুদীয়ু-
র্গিরিশিখরনিকাশৈর্ভীমবেগৈঃ কুলিন্দাঃ ॥৪৪॥
সুকল্পিতা হৈমবতা মদোৎকটা রণাভিকামৈঃ কৃতিভিঃ সমাস্থিতাঃ।
সুবর্ণজালাবততা বভুর্গজাস্তথা যথা খে জলদাঃ সবল্লাতঃ ॥৪৫॥
বিশ্বাঙ্গপুত্রো দশভির্মহায়সৈ কৃপং সসূতাশ্বমপীডয়দ্ভৃশম্।

লান্মী পুম্মক্কা থোইদোক্না হয়াউ খুঙ্ঙাইথি ॥৪১—৪২॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা কৃতবর্ম্মা, কৃপচার্য্য, অশ্বত্থামা, দুর্য্যোধন, উলূক বৃক, ক্রাথ, অমুগ [illegible] পাঙ্কগী অকনবা রথী নিপাল অদিনা মাগী মাগী মথুক্তা লাক্লবু খুম্ন চেৎনা পায়দুনা, নোংথোংবা ঙংবগুম্বা লুম্বা মখোল থোক্লবা রথ অমমমদা তোংখ্ঞুনা; পাণ্ডব পাঙ্কগী চঙশিন্নকলিবা অকনবশিং অসি তম্না ফুঙ্জিনখি ॥৪৩॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা কৃপনচিংবা অকনবশিংনা থোন থোরবা তেন্জমক্তা কাপশিন কাপশিন্না লংঙিন্নকহুনা পাণ্ডব পাঙ্কগী অকনবা তরামাথোই অদুবু বিংদুনা থমখি। অমযোমদা কুলিন্দাদেশগী চাম্পীশিংনা অনৌবা নোংগী মচুগুম্না শংবান্নবা চাউরবা চীঙগী চীংদোনগুম রাং চাউরবা শাম্নু অমমমদা তোংহৎহুনা কৌরব লান্মী তেজোল তম্না চঙশিন্নক্লি ॥৪৪॥ মতম অদিদা লালগী পাঙ্জনবা, লান্দা থোইনা হৈশিনবা কুলিন্দদেশগী অকনবশিংনা তোংলিবা, লানগী কিজোল পুম্নক্কা কৈতেংলবা হিমালয়গী চীংখোংদা পোকখিবা, মরাম কানবা, সনাগী পাম্বা কিন্না কুপলবা শাম্নুশিং অদু অমমম্না নোংথাংনা কুপাকেৎ কাথেৎ তোরবা নোং মতুম অমমমগী মতোগুম্না থোইদোক্লা লাউবিরে ॥৪৫॥ অঙ্গদগী, বিশর্দ্দিগী মচানা য়োৎথোক্তনা মচিনন্থ মখোকসু

ততঃ শরদ্বৎসুতসায়কৈর্হতঃ সহৈব নাগেন পপাত ভূতলে ॥৪৬॥
বিবৃদ্ধিপুত্রাবররাজশ্চ তোমরৈর্দিবাকরাংশুপ্রতিমৈরমর্ষৈঃ।
রথঞ্চ বিক্ষোভ্য ননাদ নর্দ্দতস্ততোহস্য গান্ধারপতিঃ শিরোহহরৎ ॥৪৭॥
ততঃ কুলিন্দেষু হতেষু তেষ্বথ প্রহৃষ্টরূপাস্তব তে মহারথাঃ।
ভৃশং প্রদধ্মুর্লবণাম্বুসম্ভবান্ পরাংশ্চ বাণাসনপাণয়োহভ্যয়ুঃ ॥৪৮॥
অথাভবদ্যুদ্ধমতীব দারুণং পুনঃ কুরূণাং সহ পাণ্ডুসৃঞ্জয়ৈঃ।
শরাসিশক্ত্যৃষ্টিগদাপরশ্বধৈর্নরাশ্বনাগাসুহরং ভৃশাকুলম্ ॥৪৯॥
রথাশ্বমাতঙ্গপদাতিভিস্ততঃ পরস্পরং বিপ্রহতাঃ পতন্ ক্ষিতৌ।
যথা সবিদ্যুৎস্তনিতা বলাহকাঃ সমাহতা দিগ্‌ভ্য ইবোগ্রমারুতৈঃ ॥৫০॥
ততঃ শতানীকমতান্ মহাগজাংস্তথা রথান্ পত্তিগণাংশ্চ তান্ বহূন্।
জঘান ভোজস্তু হয়ানথাপতন্ ক্ষণাদ্বিশস্তাঃ কৃতবর্ম্মণঃ শরৈঃ ॥৫১॥
অথাপরে দ্রৌণিশরাহতা দ্বিপাস্ত্রয়ঃ সসর্বায়ুধযোধকেতনাঃ।

পুমতিন ভিন্না পুমহৈ ওইনা শারবা তেপ তরানা কৃপচার্য্যদা কয়া চৈনা পীরকদি। মহাক লৈরগা মহাক অসি কল্লবা কৃপচার্য্যগী তেন্না পানবদা লৈমায়রক্তা তুর্খি ॥৪৬॥ অদুগী তুংদা বিবর্দ্ধিপুত্রদুগী মনাও নিপা অমনা, সুমিৎকি মতালগুম লংলবা চাক্লবা তোমর কোবা খুৎলায়রদ্রো কৃপচার্য্যগী মথবু কেৎ কেৎ হাইনা খাংহন্দুনা সিংহনাদ কয়া লাউরকই। মাবা অহত্তা লাউনরিতৈ মতম অদুমক্তদা শকুনিনা মাগী মওক কক্‌খি ॥৪৭॥ মহারাজ। মত্তৌ অদুম্না কুলিন্দ লাগ্নী পূম্বা হাৎপ্রবদা মহারাজগী কৌরব লাগ্নী পূম্বক্তা য়ায়া হয়াও সুংতাইনা লাউবোংহুনা মোইবুং খোংগৎনখি। অদুদগী মথুত্তা লীকং পায়নহুনা মেরুবা লাগ্নী তেঙ্গোল তয়া কুহ্নিনখে ॥৪৮॥ অদগী তুংদা পাণ্ডব লাগ্নীশিংগা খাকিব কংনা খেংনবা হৌখ। অমপমপ হকখেননা থাও তা শীংজং, গদা, য়োচ্ছ্রুকনচিংবা খুৎলাইনা ফুনতুনহুনা শগোল শামু খোংমী কয়া কয়ানা মীকুপ অমমদা লৈমায়রক্ত মথরাই থাথাহুনা তুখনখি ॥৪৯॥ অদুগী তুংদা নোংখাংগা নোয়রনমা তংজিবা খোংলিবা নোং ময়ায়া অকিবগী মথক ওইরবা খুংশিংনা কুদা মায়পৈ পুম্বদা চাইখোকখিবা মুৎখিবদুত্তা মখোয়শিং অত শগোল শামু খোঙমী কয়া কয়ানা নেৎখাই তকথায়নহুনা লৈমায়রক্ত
পূরপ-পুরপ তুখনখি অদুগী তুংদা কৃতবর্ম্মানা শতানীকগী য়াথং মতুং ইয়া খাজিরকপা চাউর চাউরবা শামুশিংবু, শগোল শামুরথ খোঙমীশিংবু হাৎপা হৌরকল। কৃতবর্ম্মাগী তেন্না পানবদা মখোয় পূম্বক অসি মপৈ মপৈ লৈমায়রক্তা তুখহনখি ॥৫১॥ অদুগী তুংদা বরুনা

নিপেতুরুর্ব্যাং ধ্বজাঃ প্রপাতিতাস্তথা যথা বজ্রহতা মহাচলাঃ ॥৫২॥
কুলিন্দরাজাবরজাদনন্তরঃ স্তনান্তরে পত্রিবরৈরতাড়য়ৎ।
তথাপরং তস্য তথাবিধঃ শরৈঃ শিতৈঃ শরীরং বিভিদে দ্বিপস্য তু ॥৫৩॥
স নাগরাজঃ সহ রাজসূনুনা পপাত রক্তং বহু সর্বতঃ স্রবন্।
শচীশবজ্রপ্রহতোঽম্বুদাগমে যথা জলং গৈরিকপর্বতস্তথা ॥৫৪॥
কুলিন্দপুত্রপ্রহিতোঽপরো দ্বিপঃ শকং সসূতাশ্বরথং ব্যপোথয়ৎ।
ততোঽপতৎ ক্রাথশরাভিদারিতঃ সহেশ্বরো বজ্রহতো যথা গিরিঃ ॥৫৫॥
রথী দ্বিপস্থেন হতোঽপতচ্ছরৈঃ ক্রাথাধিপঃ পর্বতজেন দুর্জয়ঃ।
সবাজিসূতেষ্বসনধ্বজস্তথা যথা মহাবাতহতো মহাদ্রুমঃ ॥৫৬॥
বৃকো দ্বিপস্থং গিরিরাজবাসিনং ভৃশং শরৈর্দ্বাদশভিঃ পরাভিনৎ।
ততো বৃকং সাশ্বরথং মহাদ্বিপো দ্রুতং চতুর্ভিশ্চরণৈর্ব্যপোথয়ৎ ॥৫৭॥
স নাগরাজঃ সনিয়ন্তৃকোঽপতৎ পরাহতো বভ্রুসুতেষুভির্ভৃশম্।

খায়থরগা চীঙজাওনা বীষ্ময়কপগুম্না পাণ্ডব পক্কী চাউরবা শামু অহুমন্তু অশ্বথামাগী তেন্না পানবদা মথোয়গী মথক্তা অতোংবা লশ্মী কিয়াল, পুক্ত খুংলাংগ লোইননা মথাম্ন থাডনা লালকম কৈমাইথক্তা তুখখি ॥৫২॥ মহারাজ! কুলিন্দ নিংথৌগী মনাও অতোপ্পা বলবাহুনা দুর্য্যোধনগী মথবাক্তা থোয়রবা তেন মপৈ অমা কাপশিল্লকই। দুর্য্যোধননা লেপ্পনা মহাক্কী মশাবু অহগা শামুবু লিংকুপ শাহনখি ॥৫৩॥ মতম অদুদা বর্ষাগী মতম ইন্দ্রন থাদনবা বজ্রনা থাবদা তাংকৈনরবা চীঙনা ঈরুম তাডনবা ঈশিংগী মরী মরী লিহুংরক্লবগুম্না মহক্কী চাউরবা শামু অহু মশা পুম্বদগী ঈগী থাম্না হাৎন্না নিংথৌ মচাগা লোয়ননা লাকপম কৈম্নবা তুংখি ॥৫৪॥ অদুদগী কুলিন্দ নিংথৌগী মচানা থাজিল্লকপা অতোপ্পা মা চাউরব শামু অমনা চেনশিনখিনা শগোল সারথি মথপা লোয়ননা শক বু নৈহৎখি। অদুগী তুংদা শামু অদু ক্রাথগী তেন্না পানবদা লোংথৈ শীংজানা থাম্নরবা চীঙজাও অমগুম্ন কুলিন্দ নিংথৌ মচাগা লোয়ননা কৈমাইথক্তা তুখি ॥৫৫॥ অদুদগী শামু তোংবা লশ্মী বনাওবা চীঙলৈপাক্কী অকনবা অমমা কাপশিল্লকপা তেন পানবদ, চাউরবা ভুংশিং ইথোম অমনা কুমবা উজাও অমগী মথোগুম্না শগোল রথ কিয়ালগা লোয়ননা ক্রাথদেশগী নিংথৌ দুর্জয় হায়রবা রথী অদু লালকনদা তুখি ॥৫৬॥ মতম অদিদা বৃকনা থোয়রবা তেন তরানিথোইমা চীঙলৈপাক্কী অকনবা শামুতোংবা লাম্মী অদুবু মান্না শাথিনা শোকহনখি। অদুগী চীঙলৈপাক্কী কল্লবা লাম্মী অদুগী চাউরবা শামু অদুনা চেনশিনখিনা মথোং মরি অদুনা শগোলগ লোয়ননা বৃকবু নৈহৎখি ॥৫৭॥ মতম অদুদা বভ্রুগী

স চাঙ্গদো মাগধপুত্ররক্ষিতঃ পপাত বাণৈঃ সহদেবসূনুনা ॥৫৮॥
বিষাণপুচ্ছাবরগাত্রঘাতিনা গজেন বাহাঃ শকুনেঃ কুলিন্দজাঃ।
সুপর্ণবাতপ্রহতা যথা নগাস্তথা গতা গাধবশা বিচূর্ণিতাঃ ॥৫৯॥
ততোঽভ্যবিধ্যদ্বহুভিঃ শিতৈঃ শরৈঃ কুলিন্দপুত্রো নকুলাত্মজং স্মরন্।
ততোঽস্য কায়াদ্ধিচকর্ত্ত নাকুলিঃ শিরঃক্ষুরেণাম্বুজসন্নিভাননম্ ॥৬০॥
ততঃ শতানীকমবিধ্যদায়সৈস্ত্রিভিঃ কর্ণসুতোঽর্জুনং ত্রিভিঃ।
ত্রিভিশ্চ ভীমং নকুলঞ্চ সপ্তভির্জনার্দনং দ্বাদশভিশ্চ সায়কৈঃ ॥৬১॥
তদস্য কর্মাতিমনুষ্যকর্মণঃ সমীক্ষ্য হৃষ্টাঃ কুরবোঽভ্যপূজয়ন্।
পরাক্রমজ্ঞাস্তু ধনঞ্জয়স্য যে হুতোঽয়মগ্নাবিতি তে তু মেনিরে ॥৬২॥
ততঃ কিরীটি পরবীরঘাতী হতাশ্বমালোক্য নরপ্রবীরম্।
মাদ্রীসুতং নকুলং লোকোমধ্যে সমীক্ষ্য কৃষ্ণং ভৃশবিক্ষতঞ্চ।
সমভ্যধাবদ্বৃষসেনমাহবে স সূতজস্য প্রমুখে স্থিতং তদা ॥৬৩॥
তমাপতন্তং নরবীরমুগ্রং মহাহবে বাণসহস্রধারিণম্।

মচা অঙ্গদনা থোর থোরবা খেন্না কন্না খাজিন্নরূপহুদা তোংলিবা লাম্বীদুগা লোয়ননা চাউরবা শামু অহু লৈমায়থক্ত তুখি। অদুগী তুদা মহাদেবগী মচা শ্রুতসেননা কন্না খাজিন্নকপহুদা মগধ রাজপুত্র অঙ্গদ হায়বদু তুখি ॥৫৮॥ মরানা, মচৈনা, মনাতোম্বা, মশা-নাকথংমক্তা থিন্দুনা থেংজন্দুনা লাঙ্হোকনবা হৈবা শামু অমনা আক্রমণ তোৌগনরূপদগী কুলিন্দ দেশদা পোকপা, শকুনিগী শগোলশিং অদু, গরুড় মশাগী শউন্না ফুনদা মরুমরা রাওনা তুবা উপাম্বীশিংগী মতৌঙম্না নৈহৎখিদুনা, লেঙবা ওংপা য়াদনা লৈমায়থক্তা তুখ ॥৫৯॥ অদুগী তুংদা কুলিন্দ রাজকুমার অদুনা মোমোন নোকুলনা থোর থোরবা তেলগী মপৈ অমনা নকুলগী মচা শতানীকদা কন্না চৈনা পীখ। মতম অদুদা শতানীকনা ক্ষুরথচৌন শাবা তেল অমনা বহ্মালগুম্ কয়বা মায়থোং পুরবা, কুলিন্দ রাজপুত্রগী কোক অদু কক্‌ন খাখি ॥৬০॥ অদুগী তুংদা কর্ণগী মচা বৃষসেণনা য়োথোনা শাবা থোরবা তেল অহুম্না শতানীকদা অহুম অমনা অর্জুনদা অহুম অমনা ভীমদা, তরেৎনা নকুলদা, অদুগা তেল তরানীথোইনা কৃষ্ণদা খাখি ॥৬১॥ কৌরব লাম্বী পুম্নমক্না মাগী মীনা ওয়দবা থবক্ অদু উবদা মাবু হয়াও সুতাইবগ লোয়ননা থাগৎনখি। অদুগা অর্জুনগী শক্তিবু মুমথঙ্বশিংনদি বৃষসেন অ স নৈপুংদা লংশনুপ্রেদনা হায়না খল্লখি ॥৬২॥ বৃষসেণনা লাম্বী থাউগী মাঙদা মাদ্রীগী মচা নকুলদগী শগোলশিং অদু হাৎখিবা, অদুগা কৃষ্ণী মশাপুম্বা তেলগী মকম্মক্ত ওয়হনখিবদু উবদা, য়েরুবপূর হাৎপা অর্জুননা, মশা কর্ণগী মাঙথক্তদা বৃষসেণ তয় ফুজনখি ॥৬৩॥ অমুমুক্ত তেল লিশিং কাপতুবা অগত্ত কাওবা, অকিবগী মশক

অভ্যাপতন্তং কর্ণসুতো মহারথো যথৈব চেন্দ্রং নমুচিস্তথৈব তম্ ।৬৪।
ততো দ্রুতং চৈকরথেন পার্থং শরেণ বিদ্ধা যুধি কর্ণপুত্রঃ ।
ননাদ নাদং সুমহানুভাবো বিদ্ধেব শক্রং নমুচিঃ পুরা বৈ ।৬৫।
পুনঃ স পার্থং বৃষসেন উগ্রৈর্বাণৈরবিধ্যদ্ভুজমূলে তু সব্যে ।
তথৈব কৃষ্ণং নবভিঃ সমার্পয়ৎ পুনশ্চ পার্থং দশভিঃ পৃষৎকৈঃ ।৬৬।
পূর্বং তথা বৃষসেনেন বিদ্ধো মহাজবৈঃ শ্বেতহয়ঃ শরৈস্তৈঃ ।
সংরম্ভমীষদ্গমিতো বধায় কর্ণাত্মজস্যাথ মনঃ প্রদধ্রে ।৬৭।
ততঃ কিরীটী রণমূর্দ্ধি কোপাৎ কৃত্বা ত্রিশাখাং ভ্রুকুটিং ললাটে ।
মুমোচ তূর্ণং বিশিখান্ মহাত্মা বধায় রাজন্! কর্ণসুতস্য সংখ্যে ।৬৮।
আরক্তনেত্রোহন্তকশক্রহন্তা উবাচ কর্ণং ভৃশমুৎস্ময়ংস্তদা ।
দুর্য্যোধনং দ্রৌণিমুখাংশ্চ সর্বানহং রণে বৃষসেনং তমুগ্রম্ ।৬৯।
সংপশ্যতঃ কর্ণ! তবাদ্য সংখ্যে নয়ামি লোকং নিশিতৈঃ পৃষৎকৈঃ ।

ওইরবা অর্জ্জুননা চঙ্‌শিল্লকপন্থ উবদা, মমাতৈঙদা নমুচি কৌবা দানবনা ইন্দ্ররোম্‌দা হোচিন্‌খিবন্থগুম্না, মহারথী বৃষসেনস্থ অর্জ্জুনলোম্‌দা থুনা য়াঙনা হোচিললকই ॥৬৪॥ অদুগী তুংদা মতৌক মঙল মথোনা থোইনা লৈরবা বৃষসেননা রথঅমতদা অর্জ্জুনগী মাঙদা মুথা মুথ ওইনা লৈদুনা খোরবা তেল অমনা অর্জ্জুনদা থাখ। মমাতৈঙদা নমুচনা ইন্দ্রদা চৈনা পীরগা সিংহনাদ করলাউখিবগুম বৃষসেনস্থ অর্জ্জুনদা অকনবা চৈনা পীরগা খঙ্গেল হোনা লাউরকই ॥৬৫॥ বৃষসেননা অমুকস্থ আকিবগী মশক ওইববা তেল মপৈ অমনা অর্জ্জুনগী ওয়ৎংবা পাম্বোম মরুদা কপখি। অদুগুম্না অমুকস্থ মহাকনা তেল মাপন্না কৃষ্ণদা, তরানা অর্জ্জুনদা খাখ ॥৬৬॥ বৃষসেনা অশুম্না হন্না হন্না থাজন্নরুনা চৈনানা অর্জ্জুন আসি অশাউবগা লোয়ননা হাইকেৎ নোকই। অদুদগী বৃষসেনবু হাৎলগে হায়না পুক্নীদা লেপখ্রে ॥৬৭॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা মরিল লৈরবা মপূক্নীং হনগনস্ত্রবা অর্জ্জুননা অশাউবনা মরাখবকী শেম অহুম অহ গুপ চদুনা, পীওন শূক্তোক্না বৃষসেনবু হাৎলগে হায়না খনাথিহনা খোরবা তেল মপৈ অমা কাপশিনকই ॥৬৮॥ অদুগী যমরাজগী মতৌগুম্বা অর্জ্জুননা মমীৎ ঈকাহনা, অশাওবগা লোয়ননা হাইকেৎ নোক্নুনা খোঙ্গেল্‌তৌনা কর্ণ অমাদি, দুর্য্যোধন অমাদ অশ্বত্থামাচবা অকন্‌বাশিংদা অসুম্না হায়রকই:—কর্ণ! তাস ঐনা নংগী নমাৎনকুদা খোরবা তেল খরনা থোনা ফরবা নংগী নচা বৃষসেনবু পরলোকতা থাগ্রগান। মী পুম্নমক্না অসুম্না "ঈচা অভিমন্যুনা মখক্ত লালকমদা লৈরবা মতমদা, ঐনস্থ মাগী মনাক্তা লৈত্রিতৈঙা অকন্‌বনি হায়শানিবা নখোয় ময়াম্না পুনশ চাহনা অকনব ঈচাহবু হাৎখি" হায়রৈ। কর্ণ! ঐদি ঈবক্তনা নচাসিবু নমাঙদা হাৎপগে। কনানো নখোয় মরক্তা

নূনঞ্চ তাবচ্ছি তদা বদন্তি সর্বৈর্ভবদ্ভির্ম সুহৃদ্ধতোঽসৌ।৭০।
একো রথো মদ্বিহীনস্তরস্বী অহং হনিষ্যে ভবতাং সমক্ষম্।
সংরক্ষতাং রথসংস্থাঃ। সুতোঽয়মহং হনিষ্যে বৃষসেনমুগ্রম্।৭১।

(বিশবেকম্)

পশ্চাদ্বধিষ্যে ত্বামপি সম্প্রমূঢ়মহং হনিষ্যেঽর্জ্জুন আজমধ্যে।
তমদ্য মূলং কলহস্য সংখ্যে দুর্য্যোধনাপাশ্রয়জাতদর্পম্।৭২।
ত্বামদ্য হন্তাস্মি রণে প্রসহ্য অস্যৈব হন্তা যুধি ভীমসেনঃ।
দুর্য্যোধনস্যাধমপুরুষস্য যস্মাদস্মাদেষ মহান্ ক্ষয়োঽভবৎ।৭৩।
স এবমুক্তা বিনিস্মৃত্য চাপং লক্ষ্যং হি কৃত্বা বৃষসেনমাজৌ।
সসর্জ্জ তূর্ণং বিশিখান্ মাহাত্মা বধায় রাজন্। কর্ণসুতস্য সংখ্যে।৭৪।
বিব্যাধ চৈনং দশভিঃ পৃষৎকৈর্ম্মর্ম্মস্বশঙ্কং প্রসভং কিরীটি।
চিচ্ছেদ চাস্যেষাসনং ভুজৌ চ ক্ষুরৈশ্চতুর্ভিঃ শির এব চোগ্রৈঃ।৭৫।
স পার্থবাণাভিহতঃ পপাত রথাদ্বিবাহুর্বিশিরা ধরায়াম্।

ঐবু থিংভো লাউ। রথীশা। নখোয় ময়ায়া পুম্নপা ঈথুত্তগী কর্ণগী মচাসিগী মথরাই কল্লবা ভো। অকিবগী লশক কংহুনা লৈরিবা বৃষসেনসে নখোয়গী মাঙদা হাৎকে য়েংঙু। কর্ণ। খোক্লিবা থৌদোক অসিগী মরুদি নহাক্নি। দুর্য্যোধোনগী চাকথাক্ চাহুনা নং রাম্না মথোয় কারে। নংদি নংগী নপুন্সিসিমগী চপ্ চানা নথো কাউরবনি। অর্জুন মচা বৃষসেনবু হান্না হাৎলগা মপা নংবুস্থ লোইথোক্কে॥৬২॥

তাস ঐ নংবু নমহুনা হাৎকনি। নংগী বক্রবা নীতিদগী ময়াল লৈজরবা অসুক রাব লাম্মী নিংথৌশিংসে ভুমধ্রবনি। ঐ নংবু সংসারদা অমুক থম্মরোই। তোল্লবা নংগী মরূপ দুর্য্যোধোনবুদি রাম্পুং ভীমসেননা মহাৎশিঙ্গনি। ॥৭৩॥ মহারাজ! কল্লবা অর্জুননা রাচৈশিংসি হায়রগা লীক্নং লীরীবু শৃৎ শৃৎনাফল্লা লৌরবা তেল মপৈ অম বৃষসেন তম্ম কাপশিল্লকই ॥৭৪॥ অর্জুনগী থোয়বা তেল অমানা বৃষসেংগী খুজিদ থাখি। অজুগী থোয়বা, ক্ষুরমচীব শাবা তেল মরি অমনা বৃষসেনগী লীক্নংগা, পাম্বোম অনিগা, মকোক্তা মথং মথং কথবথি ॥৭৫॥ মতম অহুদা

সুপুষ্পিতো বৃক্ষবরোঽতিকায়ো বাতেরিতঃ শাল ইবাদ্রিশৃঙ্গাৎ ॥৭৬॥
তং প্রেক্ষ্য বাণাভিহতং পতন্তং রথাৎ সুতং সূতজঃ ক্ষিপ্রকারী।
রথং রথেনাশু জগাম রোষাৎ কিরীটিনঃ পুত্রবধাভিতপ্তঃ ॥৭৭॥
ততঃ সমক্ষং স্বসুতং বিলোক্য কর্ণো হতং শ্বেতহয়েন সংখ্যে।
সংরম্ভমাগম্য পরং মহাত্মা কৃষ্ণার্জ্জুনৌ সহসৈবাভ্যধাবৎ ॥৭৮॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণ পর্ব্বণি
বৃষসেনবধে দ্বিষষ্টিতমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

ত্রিষষ্টিতোমাঽধ্যায়ঃ।

——:•-:——

সঞ্জয় উবাচ।

তমায়ান্তমভিপ্রেক্ষ্য বেলদুরন্তমিবার্ণবম্।
গর্জন্তং সুমহাকায়ং দুর্নিবারং সুরৈরপি।
অর্জ্জুনং প্রাহ দাশার্হ. প্রহস্য পুরুষর্ষভঃ ॥১॥
অয়ং স রথ আয়াতি শ্বেতাশ্বঃ শল্যসারথিঃ।

মনা মাপান্ন থল্লবা রাংচাউরবা চৌওজ পাম্বীনা ; পুংশিংকী ইপোমনা ফুবদা চৌঙ্থক্লগী তুথরক্ পল্লুজন্না বৃসসেন অ'স অর্জ্জুনগী তেম্না পান্‌বদা মপাম্বোম অনীগা মতকা য়াওদনা মথদগী লৈমাইথক্ত তুথরকই ॥৭৬॥ মথুং থুমবা, থুংলৈ থুববা কর্ণনা, মচা'নিপা অর্জ্জুনগী তেন পান্‌থুনা রথদগী তুথখিবহ উবদা বাব সু'ঙাইতবা অশাউবনা থম্মোয় থ্‌মুহংখিহুনা থ্‌না য়াঙ্‌না অর্জ্জুননা লৈখিব দোমদা প্রপ্রপ থোক্সিল্লকই ॥৭৭॥ অহুগী তু'দা মহাত্মা ওইরবা কর্ণনা, মমাওমক্তদা অর্জ্জুননা মচাবু হাৎখিবহ উবদা খোইদোক্পা শাউ থহুনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীবু লোইথোক্লগে হায়রগী মতাওয়া অনীনা লৈরিংদোমদা মমায় ওন্‌শিল্লকই ॥৭৮॥

মকম্ অ সদা শ্রীমহাভারতদা লেক লশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্ব মতাংদা বৃষসেনবধদা হুক্‌তরানিথোইশুব অধ্যায় লোইরে ॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মপানমউ রাংচাউরবা, লাইশিংমক্লা লাকৃওদবা, খোল্লাউ করা লাওরিবা, কর্ণনা, তোর্ব্বনদগী থাইগংপক্লা ঈশাক্‌য়া, ফুজিল্লহপহ উবদা নিপা অথোইবা কৃষ্ণন নোক্‌না অর্জ্জুনদা অহুয়া হায়রকই :—॥১॥ অর্জ্জুন! অতৌবা শগোল্লা চিংলবা,

যেন ত্বে সহ যোদ্ধব্যং স্থিরো ভব ধনঞ্জয়! ।২।
পশ্য চৈনং সমাযুক্তং রথং কর্ণস্য পাণ্ডব! ।
শ্বেতবাজিসমাযুক্তং যুক্তং রাধাসুতেন চ ।৩।
নানাপতাকাকলিলং কিঙ্কিণীজালমালিনম্ ।
উহ্যমানমিবাকাশে বিমানং পাণ্ডরৈর্হয়ৈঃ ।৪। (যুগ্মকম্)
ধ্বজঞ্চ পশ্য কর্ণস্য নাগকক্ষং মহাত্মনঃ ।
আখণ্ডলধনুঃপ্রখ্যমুল্লিখন্তমিবাম্বরম্ ।৫।
পশ্য কর্ণং সমায়ান্তং ধার্ত্তরাষ্ট্রপ্রিয়ৈষিণম্ ।
শরধারা বিমুঞ্চন্তং ধারাসারমিবাম্বুদম্ ।৬।
এষ মদ্রেশ্বরো রাজা রথাগ্রে পর্য্যবস্থিতঃ ।
নিয়চ্ছতি হয়ানস্য রাধেয়স্যামিতৌজসঃ ।৭।
শৃণু দুন্দুভিনির্ঘোষং শঙ্খশব্দঞ্চ দারুণম্ ।
সিংহনাদাংশ্চ বিবিধান্ শৃণু পাণ্ডব! সর্বতঃ ।৮।
অন্তর্দ্ধায় মহাশব্দান্ কর্ণেনামিততেজসা ।

শল্যনা সারথি ওইরবা রথ আসে অসোম্দা লাক্লে। রথ অসিদা লাক্লিবা মহারথী অসিগা নংনা ভুসি থেংনগদৌরিবনি অদুনা হায়রগনু, অর্জুন! থীপাপাথৎকনু ॥২॥ পাণ্ডুনন্দন! অর্জুন! কর্ণগী আদা লাক্লিবা রথঅসে ভুক্ য়েংঙু, রথ আসে লানগী কীজোল অমদি মথল্ মথলগী খুংলাইতনা পীকৎল্লে। রাং চাউরথা ভোরবা শগোল মরিনা চিংলি। মচু ভোঙাল ভোঙানবা কিরাম অকোয়বংদা পীংথেকরি শরিক চা মচাগী মালানা অম্বারীগী কীরাল ওইনা মখোনখোক্লা হাইহুয়া নীঙথিজে। অদুনা, কর্ণগী ধথ অসি অদুম্ য়েংবদা অভোবা শগোয় চিংবা, লাইগী বিমান রথ অপাইবী অমগুম্না উরি ॥৩—৪॥ মথিল মথৌনা লৈরবা কর্ণ হায়বা অসিগী রথগী কিরাল অসিসু য়েংঙু। কিরাল অসিগী মথক্তা চুমথাং থানুবগী মতৌগুম্না কোয়রপ কোয়বা শামুখোয়গী অম থেংলি। কিরাল অসি নোংমখোন মকোইবু থিনগাইদুনা কাওখোকথিদোকনুম্ রাং চাউনা হাইগৎলকলি ॥৫॥ নোং মরী মরী হৈথরকদোকম্না নোংমতুম্ অমগুম্না তেলগী মোংতনা মীপুম্ খুদিংদা হন্ন [illegible]কদোবা,, দুর্য্যোধোনগী অকবা মকোল ওইবত্ত থনুনা লৈরিবা কর্ণ অসে, [illegible] য়েংঙু ॥৬॥ মদ্ররাজ শল্যনা রথগী মথক্তা, কয়বা কর্ণগী মাঙদা খুডম চেৎনা কমুদুনা শগোল থৌরি ॥৭॥ পাণ্ডুনন্দন! মাংইকে মরিদগী লাইথিল খোংজিল্লক্লবা পুংশেল মোইবুং পেয়েশিজা নচিংবগী অকিবগী মশক্ ওইরবা মখোলনু অদুগা সিংহনাদ লাউবগী

যোধ্যমানস্য তূর্ণং বহুধঃ শৃণু বিক্রমম্।৯।
এতে দ্রবন্তি সগণাঃ পাঞ্চালানাং মহারথাঃ।
দৃষ্ট্বা কেশরিণং ক্রুদ্ধং মৃগা ইব মহাবনে।১০।
সর্বযত্নেন কৌন্তেয়! হন্তুমর্হসি সূতজম্।
ন হি কর্ণশরানন্যঃ সোঢ়ুমুৎসহতে নরঃ।১১।
সদেবাসুরগন্ধর্বাংস্ত্রীল্লোঁকান্ সচরাচরান্।
ত্বং হি জেতুং রণে শক্তস্তথৈব বিদিতং মম।১২।
ভীমমুগ্রং মহাত্মানং ত্র্যক্ষং সর্বং কপর্দ্দিনম্।
ন শক্তা দ্রষ্টুমীশানং কিং পুনর্যোধিতুং প্রভুম্।১৩।
ত্বয়া সাক্ষান্মহাদেবঃ সর্বভূতশিবঃ শিবঃ।
যুদ্ধেনারাধিতঃ স্থাণুর্দেবাশ্চ বরদাস্তব।১৪।
তস্য পার্থ! প্রসাদেন দেবদেবস্য শূলিনঃ।
জহি কর্ণং মহাবাহো! নমুচিং বৃত্রহা যথা।
শ্রেয়স্তেঽস্তু সদা পার্থ! যুদ্ধে জয়মবাপ্নুহি।১৫।

খোঞ্জেল অসিবুস্ত তাও ॥৮॥ তমথৈথৈলেতনা তেজ কল্লবা কর্ণনা লৌমীবু নাকোং মরুকংনা কম কয়া চংলি। মরাক মথক্তুগী খোঞ্জেলা অতৈপুম্বগী খেঞ্জেংবু নম্ৎহত্তনা নাইতোম্ ওইনা কাওদোকররুলি ॥৯॥ শূক্রবা বমগী মন্থদা লৈবা শা উচেক্‌শিংনা, নোংশাবু উবদা কোয়চেন চেনাখিবা অদুগুম্না বর্ণবু উবদা পঞ্চাল মহারথীমশিংনা অদুগা মথোয়গী খোংদে মশিংনা শমজ্জী কাংনা চেয়রি ॥১০॥ কুন্তীনন্দন! অর্জ্জুন! নংনা রাম্মা চ্যক্‌শিম, কর্ণবু হাৎনবা তৌ। অহমদি কর্ণগী তেঞ্জগী চৈনাবু থাত্তগদবা মীস জগৎ অসিদা থর তাওহিং ॥১১॥ অর্জ্জুন! নং অসি লান্দা লাইমশিংবু যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব্বশিংবু অমুগা অচ্চত্তনা পল্লবা ম বাল অহুমু জয তৌবা ঙম্বা মীশক্ অমনি হায়বাস ঐ মহৌশানা থগুহুনা লৈরিবনি ॥১২॥ ধনঞ্জয়! তাইবংমী পুম্নমক্কা অকিবগী মশক্ ওইরব অমাদি পুক্‌চেল চাউরবা, মমন অহুম্না লৈতেংবা, কপর্দ্দী, ঈশানা কোবা শিব (মহাদেববু) উবা ংংমদ্রবনি। অদুরুম্বা প্রভুগা লাম্থোংনবা নম্নবসিদি করি অমুক্ হায়নিংগাই লৈ ॥১৩॥ অর্জ্জুন! নংনা লানগী পাদ্ধেতনা জীবপান্‌বা পুম্নমকী মঙলগী মশক্ ওইরবা অহোবা অয়োইবা লৈরুবা মহাদেববু পেলহনখ্রবনি; অদুগা মত্তিকচানা মাগী পূজাম্ তৌখ্রবনি। দেবতাশিংনসু নাক্তোন্দা বর আশীর্ব্বাদ কয়া কয়া পীখ্রবনি ॥১৪॥ পৃথানন্দন, অর্জ্জুন! অকন্‌বা! ইন্দ্রনা নমুচি কোবা কিংচববু হাৎখিবথুগুম্না নহাক্না মহাদেবগী থৌজাল্দগী কর্ণবু হাৎলগন্সু। পার্থ! মতম্ পুম্বদা মঙল ওইগনি লান্দা তেঞ্জবু ঙমদুনা জয় ওইয়ু ॥১৫॥ অর্জ্জুননা

অর্জ্জুন উবাচ।

ধ্রুব এব জয়ঃ কৃষ্ণ। মম নাস্ত্যত্র সংশয়ঃ।
সর্বলোকগুরুর্যস্য তুষ্টোঽসি মধুসূদন। ।১৬।
চোদয়াশ্বান্ হৃষীকেশ। রথং মম মহারথ। ।
নাহত্বা সমরে কর্ণং নিবর্ত্তিষ্যতি ফাল্গুনঃ ।১৭।
অদ্য কর্ণং হতং পশ্য মচ্ছরৈঃ শকলি কৃতম্।
মাং বা দ্রক্ষ্যসি গোবিন্দ। কর্ণেন নিহতং শরৈঃ ।১৮।
উপস্থিতমিদং ঘোরং যুদ্ধং ত্রৈলোক্যমোহনম্।
যজ্জনাঃ কথয়িষ্যন্তি যাবদ্ভূমির্ধরিষ্যতি ।১৯।
এবং ব্রুবংস্তদা পার্থঃ কৃষ্ণমক্লিষ্টকারিণম্।
প্রত্যুদ্যযৌ রথেনাশু গজঃ প্রতিগজো যথা ।২০।
পুনশ্চাহ মহাতেজাঃ পার্থঃ কৃষ্ণমরিন্দমম।
চোদয়াশ্বান্ হৃষীকেশ। কালোঽয়মতিবর্ত্ততে।
এবমুক্তস্তদা তেন পাণ্ডবেন মহাত্মনা ।২১।
জয়েন সম্পূজ্য স পাণ্ডব, তদা প্রচোদয়ামাস হয়ান মনোজবান্।

হায়ঃ-মধুসূদন। জগৎপুম্বগী গুরুওইরিবা মহাক্না ঐবু য়াম্ম নুংশিবার। ঐ-তান্দ্র য়ায় শেনবিরি অদুনা ঐ শোয়দনা জয় ওইগনি, মসিদা করিমত্ত চংনকম্ লৈতে ॥১৬॥ অদুনা অকনব', হৃষীকেশ। শগোল শিংসি থৌজিল্লব' তৌ। ঙসিগী নুমিত্তা অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎলমদন লাল্লকম্‌দগী খক হল্লক্লোইদৌবনি। ॥১৭॥ গোবিন্দ! অর্জ্জুন ঐগী তেম্না কর্ণনা মথাই থাবহ অদুগা মাগী মশামা মতুপ মতুপ থোক্না কক্‌থবত্ত নহাক্না তাসমক উব ফংলগনি ॥১৮॥ পৃথিবী লৈবা মতম মীয়োল্ কয়ানা তাবন শরুকোয়গদব, ময়োল্ অহুম্ মুমহৎপা, অৎওবা তমুথিরবা লাক্লাও অদো ঙসি লালকম্ অসিদ ঐগা কর্ণগা অনীগী মরক্তা থংওবে ॥১৯॥ শায়্ অমনা শায়্ অব তয় ক্‌জনাথবত্ত্বগয় অর্জ্জুননা, তৌওমদবা থবক্‌পু লায়না তৌওবা কৃষ্ণদা অহুম্ হায়বা হায়না, কর্ণ তয় চওশনথে ॥২০॥ অদুগী তুংদা তেজ করবা অর্জ্জুননা, মেরুবু নৈহৎপওবা কৃষ্ণদা অমুম্না অমুক হায়রকই:—"হৃষীকেশ। মতম্ অসি হৌথিদোয়ে, অদুনা শগোলশিংসি হায়দকী হেম্না কয়া থৌজিল্ল।" মরিল্ মথোনা লৈবা, পুকচেল চাউরবা অর্জ্জুননা অমুয়া হায়রবদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হয় হয় আশীর্ব্বাদ তৌরগা, পূক্লিংগী মতোওম্ য়াওলবা শগোলশিং অদু থংনা য়া না থৌজিনখি। অর্জ্জুনগী রথ অদো মীকুপ অমগী মনুংদা কর্ণগী রথগী মাওমতদা চপ্ লেপ্লরে ॥২১-২২

স পাণ্ডুপুত্রস্য রথো মহাস্বনঃ ক্ষণেন কর্ণস্য রথাগ্রতোঽভবৎ ।২২। (যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি শ্রীকৃষ্ণবাক্যে ত্রিষষ্টিতমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

——:•:——

চতুঃষষ্টিতমোঽধ্যায়ঃ ।

——:•:——

সঞ্জয় উবাচ ।

বৃষসেনং হতং দৃষ্টা শোকামর্ষ সমন্বিতঃ ।
পুত্রশোকোত্থং বারি নেত্রাভ্যাং সমবাসৃজৎ ।১।
রথেন কর্ণস্তেজস্বী জগামাভিমুখো রিপুম ।
যুদ্ধায়ামর্ষতাম্রাক্ষঃ সমাহূয় ধনঞ্জয়ম্ ।২।
তৌ রথৌ সূর্য্যসঙ্কাশৌ বৈয়াঘ্রপরিবারিতৌ ।
সমেতৌ দদৃশুস্তত্র দ্বাবিবার্কৌ' সমাগতৌ ।৩।
শ্বেতাশ্বৌ পুরুষাদিত্যাবাস্থিতাবরিমর্দ্দনৌ ।
শুশুভাতে মহেষ্বাসৌ চন্দ্রাদিত্যৌ যথা দিবি ।৪।
তৌ দৃষ্ট্বা বিস্ময়ং জগ্মুঃ সর্বভুতানি মারিষ । ।

মখম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা কৃষ্ণবাক্য গী হুক্ হুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

সঞ্জয়না হায়ঃ-মহারাজ ! কর্ণ অাস মচা বৃষসেননা শিখিবছু উবদা থোইদোক্না মাখিহুনা শাউবনা ঐ কায়বা মনীৎ অনীহুদগী মপী শিহু খ ॥১॥ অদুগী তুদা তেজ লৈরবা কর্ণনা শাউবনা মৈ হৈখিহুনা; মমীৎ ঐ কাহুনা অর্জ্জুনবু শিংনহুনা থুনা মাঙনা অর্জ্জুন লোমদা মমায় লৈশিন্নকৃই ॥২॥ অউবশিংনা কয়ি উনখিগে হায়ববু মুামৎকী মতোউম্ ওায়বা কৈ মউম ঈকোয় কোয়শিল্লিবা কর্ণ অর্জ্জুন অনীগী রথ অনীঙ্ মোংদোনথক্ক নুমিৎ অনীনা থাঙজ্রাংমনা থোকওম্ উনখি-থেংনখি ॥৩॥ অঙোবা শগোল রথ চিংমিন্নবা, অথোইবা-অকন্বা ওইমিন্নবা, য়েক্নবা নৈহৎপা শম্গন্বা, অচৌবা লীক্নং পায়নারবা, কর্ণ অর্জ্জুন অনীনা রথী ওইহুনা থামজ্রাংননা লেপ্লহৌদি, লাংলকমদা নোংমদোন্ অমত্তগী অকোয়বদা, নুমিৎ-থা অনীনা থাজ্রাংননা থোকপওম্মি ॥৪॥

ত্রৈলোক্যবিজয়ে যদ্বচ্ছক্রবৈরোচনাবিব ।৫।
রথজ্যাতলনির্ঘোষৈর্বাণশঙ্খরবৈস্তথা ।
তৌ রথাবভ্যধাবেতাং ক্ষত্রিয়াঃ সর্ব্ব এব হি ॥৬॥
ধ্বজৌ চ দৃষ্ট্বা সংযুক্তৌ বিস্ময়ঃ সমপদ্যত ।
হস্তিকক্ষ্যা চ কর্ণস্য বানরশ্চ কিরিটিনঃ ।৭।
তৌ রথৌ সংপ্রসক্তৌ তু দৃষ্ট্বা ভারত । পার্থিবাঃ ।
সিংহনাদরবাংশ্চক্রুঃ সাধুবাদাংশ্চ পুষ্কলান্ ॥৮॥
দৃষ্ট্বা তু দ্বৈরথং তাভ্যাং তত্র যোধাঃ সমন্ততঃ ।
চক্রুর্বাহুস্বনাংশ্চৈব তথা চেলাবধূননম্ ॥৯॥
আজঘ্নুঃ কুরবস্তত্র বাদিত্রাণি সমন্ততঃ ।
কর্ণং প্রহর্ষয়িষ্যন্তঃ শঙ্খান্ দধ্মুশ্চ পুষ্কলান্ ।১০॥
তথৈব পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে হর্ষয়ন্তো ধনঞ্জয়ম্ ।
তূর্যশঙ্খনিনাদেন দিশঃ সর্বা ব্যনাদয়ন্ ।১১।
ক্ষ্বেড়িতাস্ফোটিতোৎক্রুষ্টৈস্তুমুলং সর্বতোঽভবৎ ।

ঈকাই খুম্নবগী মশক্ ওইরব' মহারাজ ! মমাঙদৈগী যুগ তা মরোল অহুমগী মপু ওইবা ভায়বদা ইন্দ্রগা বলিগা লান্থেনবগী লেপ্পবহক্তুনা কর্ণ অর্জ্জুন অনীনা লেপ্পখিবনু উবদা অউবমবৈগী পুক্নীংদা মমাংবা অঙকপা পেক্লখি ॥৫॥ কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীমক্তা অকনবা ক্ষত্রিয়শিংনা মাগী মাগী রথ, লীক, তেল, পাঙগা, তেন্দোং খুথাঙনচংবা লালগী মপোৎ মচৈ পুম্বা শুনা কর্ণ অর্জ্জুন অনীমক্ চয়া চেন্‌শনরকই ।৬। রথ অনীগী 'করাল অনীত্রু অথপা অম থেংনখি । কর্ণগী ।করানদা শাখু পুরবা। খোংগী অদু অর্জ্জুনগী 'করাদা যোংগী মূর্ত্তি লৈ। অনীত্রু উবদা মী পুম্নমক্ ঙকখি। মমমদি—যোংবু খোংগীহনা পুনশিন্দাবরা নঙ্গা, যাংনা খোংগীবু চিক্থৎ-লোয়রবা হায়বত্ মথাম্ চপ নায়না চিংননা ঙক্লখি ॥৭॥ ভরতনন্দন ! কর্ণ অর্জ্জুন অনীগী রথ অনীহনা তক্শিল্লাখত্ত উবদা মাগী মাগী লম্মীশিংনা সিংহনাদ লাউনখি ; সাধু সাধু হায়না লাউত্তুনা অনীগী পুক্নিং খোংগৎখি ॥৮॥ অকনবা অনীসগী রথ অনীগী মায়োক্নখিবদু উবদা অউব লাম্মী শিংনা মাগী মাগী মাবৈগদা লেপ্পহনা মপাম্বোম্ ফুনরকই, খুবাক্ খুনরকই, মাক লংখৎনরকই, মফিমরোল হাইহুমহনা লঙনচৈনরকই ॥৯॥ কৌরব পুম্নমক্না কর্ণগী পুক্নীং থোগৎকে—খুংঙাইহনগে হায়বগীদমক্ মখল মখা অয়াম্ পুংশেলযন্ত্র হৈথৎ খোংগৎনরকই । হয় হয় কয় কয়। থোইবুং খোংগৎনরকই ॥১০॥ মত্তো অসিগুম্না পাণ্ডব পক্ষরোমদসু অকনবা ক্ষত্রিয় লম্মীশিংনা অর্জ্জুনগী পুক্নিং খুংঙাইহনগে থোক্তকে হায়বগীদমক্ পুংশেলযন্ত্র পুম্বা খোংগৎ হৈথৎনরকলে। মাহুগী মথোংম্বা মায়খৈ ললাই পুম্বা পুম্নমিল্ লিনখি ॥১১॥ অর্জ্জুনগা কর্ণগা

বাহুশব্দৈশ্চ শূরাণাং কর্ণার্জ্জুনসমাগমে ।১২।
তৌ দৃষ্ট্বা পুরুষব্যাঘ্রৌ রথস্থৌ রথিনাং বরৌ ।
প্রগৃহীতমহাচাপৌ শরশক্তিগদাযুধৌ ।১৩।
বর্ম্মিণৌ বদ্ধনিস্ত্রিংশৌ শ্বেতাশ্বৌ শঙ্খশোভিতৌ ।
তূণীরবরসম্পন্নৌ রূপবন্তৌ সুদর্শনৌ ।।১৪।।
রক্তচন্দনদিগ্ধাঙ্গৌ সমদৌ গোবৃষাবিব ।
চাপবিদ্যুদ্ধ্বজোপেতৌ শস্ত্রসম্পত্তিযোধিনৌ ।।১৫।।
চামরব্যজনোপেতৌ শ্বেতচ্ছত্রোপশোভিতৌ ।
কৃষ্ণশল্যরথোপেতৌ তুল্যরূপৌ মহারথৌ ।১৬।
সিংহস্কন্ধৌ দীর্ঘভুজৌ রক্তাক্ষৌ হেমমালিনৌ ।
সিংহস্কন্ধপ্রতীকাশৌ ব্যূঢ়োরস্কৌ মহাবলৌ ।১৭।
অন্যোন্যবধমিচ্ছন্তাবন্যোন্যজয়কাঙ্ক্ষিণৌ ।
অন্যোন্যমভিধাবন্তৌ গোষ্ঠে ইব গবর্ষভৌ ।১৮।
প্রভিন্নাবিব মাতঙ্গৌ সুসংরব্ধাবিবাচলৌ ।

থেনরকপগী মতম্সিদা মাথৈগ অকায়বদা লৈরবা অকনবা লাম্মীশং অগী সিংহনাদ লাউনরকপগী, খুথাক থুনরকপগী, থেঙ্গল হোনা লাউনরকপগী, মপাথোম্ মকেগল কুনরকপগী মথোর অংকবগী মখক ওইখ ।।১২।। মহারাজ! লিপা অথোকবা, যাগী যাগী রথদা তোংনারবা, রথী অথোইবা অচৌ অচৌবা লৌরু পায়রব, থাজতা কিরাম্চংবা গুনা রাওরবা, লালকু রংনা মখাদা কুপ্পরিবা, মথ্ উদা খাউ মাল্ল রবা, অতোবা শগেম্চংবা মথ তোংনারবা, কজ কজরবা তেন্দোং য়ারিবা, মখক মতো কখরবা, অঙাঙবা চন্দননা মখাপুম্বা তৈনরবা, শল্লাবা অনৌগুম্ মস্লাম কারবা, নোংথাঙ্গধা লৌরুং পায়রিবা, কিরাল কজনা হাইগৎনারবা, খুৎলাই মশী গুনা হৈনরবা, কাঙহাই চামরনা থোগল তৌরবা, মকোক মকোক অতোবা পে খাল্লবা, কৃষ্ণ শল্যনা শারথি ওইনারিবা, মূর্ত্তিরূপ মাল্লবা, মহারথী ওইনারবা নোংশাগুম্ মরেংকররবা, পাম্হৈম্ চাউশাংনরবা, শাউবনা মমাং ঙাউনরবা সনবীক্ পরেনা লৈতেংনারবা নোংশাগী শাবান মাল্লরবা, মথবাক্ কল্লরবা, মঙাঙ্গল কল্লরবা, অমন অমবু হাংকে খল্লবব, অমগা অমগা জয়গী অশোতোনারব শঙ্গেনবুং লমপাক্তা অমনাঅমদা চোংশরগদোবা শল্লাও অনৌগুবা শাউববা চীংগুম্ অনৌগুম্

আশীবিষশিশুপ্রখ্যৌ যমকালান্তকোপমৌ ।১৯।
ইন্দ্রবৃত্রাবিব ক্রুদ্ধৌ সূর্য্যচন্দ্রসমপ্রভৌ ।
মহাগ্রহাবিব ক্রুদ্ধৌ যুগান্তায় সমুত্থিতৌ ।২০।
দেবগর্ভৌ দেবসমৌ দেবতুল্যৌ চ রূপতঃ ।
যদৃচ্ছয়া সমায়াতৌ সূর্য্যাচন্দ্রমসাবিব ।২১।
বলিনৌ সমরে দৃপ্তৌ নানাশস্ত্রধরৌ যুধি ।
তৌ দৃষ্ট্বা পুরুষব্যাঘ্রৌ শার্দ্দূলাবিব বেগিতৌ ।
বভূব পরমো হর্ষস্তাবকানাং বিশাম্পতে । ।২২। (কুলকম্)
সংশয়ঃ সর্বভূতানাং বিজয়ে সমপদ্যত ।
সমেতৌ পুরুষব্যাঘ্রৌ প্রেক্ষ্য কর্ণধনঞ্জয়ৌ ।২৩।
উভৌ বরায়ুধধরাবুভৌ রণকৃতশ্রমৌ
উভৌ চ বাহুশব্দেন নাদয়ন্তৌ নভস্তলম্ ।২৪।
উভৌ বিশ্রুতকর্ম্মাণৌ পৌরুষেণ বলেন চ ।
উভৌ চ সদৃশৌ যুদ্ধে শম্বরামররাজয়োঃ ।২৫।
কার্ত্তবীর্য্যসমৌ যুদ্ধে তথা দাশরথেঃ সমৌ ।
বিষ্ণুবীর্য্যসমৌ চোভৌ তথা ভবসমৌ যুধি ।২৬।
উভৌ শ্বেতহয়ৌ রাজন্ । রথপ্রবরবাহনৌ ।

খিল্লিবা মচুম তারবা শামু অনীগুম্বা শাউনবনা মহুপুরদা লেল অনীগুম্বা, যম—রুদ্র—যমদূত কুম্না অকিবা কংনরবা, বৃত্রাসুর অনীগুম্বা শাক্তিবম্না মমায় ভাওনরবা সূর্মিৎ থাগুম্বা জগৎপু প্রলয় তেননবা থোরকপা গ্রহ অনীগুম্বা মওং মতৌশাবান্দা লাইমচা অনীগুম্বা, মপাঙল মথৌনাদ লাইগুম্বা মশক্‌ মশকস্‌ লাইমচাগুম্বা, ঈশ্বরগী ইচ্ছাদগী থেংনহুগদৌরবা সুমিৎথা অনীগুম্বা, মপাঙল মথৌনাদ ময়াম কানরবা, থুৎলায় মথল মথল য়াওনরবা, মখিল্ল কৈগুম্বা কর্ণ অর্জ্জুন অনীবু উবদা পক্ষঅনীমক্কী জাসীশনা থোইন ৎয় উ পুংভাইনথি ॥১৩—২২॥

নিপা অথোইবা অনীসনা মুখামুখি ওইনা লেপ্প থব স উবদা কনানা ভমগদগে হায়বদু অউব থুংদগী পুক্লীংদা চিংনব, পোকখি ॥২৩॥ মথোয় অনীমক্‌ করকরব, থুৎপায়মক্ক পায়থৎনাখি। মথোয় অনীমক্‌ অমনা অমবু ভমগে—হাৎকে হায়না চোক্ক শয় তোৎনবা চপ্‌ মান্নৈ। মথোয় অনীতগী মপাঙ্খোম হাক্তকাপু হাইজনগী মথোয়। লেথক্‌ লৈথা পুমানিন্‌ নিন্‌খি ॥২৫॥ নিপা অনীশিমক্‌ মখিল্‌ মথেম্ম লৈপা খোক্পা থবক্‌ তৌবগী জগৎ কাওনারবনি। অনীসিনা লান্দা কেপ্পবদি ইন্দ্রগা শম্বরাসুর লেপমিন্নবগুম্ব। অনীমক্তমি ইন্দ্রগা শম্বরাসুরগা পাংথাক্ক হায়না লোকনা শীংখানরিবনি ॥২৬॥ নিপা অনীসমক পাঙল্দা বিষ্ণুগুম্বান, লান্দা কার্ত্তবীর্য্যার্জ্জুনগুম্বান।

সারথিপ্রবরৌ চাপি তয়োরাস্তাং মহারণে ॥২৭॥
ততো দৃষ্ট্বা মহারাজ। রাজমানৌ মহারথৌ।
সিদ্ধচারণসংঘানাং বিস্ময়ঃ সমপদ্যত ॥২৮॥
ধার্ত্তরাষ্ট্রাস্ততঃ কর্ণং সবলা ভরতর্ষভ।।
পরিবব্রুর্মহাত্মানং ক্ষিপ্রমাহবশোভিনম্ ॥২৯॥
তথৈব পাণ্ডবা হৃষ্টা ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমাঃ।
যমৌ চ চেকিতানশ্চ প্রহৃষ্টাশ্চ প্রভদ্রকাঃ ॥৩০॥
নানাদেশ্যাশ্চ যে শূরাঃ শিষ্টা যুদ্ধাভিনন্দিনঃ।
তে সর্ব্বে সহিতা হৃষ্টাঃ পরিবব্রুর্ধনঞ্জয়ম্ ॥৩১॥ (যুগ্মকম্)
রিরক্ষিষন্তঃ শত্রুঘ্নাঃ পত্ত্যশ্বরথকুঞ্জরাঃ।
ধনঞ্জয়স্য বিজয়ে ধৃতাঃ কর্ণবধেঽপি চ ॥৩২॥
তথৈব তাবকাঃ সর্ব্বে যত্তাঃ সেনাপ্রহারিণঃ।
দুর্য্যোধনমুখা রাজন্! কর্ণং জুগুপুরাহবে ॥৩৩॥
তাবকানাং রণে কর্ণো গ্লহো হ্যাসীদ্বিশাম্পতে।।

মখোয় অনীবক রামচন্দ্রগা শিব মহাদেবগা অম্বানি ॥২৭॥ মহারাজ! মখোয় অনীসিগী রথগী শংগোল মচু ডৌবা চপ মান্না সারথি, রণ থুংগু খুংলায় কবা চপ মান্নথি ॥২৭॥ মহারাজ! অকনবগী গুণনা থল্লবা কর্ণগা অর্জ্জুনগা অনীনা থত্রাংননা লেপ্লবসি উবদা নোংমদে স্বর্গ কুন্দে য়েংলিবা যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব্ব সিদ্ধ সাধ্য পুম্বা ঈওক ওয়াখ ॥২৮॥ ভরতশাগেগী অখোইবা মহারাজ। ওহাক তৈরগা কৌরবলাম্মী অকনবশিনা চঙশিল্লক্লা অকোয়বদা লেপ্তুনা অকনবগী গুণ থবিক্লা ৎলবা, মহাত্মা ওইরবা কর্ণবু ঙাকশেন্দুনা লৈনথি ॥২৯॥ মতৌ অমুম্না পাণ্ডবলক্ষ য়োমদম্ন ধৃষ্টদ্যুম্নচিংবা অকনবশিংনা, নকুল সহদেব, চেকিতান অমগা মপুক্লিন্দা হরাউবা পুংঙাইবা পোক্লবা প্রভদ্রকশিংনা অমগা অসি নত্তবা অতৈ অতৈ দেশগী লাকপা অকমবা লাম্মীশিংনা চঙশিল্লক্লা অকোয়বদা লেপ্তুনা য়াম্না হরাউনা মপুক্লীং লুম্না অর্জ্জুনবু ঙাকসেন্দুনা লৈনথি ॥৩০—৩১॥ য়েক্কবা হাৎতুম্বা, খোঙমী লাম্মী, শগোল তোংবা লাম্মী, শামু তোংবা লাম্মী পুম্নমক অর্জ্জুনবু কনগে থল্লহনা, অর্জ্জুননা জয় ওইবদা অমগা কর্ণবু হাৎপদা চপ য়ুনা আশা তৌনথি ॥৩২॥ মহারাজ! মতৌ অমুম্না অসিগুম্বা অশাদা কৌরব লাম্মীগী দুর্য্যোধনচিংবা অকনবা লাম্মীশিংনসু কর্ণবু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্নথি ॥৩৩॥

তথৈব পাণ্ডবেয়ানাং ধ্রুবঃ পার্থোঽভবত্তদা ॥৩৪॥
ত এব সত্ত্বান্যত্রাসন্ প্রেক্ষকাশ্চাভবন্ স্ম তে।
তত্রৈষাং গ্লহমানানাং ক্রুদ্ধৌ জয়পরাজয়ৌ ॥৩৫॥
তাভ্যাং দ্যূতং সমাসক্তং বিজয়ায়েতরায় বা।
অস্মাকং পাণ্ডবানাঞ্চ স্থিতানাং রণমূর্দ্ধনি ॥৩৬॥
তৌ তু স্থিতৌ মহারাজ। সমরে যুদ্ধশালিনৌ।
অন্যোন্যং প্রতিসংরব্ধাবন্যোন্যবধকাঙ্ক্ষিণৌ ॥৩৭॥
ত যুক্তৌ প্রতিজিহীর্ষন্তাবিন্দ্রবৃত্রাবিব প্রভো।।
ভীমরূপধরাবাস্তাং মহাধূমাবিব গ্রহৌ ॥৩৮॥
ততোঽন্তরীক্ষে সংজজ্ঞে বিবাদো ভরতর্ষভ।
মিথো ভেদাশ্চ ভূতানামাসন্ কর্ণার্জ্জুনান্তরে ॥৩৯
ব্যাশ্রয়ন্ত দ্বিধা ভিন্নাঃ সর্ব্বে লোকাশ্চ মারিষ।
দেবদানবগন্ধর্ব্বাঃ পিশাচোরগরাক্ষসাঃ ॥৪০।
প্রতিপক্ষগ্রহং চক্রুঃ কর্ণার্জ্জুনসমাগমে।

মহারাজ। লালকম্-লাইয়ুম্ মংক্তা মতাং'তগী অকনবশিংমা কর্ণবু অদুগা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবশিংমা অর্জ্জুনবু পেন্থা থৌনদুনা লানগী মশক ওইরনা চৌবর শান্নখ্রে ॥৩৪॥ পক্ষ অনীমক্কী লান্মীশিংনা চৌনবগী মশক ওইরনা লাল অদুগী সত্ত্ব য়াওরম্বশিং অদুনা ভাবোক অদুম ওইখ্রে। অদুমক্তনা পক্ষ অনীনক্কী মথং'দ কনাগী জয় কনাগী পরাজয় ওইগদগে হায়বদু অদুম' লেপনখ্রবনি ॥৩৫॥ মাদুগী মমিংকি লাল অদুদা পাণ্ডবশিংগী নত্রগা কৌরবশিংগী পোবা নত্রগা খোইবগী অঁরেপপা থওনরগদবা লানগী মশক পুরবা চৌবর অদো কর্ণ অর্জ্জুন অনীনা চৌবর মরুগী মশক ওইরবা থুংলাম্ব মথক মথক পায় পারদুনা লংশিন্নদুমা শান্নবা হৌখ্রে ॥৩৬॥ মহারাজ। অসিগী তুংদা কল্লবা কর্ণ অর্জ্জুন অনী অম অমগ অমগা অশাউবগা লোয়নননা মমিং থানা য়েংনদুনা, অমনা অমবু হাংকদনগী থোক্তকয় লংদনা লাংক অতুদা লেপনখ্রে ॥৩৭॥ মহারাজ য়েংবদা অকিবগী মশক পুরবা কর্ণ অর্জ্জুন অনী আস ইন্দ্র বৃত্রাসুর অনীগী অদুগা উং মাল্লবা রাহু কেতু অনীগী মতৌওম্না অমগমগ থানগদবগী য়াম্নগদবগী থৌনাং চৌদুনা লৈনখ ॥৩৮॥ ভরত শাগৈগী অখোইবা মহারাজ! কর্ণ অর্জ্জুন অনীগী মথুংদা কনানা তমগদগে হায়বদুগী মরমদা নোংমদোল থক্তা লাইয়ায়া অমগমগ য়েংনশিনখ য়েংলাবশিংগী মথুংদগু মত অমত মাম্নখিখ্রে। অমনা হায় অর্জ্জুননা তমগনি, অমনা হায় কর্ণনানা তমগনি—অদুম্না য়েংনবা হৌখি ॥৩৯॥ ঈকায় থুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ! নোংমদোল থক্তা লাইয়ায় য়েংনবা থওনদুওয়া লৈথাদ য়েংলাবশিং অদুগী মথুংদদু কাংবু অনা থোকখ্রে। কর্ণগা অর্জ্জুনগা অমীন লেংনরকপ মতাং অসদা ভাবোক ওইরব

দ্যৌরাসীৎ কর্ণপক্ষেঽত্র সনক্ষত্রা বিশাংপতে। ।৪১।। (যুগ্মকম্)
ভূমির্বিশালা পার্থস্য মাতা পুত্রস্য বৈ যথা।
সরিতঃ সাগরাশ্চৈব গিরয়শ্চ নরোত্তম্। ।৪২।
বৃক্ষাশ্চৌষধয়শ্চৈব ব্যাশ্রয়ন্ত কিরীটিনম্।
অসুরা যাতুধানাশ্চ গুহ্যকাশ্চ পরন্তপ। ।৪৩।
কর্ণতঃ সমপদ্যন্ত খেচরাশ্চ বয়াংসি চ।
রত্নানি নিধয়ঃ সর্বে বেদাশ্চাখ্যানপঞ্চমাঃ ।৪৪।
সোপবেদোপনিষদঃ সরহস্যাঃ সসংগ্রহাঃ।
বাসুকিশ্চিত্রসেনশ্চ তক্ষকোঽথোপতক্ষকঃ ।।৪৫।।
পর্বতাশ্চ তথা সর্বে কাদ্রবেয়াশ্চ সান্বয়াঃ।
বিষবন্তো মহারোষা নাগাশ্চার্জুনতোঽভবন্ ।।৪৬। (কুলকম্)
ঐরাবতাঃ সৌরভেয়া বৈশালেয়াশ্চ ভোগিনঃ।
এতেঽভবন্নর্জুনতঃ ক্ষুদ্রসর্পাস্তু কর্ণতঃ ।।৪৭।।
ঈহামৃগা ব্যালমৃগা মাঙ্গল্যাশ্চ মৃগদ্বিজাঃ।
পার্থস্য বিজয়ে রাজন্! সর্ব এব সমাশ্রিতাঃ ।৪৮।।
বসবো মরুতঃ সাধ্যা রুদ্রা বিশ্বেঽশ্বিনৌ তথা।

দেবদানবগন্ধর্ব্ব যক্ষরক্ষ পুম্নমক অহুম্ন নাকপাক নাপাক তাপ্রে। মসিগী মতু,দা আকাশদা লৈরিবা সৌরজগৎকী নক্ষত্র তারা গ্রহ পুম্বনা কর্ণগী পক্ষদা লৈপ্রে। হায়বদি আকাশনা কর্ণগী পক্ষদা লৈখ ।৪০ — ৪১। মমানা মচাগী পক্ষদা লৈবা, মচাগী মীচঙ চঙবতুগুম্না পৃথিবীনা অর্জুনগী পক্ষদা লেপখি। অদুগা মহারাজ! পৃথিবীদা লৈরিবা চীঙ তম তুরেল হৈপাল লৈপাল উরী রায়ী পুম্নমক্না লোয়ননা মখোয় মখোয়গী পূরিবা দেবতাশিংনা অর্জুনগী মায়কৈদা লেপখি। য়েক্লবা তুম্বা মহারাজ! হিংচা রাইতম্বা, ভুতপ্রেত য়েংবদা অমঙ্গলগী মশক ওইরবা নোংমদোল্দা পাইবা উচেকশিংনা অমদি গুহ্যকাশিংনা কর্ণগী মীচঙ চঙখ। মণিমুক্তা, বেদ, পুরাণ, ইতিহাস, উপবেদ, উপনিষদ, মন্ত্রগ্রন্থ, অসিনচিংবনা মূর্ত্তি নাইদুনা অদুগা বাসুকি, চিত্রসেন, তক্ষক, উপতক্ষক, পর্ব্বত, কদ্রুনা পোকপা মহূপুরবা, শাউগলবা লিল পুম্নমক্না অর্জুনগী মায়কৈদা লোংখি ।৪২ — ৪৬। ঐরাবত, সৌরভেয় অদুগা বৈশালেয় হায়বা শামুশিং অসি অর্জুনগী নায়কৈদা লৈখ। লিল মচামশূ কয়াকবানা কর্ণগী মায়কৈয়োমদা লেপখি ।৪৭। মহারাজ! কৈ কৈশাল কৈজাউ কবোকৈ-নচিংবা হিংসা তৌরবা অকিবগী মশক কংলবা শা কয়ানা আশাদা অর্জুনগী মায়কৈদা লেপখি ।৪৮। বসুদেবতামিপান, মরুৎশিং নিকুমাপল, সিদ্ধসাধ্যশিং, রুদ্রতরমাথোই, বিশ্বেদেবশিং, অশ্বিনী

অগ্নিরিন্দ্রশ্চ সোমশ্চ পবনোঽথ দিশো দশ ॥৪৯॥

ধনঞ্জয়স্য তে পক্ষে আদিত্যাঃ কর্ণতোঽভবন্ ।
বিশঃ শূদ্রাশ্চ সূতাশ্চ যে চ সঙ্করজাতয়ঃ ।৫০।

সর্বশস্তে মহারাজ ! রাধেয়মভজংস্তদা ।

দেবাস্তু পিতৃভিঃ সার্দ্ধং সগণাঃ সপদানুগাঃ ।৫১।

যমো বৈশ্রবণশ্চৈব বরুণশ্চ যতোঽর্জ্জুনঃ ।

ব্রহ্ম ক্ষত্রঞ্চ যজ্ঞাশ্চ দক্ষিণাশ্চার্জ্জুনশ্রিতাঃ ।৫২। (কলাপকম্)

প্রেতাশ্চৈব পিশাচাশ্চ ক্রব্যাদাশ্চ মৃগাণ্ডজাঃ ।

রক্ষাংসি সহ যাদোভিঃ শ্বশৃগালাশ্চ কর্ণতঃ।৫৩।

দেবব্রহ্মনৃপর্ষীণাং গণাঃ পাণ্ডবতোঽভবন্ ।

তুম্বুরুপ্রমুখা রাজন্ ! গন্ধর্বাশ্চ যতোঽর্জ্জুনঃ ।৫৪।

প্রাধেয়াঃ সহ মৌনেয়ৈর্গন্ধর্বাপ্সরসাং গণৈঃ ।

ঈহামৃগা ব্যালমৃগৈর্দ্বিপাশ্চ রথপত্তিভিঃ ।৫৫।

উহ্যমানা[illegible] মেঘৈর্বায়ুনা চ মনীষিণঃ ।

দিদৃক্ষ[illegible] সমাজগ্মুঃ কর্ণার্জ্জুনসমাগমম্ ।৫৬। (যুগ্মকম্)

দেবদানবগন্ধর্বা নাগযক্ষাঃ পতত্রিণঃ ।

কুমার অনী, অগ্নি, ইন্দ্র চন্দ্র, বায়ু, মায়ংগি তরা মখোয় পুম্নমক অর্জ্জুনগী পক্ষদা লৈখি। আদিত্য তরানিথই কর্ণগী মদা তেংবা। মহারাজ ! বৈশ্য, শূদ্র অমসুং অগনা লৈরিবা বর্ণশঙ্কর মখৈনা কর্ণগী মীচম চঙ্খি। পিতৃলোকশিং, খোলোকশিংগা লোয়ননবা দেবতা পুম্না অমসুং যম, বরুণ, কুবের মখোয় অসি অর্জ্জুনগী পক্ষদা লৈখি। অমসুং ব্রহ্মণ ক্ষত্রিয় যজ্ঞ দক্ষিণা মখোয় অসিসু অর্জ্জুনগী পক্ষদা লৈখি ॥৪৯–৫২॥ ভূত-প্রেত, পিশাচ (হিংচা রাইথবা) শাহিং ভাহিং চাবা, শা উচেক, ঈশিংগী জীব পুম্না, হুই লমহুইনচিংবা পুম্নমক কর্ণগী অমগী থাখা তোঙনা কর্ণগী পক্ষদা য়াওখি ॥৫৩॥ মহারাজ ! দেবর্ষি, ব্রহ্মর্ষি, রাজর্ষি অমসুং তুম্বুরুনচিংবা গন্ধর্ব পুম্নমক অর্জ্জুনগী পক্ষ য়ামদা চঙশিনখি ॥৫৪॥ মুনিগী মচাশিং গন্ধর্ব অমসুং অপ্সরাশিংগা লোয়ননা প্রধগী মচাশিং, হিংসা তৌবা শাশিংগা লোয়ননবা কৈ মচাশিং অমসুং রথ খোংমী শিংগা লোয়ননা শামুশি মখোয় অসি নোং-মুংশিংকী মথক্তা তোংদুনা কর্ণ অর্জ্জুন অনিগী লান্দ য়েংবা লাকখি ॥৫৫-৫৬॥ মহারাজ ! কিয়েং মখীগী মথক্তা হৌখিবা, নিংশিংবা লৈবা নংবা

মহর্ষয়ো বেদবিদঃ পিতরশ্চ স্বধাভুজঃ ।৫৭।
